অহল—লৈরুবদি নত্তে। অঙেনবা শমুময়ানা মখোক পানবসিনা মজা-ইবুংঙো সনখ্বা অমনা মীবৈবাকী কৈগুমশঙদা অবাকম তারম-দাইদা নখোয়গী অহল ইপা লিথুমদা পীবিরম্বদগী ফংজহৌবনি। অশাংব আসনা এনা চসাদজোমদা লেরিঙৈদ। সরকারগী লাম্নী অমদগী লৌহৌবানি।

অমুদোন অঙৌবরা? পীরম্বরা?

অহল—ঙৌদে লেখাক অাসগী মীওইনি। পীরম্বসু মত্তে, মুলহৌবনি।
ধর্মসিং—করম্ন ওইরবনো? এখোয়সু মওংহু থঙনীংই। কারগনি।
অহল—কংগনি। জৌবা, মুংব, লাকপা শসিগী অকরুবা মওং পা-খাপ লৈব। নত্তে মকম-মতম মতাং মতাংগী কীবমগী মথা পোল্লি।

ঐখোয়দি লাম্লোই অহুনা মথন্নতা লাপ্লপ ঙাহৌ ঙাহৌ লম য়েংবা চৎখোল্লকপদা অঙথ্বা চীংচেপ অমদা ইনথরগা মুলহৌবনি। তাঙ্গা-তাঙ্গা হাম্নবহুনি। লাকপা মুন্নবা থেম্বা ইয়া য়াই তৌবতবু থাজহল্লগা মথন্নায় লৌহুন লৌবদি য়াদে। অরেম্বদা মী অমা কোক হাংপা চুম্নদে।

গঙ্গাসং ঐখোয়গী ওইমা য়াম্না লৈশিনবদি য়াদবরা?

অহল লৈশিনবস্থ তাবনি। লুরিংনা ইকোং কোংনা মফম অমদা হেক্তা য়োনবস্থ নত্তে! ঐখোযগী লম অসিদা য়োনবস্থ নড্রি। অতৈ লমদা চৎলগা লৈকবা তাবনি মতম, মী,শেল চঙগনি। কম্না খোম্বা লাক্লরি।

গঙ্গা'সং পেয়ে ওইবা ঐখোয়গী শেঙ্গোক কম্বী অমদি থম্বা তাম্নান।

অহল মহু চুম্মবনি। কম্বা তাবনি। শেন যাওদবা য়াদে

অমুদোন—ঐমা থনবদি .

অংল- ওাইখো অমুব, ইপা মা হায়থিগে। নখোয় তরেংকী অকনবা নহৈ-নশিং অসি তাংকক অমগী ওইনা মপুড ফাগদবা খজিক্তা ঙগাযয়ে। কম্নি কবি তৌবা, কনানা কদাইদা এবি করম্বঃ লমদাংদা করি থৌদাং পাঙব হায়বহু নখোয়গী শিন্দম অসি লোইরগা থন্নরগদবনি। হৌজক অতৈ লাম্ফবা য়াদ্র, অশেং-বা শিন্দমলোয় ওইনা লৌখিবা তারি। মতম থরা শাংনা চঙগনি থন্নম্বনি। নখোয় তরেৎমক নত্তিকনঙল লেবা ঙাক্ত-নিনা থন্নম্বা মতম অদু য়েনা চঙগরোই হায়না লেপ্লে। হায়নখিবা মকুংইম্না ডাস তরেৎ নিপান্নি অসিগী মথুংদা মরুগা নোংমৈ এওং থরগা থারকপা য়াই। হাওবা চাকলোয় ওব্রাং যিস্ফাল চৎলম্মনি। থীন্দনা পাউ ফংগান থম্লি। মরক অসিদা ফাথিবা কয়া ঔব্রাঙনবগা লোয়ননা অনৌবা লাম্লোং থরা তমথসি। তমদবা য়াদবা অমনা শিবনি।

মেরা—কমদোবা ? শিবা হা'বা ?

অহল—শিবা। শিবা অরায়বা শিন নত্তে য়াম্না লুবা পোৎনি।

হাওমু—শিগে থোরক্লবা ঐথোয়বু শিবা তমখিগদ্রে ?

অহল—শিবগী শিবা ফাওবা ওন্নজিবদা হিংনবা হিংহন্নবা শিবদি তমত্রবদি মওং চুম্বা ওস্লোই। শিবদি খজিক্কুং তম্মগা ওমগান। শিদোকপদি শিন অমা ওইনা তম্বা তারি।

অহলগী রাফমসি তরেং খুৎনা খঙনগুমস্থ তৌই, তশেংনা হোৎত্রোং হোনা খঙদবগুমস্থ তৌরি। খঙলংবদি চপ চানা পোকই। অমুদোংনদি হৌজিকমক তমৎলাংই, তশেংনা খঙলাংগ। হচম চম্বা শিববু করিগী লুগ লায়বিবা শোধননা শিদোকপ তানা শিন অমা ওইগনি হায়রিবা অসি করিনো হায়না থনবা ঞ্চই অচৌং অত্থ ফজনা তুম্বা যাদে, নোংযাই মতুং ওাইহাক কোনবদা মাকপ থোকই। মপান থোক্কুনা থরানমিচাক্কী পোইরৈ য়েংলুরগা নোংঙানগদবা ফনা য়াম্না রাৎলিবনা চঙাশিল্লক্লনা চিপখৈ। তুমথবদি য়াত্রে। মওন-মওন খন্দুনা লৈরে।

চীংখৈ হুল্লকদোরে হায়বসি থংনবা শঙতপতা অহলনা হোৎগংখিবদগী খঙই। অহল মুমাং হেক খুদিংগী চীংখৈ হুনগদবা হিদাক ওাহুক অমরোম রাৎলিওৈদা হোৎগংলি হোৎগ'পগা অনকপদা লৈবা ঈশিং-খোং অচুদা চৎাল, মচীন মথা মশা-মউ শংদোক্লগা ঈরুজগোকই। ফি অকংবা তোংদোক্লগা মুওপাক মচা অমদা মমায চীংখৈ চন্দুনা খোঙ্গ্রার চন্দুনা ফম্মী অত্থগা হুংলাকলকপা মঙানদা মুম্না য়েংলগা চীংখৈ থুকন্মী। মুমাং মশক উরকপদা থুরুম্বা লোই। মঙাল থুকম্বনি মশাগী শাজেননি। হুল্লকপনা খুংশ খর শাম্নহুনা অনদি অরাংবা চোং ফনবগী শাজেন থরগা তৌ২না লাকই। নোংমগী শিম্থা পাঙবা হোৎ।

ঙসিস্থ হৌগৎলি চৎলি। মতাং অসিদা অমুদোনস্থ মাগী হান্নগী মকমদা চৎপগী মহুৎতা অহনগী মতু' লাপ্পপ ইল্লকই। মশা-মউ শেংদোক্লগা অহলনা নুঙপাক্তা কমথ্রবা মতাংদা চঙশিল্লকুনা নাকন ওইনা লাপ্পপা খুরুখুদক কুন্দুনা ঢাইহুনা লৈ। তৌরিবহু অহলনা হৌবদগী খঙই। চাংথৈ খুরুম্বা লোম্খিবা ফাওবা অহল রা সুকঙাং ঙাংদে। মুমীৎ মশক খঙ্গক উরকপা মতাংহুদা তপ্পা লৈথোরক্লগা হংলকই --

—করিনো অমুদোন ?

—অহল ইবুংঙো ঐ শিদোকপা খঙনীংঃ।

অহল মোমোমৈ। মোমোং খরা হেন্দোকখিবনা নোকপগী খোঞ্জেল খক্তক য়াওরকই। চহিদগা হায়রকই

—লাইমা অনম কল্লিদ অমুবা কংবং লৈতবা রানি। নঙগীদমক্তদি তাকতবস্থ য়ারবনি নঙদি হাপ্পগী শাফা ওইরবনি। অহুমকপু মতাক্লগে।

তাকপা নংঙৌদরে। অনকপদা শেংং-প্রেককী মখোল খংতা তারকই। অমুদোননা কোক্কী ফিম- থাক মমায়দা চিংথরগা-থাঙ থংশং শৎলহুনা অহলগী মাঙদা লেপ্লি অদগা মখোল লাকপা মাএকৈদা শংত্রিক য়েংহুনা লেপ্লি অসোগদগী তপ্লপ লাউরকই মুমীৎ তবেৎ—চয়োল অমা!

নে তানা থাঙ হাপথিল্লগা ঙাকহুনা লে। মোংশোং অমগী মরুমদগী মীৎতমক ক্ষাংপা মখোয় তরুক থোকলকই। মাঙদা মথুৎ তুবুম্রনা পুনবা মচীনদা ক্ষীবুল নম্বা মুপ অমা যাওরকই অমুদোন ঙক্লা য়েংই। অহলদি থোইনা ঙক্তে। তপ্পা হায়রকই -

—কদাইদগী কমদোনা ?

—মনীংগী চীংয়াংদা উখুং মতোন্দা লৈরম্বনি।

—মচীন মথুং খাদোকউ।

খাদোক্লগা কমহল্লি। তল্লকমক মাগী মাগী থাঙ হাপচিল্লগা ইকোয় কোয়না লোপ্লি। মুল্লা ভাইহাক য়েংলুরগা অহলনা হংই—

—ইশাগী মিং করি ?

—খম্বা সনা সনানি।

—ইবুংঙো সনা কবি লৈকাইদগী ?

—লুচিংবা ইবুংঙো ঐ বিষ্ণুপুরদগীনি।

—অসিদদি কদোমদগী কমদোন ?

খম্বা সনানা মাগী রারী শাংলপ লৌতুনা থঙগল্লি। ইনাক কৈরাক থুনবা সনা অমগী মচানি লৈশাল খোম্বা চৎপদা চীংনিংঙোল লৈশাবী অমগা মরী লৈনকবে লৈশাবীতু মশা রাই শংলক্তবদগী লৈবাক খঙনরক্তুনা রাফম অসি লোক্লুং য়ৌপ্রে। কোম্লুংনা অহানবদদি লোই থাবগী চৈরাক ওইনা পীরক্লগী মরি থবা য়েৎলুবদগী ঙবোং-শাউগী অহকপা চৈরাক পীরকখিদনি। লৈশুম শঙগী কক্লাং হোগায়রগা লেল্লকখিবনি। মথং মথং মশক হাক্তুনা চৎলকপনা চীং অসোমদা ক্লাইগৎলকখিবনি। লম্মাংলম্বনা লাম বৈঙেবা নোমা অয়ুক অমা নোংমৈ মাখাল তারকপদগী তাকলি কাংবা মীংলেরে হায়না খন্দুনা মোংমৈ মখোলগী খোঙ্জ্রুল লৌবকপনি মইদা থুংলাই ঔরাইরিবা মখোয়বু উবদগী লুম লুমহুনা, লোং লোক্তুন মখায নিপানগী লোংকম-লৈকম থিনকপনি। উনা-রানা অশাং লাংগান চাতুনা লৈরকপনা মশা ময়েং যাম্মা তারম্মে রাবী তারন মতমদা মফম অমদা পুতুনা অচা-অথক থম্না পীজরে। ভাইহাক পোথাংক্লবা মতুংদা অহলনা হংলুই-

—ইবুংঙো সনা, নঙ তৌজিক ঐখোযবু শক থঙতোনে ?

—শকমক্তি উত্রি, মঙংদি খঙজরে।

—করি খঙাগে ? ঐখোয় কনা ওইরম্মে ? কন্নি তৌরি ঐখোয় ?

—ময়াম্মা তৌবিরিদো...ঐ ঙসি নোং-মিনি শুজয়ে উজয়ক্লিবা.......

—হায়য়ু কিগদু নঙনা থঙবহু হায়দোকউ চিংনম্ন, কনাবগনি ।

—ময়াম্মা তৌবিরিসি . . লোৎ খোত্তনা লৈরগা, তাঙলবা,চাবা থকপা ফংজিল্লক্রবা মতমসিদা অরৈবা ইনাকথুনবা মীওইদগী... মুন্দনা খোত্তনা...কৈদোদনা ..

—থঙঙে । হুরানবা খুৎপুনি, লুট-পাৎ তৌবা কাঙবুনি হায়’রানি।

—লুচিংববু, হুরানবগী রাদ ঐ হাযজদে ।

—ইবুংঙো সনানা হৌজিক পাম্মিবসি কবিনো ?

—ননাইনা পামজবাদ. ননাইবু থাদোকপিয়ু চৎচথিগে; ননাদসু হায়দোক-চরোহ; ঐসু লোৎলিবা অমনি ।

—চৎপ্রগা করি তৌগে থাম্ল ?

—কম্মা হোৎনজত্থনা সবকাব বহাদুর উগ্রজগে । সরকারদি বামোন ময়াং হাও পাঙন লো-খোম্পা লৌবা বেরা লেতে হায় । এখোয়দা চক্তজরগা শিবা-চঙনা মকম থঙত্রবা ইচাগা মমাগা লৈমিন্নবা হে। -নজরগে । লম লসি থাদোক্লুনা চৎথ্রবস্থ মখোয় অনীবু পুরগা চৎচথ্রগে । মখোন অনীতনি ঐনা থঙবিবসি ।

— ঐখোযগী ইরক্তা যাথরাবদনা ।

—মহুদি ঐ জমজারোহ, হৈদবাই ময়ামগী সেবা তৌবা, চাক থোঙবা, যুম শঙবঙস্বদ’ন ঐন হৈরকদা । মহুস্থ অমুক্তা তৌরক্তবনিনা কাম্নগনি থাজজদে । ঐগীসি য়াম্মা শেংনা হজৎচরকনি ।

হুমিদাংদা য়াম্ন থেঙকবা ফাওনা মখোয নীপান চীক্লা য়াম্মা ম্রম্না খন্নে—

ধর্মসিং—লোইশিনববা চুম্মনি

য়ুম্নপ—ঐখোয়গী ইশক থঙত্রবনিনা থাদোকথিবা ফত্রে ।

মেরা—মামরা ঐখোয়গী কাশংবা খৌরম অসি থঙবম্নু নত্তে । থঙভক্রবা

ফাওবদা কল্লিবু তৌবা ঙমগদগে। থওবগী য়াদি মন্নাম ইথঙ থংনরুকখিনি ঐখোয়নস্ত থওক্তগদৌরিবনি। মা অমনা থরনি হান্না থওশিবদি য়াই কাযবদি নত্তে

হাওম্নু—অতুমকপু, সরকারদা চঙজগনিন্নু হায়রি, হায়দোকউরগদি ঐখোয়-গী লৈকম লোৎকম থওগ্রবদি!

গঙ্গাসিং—লৈন্ধমগী য়াবুদি—ঐখোংগীদি লৈকম ঙাক্তনি। মফম অসিদা লৈরিবসিদি মতম থরদগীনি।

হাওম্নু—ঐখোয়গী শক মায়, মীৎ ফীবমদি থওদি য়ারিবা মথৈ থওচ-ন্দবা ফগনি।

ধর্মসিং ঐখোয়গী মী ওইযু যাত্রগদি থাদোকপা চুমদে থল্লে।

য়ুসুপ—ঐখোয়' অহল ইবুংঙোনা য়া ঙাংবিদবনা?

অহল—ইচা অমুদোনদি কল্লি থল্লি?

অমুদোন—মশক ইথঙ থওত্রিবা মী অমবু ওইব' য়াই হায়বগী চিংনবদা লোইশিনবদি থুংনগদনা মাল্লি ঐখোয়বু মুন্না থওবস্ন নত্রে, ওন্না থওলি থঙলব' ফাওবদা ঐখোয়গী থবক অসি ঐখোয় থংতগী লনাইগী ন'ত্ত, ম'গীস্নুনি লৈবাক পূন্নমক্কীনি। ঐখোয়-না মায পাক্লবদা মান' মীংক্করিবা থেম্নবা থমদবা য়াথল অসি লাকদৌরিবনি মাস্ন থংলক্কনি। ঐখোয়গী মী ওইযু যাত্রবস্নু য়েক্লবদি ওইদ্রি।

ধর্মসিং—মানা চঙজরুগনি হাযবিবসি ঐখোয়গী য়েক্লবনি। য়েক্লববু য়াবা হায়বসি ঐখোয়বু যাদবনি; ঐখোয়গী য়েক্লবনি।

অমুদোন—গেক্লবন' পীরিবা পোৎ অন্ত ঐখোয়না পীবা ঙম্মগদি মাস্নু ইপাইচানি। ঈ মরী হায়বা অমা লৈরি।

ধর্মসিং—খুরক্কী ঈনা লাই শাররুগদি?

অমুদোন—মতমচুদি ভঙারফদনা থমদবা ভারেদনা।

ধর্মসিং—থেঙখিরোইজা?

অম্বুযোন—মযামগী য়াইকবা তৌবদা থেঙবা লৈরোই। ঐখোয়না হন্দক্কা তৌরিবা ময়ামসি নহানরাইনা তৌবা য়ারম্মবনি। হৌজিক্কী য়ানি।

ধর্ম সিং—অতুনা মরৈদা তারে ..

অহল— ফরে। খঙে। খুমদৌসি, কবিস্ত লৈতবা য়ানি। থাদোকখিবা পাম্বনা কনা কনা পামদবনা কনা কনা—খঙদোকসি। মরমদি য়াফম অনীমক্তা অচুম্বা লৈ আহো—অরাকম্ব ঙম্ম মরৈ। নখোয়না খল্লিবা খঙঙিবা পূম্নমক য়াবা ওঙখোকপা ঙাক্তনি। মশীং লোবা তাই। পুরোনশিংদগী চৎনরক্ষনি।

হাওম্ব—অহলগীদি করি পাম্বীবা? খঙনীংই।

অহল—ঐগী মশীং থারোই। ঐখে যগী নত্রে নখোয় খুৎকী খুৎনা লৈথাই তারগদবনি।

কুইবা নত্তে। থাদোকখিবা পাম্বনা ১শীং অমা হেল্লে। থাদোকখি। য়াম্না কোইবা, মায়গৈ লেপ্পা ঙমদবা লম্বেনদা পুন্থনা চাংথা তম্না খম্বু থিল্লুই।

ধর্ম সিং খহিক মুংঙাইতে। অহল মসি খঙই। অহলনা হায়বদগী মখোয় তরেৎ খুৎকী মফম হোংগ চাংথোঙগী অথেনবা শুরুং মচা অমদনি। লাইঙম কিথুমনা পুথোকপা মফমনি। ফাইরেনগী থাম্নায়দা হোংলকপনি। শক্তিবু হৌরকপা ফাম্বা শিন কয়া তম্মি কযা ঔরাই; কয়া অমনা তায়ে লোয়ননা কযা অমস্ত থরৈ।

মাপলগুবা

ওসি শজিবুগী পান্দম্নরিবা নোংমন্থুনি। ওয়াং শিলহৈনবা ওইখ্রে। নহান চৈরাওথিবনি। অবেং খুৎনা ময়েক শেংনা চৈরাওখি। চাওবা চাক্লোয়না মথেল লুক্লোয় কযামক শেম শাখি। ময়াম পুন্না চামিন্নখি। চামিন্নরমদাইদা পল্লেং শানা ফম্মগা লাইওমনা মকোক ফম্মগা মমীং চেৎনা উইশিল্লগা লাইশোন তিনশোল তৌবগী মওংদা কৎলকখি—

নীং তম্না পোকপী ইমা
নীং তম্না পানবী ইমা
মীখাগী য়োঙিলং ককপৎতুনা
ইমাবু মনীং তমহনবা
ওম্বগী ইওল পীবিযু
নচাশিংবু লমজীংবিযু

খুদিংমক হায়ংক্রব। তৌদনা মনীং চেক্তেং উইশন্দুনা কৎনখি; মানা শানা পামজবা, খওঙ্গবা বাহৈদা কৎনখি। ভাহাক অহু পুমচাক চৌকখি। লাংমাইজীং চীংশাংদা হুম্নম্বা মুৎশিং ফাওবা চপ লেপখিবগুম তোখি নাকয়েং অপূম্বা মুংশা হোনখিদে। চাকহাপ নাইনা পুক থনকোক চান্নাখ। মুংশা লৈথরক্লবা মতাংদা চীংদোম অমদা কামিন্নখি তোলেনদা লেপ্লগা সনা লৈবাকপু মীৎয়েং শাংথৈ ফাওবা লৈনা লৈনা য়েংমিন্নখি। চীংলোম্ন থনখিবনা মীৎফমনা উদবা শক্নকপু রাখল মালওগী মীৎফম্না উনখি। ভুমিন্না কোয়না য়েংলুবগা লাইতন

কিথুমনা মীংলুবা খল্লুবা তৌদনা হায়দোকখি—কজৈদা ইমা পুকক্বী। য়েংখোকখিবদা অমুদোনগী মীংলুদা পিরাং ঈরীক শিহ্বরম্মী মায়থোঙনা মকা লাম্না মোমোম্নরম্মী। থংননা লেপ্লিবা অহলনস্থ

শিলহেনবা হুমীংঙনা থবক মনা অমতা পায়নখিদে, মপুং ফানা পোখাখি। অযুক মুংথিল মুমিদাং তূনা পোখাখি। নীংথিনা তুম্নখি। নো'ঙ্গাই চবুক হেক লাল্লকপদা ঈকজ মাংথরগা মরী মরী খোঙশাল্লকই ঙ'স অসিনা তরেং থংকী শিন হোবা থুমীংনি। চাংথৈদা চীংথৈনা নিংনিং খোঙদোয হুল্লকপা মতাংনি। অঙানবস্থ চীংথৈগী লাচাং ঙাইরুবা তৌদবগুমলে, শজিবুগী লৈচিল এচা মঙানগী মেবুবা পাউজেলনা পাউথাং শাঙক য়েরম্মগা তরং তর' লীংথংলক্লে চিংগী কাক অমনা লাংক্লা খোংলকই। শাজৈগী মমি কাওবা যাঙলেনদা তাবা য়াদব থবীগী শগোল তরেংমক্কা শাজৈ কায়ল লাক্লকই। তরেংমক অমুক্তদা থুহুংনা নারুম লাম্মকই। মঙানগী দোলাই লৈথংলকই।

অহানবা মুংশাগী মশেক্লা লাংমাইজীংগী চীংদোন অমদা অথোবগী ঝমঝমদা হকোয় কোয়না কম্লিবা মখোয় তরেং অহুগা খল্লাংননা লেপ্লিবা মখোয় অহল অনী, মখোয় মাপল অসিগী মথক্তা অমুক্তদা যৈরকই। মীং উইশিন্দুনা ঙাইহাক লৈরুরগ লাংঙম কিথুমনা মথং অনী রাংনা থাঙ্গংলগা লাউরকই- 'ইমা মনিপুরনা ' য়াংক্রে।'—মখোয় নিপাল্লা পূল্লা চপ মাম্লনা অহুংমুক লাউবনি। অনকপ চীংচেপতা থুবৈ চেংহনা লৈরম্বা মুঙজাও মচা অমা চপ যুংথখিবা লোকথ তম্ম ওস্থখি। অশী- কপা মুঙ ঙাক্লগী চীংমায় ওইবনা অচৌবা উ পাম্বী চৌদবনা ওন্থখিবা হুঙহুমবু মরক্তা পনহনবা ঙখিদবনি। মখোয় মাপনমক কোয়না খোজায় চন্দুনা যম্মে। অহল্লন তপ্না হায়রকই—
—ঙসি অসি ঐংখোয় 'তরেং থংকা খ্বায়দগী হেন্না মরু ওইবা মুমীংনি।

চাংখৈদা চাংথৈনা নিংনিং খোঙদোঘ হুন্নকা মতাংনি অঙানবম্ব চাংথেগী [illegible] ঙাংকা [illegible], শাগবুগা লোচল মচা মঙানগী মৈমু পাঙ্গাঙলনা [illegible] খাঙক [illegible] [illegible] লীংথংলক্লে। চাংগী ক্বাক অমনা লা-ব্রা খোংলকই শাজৈগা নমি ফাওবা য়াওলেনদা ঙাবা য়াদনা [illegible] [illegible] তারেংনও। শাজৈ কারল লাক্লকই। তরেং-মক অং-দা থুডুংল নাকং [illegible] [illegible] দোলাই লৈথংলকই।

অহান [illegible] মশেক লাংমাইজাংগী চীংদোন অমদা অথৌবগী [illegible] [illegible] তরেং মদুগ থব্রাংননা লেপ্লিবা [illegible] [illegible] [illegible] আসগী মথক্তা অমুক্তদা য়েন্নকই। মমাং [illegible] [illegible] [illegible] কিথুমনা মথং অনী রাংনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মাথায় নিপান্না [illegible] [illegible] অহুন্নক [illegible] অনকপা চীংচপতা থুবৈ চেংজনা লেবম্বা [illegible] অমা চপ [illegible] লোকথা তম্না ওম্বুখি। [illegible] [illegible] [illegible] চাবা [illegible] হৌদবনা ওম্ব-খিবা [illegible] মর [illegible] [illegible] মখোয় মাপনমক কাবনা [illegible] [illegible] অঙলনা ভপ্ন হায়রকই—

[illegible] [illegible] খ্বায়দগী হেননা মকওইবা মুমাং-নি [illegible] [illegible] কাইডম, মরাপ কিথুন, ঙাস অসিদ [illegible] অহনননা খেংথাঙ অমগী ওহনা লোইবে, [illegible] [illegible] হমানা খোজানবিন্নবাদ হান্নম খু দিংদ শম্না [illegible] অমা নোয়রোং থক্তুনা থল্লগা মেক্তুনা [illegible] শনঙ্গরবা মুঙযায তবেৎ ওসি [illegible] [illegible] [illegible] চাং য়েংদবা [illegible] শম্নচং [illegible]

থুরুম্নগা ফমথরে। লাইঙমনা কোথন অমুক্তং য়েংলম্মগা তপ্পা হৌরকই –

— ইচাখা, মচু তরেৎমক. অঙৌব, (ধর্মসিং থুরুম্মী অমুবা, (অমুদোন) অশংবা (মেরা), অঙাংবা (গঙ্গাসিং) নাপু (যুম্নপ) শংবানবা (হাওমু কৈঙাং (চৈতন্যদেব); নখোয় তরেৎ, তরেৎকা চৈশুনি, তরেৎ থুৎকী সনাথুম্বী ঙাক্তুনি। ঙসিদগী অহল ঐখোয় অনীগী থৌদাং লৌহরে। তবেৎ থুৎ শেম্নবা তেংবাংবতনি ঐখোয়গী থবক হাযববু হৌজিক্তি তরেৎ থুংনা থোকপা তৌরে কনানা করি। তৌবা—নখোয় নাশল লেপ্পরো, করিগী দমক্তা পাঙলিন থৌদাংনো হায়বাসিমা ঐখোয থুদিংমক্তা থঙনরে। হৌজিক্তি নখোয না 'সুম কৈ হাংবদো হেক্ত তৌরো। নখোযনা মুন্না থম্নবগা যাম্নবা খোঙথাং অহু পুন্না থাংগিন্নরো নঙগী নঙগী মাযকৈ নঙন। নঙনা পাযগদবা হীরমদা থবক চথব। হৌরো

অহল ইবুংঙোনা হায়রকপনি –

— ইঙাও'বুংঙো মতাংসিদা ঐ রা অমা হৌদোক্কে। ঐনা কুইনা নৈতুনা লোযনরক্লবনিনা ইচাশিংগী অকুপ্পা লোনচং মুন্না থঙই। য়েংঙগে হাযনা য়েংলবনিনা তেন্নস থঙলে হাযবা যাই। অহুনা থৌদাং য়েনংগী মতাংদি ঐগী পোমীৎসু মথন্নবিয়ু।

লাইঙমদি কোম্ননা যাবনি নহা তরেৎন হান্ননা যারম্মে অহলনা শিন্নবা পাঙনবা থৌদাং পুম্নমক থনবা থম্নদা চঙদন যারে হায়না চপ মান্ননা হাযুরে কুইনা চত্তদ হৌদাক হৌদাক্লকপা রাফমহু থুদিংমক্তা থুদক্তা অহুম যাই অহলনা শিংলি থঙনা হৌদোকপগী মথক্তা চীনগী মহাওদা অপাম্ব হম্মুদ্রবা তরেৎনি পাযকবা শাঙ্খা অনদা মাযপুনবা ঙম্নবা অহুগা চৈরবা মাংওইনি মথোয়না থঙভিবা পাম্মিবা লোযননা তাল্লিবা মহাও হাযববু অনথক্তনি। সুম্নগী অমথক্ত

নীংঙম মহাও। মহাও অসি লৈতোন তংঙ্গরবা তরেৎতা অতোপ্পা মখলগী মহাও চত্নদে। খুদিংমক্কা খুরুম খুকমতুনা পীকাক্রিবা থৌদাং মকোক্তা থোংই।

খজিক লকক তৌবা অঙম্পা মতাং মচা অমত্তুং য়াওবগুম তৌবসি - তরেৎকী মন্নুংদা তরেৎকী মইনা থোপ্পুরেন অমা খনবগী মতাংসিনি। লাইঙমনা অমুবা পাম্মী অহলনা অঙৌবা। অহল অনী খঙনা খঙনা হাইরপস্ন চঙশিন্নে অমুবস্নু হন্দোক্লে, ইযাস্নু য়ানৈ থাঙলপ থাঙলপস্ন তদুম তৌনৈ মযাম ইশিং লোইনা খঙনৈ লৎনরপ তৌবা তানফম অমদা অমুবনা মযামদা খুকম্মগা হাযরকই—

— অহল অনীনা খন্নবিন্নিদুনা লোমচৎ খান্তকতি কায়রে, কহিগুম্বা অমত্তা হাযজগে

"তাসি।" — কিথুমনা হাযবনি

— থবক অমত্তুনি ঐথোয অমত্তন পাথাপ অমগী য়াকমদনি; মরূপ খুৎ অঙৌবনা ওইরসন্ন

খুদক্তা অহলনা তাপ ওন্নগা হায়রকপনি—

তো, খুৎকী পিবাসি অমুবা খুৎন ওইবা তারে।

কিথুম অহলনা খজিক ভকচাও বিদুনা খুৎ তন্নাকমক্কা অমুবদা খুরুম্মী হাযরকই 'যাজরে।' অমুসনা কাহিগুম্বা খরদং হৌদোকে তৌরকপদা কিথুম অহলনা শনথরকই -

ইহান হেক হানবা থবক 'তবেৎ খুৎ'না তৌবা হৌরে। খুৎ তরেৎমক য়াইফরো। তরেৎ খুৎনা—

"য়াতক্করে।" —মযাম্মা খুম্মনি।

—ইমা মণিপুরনা—

"য়াইফরে।" —অপূনবা খোল্লাউনি।

মসূপ হৌজিক্তি ঐথোয য়াশক শকপা থোক্লে। কসমনা—।

অমুদোন ঐঙা শনন্দা নরুপ, রাশকনুমসি নীতিবা পম্বু দগী রাশঙ্গা লুমহনবা চুমদে। অদুগা খুনা নংলে, অমা রাশক ওাকপনা লমজী থিবা অারগদি ইশাগী বারপ অসি মখোয় চংলনবা হায়বা রায়ম লাকপ অাই। ঈমাদা বাংশনা য়োাইল ককখৎকনি লেপ্লে, ককনংই খাউনবু ওইরে খবামনবু শংবনু
চৈতন্যদেব—লম অসিগী রাশক চ পদ ওাকপগী থাবাগী মইরোয়।
অমুদোন- লৈ নত্রু শোন্তরকপা পুংদ নদা নউল প্লন্ন থংয়ু-গী পুকচেনদি মঙলম কু শককুমসি নরূপ
মেব — খম্লবগী রানি, রারপ রাশক ওগ্রবদি অহেনবা লাদিং তৌব শুমসি।

বিথুম- যারু লমথংন লনদাং থকইবা রাশক্ষী নফম নাযন-দ্রে। অহল প্রায় অসিদগী অঙন লেমহৌরন প্যন্দি লেনবা তৌকবগানি। অদুগা খংনা থবক তৌরগনি হাসদ নগ মাগী থোদাং কান্নবদ চৎনখ্রগনি। এন খান্নব মাল্ল হৎম খুংম্মী শিন্নবগনি অহল হৌওদা কেব খংতাই পুন্নংবল্ল নথে হদ শিন্নরগনি। অম দানগী পাঙাং টিব্বা লাইনম অাঙ্গ পাখং খনা শাযরি মথং হথং টন্নবগা অমাসা খনব নহং কওনগাদন কন
অহল—শংলাই শিন্নন কৌথংগ মলাং খরাখ সমকম কোনাং ওাক-শেল্লিবা মীগম্ম মবোন ফাওাদারুব

বিথুম- যাম্না যারু। নমথং তানগ পাম্নী ইত্ত্রাশ চাক্ল শৎনরম-দাইসিদা ঐঙা কাযদনবা পাহনবু ফাদোবিবস লেংশা ন পাক্কল ফাংনা লোকপ যাবাক পাক্কল লাইং লৌশিং শুরবান্ শা জিন্নী। পল্ল্বং যৌবগদ লোইাদ সপ্তন্ত নপু দ তৈনগ জাঁন, কৌন পান্নী মুন্না যেংগু ম খা নি ত্রাম্নিব শান্দামসি হন দ পঙ্শা টদা শাউগভুন দসি অসিদা নংদ্ব টাইমল্লন পাঙ হাইহুন চেংগন্ন

হয়েংগীস্থ [illegible] তাবনি। আশংবা লালহৌদি হয়েংদতা নত্তে মথংগী হয়েং কয়াম্ভ উবা তাবনি।

ধর্মসিং—[illegible] লৈরম্বা তিংখং [illegible]বদা মপা থোকলবা ককচেং অমনী উনা-উশা খঙনা খঙনা নেংলুনা মতৌশংগী লীচৎ ওহরক্কনি।

কিথুম— [illegible] [illegible] অতুনা তিংখং লৈরে ঐথোয়দা নেংলু হায়ল্লু। চুম্মর [illegible]মথুংনি পূম্মক্কা [illegible]ইনম্বনি। মমথুং মুন্না পাক শন্না খঙ[illegible] তাই। মাঙ্খিনা [illegible] থেবদা [illegible] অমগা কল্লিগা শোকক্নারাই। চোংথোক্লবা নখোয়দি লেপখিবা [illegible] অতুমগী শোকপা তৌখ্রবনি। শোকপা শোকবা তাবনি অতুগা শোকবা য়াবদা শোকলুরবদি [illegible] খুযাম্দা [illegible] থাগদবা খোঙ্গপাং [illegible]। [illegible] পূম্মক তারেং [illegible] মুন্না খন্ন [illegible] থাংগদবা — [illegible] খোঙ্গপাং [illegible]। লেপ্পপ্রবা খোঙথাংদি শোয়দনা [illegible]গদবনি।

অতুল— ইচাম্বা [illegible] অমগা হায়[illegible]।

কিথুম—[illegible]।

অতুল— [illegible] তাসিংদা [illegible]-থক্তা মচিগী মদুগী চাউনা [illegible]। যেক্কনদা ফাওবা থকম কনা থানা কনা [illegible] লোয়নবা চংনরুকই। তাকপা তাই। খঙনা [illegible] তাথীবনি [illegible] ফাওবদা [illegible] [illegible]। নহাল পুংলাই ঔরাইমিন্নরিবা পিবা অমুদান- [illegible]মুবনা হায়রক্লিবা, ঐথোয়না নৈনখিবা য়াথম অমা ঙংস লৈখায় তাকোকখিবা [illegible] [illegible]। ইচান তৌদোকখিবদা ঐখোয়গী য়েক্কনসি অতোবা মীওইনি, অতোবা সক্কাগী মীওইদি মখোয় কুকথ্র-নিফু মুক্তা

মাল্লি। হায়রিবা মখোয় কুনথ্রা নিফু অসি কাপ কাপতুনা তুম্না হাত্তোক্লবদি ঐখোয় নংখা তম্বা হায়বত্র ওইরগদবা নত্তবরনে হায়বসিনি নৈনবা লোইখিদে। মসিদা চংশিনা ক'র হায়বিগদব লে?

কিথুম—ঐখোয়গী অপাঙবা হেক্লাবসি অঙোবা সরকারগ, সরকারব হাসিগী মায়কৈদা যাওংংবা লৌরবা কাঙবু থাংশিন চুম্মী পাউবা মীওই'দ যাম্ব নত্তে, কুনথ্রা নিফু নাত্তে, হৌজিক হৌজিক লৈরম্বা য়াবসি মরা লৈঙাথক্কনি।

অমুদোন– অতুথক্ক' লইরবদি থা কাদনা যাগনি।

কিথুম—থা নাক লৈংম; লৈাংবা নাত্তে, মাকচমাঙ অমা যাবগ। লুশিল্লক্লিবনা টিন্দিবা মখোয় খুজীনমুক অসি তাংশংলাদ লেচিন মরক্তা খজিক্রমক লৈংথংলকপ চৌ মহোন লচা অংকা, টিংবা চাটনা শংোল্লবা চীংশাং পবেং পারং লেরিবনি। অম কেম্মে অনা চোংদ, অনীদগী মবা মনীদগী নিপান—গ, লাখী, কোটি কোটিদগী, বৃন্দ, বৃন্দদগী বৃন্দবৃন্দ চোংখোল্লক্কনি। যামথ্রবা নুমাং তংবা লৈতবা নিংথৌপানবা লেকাক্কী লাম্বী লৈশংনি হোইনা চু চিল্লতুনা লোয়াক চক্রুদগী ভাক্ত কাদোক—পাদংবা ঐখোয় অমনীসিদি মীংকুপতা কাদাংথিগনি হৃমদিল্লকপা মথুংতা খজিক হাংদংলুবা মঙায় ঐখোয়না তৌগে হায়না তৌরবদ। কোংনা খেংলগ্রে হান্নকবা কান্নরোই লেবাক অসদম্মু নিং— থৌমক হাওনা শপাইচা ময়াম অম মখোয়গী ওনা লেপ্রবনি।

গঙ্গাসিং-- মখোয়দম্মু থুংলাই থাবা তারবা নত্রা?

কিথুম—মখোয়দি অতত্তাই ওইবা যেক্লবা নত্তে; থু কী ঈন।

গঙ্গাসিং থুরক্কী ঈনা লাই শারক্লবদি?

কিথুম- অতত্তাই ওইবা যেক্লবদগী মচু হাঙ লোংদোকপা তাই।

খুঙ্গি নদা যুবা তুম হান্না শংত্রবদি মশা শোক্লকপা থুংনা অতৈ থবক পাওবা ঙাগনি   হান্না লায়েংথোকপা ভাবনি ।

মেরা—লাঙ্খাবদি ঐখোয়গীসু লেগনি

কিথুন- ঐখোয়গীসু, হেক্কবনা থেংনরবদি তোইশিনখিগনি, লোইশিন্ন দা থম কায়বগী বা কৈরোই   মখোয়গী মায়কৈদা ঐখোয়গী পণা তৌদবা য়াদ্রবা লান্নোংনি   লাঙ্গং মখল অমনি । অতুনা য়েরোনবদি চং ফংবাদ ঙাক্লগদবনি । মবুক চেক্তবা লীচৈ হাই- গা লকপদা পুম্নমক ওরো-বো হাযদোকখিগদবা মীসু মযাওরক্কনি । ম পৈদ নশক মুম্না থেংগদবনি । পাম্মে হায়দনসু তোংবা পাদিং চাউন হদিং এখোয়' পুংকী মী ওহনা থম্বা চুমদে । চাং থেংলগা খনগদবনি ।

ভম্নাদ • এখোয়গী মী অনা ফাগ্রগা শিবনা হেন্না ফবা মংংদা ওংখিবা যাওরক্কনি, মচমতুদা হায়দাক্লবা যাওরক্কনি । মতুদা কমদোবা ভাবা ?

কথু১ খল্লবমক ভাবিবা রাক্কমনি   ইচাঝা, অনী কোম্নবনি, লৌ খঙনবা মশেন্নি. অচংবা যেংনবনি, ঐদনা ভাক ঙমগনি হায়বা লতে ঐ ফাখবা যাং- শনা নত্রো চঙনা । খোঙবী খোঙ- নাও ফাখিবদি অমম্রামদদি পঙমাও মাঙদে পঙশোক শোক্লোই পুম্নমক খঙলিবা পুম্নমক শাল্লিবা নখোয় থুংকী নুংদা অমা কাথ্রবদি যাম্না মাঙজন থাকনি   নখোয় ভরেংতি ফাহনবা দে   থুনৈ অমদগী নখোযবু ফংখিবদা মভাববদি তিংনা ফাহনখিবদি ইয়ামক য়াদ্রে -শিদোকপা !

অংলা নখোযনা খঙন ংখিব লত্র শিদোকপা   শিবা নত্তে শি-দোক-পা ।

অমুদোন- লোশিং ভাজরন ।

কিথুন —শিদোকপা অরায়বা নত্তে, ভদ্বশু ভাই খঙবংযু ভাহ হৈবসু

তাঙ । লুচিংবা ফাবদি তিনা ফাবা পামগনি মাথুংতা হিবদি মীথা মরোন অনা পোন্না তিংবনি । নখোযাদ মাযো কুবগে হাগনা জেগথিনা পুংজম মীংকুপ অহুদ নীং তম্বা চৌথুনান । নীং তম্বা অনি শম্মথে ফপা লানগনি ।

ধম সিং [illegible] ফাহনদা কাম্নি [illegible] ?

[illegible]— [illegible] খোকপদা [illegible] অমনি [illegible] [illegible] চোক্সবা [illegible]

[illegible]

[illegible] পিজনবা [illegible] মকুপ [illegible] থাবা

[illegible] পুনহুন [illegible] যাদনবা [illegible] ?

কিথুম [illegible] ফাবা [illegible] করা ।

[illegible] অমি [illegible] হেগ্নাতাই;
[illegible] তাই, [illegible] ফুমহুন উম্বা তাই

অদুদোন — [illegible] ?

কিথুম [illegible]
[illegible] ! [illegible]

করি খল্লগদবা লেপ্পগদবা লৈরি ? ইভাওগীদি ?

অহল—ইচাখিংগী লোইরবরা ?

কিথুম লোইবা হৌরবা অনা লৈরোই। ঐখোযগী অসিদি য়ুমকম ওইবা পরাং ঙমত্তনি। ঙসিদগীদি ভরেং খুংনা পুম্ব্রগদবনি। ঐখোযদি ভাবাক ওইনা লৈবগদবনি। মতমগী মফমগী অচুগা কীবগী পোশবৈ তুংইল্লা যুম্বী ভরেংনা পুবগনি। করি হায়-নীংলি অমুদোন, করিগুম্বা শরা হাযনীংনা উই।

অমুদোন ঐখোযনা পামজবদি চাংদোন অসি ঙসিদগী ঐখোয়গী খোঙ-হৌফমনি, 'নী তম চাং' কৌজনীংবসিনি।

কিথুম—খঙনরসি। ইচা অরুক পাম্মবরা ?

অহল- মখোযনা হাল্লনা লেপ্পরবনি।

কিথুম অচুদ ঐঙোন্দা খঙ্গনবত্তনিদনা। অত্তে ?

ধর্মসিং—ঙসিমক মফম অসিদা কংলাদা চিংথত্রবা লৈবাক-নিংথৌগী কীরান অচু চিংখৎনীংই।

কিথুম—নীংতম্বগী লানদি হাল্লনা লোইরম্মে। থীল্লেনে।

অঙাংবা পাকন হৎপা কাত্রংগী কীরলনি। হাল্লনা শেম্মবা অরাং-বা রা অমগী মত্তোনদা পুন্দুনা থম্মবনি। মখোম নহা ভরেংনা চঙ-শিনশিনুনা অঙাম্নবদা কোংযাং ভাবগী মৎংদা থরূম্মগা তপ্পা ইনখত্নুনা চাংদোং অচুগী খুযদগী রাংলবা মফমদা তোঠুনা থম্মবা উথুনদা যুং-শিল্লি। অহল অনীনা চঙশিল্লকুনা চাং লৈবাক্কা মুঙগা খোৎচিল্লে। শুজিল্লি। শামু মবানা হৎপা মখোক পানবা নোংমৈ মচাতু রাল্লিবা খাউদগী লোথোকুনা মরূ হাল্লগা কিথুমনা অমুদোনদা লানশিল্লি। অমু-দোনন থুকথুদক কুন্দুন লৌরগা নোংথক্ক অচুমলক কাপথৎলি। অহল-না শাউরগা মখাল্লা পুম্মি -

ইমা লৈবাক—নীংতম্রে ।
সনা লৈবাক্না—জয়ওইরে ।
ইমা লৈবাক মণিপুর— যাইফরে
তারবং খুংনা মাযপাক্লে ।

মহৌশা লাইরেম্বীগী কাযাং খুদিংদা খোম্থাং য়েরি

তরাঙবা

নুমিদাং অত্ত ফনা থেঙলে। নৈকাই তিম্নবা য়াওক্লরগা চম্ফ্রিল্লকপা মপা লাইবগী মচৌন্দগী মতেম কুইনা লংফৈ চৎলুরবা মত্তাও অমুদোন লাকহৌরে হায়বা তাবদা কেৎবা চাক চারম্ফদগী মথুৎ হাম্বা নংদে লৌচে মরুপানবদুগা লাকটেন মচা অহুমগা খুদক্তা চেল্লকই। কৌনা কৌনা থোঙ ইল্লুবনি। লোল্লমদে চঙখিবদা যুময়াইদা ফক অমদা ফম্মগা কোকঙৌগী তুরং অত্তু হাংদোল্লগা লৈরকপা পোৎ চৈ লৌথোক লৌথোক্তুনা ফেল্লম্মি। ময়ামনা যাম্না হবাওনা নাকন্দা ফমথহনা মতেং পাংলম্মি। মপুবোকনা তুং থইরপা নোকম্মি নোকম্মি তৌহনা লেপ্লম্মি।

হাই ইত্তাও, নঙ লাকএনা। ঐ চেল্লকইবনি।

—লাকএ ইত্তাও, ফম্মরাও।

আই পোৎ যাম্না লৈরকএদা। ঐগীদি যাওরক্তা ?

—করিগী য়াওরক্কনি। ইবেম্মা অশংবীগীসু য়াওরকই।

—নচনহু ঙরাংদসু লাক্লম্মী নদবু হংলম্মনি।

মথাদা হাপথিবা মরক্কগী মাক্তাফুরিৎ ঙকশমপানবী অমগা ফিতুপ অমগা পুথোক্তুনা মতাওদা লানশিল্লি। কেৎবনা হরাও হরাও লৌই। মচাগী শেৎলকপা ফি অত্তু থুপচিন থুপচিন্না সথীনা হায়রকই —

- অশংবীগী মনম্মগীদি লৈবিরকঅস্লনোইদো মনম্মা ফংঙবনি ইচা অশংবীহেম্বদি।

"আই ইত্তাও নঙ মুপী থিরবোইরে !'– অমুদোননা খংহায় হায়দোরকপনিশ্ম মথংগী মীংকুপতা থজিক ইকাইরককুম তোই। কেঙবদি থোইনা ইকাইদে। থমলকই

—থিরদদি হৌজিকপু মুপী থিদে হায়ব্রো অঙাও-অকৈস্নু নত্তুনা।

"থীদা লাইমা ঙাওই মসিগী অঙাংসি।" মমানা হায়রকপনি। সখী মচাগী চাক থুজাইদা থাগৎনবা মখোঙ মথুং হাম্বা থোকখি। মপুরোক মাইব্যাম্ভ তিপ্প্রুরনি; ১শু লাকপতুদা হৌগৎলকপান মমৌন্নুপীদা–'ইবেম্মা সখী হিদাক হাল্লকউ ইশুনা লৈরকপা তোংজৈ অশাংবসি শঙাগে" হায়রম্নগা মাঙোল্লোমদা থোকখি। অওল অসি মাঙোনদা তুম্মী। চাথুমলোমদা হাইরপ য়েংলুরগা অমুদোননা কেঙ বদা হংলকই--

–কনানো নঙগী লৌরাইরোমগীদুরা ?

—নাত্তু অকামপাৎলোমদগীনি। অহল্লমননা হায়নবনি।

—মৈত্তৈ নত্রা ?

- চরোদা ওম্বোক-ওম্বোকপা ! হায়নববো।

—মমিং কয়ি কৌই ?

—থয়ো। মপাম্ভ কোম্নুং থম্নি

—য়াম্না ফরে। হায়ং তাযুক চাক্কে মশক য়েংগে। মাগীদি ঐদি পাউ থঙনদবনিনা কয়িম্ভ তম্মক্তে। অদুবু অমদি তমমগে ইচননিদনা

- মানদি নঙব থঙই ইবৈল্লে হোযগী ময়োক্তা ফানক লোনবা তমলম্বনি।

—হাই ঐখোয়' মা তানিবা !

— কামরোই ইবেমৈ কন্যা কংগ্রে বামোন অহল অতুদা।

—ইত্তাও !

— আই ! রুই ফি অমনু লৈরকইনা কনাগীমো ? লূমমনিদা।

মতাও কেঙবদা খংয়েং য়েংখৎলুই। নাকন য়েংলোম মায়য়ো-মদগী লাকপা লালটেনগী মৈঙানদা কেঙবগী শকফম হজিল্লবা ফীবম উরকই। উপী শীং পুশিল্লগা চঙলক্পা সখীয়োমদা খজিক য়েংলুরগা তুরং মমুংদা খুদোম্বী থিল্লগা হংলকই—

—ইত্তাও নঙগী কাত্রংফিনা য়েংপা শামুময়াগী মখোক পানবসিদি কৈনো নঙগী থবক্তুগী খ্ৎলাইরা?

-খ্ৎলাইনি; শাগ্লনদা। মী অমং নি ঐনা পুবিরকপনি।

—য়েংগেনে।

—কাল্লদে। অঙাংনহাগীনি।

মমা সখীনা হায়রকপনি—

ইবুংঙো নঙবু থেঙথিরোইদরো? অঙাংশিং মুংশা থীনরম্মোইদ্রো! ইমা চৎলনি, মাইবা শাব' চৎপা হৌরবনিনা য়ুমগীদি ঙাইনা-লাক্লজে ইমা।

অমুদোন—আই! ইত্তাও নঙ মাইবা শারব্রা?

কেঙবা-হে হে, হৌজিক্তা! ঐনা ঙসাই চঙৎকপা ফীবমদুদা থঙ-দ্রো?—লীচৈ অমা লালটেন অমা কোক্তা কোয়েং মচা অমা! উরবা সে, সে তো-?

অমুদোন—ঐস্ল থল্লম্বনি।

সখী—ইচাদি মীনা ফাম্না কৌনরে। ইমৌ থয়োনা মরম ঙকলিবা।

কেঙবা—পঙবদি ইমা, শনমগা শাক্তৈগা থেৎনবা থঙদে; মোয়োক নীফুনা ঈয়োম্লগা উগোয়োক মুঙদেংগোং অমা মেত্রবদি মচীন ইথৈ থৈ হায়দনা চমফুৎতা থুম্পাক অমা থ.কই।

সখী—খী-দা! মসিনা হেক ঙাংথোরকপা অমা।

মুমিদাং অথেংবদা মমানা থাগৎপা চাক অহু অমুদোন চাবা য়াদে। ঈশিং তোয়না থকই। মমানা হংবদা লম্বেন্নদা মন্নাম চাক থোংহুন"

চায়কাই হায়না খুমখি। নোংঙাল্লমদাইফাওবা হন্না হন্না য়াওন্দুনা লৈখি।

অমুক অহু ওন্ত হৌদুনা ঈরুজ-মাযথদুনা চীংখৈ থুবল্লন্নগা মত্তা-ওইদা লাকই। কেওবা উরু থরা তক-খোৎতনা হিদাক শেমদুনা লৈরম্মী। থরো চেপ্পোরক্লুনা হরাও হরাও কৌরে- মচৌম মখা তযাং তয়াংনা উই—

—তাদা, তাদা ওরাং থুংওরে হায়বা তারে। কুইরমাল্লেনে চংলুবা।

—ইবুঙ থুংওরে। নঙগী ইত্তাও অসিনা মবুক ফত্তেবনা, পাউ মুং অমত্তা খওহল্লক্তবা। পাউ তারবদি লৃহোঙবদি ঐন্দু তঙাযফনা যাওর-মগদবনি। ওস্তোকপা হাযবত্তুনি।

কেওবনা লিক্লিদা হিদাক খোৎচিন খোৎচিননা হায়রকপনি—

—হোয় হোয়। থবক শংঙবদি নঙগীদা হেক যাওরেো।

থয়োহু খংশাউ শাউরকপদৌনা তৌই। কোকশেৎত পক্লিবা রাম্কুপ অহু কহোক্লগা হায়রকই—

—করি রানোদা! মশাগী লুহোংবদবু তাদা মশা যাওদ হায়ব্রো! করি মীরোয়োদা!

হায়রম্মগা ফং চঙখি। কেওবনা অমুদাংদ মীৎচী থক্লিক খং-লগা—উরবসে, ঐনা হায়দ্রা। 'হায়রকই। অমুদোংনা তপ্না হায়রুই—

—মশক্তি য়াম্না ফজেনহে। মশমনা মশম ফরিবা।

—'অ' নঙদি চীংঙী তোয়না লুমিম্মরকপানি কোককী শমগী রাসি ফেক্তা থঙইনে-কো! হিদেন লাকপগী ফম পায়মথনিংদো!

হায়দোকলুরগা থক পনবগুম খংলপ লেপখি। ভাইহাক ফম্মগা মক্লর্প অনী মমাঙঙৈগী হাম্বিগুম তুরেল মপাল্লোমদা হাইদোকশিল্লরকই। খোংনাংখোঙ তম্মকই। ফম্না বুইন রা ভাংনরমদে। হংনগমব কয়া

ভয়গদবা কয়া লৈতবদি নত্তে। হান্নগী মথোয় অনীমা মরক মরক্তা হেক হেক ফম্মিন্নবা মফমতুমক্তদা ফমমিন্নরে। নোংপোক্লোমদা লাম্না পাইরিবা লৌচিল মপৈ মচা অমদা য়েংলুরগা অমুদোননা ওয়া হংলকই—

—কন্যা কংথিবা কয় কুইরে ?

—কুইজ্রি। থামুক্তি ফাবরিদ্রা। তাওমু নগু ইবেমৈবু বারোবা য়াদেকো। মা য়াম্না কুইনা থাগুতুনা লৈজরম্মী। নগুগী লৈফম চপ চাবা থগুখিদবনা ঐনম্ম নবানীগী মত্তেং পাংবা ওমখিদে। ইপু কিথুম পুবতুনা নগুগী লৈফম ঐনম্ম ইবেম্লেনম্ম হংবনি। মাম্ম সুকখগু থগুখিদবনিনা পান্থে লৈখিদে। মবেন অতুনা শিরমদাইতুদা মগুমুপীবু মথং পায়তুনা শিন্নরমদবা য়াদে হায়রে।

—মবোক লৈখিদ্রবরা ?

—কন্যা হেক কৎপা লোইবগা থাংদোকই। মাদি নেংনা তানা থয়া তুশিংনা শিজথ্রবনি। মতুগীদি ময়াম্না পেমৈ। ঐনা বৈদ্য ওইবনি অহল অতুমা ঐগী মাইবা শাবগী ইহান হেক হানবা অনাবনি। অহানবমক্তদা ঐনা হেক তাপ পায়বদা মা লাক্লি। বৈষ্ণবীতু মরায়বক ফৈ। ফাওরক্তদোরিবা মাইবা অমদা লানবা ফংজবগী।

—ইবেম্ল মশানম্ম অতুম য়াখ্রবা নত্রা ?

—করিদি উপাই লৈ। মাগা ঐগা পান্থে কন্না থিখিবনি, মতম থজিক্তগী মনুংদা। ফংবা ওমখিদে। মবেন লৈজবগী মৈচাক্তা পাখিবনা কুইনা মশা ওমদনা লৈখিবনি। হৌগৎ ক্যাংথৎপা কুইত্রি। মবেন লৈতবা সুমীত্তুদি সংস্কার য়াওবা ওমখিদে, লৌশিং মাগুতুনা উতুপ তাবগুম তাতুনা লৈখি। কর্ম ফাওবা য়াম্না য়াবা, য়াওখি। ঐদা নচনমুপী অশংবীগনা মায়পুননা কন্না হোৎনখিবনি। মাগী ঐগ্যা অহল চন্দ্রম্ম ফনা কন্না হোৎনজবনি। হৌজিকম্ম লায়েংলি। ঐনা

য়েংবা নত্তে । সরকারগী থোজ্ংাও অত্তেনবা শেংপা মাইবা অমনা য়েংবগুম ত্তৌই—।

—দাক্তর হায়রব্রা ?

—ঔ, হায় । মানা থাবা হিদাক অমত্তা চাও-থকউ য়াদে হায়না তারি । ঐদি য়োক্লদবা কুইরে । নচনন্নুপীগা ননাওনুপীগদি মরক মরক্তা চংলি । নংও । ইত্তাও নওনা 'লকরিবসিবু কদাযরাযদনো করি থবকনো ? শেল লুপাদি যাম্না পুরক্লম্মনি- কো ?

—নওগীসি ইত্তাও প্নম্নপ হেক্তা হংওেনে । পূম্না খুম্মবদা য়াইকরকট হায়রিবসিনি । মামক্তি কেওবা, ঐগী বা করিস্নু পল্লমদবয়া ?

—করি কাম্নথিগদগে ইত্তাও তোক্লসি হয়েংরাইগী বারী ওইনা থম্মসি । শারিবৈওদা যৈহৌব্রবনিনা মৈবৌ হেম্না ঈংশিনথরে । হৌজিক্তি য়ৈক্ল-বদা ত্তানীংদবা মখোলতা হৌবগা তোক্লগনি । পাকশ্রবা চাউশ্রবা সনা লৈবাক্লি, লৈকোনগী লৈকোন গুাক্লি । শজিবু চৈরাওথরে; কালনগী হুম্নি পানবা লাক্লগনি ' লৈকাই খুদিং থুন খুদিংদা উমং লাই হুরাওনরক্লগনি । কুইনা লেপ্ল্রবা হন্নাওবা অসি নীং তম্না হন্নাওবা য়ারে লম অসিগী নাংকৌ থবক-থনা খুদিংনক তেক্ত-কায়-দনা চথরো য়ারে হায়দনা মরকারনা লাইরিক য়াম্লে । খোয়দাবা লৈরাং থল্লো য়ারে । ইমা অসি য়ুমগী কুপনোমদা তেংবাংবিনবা লৈত্তবনা য়াম্না রাজরে । ওসিদগী থিবা য়েংবা হৌরসি । ঐদি মাইবা শাবা কোয়না চংপনিনা য়েংবা হৌরবনি । তুংয়ান কবী, শজী মীংত্তা তাবী তেনরানা লৈবাক চংকুম্বী অমনী থেংনরে । হৌরেম্লগী য়েংবা হৌরো

—ঐদি ইত্তাও লুহোংলে ।

—হা ! বামোললা ?

তুরেল রাংমরোমদা উবা লাইশঙ মত্তোন অমদা য়ুংলিবা মচৌন অহুম কাংবী তাদোন অহুদা মুম্না য়েংলগা অমুদোননা মংকাওনয়বা

যোমোম অমনা খাঙওইনরগা হায়রকপনি—

—বামোন মৈতৈ মপাং পাঙল অমত্তা নত্তে, পুম্নমকনি। মাগী খাং লৈত্তে, ধর্ম লৈত্তে মচু নাইদে। লোইনমক্কী অপুনবানি। মাগীনি হায়বা খো-খোপ্পা শল অত্থুবু কনাসু লৈজদ্রে –।

—করিনোনে হায়রিসিবো? করি লমদনো মমিং-মথা—?

– নীংতম্বী মাগী মমিংনি। সনা লৈবাক অসিগীনি।

—অস। নঙগী হপু কিথুম পুবত্থগা নকাপরকম্নু হায়জবনিমে ঐদি। তাওমু, নঙোন্দা ঐ য়া খরা হায়গদবা লৈ়কো।

—বামোন ইমুংগী নত্তবা মখে ঐ তাগনি। চায়যু

– নঙ নঙনা নীংবা তৌগাল্লকো, হোত্নে লোইরে; ঈংনা লৈজখ্রসম্নু নঙ অসোমদা চৎলু লাকল্লুরম্নুকো! লৈবাক্কী নিংথৌগীদি লায়বু লায়, বামোন ইবেম্মসি নাখোঙ শাখিন। চৌজিক্তি ইচম-নচম ওইরবানি।

—ইতাও, ঐবু অঙাওবদৌনা! হচম-নচম নত্তে থৌরানী, ইথক্কী অহল অমগীদা লেরবনি। থৌরানী।

—আই। অমুদোম নঙ ঙাওদেনা। মহোয়' কিথুমপুবসিদি কৈস্নু তৌদ' ঙাং ওইরে।

—নঙস্নু ইতাও, ঙাংবা-শকপা হৈ কিথুম পুবো। কায়গনি।

—ই–হে।

—মাইবসিদি মী য়াম্না খোনবা ঙম্মবনি। ইতাওনা তৌগদবা থবক য়াম্না লৈ।

হুমৌং অসিগী হুর্মিদাংদা অমুদোম মথরতা থোকলকই। অত্থুগা মাগীনি খজবা হিদেন অত্থুদা তপ্না কুমথরকই। ঈমায় হাইগংলম্মবা ঈশং মপান্দা নকাশম্ন কমথরকই। নোংমদোনগী থরানমিচাকশিংগী মামিগা মতং মঙংলবা অরংবা পরাং পরেং-পরেং তথক-তথক্না অনিন্নি।

শকউদবা ঈথক্সা ভনিকচবনি নোংমদোনগী থক্সানশিংদি কৈদোদে; লেঙ-দনা লৈরি মশেক মঙাল পূম্নমক্সা লোয়্নননা লংলি কুকেৎ-কাকেৎ, কাকেৎ-কুকেৎ। মথমোয়্নগী মমি মাল্লি। ওসাই হুমিদাংব্রাই মাগী তুরংগী মথা ইথং থ'বা কাচিনদা চেৎনা য়োমতুনা থম্বদগী লোথোক্তুনা থবাক্নী ফুরিৎথাউদা হাপতুনা পুরকপা শামু ময়ানা শাবা থৃজী অনী-তুগা যুবী থুদোপ অতুগা তপ্না লোথোকই। মথুং অনীনা ঙাইহাক পায়তুনা থম্মী। তপ্না নীংশিংলকই লমজোং কৈথেন মচাগী ময়াং তুকান্দার রামসিংহনা হায়খিবা রাকম—

"...ইচান্নুপা, য়াম্না চাউমল্লেনে নঙবু নাপ থঙবরনে?

.. করি থঙদদগে মোশাই, ঐগীনিনে। শেল তাউ হায়রোইদা।

... শেলগী দামগী নক্রেদা। অতুগা ইচান্নুপা—।

...হায়বিযু

...মসিদি থোনবু থোলহৈদেদা ইচান্নুপা, লুপাগীরা সনাগীরা অমা তৌনে;
  নঙদি পৈশাস্নু যাম্না পাযবা মাল্ল।

...সনাগীস্নু তৌরকখিনি যুমদা লাক্লবা কান্দা।

.. অরে! নঙগীনি হায়রেবদোদি?

...ওইবু ওইরে হায়বনিদা। য়োমশিনবিরো।

...ফরে ফরে। শাদীদা ঐঙোন্দস্নু তাক-ওনে।

...চারমন্ত্রবদি শিল্লগেকো -

...লাকও। নঙহাক্নী বতুহুস্ত পুরকওনে

...পুরকে পুরকে।"

"...মসিদি থোনবু থোলহৈদেদা ইচান্নুপা..."—হৌজিক-হৌজিকময় হায়রিবগুম নীংশিংলকহ। তুবেল রাংময়োমগী হিদেনলোমদা য়েংলুহ। থামান্নবা ওভমনি করিস্নু উব। ফংদে। অরাপ্পদগী লমহুক্ত ময়ামগী অপুনবা মখোল তাবরকহ। মথুং অনীনা চেৎনা পায়রম্বা পোৎলম

ঈয়ায় তম্না তপ্না লখি। কুইদে, মথংগী মীংকুপতা ময়েক শেংনা তারকই—চুপ। তপ্না হৌগংলগা কাইদ-কাইদ কাখংলকই। ঈয়াই অছুদা ইপোম মচা মচা, মচ-মচা কোয়না শঙ্গোকহৌই; ইপোম অমগা অমগা থেংনহৌই; অমদ অম্না পূনশিনহৌই। অমুদোননদি উরক্তরে। খজিক মোমোম্নরকখি। থোঙ্গান হেক কানশিনবগী অছুদা মমাঙ মায়কৈ পূমলং লংনা শঙাইশেল অমা পাইবা উখি।

তরাম্নাথোইশুবা

ওসিম্ন শঙাযশেল পাই অরাংলোমদনি; মনীংলোমদগী চীংখৈ-রোমদনি। চঠী কুইরবগী তুংদনি। কুম্বাবা অমদা লাচল্লমগনি—অহু নোং শঙায়শেল অমা পাইযে.. ...। কুম্বাবগী অর্থ চপ চানা লৈরিবা মতমনি। মুমীৎ অহুম হৌখি।

মুমীৎ কন্না হাইগৎলকপগী অহুদা অমুদোন খ্বাইরবন্দ কৈথেল্লোম-দা হাইগৎলকই। কোম্নোজম ইমকম মমাঙগী সোরোক্নী নাকন অনীদা মুপানহা, মীযাই, অহল মযাম অমা থবক শুন্নি। থরান লাংবন লোম্নবা মতমনি। মুৎশানা লন্নাই পোকপা হায়বহু যৌরে। কুমসী অসি হৌখিবা মতমদগী ফনা যান্না হেন্না শাগৎলি। অমুদোন-না নন্না যেংলুই। লাংখোং তৌবা নত্রগা শেংবা নৎলমদে উ মচা মচা পরেং শানা থাবা ওইরম্মী মতম অমদা মুরম্মী হাযবগী খুদমদি লৈরিবা মফম মফমদা ফোংলবা ছাটিন অমা পাইবোই ঙাবোই তৌরগা নীংথ্রী ভাখৎলবা অহল অমা মোংলবা খুদৈ মচী অহুনা হুমাং তৈ-পোক্লি। অমুদোননা ঙাইহাক ফমদনবা ওইনা অহল অসিগী মনাক্তা চঙশিল্লক্লগা হংলুই—

—ইপল করি উনি হাযবগে থারিসিবো?

—ইবুংঙো সাহেপ খঙদেনে, কবুলিয়ানি হায়ব্র কৈনো হায়নৈনে অঙম্ন-শিংনা অমুক্তা উক্রিবা চারানি।

—করিগী কনানা থাই হায়দনা শুনরিবনো ময়ান্না তৌরিসিবো?

—সাক্লেপনা থাহল্লিঝনি চায সারোক আ কাওবা, আ-লিলো থৌবাল খোংজোম য়ৌনি [illegible]। অহক্পা [illegible]শিল্লকপাসিদা রাপ্রে নিংথেম। নখোয়গী হিদাক [illegible] বীকাহু যাও লাকইত্রা, অমত্তা [illegible] চাক্লগা পীরম্মু ইপনদা।

—বেরী হাযবক্লুরো। অহাদ [illegible]দি থকাদে। নত্তে মুংশানা অ'স য়ৌনা শারবসিদা পোথা [illegible] পোথাহন্দবা?

—মখোযগী চাক চাবগী অ[illegible] পোথাই [illegible]ক [illegible] থোকপা ঙাইহাক লৈরগা কবিনা [illegible]। ঐখোযদি [illegible], [illegible]। মুম-দগী চাক হোবে-হোব চাবগা [illegible]পনি [illegible]খাফনা পীক্লক পোং চানীংদে শা ঙা, যেক্লম ক[illegible] [illegible] থাক[illegible]

—থবকপুদি ঐখোয়গীনি [illegible] [illegible] [illegible] চংপা মুংঙাইনবা কক্লনবা ঊক্লম-রাকম লাংনন[illegible]নি ইপল

—ঐখোযগীনি হাযদনা, ইনি[illegible] [illegible]পগী [illegible]নি [illegible] ইবুংঙো সাহেপ। ঐখোযগী [illegible] [illegible] ঐখোযগীদি চাক পুক পিক থক্লা চাবগা [illegible] [illegible] [illegible] পোথাক্লবা।

—অদুদি ইপক্ত হকচাং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মঙ্গলা ইনবনা থবক[illegible] [illegible]গনি [illegible] [illegible] [illegible] অমবা কাম্লনদি ইনবস্লু ঝরোইদ্রাব [illegible]?

—মত্তু ইচা ইবুংঙো সাহেপ, [illegible] [illegible]নি ঐখোযদি অহল ওইরে। ঙমু [illegible] ফুমলো থল্ল [illegible] [illegible] [illegible] হৈনথরেদা। ওহোকপা য়াম্লনাই মখোয [illegible] [illegible] মখোযগী মতুং ইনবা য়াওই। পঙচা চা পঙথক থকপস্লু যাওরমা[illegible]। ইবুংঙো সাক্লেপপু কনাকোনে?

—সাহেপ কৌবিমচু ইপল। ঐ থবক অম চংপদগী মযাম ভৌমিবসি কম্লিলো ক্লেগে [illegible]কপনি। মণিপুরীনি।

—থবক য়াওগে হায়ব্রো য়াওমীংবরো ? য়াওগে হায়রগা আদগী... ইসে ! অমুক ফুবিরেনে তৌরিসে ! .

অহল ইপল অহুনা থিনবা মায়কেদ য়েংথোকলুই। লাপ্পনা মতাইগী লাংথোং মথাদা হুপা নহা অমবু শগোলতোংবা অমনা হোং-চিন হোংচিন্দুনা শগোল শাৌনা কনবা উই। নহা অহু উপথু-উপথুননা তু-তুহুনা চেল্লি। খোংবাদগী লৈরাইদা চেপনা তুশিনথি। শগোল তোংবা অহুনা কুমথরকুনা কোংজুম মপাদা নেংলগা শাজে অহুনা কনখিবা উই। নাকহেক্ত মী ইকোয় কোয়না ঈংনা য়েংহুনা লৈবা উই। অমুদোননা হংলুবদা অহল অহুনা মাক্তা কৈরিবা য়োৎপাক অহু লামহুনা লৌরগা ফম্ন ফম্না উথুবা অহু লাওথোকনবগুম হল্লগা তাকলকই—

=আ ইবুংঙোথোয়, থবক লৈথোকই হায়, সলাম তৌকদে হায়, মরৈ য়েংলুই হায় তৌদনা করিনো মরাল অমদি লৈরম্মনি।

'থবক লৈথোকপা' আসমদি অমুদোন খঙই। 'সলাম' গা 'মরৈ'গগী মতাংসি ভাব তানা ওমদে। খঙনবা হংলুই। মপলশিং অহুনা তাকপিরকই—

—ইবুংঙো নঙবু যিমফাল সিরাইগী নত্রো করি অমত্তা তাদ্রো ?

—ঐদি ইপলবু লংফেদা লৈরুরে। কমদৌবা জাংনো ?

—অঙৌবা সাহেপ অমা হেক টবদা মানা উবিগে উবিয়ু উবিরোই তোকউ থুবাক অসি মায়দা শং থাঙত্তুনা সলাম তৌগদবা। তৌহৌদ্রেদনা তু তৌরিবসে। অহুদগী অমনা মহোয়না 'অসি তৌ' হায়রকপদা তৌবা তাবা। "করিগী ?'

হংঙুরবা নত্রো 'মহু চুম্রা ?' হেক হংঙুরবা তু নেৎপগা কাওবগা কনথবগা। পাথংলা করিনো অদিনবা নোং-নিনি থবক পায়বা ওম্মরোই। হয়েংদগী লাক্কবদু য়াই থংখুমন ওসি পীগ্রন্দি;

খরম্ম ককপিহৌরনি ।
—কারগী ?
—চৈরাক, দণ্ডি -জোরি; জোরি তোরিবা !

ভাইহাকী মমাঙদগী শাগৎত্রবা অমুদোনা ঈ শৌগৎলকই । অহল অহুনা [illegible] [illegible] [illegible] চায়না শোল্লকপগী অহুদা শোরম্বা ঈহু থংপা পাখংল [illegible] পাঙ্গরকই । ফুক হৌগৎলি । চীং কেম্না চৎলকই । চহী খরগী মমাঙগী অমুদোন অহু ওইরম্মবদি ঈ [illegible] শিংরবা মমীংনা [illegible] থেংনরকপা খংলাই অমা ভাপ পাংবগা ভাউ [illegible] [illegible] শাম্মগদবগী চেন শিল্লমগদবনি । ভাসগী অনুবা ইংথনা [illegible] [illegible]

মানা যৌরুবা [illegible] [illegible] অঙ্গু খোংপানগী লৈনাং হৈতে [illegible] ফম্বগা [illegible] [illegible] লা হুনা [illegible] মনা অগনা লৈতোপাকলম্মি । [illegible] [illegible] ম্মুগা [illegible] । অমুদোনা তপ্প হংলই কবি [illegible] [illegible] অহুদি খুম্মাক্লে; খুম্বা [illegible] নত্ত্রগা খুমন [illegible] [illegible] লাহুনা শোং বোইনা খুম্মকই—
— তৌদবগী [illegible] তৌরু [illegible] [illegible] ।
- করি ?
বোম্লাই, হাযধুদনা মীনা [illegible]
— মরূপ, মরূপ বোলাই, চিংনি [illegible] চিংনবপ য়েংবিবদৌনা শৌমাল্লে । ঐ শিন শুবা মীনি । সরকারগী [illegible] নংতে মীওমনি । করি তৌবিরুরবা ?

মফম অহুদা বোলাই তম্মু হাযবা যাল্লে খোংবানগী ঈশং অরূবদা মখৎ মাখাই হাংদোক্লু য়ান্দুনা থম্বা খুদৈ দুৰ্রিং অহু হেক্লগা [illegible] অচ থদোল্লে [illegible] চৎলগা খোংনাংখোঙ অমদা হাহাজল্লগা ফাম্মম্মে । তপ্প হৈরকই—

—মরূপকী নাম করি ?

—অমুদোন ।

– চঙী সবু ? রাজৌবিমু মিংগৌকম কাযবা—।

—খঙজরে । চঙী কুননীথোই-গুমদোইগুম্বা ।

– এ, অদুদি ইযাম্বা ভায়জরগে 'য়াম্বা ।

—ইনাওবু, হায়বয় ।

—'য়াম্বা ঐ অসি সনথ্ম পঙা যম্বগী সনা নাক্তা থবক ইংথাং তৌদুনা লৈজবনি ।

—কনানো সনথ্বা অদুবো ?

—আই. যুবরাজ কোইরেংগী মচা ইবুংঙো খঙবিদবরো 'য়াম্ববো ।

—এ, সনথ্বাবু লৈরিব্রা.ন ?

—এ, করিব্রানো 'যাম্ব ; চঙ-চঙ লাউনা লৈবিরি ।

– অদুদি ইনাও সনথ্ব ই অমুক্তা ভুম্নঙগে, অমুক্তা থুরুমজনীংই ।

—করি মতাংগী ওইবরানো ? 'যাম্ব] –?

—ইনাও বালাই চিংনমু এ ইনাওগুম্বা হৌজিক্তা ইনাওগী লরাই লেংফুদা এখোংন মংই হাইদনা লৌনরিবা শা মউনগী থোঙগুপ হবায় কাবী অহনা নেংপাখব সরকারগী মীওই অদুবু তাথীনা শাউরিবা হুপা পাখং অমনি, ওকোক অসিদা কম্না নেংথরিবা মানপুরগী মী অমন ।

—ঐনা সরকারদা শাউর হায়বদি 'যাম্বদি করম্না খঙবি; কনানা হায় ?

—ইনাও' বুংঙো বোলাই, হৌজিকীদবু মহাক অদুগী মমায়দা নথবাক অচৌবদুনা থাজম্নীংব্রবদি ইনাওগী যোপাক পায়বদা মথা মথা কৈরবা খুংজেংদা লিক্রিগী থুজী লংব্রেক লংবদু শিরগা থাবৈ-চেগপ থোল্লগা চাকথুমদা –

তারম্বদগী ওম্মক্রাহনা মশা নীকলক্লবা বোলাইনা মমাঙদা চেপ্লপ তারিবা অরিবা চেক অদুদা থক্তুমনা শংও তরগা (মরৈ মুম্না উরবা

চেকত্তেক অহু মযান্দা খায়বোক কায, ময়া ক্রক-ক্রক চীক্রুনা হায়রকই —

– ই–যা। হায়যু 'য়াম্না নও কনানো ?

– নতুং ইনবা ছম্বা মনি নত্রগনা হতুংদা লেপ্পা য়াবা লাম্নোই অম-স্নান। পাম্মদ পাংত্রগনা ফাগী তৌগনবা মীওইনি হায়না লৌবিয়ু কায়দে।

—হুঁ। যাম্বা ফাগীগী মী নত্তে। কানানো হান্না মাকপিখো ঐগী শকম্ন তাকচগে 'সিমত্তুং হান্না খঙবিয়ু চিংনবিদনবা ননাও মৈত্রবাকপু থবায় মভাদগী চেম্ন' লুনা তৌজবা নহা অমনি।

—অহুদি ঠয়াম্বা থুকম্মগে ?

—এ, কদায়দগী ননাং ভক্তি কংচরে, মৈত্রবাক্সা—

—হমা মনিপুরনা য়াইফরে।

— য়াইফরে।

মোলাই মতম থরগী মনাওদা সনখু়া পঙ্কাই ফম্বম্নীদা মহৈ-মশিং তম্বদা মত্তং-মতং ওইননবা হায়ত্তনা থবক ইংখাং তৌহনা মৈরম্মী। থৌদোক-য়াথোক অয়াম্বদা মীত্তিন-মীরাক অমদি মী চঙথোক চঙ্গশিন অয়াম্বদা সরকারনা, মকাদি ফোংবা তৌদনা, ইচিং-চিংনবগুম্বা হাচক্কা চেকশিন্ন তৌবগুম্বা মওং অমা উরকখি। মায়কৈ ইখঙ খঙদবা লাঞ্জাবা মানবা থরম্ন অচৌকপা অচেংবা মতমদা উরকখি। মী অনদি লনথুম মথেং অপুম তারকপনা মচা-মনাহ মরোই-মনাওশিংবু খুংচাও থাহুনা কোনশিনবা ওন্মক্কবা ইমুং অমা ওইরকখি। লোংমা হকচাং উরিয়কপা মভাং অমদা চীংয়া তময়ারোম্ন থরাম্ন হকচাং মুঙ্গাইনবা ওইনা লম চেংবা চংপা খোঙচং মচা অমদা মখোয় অনাদা চীঙ্গা কম্মিম্নবা তাঙ্গা অমদা লোলাইনা চিংনবা মানবগী মওং অমস পন্দুনা রা থরা হৌদোকলুহ। পাউখুমদা মচা হবুংভো পঙ্কাই ফম্বনা ফোঙদোকখিবনি—

— ঐস্থ কুইয়ে থঙবা। ঐবু ঐগী নখোয় খ্বাইবু চিংনরি।

— চিংনরবদি চিংনবগী চিংনবা চিংনভরসন্থ লমনগী থবক—?

— লমন তোনবগীদি মতোনশিল্ল। থুদ্ধগী রাকম অসিমদি থনবা-থন্নবগীনা রাকম অমা ওইরে। ঙাহোক চথুদা লেবা ঙাকিজৌ অমনীথক্লা করি তৌকরনি। খুদিংমক্তা শহাম হান্নবা মীনি ঐদি। ইশা অসিস্থ তীঙ্কং লাইজংবদৌনা। লৈরে চঙাউ থোনলা চাবগ্রবা মৈলি। হুমাং মরীক অমনা কৌদাংক্কনি!

—মুংবু মুংঙাইবিরিংবা তৌরসিবো?

—করম্নদি তৌনি! শিবা ঙাইবা তাবনি। কয়াম্থ কুইগদবা মাংজ্র।

—এ, করি রানোদা ঙাকপিরিবসিবো!

মতম থরা লৈরগা মযুম মোহরাংদা হনখিবদা মমা লুপ্রাবী অহুনা লৈরিবা যুম অদুগা ইংখাল পিশক অদুগা থাজনা তোনবদগী নিলাম লাউগদবগী তৌরম্মে। তনচেন চনখংচক্কুনা মাগী সনখ্বাদগী শেল থরা থংবিনবা হাযজরুই। থংবিরকপি। অহুবু মযুম ইংথোনদি কনবা ঙমচৌদরে। হৌজিক-চৌজিক অঙম্বা অফংবা শিন শুহনা মমা মচা হিংলি। বোলাইনা অমদোনদা লম্বীদা তম্বনি।

সনখ্বা পঞ্চাই ফম্বগী নাক তাম্না পুবা লম্বেনদা বোলাইনা ঙসি খোকখিবা হৌদোক্কুগী মতাংদা তম্মী -

"নহানন্ত ঐনা থবক শুবা লাকপদা ঙসাইগী শগোল জোংবা ময়াংমচাহুন্না ঐঙোন্দা অঙাংলা অহলনা মী অমমীদা পুরকউ অশুমন চাউনম্ভ পীনি অহুগা বংসিসন্থ যাম্না পীগান হায়। ঐনা লৈামন্নবা লৈকাইগী পুরাশিং অমগী মচা অঙাং চহী তরেৎ-নিপানমুক সুবা অনদি লৈ যাগজ্রা হংবদা মানা খানি পুরকউ হায়। ঙরাংত পুহুনা খিঙ্গিল্লুরে। চুংখল ঐনা উ কম্না থাবিঙৈদা অঙাং মুপামচহু কামুক ইকৈ তৈবদনা

ঐগী নাক্তা হরাও হরাও চেনশিন্নকই । মথ্ত্তা থাউ অমস্ত পায়রকই। শেল ময়েক থরা উংলকই । থরা নংবা ইমুংনি । মতেং থজিক্তা ওইরবস্ত ওইমনি খন্দুনা হরাওরুই হংলুই নৈনা 'থবক্তি করি তৌ হল্লি বাবরা ?'

রাদেদা । হায়না থরা তৌ:থাকঅগা অমুবগা অঙাংবগা তৌবনি । করিদা তৌবা ?'

.. মাহোয়গী খোঙদা উপ্পবাদা যায়া লৈ । থরস্থ বাজিহোয়দা পীযু হায়, অসি পীরকই । হয়েংস্থ লাকউ হায় ।'

অঙাং অহুনা থাউহুদগী খোঙচূপ অমনব অমনী পুথোরকই । মাদি য়াম্না হরাওই ঐ ভাবদা, পোং অহুগা উবদা পিং লাউই । পুথোক্তুনা মাঙদা থম্মিবা খোঙচূপ অত্ত য়োপাম্না কোত্তুনা লাংখোং-শোমদা লংথ্রগা তিন অনীরক শিন্তোক্লগা চৈরুই –

তুং ! অমাংবা মীগী ! লাউ ঈকজথোকসি লাউ । য়োং অসিস্থ মাংঙে চামগে ।'

নোংঙাল্লগা, ঙসি অসি, অঙাং অত্ত লাকহন্দরে । মপা-মমাদা হাযদোকপা ফাওবা তু চুংই । ঙসাই নাংঙাম্নকপগী অহুদা শ্রীগোবিন্দ থরুমহুন শেংদোকহল্লক্গা ঐ থেঙলপ্পা থবক য়াওবা লাকপনি । ঐ তেক উবদা অঙাং হংই ঐনা লাক্ত্রু লাক্লরোই হায়রুই । মানা মখোঙ থীন্দুনা চৈবকপনি –

.. করি ! সদমাল । হায়নথ্রগা শোয়বা ! নঙ শেংঙরাও থেঙঙে। করি ! ঐ মৈতৈনি থঙত্রা ! অসি মৈত্রবাক্তি থঙস্তু ময়াং ।'

মথা চৈবা ঙাংবা নংহৌদে মানা পাংরিবা শগোল শাজৈ অহুনা .. . ঙসাই 'য়াম্বনা উবিখিবহুনি ।"

কয়া চংপা খোঙচং নত্তে । অমুদোননা হায়রকই —

— ইনাও মৈতৈ চাঞ্জবা কুম্মপ অসি মুংশিখিবরা ?

— কয়ি হুংঙ্ রনি । মৈত্রবাক অসিস্তু । লৈবাক অসিগী মাংম্ব, পোৎস্তু লম্‌স্তু উস্তু বাস্তু নাপী শীংবী লোইনমক ।

—মৈত্রবাক হায়বদি ?

—মৈতৈগী লৈবাক-মৈত্রবাক, সনা লৈবাক মনিপুর ।

— যাজরে । ইনাও বোলাই মৈত্রবাক হায়বদি মৈতৈগীতা ওইবদৌনা তৌই অছুগা লৈবাক অসি মৈতৈ, চাও, ময়াং পাঙল বামোন মীরৈবাক্কী ফিগুবা, য়োংশুবা সনা শাবা, ঐ-নঙগুম্বা শিন শুবা, ঈশৈ শকপা জগোই শাবা পুম্নমকসি লৈবাক অসিদা লৈবা ইমা লৈবাক্কী মচা ওাংফনি যাবিরা ?

— যাই । লৈরি । লৈসন্নু ঐখোযগীস্তু বরমহা (ম্যনমার দা ময়াং লৈবাক্তা করিদা যান্ন লৈ চাযবা তাই ।

—লৈরি । অল্লনদি মযাম অসিগী মমালৈবাক্কিনা মৈতৈ ঐখোযগীতনি হায়বা ফিং অছুগী মহুৎতা হান্নদগীস্তু কৌনবক্লিবা মনিপুর হাযবসিনা ফরোইদ্রা ? মসিদনা পুম্নমকসি কোনশিল্লিদো । ঐগী ইমা হাযবদগী ঐখোযগী ইমা হায়বনা ইমাগী থরায় চাঙবা হেন্দোবা মান্দ্রা । লৈবাক অসিগী চেমথৈ পাকথোকপা মান্দো পাঙল কনবা হেন-গঙবা মান্দ্রা ।

— মনিপুর হাযবা মিংসিবু মী অতৈনা থোনবা লভ্রবরনে 'যাম্বা ?

— ওইসন্নু । ফরবা ফজরবদি ইনাওগী মিং বোলাই হায়বসিবু ইনাও ইশানা থোনজবরান ইমা কাজিনা থোন্নবিবা নত্তুবরনে ?

—মশানা তাবনি পামজ্রবদি ইশানা ওনজবস্তু য়ারমগনিনা 'রাম্বা ?

—ফরি য়াদনি । কোন্ন-কোন্নগীনা রা অমম্নি হৌজিক্তৌদি মী তানবদা ঐখোয অনীদদি লাম্বা য়ারোইদবনিমা লৈমিন্নম্বিবা পুম্নমকসি পুন-শিনবা তাবা নত্তনে ।

-মহুনা চুম্মে। অহুদা 'য়াম্বু মী কনা ভানগদৌরে ?

-য়েরুবা ?

-য়েরুবা হায়বদি ?

-তুসাই নথক্তা, ইমানা-ইপান ফাওবা লোন থাখিদ্রবা লেংজুম অহুদা ফত্তু-চৌদি অমাং-তুমাংবা নেংলনবা মাংই কামনা লৌনম্বিবা থোঙগু,প অহুনা নেংথখিবা মহাক অহু [illegible]।

'যাম্বা ঐ নতুং ইল্লে। মাদংদি [illegible] মশা শাগন অহু লাকুনা চিংথবগা মীশক থঙদনা [illegible] কনকপা মথং,'ং অহুদা থোও অসিমা খিবমদা হান্না [illegible] 'াম্বা ঐ 'কবাক মচা ভানবা য়াহৈ শীজিন্নগ্রমাল্লে; [illegible] চান্নদনা লৌবদি।

-চাক্লিদা [illegible] অসি [illegible] অসিগী [illegible] চাকলমগনি।

মনখ্র অ[illegible] য়েল্লিবদি অাদৌর [illegible] মাল্লি।

অঙৌবা কাওবঙ্গ[illegible] ইনাওদা অতবাই অহুদি বনায় [illegible] মীনা[illegible] অসুম-অদুম লো, হায়যু হাবছু হায়বতন। [illegible] খঙজদবা চুই-শুম্বা মুংশিগ্রবা মপু নীংজগ্রনা [illegible] কালখ্রবা জীবনি। মনাক শোকলুদ্রবস্তু কায়দ। নেংথবানা হায়দনা লৌদারক্লিবা মহাক অ[illegible] মঙক লাক্কনা ইনখ্রগ লৌইর

-ফরিমী ঈমবা। ক্ষোম্বোইজেনা [illegible] মাক্ষ-মরোল লৌইনা খুলহৌরগা হায়েং ন[illegible] অঙৌবা [illegible] ভানগদবনি। চৎলু কাম্নগা বলী ক্ষৌরনা কুর্গা ইমাদা কৎকদবনি।

চুমীৎ থরনিদা মতুংদনি।

অসুম চৎলম্বগী অমুদোন থংলেপ কেম্মি। বোক্সাইমী মমোখান

তাপ ফায়, থাম্মি। হায়রকখি –

—ঙাইখো ইনাও, রা অমা লৈরে।

—ঙাকপিয়ু। করম্ব হায়না য়ম্বরসিগে ?

—ঙাইখো. তহা-তহাখিন্নু। হায়গদবা ঙাক্কদবা থম্মগদবা রা যাম্না লৈরি। থৌরং কয়া অচম্ব তংগদবা লৈরি, ঐখোয় মুক্তীগী উম্মরগদবনি। বা অমা হাম্মনা থম্মদবা যাদ্রে। সনখ্বা কোম্না থুরুম্মসি। ইনাও থক অমুক যাম্বরো। ফত্রনা তৌরো। শাউরুরম্নু।

-- শাউদবনি ঙম্মোই যাম্বা।

—ঙাইখো তাখো অশাউবদো চাংলো। হাম্মনা পঙশাউদা শাউগংলবস্তু পাম্মিনা থবক পাংবদি লাযবদনা হৌজিক্তৈদা মাঙত্নুনা তোকনি অশাউন্দা ঐখোয়না তাংত্তগা থৌসি। অশাউবনা থোক্তনগুম্মসি। ২সিংস্ম শাপাখাব যেক্রনি। হৈনা শাজিম্মববদি কাম্মগ্রবা মীনাইনি। থোদলোগন।

—নহানগী শিংগজনাদা, মাকম্ব ?

—চুম্মবনি। থবক তৌবমদাই খুদিংদা মাগী মশক হেক-হেক উরিবদো যাম্না ফববনি। থবক তংথায অমনা মঙনা পাঙবা তংথায় অমনা মানা পাঙম্নবা ফবনি।

—অত্তু কৌদৌবসি হায়না ?

—নঙ থবক যাওরবা। যাবগদি কম্না হোংনহুনা মপানগী উ থাবগুম্বা অসিদগী মন্নুংদা, হাযবদি মখোয়গী মনাক্তা নক্না মখোযগী মী ওইনা থবক তৌনবা কয়া হোংনরো। মখোয়বু চপ চানা থাক্তহল্লো। মত্তুদগী মাপাযগী মন্নুংদা চঙত্তো। লৈয়ো। মখোয়গী থবক-থনা খুংগু গুংসাই অবোনবা পুম্নমক খঙদোক্লো। ঐতোন্দা পাউ পীয়ু !

—লাক্তাবংম্বনিরে ?

—শুম্বা নত্তে; নক্কি। মনুংদা চঙনবা মওংসু ঐখোয় খল্লসি। নঙনা চঙবা নত্তনা মখোয়না পুশিনহনবা- অসিনা খ্বাযদগী হেন্না ফবা ওই-গনি। পুশিনহনবা তৌসি অসিমা ঐ খল্লুখিগে। ইনাওসু খল্লুরো। হয়েং অসি ঐ ঙসিগী মতম অদুদা লাকে ইবানী মুন্না খঙনবা মালহনবা য়াদে। ইবানীগী বা অসি নাকোং অমী শুরবা অমা ইবানী তোংরে। থবক বচেং অনাও পাঙগ্রে। খঙখিবদা মখোয়বু তানবদি লায়রবদা ইবানী লৈত্রে।

—ঐ খজরনি। হেংদি থবক অক্ষন অম। ওল্লগে।

ইবানীগী মিং ইবানীগী অংবসি শংবয়সি। অনমম কৌনরসি।

--করিগী।

—মরম লৈ। কোন্না মথং মথং হায়গে

—য়াম্ব আসমা ফরে হায়বদো নত্তনা, যাজরে সনখ্যাগদি অমুক্তং উন্নবিগনি হায়বত্থ ?

উন্নগনি। অমুক্তা নত্তে; শন্না হন্না উন্নবা তারকপগ য়ারি। য়োৗথ্রো অহুনি। ইমা মনিপুরন যাইফরে।

— মৈত্রবাক হায়নীংখ্রেদকে ইম্ম।

—হেন্না ফবদদি অপাম-পামদ খরস্থ থাবা তাবানিনে বোলাই।

য়াজরে। ইমা মনিপুরনা য়াইফগে

মথংগী নোংমীনী উটৈন শৈন। মইচ হান্দে। হুম্মি মরীনি মাকয়েংফী ফীবম মজা যেংদনা অমুক তাৈন। থবক চথবা পাঙ-থোকপা ইযা যাদ্দ। অমুক খৈন, তাইন অহুগা লেপৈন। মত্তা চাদে।

নোংমদি মপা চুম্বা হুমীং খোকউরে। শক্তিবু থাশিনি। অমুক্ত-গী নোং খিংজি-খিংজি চুই চাংমৈরোংগী অবাংলোমদা মা পারেং শানা থবক শুরি। মীহায়শুম্দি য়াম্বা নত্তে। অহুবু সাহেপ অচৌবা

অমা পযক হাইরপ য়েংবা লাকনি ভায়ত্বনা শুন্নিবা খরত্বদি কজনা শুরি । অরাংলোম থংবগী ইরোই লোইবগী অত্থদা বোলাই কৈজোম কিশি ভাথত্তুনা শুরি কন্না তৌরি । ওমচাক্লববা মতাং অত্থদা ঈশৈ মতেক অমস্তু শক্লি । নক্লপ্পা লৈরিবা সিপাই অনীত্থ মগুক হাইরপ হাইরপ ঈন্নরগা নোকফেং নোকফেং তৌরি । হুমীৎ য়ুংখিবা মতুং খরা লৈরগা শগোলনা চিংব। গাডী অমদা সিপাইশিংগী 'খানা' লাকই । অরাংলোমদা কৌনবা ব্রারপ পোক্লা লাপ্পা লৈবা মখোয় সিপাই অনীত্থমস্ত অমনা বন্ন লাউবগা মপা হ্বাম য়েং থাঙত্তুনা ভিংথোক তিংশিন নোমতুনা প[illegible] চল্লক্লবা কৌকই । অনীত্থমস্ত থাম্পা হ্রাওনা চেনচক্তা লাক্তুনা [illegible] হাক্লম্বা মশা মশাগী নোংমৈশিং অত্থ শীং ফৌবগুম ভাশিন্নদুনা [illegible] চান এখ মখুৎ-মশা মমায় মমীৎ তাথোব্রগা লেকো [illegible] নাথিনা ফম্মগা হাউনা চাবা হৌখরে । শগোলনা চিংনা [illegible] মদাংব্রাইরমগী চাগুম্বা পুরক্লনা অমুক হনখরে । ব্রারী [illegible] শারগা চারকপগী অত্থদা ওসাই ক্লমীৎ ব্রাকোন লে[illegible] ওত্থদা নক্লপ্পা যনগাড়ী অনীথক থারব্রগা লম্বী মপান্দা অরু [illegible] থোং অমগী মনাক্তা তোংলকপা মখোয় মরী[illegible] চাক থেংগ[illegible] চাত্থনা [illegible]রকপত্থ খরা খরা চৎপা হৌরকই । ওসা[illegible] চাক মৈ [illegible] কোয়ৎ চাউরপ য়েৎপা মকি-মরোল মে[illegible]-চুদাইনবা [illegible] হক্লগা বোলাইদা মৈখেৎ হংলুরগা য়াওরমদদনা [illegible] সিপাই অমদগী মখুৎ মশানা উৎত্তুনা মৈখেৎ অমুক্তা য়ায়গে হায়রম্বা । মত্তোন্দগি য়াওরমদনা অত্তোপ্পা মখামম্বা অমত্থদগী লোইমাখবান [illegible]-কৈত্তরোল খজবা সিপাইফি খণ্ড-বকগী হুপা অত্থনা মেখেং অমুক [illegible] লাকপদা বোলাইগী মখাক্তা চণ্ডশিন্নত্তুনা মান। তৌরিবা থবত্তু হাইরপ য়েংলবগী মওংদা লেপ্লরগা ইফোং ফোংনা মখুৎনাদ তোবিব। কোম অত্থদা থিল্লগা হায়রম্বা—
"ঐখোয় লারবনি [illegible]শারো, অভৌবা সাহেপতু খরা থেওনা লাকপা য়াহ ।"

হুপাহ্ অমুদোননি। বোলাই ঙসাইনা খঙলবনি। বোলাইনা সোরোক মরীনদ নোক্না থুদোম্বী থিল্লগা ইকোং কোংনা হায়রকই—

—মখোয় মরী সুরবানিন খরা চেকশিল্লা চোৎনাবিয় য়াম্বা। থুল খর;

—তাম্বা কৈকো য়াম্বা য়াঙনা চেল্লবদি য়ারোইকো।

— খঙতে অহুগীদি ঐখোয় হৈরবা ভাক্তি সুংশা থীরুহু। ইনাওগা নম্নগদৌরিবসি ঐগা নত্তেকো।

— যনশিং অসি থাদোকপিখ্রগা গাড়ী অনীসি মৈ থাবনা কদৌবা মাল্লি।

—অমত্তমক থাগে। অমদি মঙগীদা থম্মু।

—করে। ইম্বা মনিপুরনা য়াইকরে।

—য়াইকরে।

খরা খরা চৎলম্মা সিপাইশিং অহুগী মপা য়ৌরকপদা তুং থংবা গাড়ী অহু মৈ খংচাক চাকলকই। খংহুন ঙকচান রৈভেগী মত্তাংদা মখোয় মরী কন-কন চোংশিল্লকুনা সিপাই মরীহুগী লুখমদা শাঙ্গাইবাকনা খোম্মি। ভুকাভ্রিত্তৈদা অহুম্ন নোংমৈ অমমম লৌরগা অমনা থুল-লোমদা অনী অমন চীং তম্না চেনখি। অকোনবগী অমহুনা নোংমৈ অমহু তাপ পায়রগা লবুকলোমদা তপ্লপ চেল্লি। বোলাইনা কম্না লাউ-হুনা তাগ্নে। ভাইহাক নম্নরগা মুসংহৌবগী মঙংদা পায়রগা তুশিল্লহুনা কৈহৌত অমহুম্ম কম্না চেনখংখি। অরাপ্পা অমদি খাম্না লাপ্পা মফমদগী নোংমৈ মরী মঙারক কাপলকই। থবক শুরিবা ময়ামহু চেনশিল্লরকই। লাপ্পা কৈখিবা সিপাই খরহুনা চেনখিবশিংহু খরা তাল্লরগা নোংমৈ কাপ্লুই। অমুমুক কাপ্লুরগা মরূ অমুক হানবা লাক্ল-রিত্তৈদা চেনখিবা মখোয় মরীহু কৈজবী থাহুনা চেনখি। তুংগী কাবম য়েং য়েংহুনা চেনবা অমুদোননা হান্নরা মরু হান্দুনা কৈরম্মবা নোংমৈহু নোংখকলোমদা কাপথংখি। মরীনক নাম্বোকখি। খোয়থুম্নরবা ঈরাং অমদা লম য়েংহুনা লমচাক চাবা চৎলুবা বোর সাহেবনা পাউ অসি

ঙ্কুমিদাং অথেংবগা তায় । পিশুম শ্রুক্ষি, শকক্ম হুনজিনখি লোযনবদা য়েংকী থুবী লোংনা চীকখি বোলাইনা মনা ফংখি বোলাইনা 'নোংমৈদং ঙৈরম্মবদিকো !' হাষদনা মমীংতা ঈরূা চেনবমখৈ তকশি হন্না হন্না হৌনা হৌনা শোনবদগী অথম্নবা মীওই অঙ্কমা নোংঙৈ মগল শুনা তম্বিখি মমুংগী ভাক শেনবগী লমদাং অমদা থ'জবা যাবা মীওই অমা ওইবা ভমখি মক্লংইবা কম অমা পাংবদি ত্রৌথিদে । পীদব' ওইরম্নু মাই মশা'না পামদবা ওইরম্ন য়ারি

লেবাক অসিগী ইতিহা'সত মা'মৈ লাকখিবগী অহানবা মথলগী পাউ অসি অঙকপা মথলগী লৈবাক্কী পাউ ওইনা কন কুইনা লৈ'প হমুংদা, লৈকাই ফিন্নবদা, কুম্মে ফিযাংদা মীতিনকম কেখেনগী মফম মফমদা পাউ অসি লৈত লৌমুংলা চে'থবা অশেংবা'ন । ভৈক্লে । কিবদি কিনদে থা মচা তরাগী নতুংদদি হচম চম্না খোকলাক্ল লোয়নবদা তোঙান তোঙানবা অথম্নু হম্নরক্লে । লৈকাইগী শোরাং অমা খোকপগী মান্দোপ খনবদা পৈয়া শিরিবা অহল অমনা হায়-'নহানবাই হাকথি খনবা উকং অহুমথক লাকখিবহুদি অতৈগী ওইরমন্ত্রে হায়-নৈনঙৈ না-শা ।'

—করিগী ওইরম্মে'গে ইপু ?

—হে-রা অমুক্তা উদবা কাওবুনা শিদোক্তুনা য়েংনবা ওইরম্মে হাযনে ।

—করি য়েংদৌরিবা থুরা ?

—ঐ-পা ! নাথাওদা করি য়াওরিগে থওভদি হাকথী খনবগী মরৈহু থওইদনা ।

- আই । ঙেংথন অমা য়াওই হায়মা ইপু—মথনাউদা ।

—মথনাউদা মস্তেদা মাশা মথুবাংদনি, ঐস্নু উয়ে । পায়দনা কাওবা য়েংভুরবনি, নচীনথী হায়নি য়োংনিদা, উদি মখোক্কী শক্লক থরদনি । পাইজ মায়কোন ফেঙনবা লাক্লরিবা উ গুবা মীয়াহ অহুনা চাউথোক্লা হ য়কপনি—

—তাখল, ঐখোয় মৈতৈ অসিদি থুদোক্কীদা মমীৎ পাক্লি হান্নবন্থ চুপ্লিকো। হৌজিকপু মখোয়না পায়রবা নোংকৈ্‌গা চপ মান্ননা শান্না জন্নরে হায়না তারিনে।

—কাপ্পনু য়াই হায়ব্রনে অত্তো ? অঙাং শান্নবা ওইরিনি।

—কাপ্পা য়ামাল্লে।

—কদায়দৈনোদা অত্তো, কাপ্পদি মক্না কাপ্পগা। মক্নদি হিদাক্না শাবনি। হিদাক্‌্দি ঐখোয়’ সিন্নাইদা ফংবা পোৎ নত্তে, আ মহোৎরগী বিলাট হায়ত্র কৈঙ্গো অত্তুদা ফংবনি হায়নৈ।

—অত্তকপ্পা মৈ তৌবা হিদাক্তু ঐখোয়গী লৈবাকসিদনু ফংই হায়রে। ঐখোয়গী অহল-লমননা করি-করিনো য়াম্নরগা শেম্বা ওন্নরম্মী হায়নবা তায়।

—শেম্নবম্নু য়াই। হৈত্রবা ইপা-ইপুনি। চক্ষু অহিংবদা করি কহিনো ময়াল হাপ্পগা মৈদা লোনহদা পোকখাৎগা হায়দনা হায়রৈ।

“পোকখায়বা ময়ান অত্তুদা শেম্না হৈদনা শেম্মগা মখোয় অসিদা যন ইরোই অঙোওবা কাপথুবদোনা কাপথেকঅবদিনে, মুংঙাইরদোবা।” মথক কাহ্না হুমদাং য়ানবা কম্না হৈরিবা নহা অমনা হায়রকই।

—কনাবুনোনে কাপথেকদৌরিববো ?

—কোয়া কোয়া, কনা ওইনি কোয় !

—করিগী কাপথেকদৌরিবনোনে অঙাংতান, মূক করিবা মলেছবো ?

—করি কদাইদা করিবা ইপু ?

—ঐপা হুরান চিঙ্গী লৈত্রে; মীহাং মপুন লৈত্রে, অমা হাংলুববদি হাংলিবা অমদ্‌্মু শিরে, হুরানবা অপাইবী হায়বা লাই-হিংচাবগুম্বহ ফায়গা ফাদোক থম্মে কয়া ফরে। অহিং খোঙ হাংদোক্‌্না তুমরে। যম-ইরোই মাঙনহরে—।

—অমকী ?

—লম্বী থোং কথা হুংজাইয়ে। উকুল থরা তৌবা নোং চুরগনা লৈখোম থরা থোকপা মঙাইরে। অদুস্থু মায়গৈ মায়গৈগী মুঙ পৈবা থাবা হৌরে. পাকস্থ য়াম্না পাকথোক্লে লম্লেনগী নাকন নাকনদা উ থারে, থাখিবা চহীমুক-করিমুক্তব ঙাইরিত্র কৈনো রাংবু য়াম্না রাংবা য়াওরেনে : করি উনো অমা হায়বদা ইনে মপানগাস্থু ফজনা শাং-লিনে, মমিংহুবুনে ?

—কৌবিলিয়া।

—হো, কৌবিলা। মসি কনগদবা উদা মান্দে। মীগী লমগী পোংসি ফদি ফজরগা মরিল ইতাউ তাউগল্লিনে য়েংবদি মন্নুংঙাইনা, মানা করিনা. ফজবনিনা!

'কনি সার লাকতরে ।' হায়রগ 'ফজ্জাও চেনশিনবগুম চঙশিল্লি । প্রিতমন' পর্দা হাংগৎলগা চংহল্লি প্রিতমদা থোঙজিনদা লেপ্পিবা সিপাহি অনীতুন সলাম তৌরকপদা খৈজ্জাও থঙনা থঙনা থংগ্রেক থংই । অতুগুম্বদ অমুক্তা থংথিব খৈজ্জাও নত্তে । মনিংদোল চেংই । চঙথিবদা অঙৌবা সাংহপ অমা চৌকী অশাংবীদা শাংদোক্লা যংজুনা লৈরম্মী । উবমক্কা খৈজ্জাওনা সাব' হায়তুনা সলাম কংলুই । সাহেপতো থোইদোকপা অংহাংবা উাদ; হান্নদগী মখুৎ থংশা মতোন ভবাতু শৌনরগ অশাংবা চৌকী পম্থু নম্মুদা মথাঙ অনী থাঙত্তুনা শাংফমদা লৈরবা মও' অদুদা অতুম লৈ । মমী' অনীতুদং খৈজ্জাওদা শংত্রিক য়েংলকই । কাচিন ময়াদা থাবিবা চৌকী অদুদা ফম্মরিনা প্রিতমদা য়েংলগা মমী' থজিক পংথহম তৌই করিনো অমা ঙংলপ তৌব খোনফমদা হায়'থ । প্রতম ফুক হৌগত্তুনা সলাম তৌই । থংনবা মাংকুপত্তা খৈজ্জাওদা লৈশিল্লকত—

—মিষ্টর খৈজ্জাও ।

—তাকপিয়ু ।

—তাকপিয়ু নত্তে; য়েশ সর হায়যু কাউরবরা । ঐগী মায়কৈদা য়েংগনো, থুম্বা থদিং সাহেবতা ওনশিল্লো, থুম্মো নথুং অনী জুর তোতুনা লেপ্পা কাউবরা ?

—কাউদ্রদে সার !

—ঐঙোন্দা য়েংগনো বুতু !

—ফগনি—য়েশ সার !

কৈজাও কম্লাক খজিক নীংকে তৌই। মশা শাগৎলি। হমাং কাংই। ওমচাক্করবা ইঙেনগী হাইগৎলকপ মুগীংকা মৈশানদি নংক মা মশাদি খঙদে। প্রিতমনা সাহেপতা যেংলগা লোন অমদা করিনো হায়রুই; সাহেপনা অমুক মরোল্দুনা কহিনো খরা হায। অদুদগী অমুক প্রিতমনা কৈজাওদা মনিপুরীদা হংই, হায়। কৈজাওনা খুম্মী, হায়। মতু অমুক প্রিতমনা সাহেপতা হান্দংকুনা তাহল্লি। সাহেনা হংই ঙাংই। প্রিতমনা অমুক হল্লি। অদুমনা অনীগী রীবী হখবনি রারদি সাহেপকা কৈজাওগানি প্রিতমনা ফাওনহনবনি

সাহেপ—মি কাইজাও, নঙ এমোদোন হায়বা হুইহুগা কৈদৌঙৈ করম্বা কান্দা কবম্বা মফমদা টৈন্নে ?

কৈজাও শ্বায় লাউই খংখন খল্লকই হিঃ খোন্দাসিদে। ব্যবহার ফজে হায়নবা কাঙবুনি করিনো মানা তৌবিসিরবা ! উশিঙ্গনা লাক্লেদা ! মসিবু অশাবা জাংলা মঙগা শব এঁথাহবু ঙাইহাক কাম্লকবদা সাহেপ লাউরকই। মরোন্দি খঙহৌদে ফীবম মওং অতুদি মঙোন্দগু হ্ই হায়দনা চৈবা মাল্লি কৈনাও অমক্কগু পিং লাউই মনাকোংদা চংলকই ' অশেং-অশেংবা ইত্তাওনা হংহনীংবদো হায়দনা হেক্তা পুম্মু। মুংশা করিংত খীরুন্ন এখোয় লৈ। নযাম লৈ।' অনীরক শুবা ঙইনা সাহেপনা ঙংখ। মতং অসিদা কৈজাও কোম্বরপ মখুং লোম্লহুনা লেপসম্বদগী জংখংলে, মখুং অনী থাধরে। খোযনা থগুংদা গোমোম্লকপকুম তৌরে। নাক যেং অকোয়বদা হাইরপ যেংবা হৌরক পগী অতুদা সাহেপন লাউনবক মাংলা লাউবা হৌরকপগী অদুদা মানা লাউরিবদুদনী, শরূক অহুমগুম্ব হৌবনা খোনকমদ লাউহংলকই— লাউগনু মলেচ্ছ্ !

তকখ্রবা খোঙগী সিপাই অনীহু মতুংলোমদা খংয়েং য়েংশিল্লি। অমদি পায়রিবা পোংমৈহু নাম্বখিগে তৌই; ওকতৌই। ঈ হাংগৎপ্রবা প্রিতম মখুং শীংহুনা হোৎচিনগে তৌই। কৈজাওনা য়েৎথংবা মখু-খুবাক থেকত্তনা

খজিক হাইফেং হাইফেং হাইরগা মোমোন্না হায়রকই

— মীতোপকী মীযান লংল্লায় মক্নপ ' তৌরকখিন্নু মচুগী লেং বাংখিনি। "বদমাশ !"— মথা চিক্লগা হোৎচিনগে তৌই। সাহেপনা তপ্পা হৌগৎলত্নুনা থাম্মী প্রিতম সলাম কোৎলম্মগা মখুৎতুংবুন্না লেপখি। ফৈজ্জাওনা তপ্প হায়রকই

— কদাই কিদা অমা পীযুদনা। নখোয়গী ওফিসতা থবক তৌবা অরৈবা মীনাই নাত্র লেপ্লিবসি মনিপুরগী প্রজ অমনি। অরাকপবু লেপতুনা লেহনবা লৈবাক অসিদা চৎনদে। মক্নপ লাল্লোয ফম্লাইবদি কুক-রবনিনা মখঙলিনি। থবক থাদোকপগী চে হোরেল্লা হয়েংলা সনা ওফিসতগী লৌবা য়াগনি। হৌজিক মীচম ওইরবনি।

লকক তৌকরনা সাহেপ খজিক লোকলকই। মেজ নয়াদা লৈবা চৌকী অমদা ফম্নবা ইজিং তৌহ ফৈজ্জাওনা মেজগী অসোমথংবা অমোনদা অরাংবা চৌকী অদোমদ চঙশিন্দুনা ফম্মনবা মখুৎ ওযনা হঙ্গিং তৌহ। সাহেপনা অমুক্কা মোমোন তৌরম্মগা চঙশিন্দুনা ফম্মে ফেজাওনা প্রিতমলোমদা লৈশিল্লগা হায়রুহ— 'অদোমস্থু অস্বাযদা লেংশিল্লকউ অর্থ হন্দোক হঞ্জিন লুংঙাইরোই। এস্থু লোন স্লকখঙমক খঙাখত্রবদি নত্তে। অহুবু হয়োন অসিদ অহুম্মক ভাংবা তারে। কেঙশিল্লকউ মক্নপ। মীচম অমদদি লৈবাকসিদা হমান মাম্মে।'

সাহেপনা হাহনদগী প্রিতম যম্মারে। ফৈজ্জাওনা চৌকী খজিক চিংশিন্দুনা মফম চাংনা ফম্মগা হাহবই—

ফৈজ্জাও ঊঁ, তাকপিয় স হেপ করি হংবিবা ?

সাহেপ অদোম অম্মাদানবু খঙবিব নত্রা ?

সাহেপ তমুদোন অমদি খঙজে তঙা' ওইরিবৈঙেদা শান্নমিন্নজরকই।

ট্রেন পুংফক চাউরকপদা বুম হোৎলকপদগী অত্তম কাউনখরে হৌজিক

উন্নবদা মশক খঙনি হায়র থাজদে বয়ম্বা অমুদানা ওইববনো সাহেপনা হংবিরিবন ?

সাহেপ—'তরেং খুং'কী লুচিংব তরেং খুং' খঙ্বা নত্রা ?

ফৈজাও—ময়াং তাবা, তেরুনা তাই। মহাখনা ইন্তা জানবা মিংনি করিনো কমদোবনো হায়বদি যাওরুত্রবনিনা খঙবা ওমর্দ্রে।

সাহেপ 'তরেং খুংতা পৈশা পী হায়বসি চুম্বা ?

ফৈজাও—চুম্বা পী।

সাহেপ—বদিগী পী ? (মেজদ মখুংনা দোক মুই) পৈশা পীরবদি মখেযগী মতেং পাংলে, মতেং পাংওবদি মখোয়গী মী ওইরবদি হাগে। নত্র তরেং খুং' যাওবা মীনি হায়না লৌরে।

ফৈজাও—হায়না হাক্লে, লৌবা লাক্লে পীযু হায়রবদি পীখিবা তাবনিনে সাহেপ কোম্পানী সরকারগী মী ওইবা ওইদবা লৌগী মংখালগী পাংকী থাগী লৌবাকী খুজা ঐখোয়না থীরি।

সাহেপ—হৈরাক শেমুর ন নিংথৌ মারুবনি থিবা তাবনিনে।

ফৈজাও—চপ চপ পীবা জোক নিংথৌদ্রগনা জোরী তাই। মতুদম্ম পীদ্রগন হুন হংগনি মনাম লাউই—

সাহেপ—লাউবা তশান। সংকাবনা রুা ইন্দ্রবদি চৈরাক ফংবা তাবনি।

ফেজাও—পুঙচুন চুম্মব রাখম্ন কবনীংগোত হৈলতে সরকারগী চৈরাকতি কিদবা য়াদে।

সাহেপ—হায়বদি ?

ফৈজাও কাম্পুংগী সরকারগী চৈরাক চৎখুম মাখাংগীম্ম চেরাক লৈ। মাখোয়গীদি লৌ-ং খন্দনি নিলাম লাউরিবা, মখোয়গীদি ইকই, ওখাক ইকই শীংবনি হায়না কৌখিবা তারগদি অঙাং ওনবা—মৈদনি খঙদে, ঔম্নিংদনি খঙদে, থাঙলা জাদা ওঙুকতা নত্রগম্মু নোংমৈদ।

সাহেপ নগোদি কদায়দগী নোংমৈ ?

কৈজাও সরকারগী থবকপু ঐখোয প্রজানা কখি খত্তবা। সাহেপখোয়-
গী পাঙ-ত নংমৈ কনাদগী কাদোনা হায়দনা ঐখোয়না
করি তুক্না থীরকম লে। খোয়গীদা অতু মঙংই মখোযগী
নোংমৈ লৈরবম্বা যাই, শাবম্বা যাই নখোয়দগী মুনখিবগম্ম
যাই, নখোয়না পীরম্ম যাই।

সাহেপ—ঐখোয়নদি করিগী পীগনি ?

কৈজাও—অতুনি খঙইব্রদো। শীংনবা যারোই মাযোকবা ওমদে।
ঐগীদা ওইরবদি মযেংবম্ম মযারে থল্লো অতুবু নত্রি, ইদা
পীক্লি, মুপী নহা ওইরি হপা ইমা ঐনা থাক্লি শোরাং ঐনা
শোনগনি থন্না খুয় তুশিংনা তুম্বা হুমজরি। ঐঙোন্দা ঐগী
থারা থমহনবা যাদ্রি

সাহেপ—করিগী শরগনি হচা কৈরি হাইবদাই ?

কৈজাও—লৈবহুনবিনে নখোয়দগী য়াওদ্রিবা মখোয়দম্ম চঙদ্রিবা।

সাহেপ—করিনো অতুদি ?

কৈজাও—ইদা অপীশক কাস যাহুগা পৈশা পীযু নত্রদি হাংকনি
হাযরবদি পীখিবা তাবা নত্রা ! সাহেপকীম্ম হয়েম্বা মেন
অতু কাপ্রদি নশাদা যংঙারবা নোংমৈ অতু পীথরোহত্রা !

সাহেপ—ঐনীদি মেমদু পুবরে, ঐঙোন্দা খোক্করংদি নৈবি পীরবাই।

কৈজাও—হাংখিবা তাকনি।

সাহেপ—হাংখ্রগা শিরদনা। শিবদি অমুক্কমক শিগদনি; হাযরম্বী
পাঙদবনা হন্না হন্না শিবনি শিত্রিদৈগী মমাহুদ

কৈজাও—অপঙবা মীদি লাম্লাহনৈ। এরম চাদনা কায়দবদা শিবদি
পাঙদবগী মথক্কা অপঙবম্ম তাই।

সাহেপ কনানা হায়রম্বনো অতুদে ?

কৈজাও—ঐখোয়দি চুখাক থুন্দে। ঐন. হায়রিবসিনি।

সাহেপ—মখোয়গী মায়চৌ লৈজত্রা ?

ফৈজাও—মায়চৌ ঙাক্তনিনা তোঙানবা পংথৈ থম্বদে। শিববু কিন্নদে অছুবু শেনখায় খজিক্কংগীদমক শিদোক্তুনা অপঙবা উংলুবদি ইকাইজৈ।

সাহেপ—নখোয়না নখোয়গী মীচঙ নক্রবদি মখোয়না লাকপা কান্দা ঐখোয়দা তাকলকদবনি নখোয় কন্নবা ঐখোয়গী কোম্পুং লৈরি, সরকার থম্মি। নখোয়গীদমক ঐখোয় লৈরি।

ফৈজাও থংনাক নোকললকই। শিথবংথৈ নোকলকই। মপান-গী সিপাই অনীদু অমুক্কং চেকলকপনি। প্রিন্তম পাথংলপ তৌই। সাহেপতি কৈদোদে। মাং কাংলপতু মৈ অমুক চুনবা লাক্লে। চুনা চুনা হায়রকই হায়য়ু সরকার নখোয় লৈরিবসিদি? ফৈজাওনা মায়োক্নবদ যেংলিবা সাহেপ অচৌবা নিংথৌরেলহুন্বগী লাই অমদা য়েংলুরগা হায়রকই—

ফৈজাও—সাহেপ! নমাঙমক্তদা মখোয় মঙা খক থবৎ-থবৎ কক্তুনা হাংখিবা মতাংদা কনবা ঙমহৌদবা সরকার, নশাগী নাত্তোনগুমাঙ মক্তদা লৈরিবা নীংথক্তরবা পুথ্রী অসিদা অচৌ-অশাং অমবুনা ঈয়াংদা লৌথখিবা অছুদা কনবা ঙমহৌদ্রবা কোম্পুং-সরকার অসিনা মীৎ খুবা নাত্তোন নম্বা আ-লবুক্তা তাবা থরোই অহানবা অনঙুম্ববা ঐবু কন্নবা হোৎনাবগদ্রা, হোৎনরবা ফাওবদা হুম্মিথক থীম্বনবা নত্তুনা শেন্নবিবা ঙমগদ্রা?

যন্ত্রন্বদগী সাহেপ ফুক হৌগংলকই। মৈ লোইথোকখিদুনা লৌবা চংপাদ মান্দে। খাক্লা নোকললকই। হন্নাওদুনা মকাকন্না নোকপদি মান্দে তপ্পা চীংলেম্বদা খোনকমদা কল্লকপেনবা য়াওবা করেম্নরপ তৌবা মনোক অমদা হায়রকপনি—

সাহেপ—মথুং চেন্নবা খুংলাই পায়ত্রবা মঙাবু ককথিবগী ঈথেঙনি খোংজোমদা হাথখিবদো। মতুগী চৈরাক্কি ফৈদাপুঙগী শগাইদা মীচেন থন্না..

কৈজাও—আয়োর হায়ন্নু লানকা হায়ন্নু য়েক্কবা লিন্দু হায়ন্নু, মীচেনদি হায়গন্নু সাহেপ। ঙসিগী মীৎয়েংদা মখোয় অসে অপঙবা মীওৎপা অঙাওবা ওইবা য়াই। থাজবিন্নু চহী চা খরগী মতুংদদি ঈরাংনরকখিনি। মখোয়গী লমশি শিকমনি হায়দনা শবোয়-ঙাবোয়গী তম্মফম্ম খন্দুনা চঙনদ্রিবা মফমশিং অসিদা মখোয়গী লাইশঙ কৎনরখিনি। ঙসি কোম্নুং-সরকারগী দিলিপ* কলকত্তাদা খিল্লি-লাংলি হায়রিবা থৌত্নশক্কমশিং অদো মতম অমদা মীচেননি মীবোংনি পাপহৌবনি মীওৎপনি হিংচা য়াই-তম্বনি হায়নখিরম্বা য়াবা. হৌজিক্কীনা অথোবা অশিংবশিংগী ওইরবা। ঐখোয়গী লাইবুঙদ লাইশঙদা লাংলিবা লাই কয়া সাহেপ খোয়গী লাইনীংকম শঙশিংদা লৈবিবা লাইশিং মন্নুংদা, খরদি নোংমা নত্রগা নোংমদি তখী-তখী তনা-তনা তৌখিবা কয়া য়াওরখিগনি মালেম অসিগী নিংথৌরোলশিংদা চেন্নখিবা লোৎনখিবা তুপ্পখিবা লাল হৌনখিবা পিক থম্মা য়াওরি। মীনা মীবুদি ব্যবহার তৌবা চুম্মী। লম অসিদদি—

সাহেপ—খঙঙে। হৌজিক করি হায়নীংবনো? অথঙ-অহৈ শাগন্নু লৈঙাকলোনগী অয়োন-অথুপ নঙনা খঙলোই।

কৈজাও—ঐখোয়না খঙবস্তু লৈ। লৈঙাক পখাপকী লীচং হায়বসি লিলনা মনি মুন্নবনি। অমনা মায় পাকপা অমনা মায়খীবা, অমনমুক ঙনথংপা। মুপা খোকপা মশেন মুক্কবনি থেক্কবনি। ঙসি অসি সাহেপহোয়না মুল্লে—।

সাহেপ—মুনবা মত্তে, নত্তেং পাংবনি নখোয়না হায়জবদগী।

কৈজাও—খরস্তু মচুম্মী। হত্তোকদা লিলনা তেংবাংবনি।

সাহেপ—নঙনা ঐখোয়গী য়েক্কবদা লেলগী মত্তেং পীরে, মখোয়গী মীচঙ

*দিলিপ=দিল্লীশহর

চঙঙে যেক্রুবগী মীচঙদি যেক্রুবনি। খায়দনা ফোঙনা পীরে যাবদি য়েক্রুবনি হাযনা য়াববনি হাযনা লৌবা তাই।

কৈজাও নখোযদা শেংগী খাজনা থীবগী ঐখোযবু মখোযনস্ত মখোযগী য়েক্রুবনি হাযনা লৌথিবা তারবদি এখোয় মীচম প্রজাদি করি ওইবা তারে প্রজাবু যেংব ওইনা লৌরকপা তারগদি তুমিন্না লৈনবাক্লাই, শিবা কিনরকওই। শিবা কিরক্রবা মীদি লাক্ল-ফানবা ঙম্মোই। প্রজাদি শোকপা চুমদে।

সাহেপ– ঐখোয় শিববু শাম্নপোংকুম খনবা মীনি।

কৈজাও – মখোযস্তনি

সাহেপ—নঙদি করম্বদা যাওই –ঐখোযদা মা থাযদা?

কৈজাও মীযামদি লাইনি লাইদি অচুম্বদা তোংই। অচুম্বদি মদৈদা মায় পাক্লনবা নৈ।

সাহেপ অচুম্বদি করম্বনো – ঐখোয? মখোয়?

কৈজাও—মায় পাকপদো?

সাহেপ মায়দি কনানা পাকই?

কৈজাও অচুম্বনা

সাহেপ থঙঙে নঙগী মবৈগী মবৈনি। নমাঙদা লৈরিবা সবকাবনা মখোযদা মতেং পীরবদি পীদবা য়াদদনা পীরবস্তু খুদক্তা ঐখোযদা তাক্রবদি মখোযগী মীচঙনি যেক্রুবনি হায়না লৌগনি। যেক্রুবা অমদা চংকদবা লৌচংনি।

কৈজাও– লৌবা লাক্লবদি পীথবা তাবনিনে সাহেপ! পীক্লদবস অরাযবা নত্রেনে পীথিন্নু হাযরগা এখোয় থুদংবু যুম থুদিংবু সরকাবগী খুংলাক পায়বা লাম্নানা ডাকহল্লেনে। হোজক অসিদবু ফো-চেঙ পীদবা থুংনা করম্বা লৌবগে শেন পীদবা [illegible] কনা [illegible]! সাহেপক [illegible] অসিমক্রদ [illegible] পীদবা কনা কনা য়াঙারবগে [illegible]।

সাহেপ ঐ পীদে অতৈস্থু পীদে কনাস্থু পীদে।

ফৈজাও করম্মা থগুবি ?

সাহেপ মশা মশানা হায়বনি।

ফৈজাও—হায়বত্তদি ঐস্থু হায়গনে। লৈগাকলোন্দা যাওবা অহল্পা নত্তুননিনা রাফে শুনীংদদনা তৌবনি। হায়জো হায়রগদি ঐ অমুদাগী কনাগো খংদে, কবিনা খং অমা হায়বত্থু তাদে, শন পীখদে পীস্থু পীরেং

সাহেপ যু শট অপ।

ফৈজাও অথ হউহ। থগুজিন্নদে শুর হোন্দনা ভাংপরি—'পীযুস্থু হায়দে লোগস্থু হাগল, সনা ওফিসকী মী অমস্থুনা পীদে ঐনা খোম-জিল্লস্থু হাংরমদে ঐ খায' হুপী পাংত্তে.

অনৌশুবনপ 'শট-অপ' কা লোয়ননা সাহেপনা প্রিতমদা শক্লিং তৌখি, প্রিতমনা মপাল্লোমদা লাউকই মপান্দগী মী অত্তম চেনশিল্লকহ। অমদি বোলাইনি জানীনা ফৈজাও চংথোকখি। বোলাইবুদি প্রিতমনা খামত্থুনা থমহৌই মাইহাক লেরগা খোকলকই, থোঙ্গাল মযাগী শঙ্গদা কাংনা পম্মিবা ফৈজাওগী মনাঙ্গা চংশিল্লকই মতুংদা সিপাই মবী অংস্থু ত্থুররকই হাংগা লৈবস্থু সিপাই অনীত্থু হান্নগী মফমদা খোংথগা লাখাই লৈ। ফজাওবু হাজারগা ত খা পুরকই লম্বেলদা বোলাইনা ভগা হায়রগ "ফৈজাও বাবু নাস্থু তুনা চনখ্রগেরা ? ঐন থোকপা তৌহৌগ।" ফেজাও হকহ খাল্লহন্দা বোলাইনা হখা চত্থবকই—"অসিদা মীয়াম হবঙ্গা হাম্বা অমুদান লেরে ইঙ্গিং তৌখ্রগ ?" চংনা চংনা মাইহাক মগুন মগুন খল্লুরগা ফৈজাওনা হায়রকই—

- বোলাই বাবুগী লাইবক্তি '

—ঐগীদ শনবিক্কস্থু, ঐগী লাইবক্তি লেপথ্রবনি—ইশানা লেপচখ্রবনি।

—পুবিবদি কদাংদানো ?

—হাজোক্তনি। কুইগদবদি নত্তে। নাম্থোকখিগে হায়বগা মীয়ামমরক অসিদা হাইজিনখরো।

—ঐ মচু তৌররোই। বিচার তৌবদা পঞ্চাইদা থেংনরগে।

—তৌজিক্কীচুনা বিচার ওইগদবা মাল্লি। মখোয়দা বিচার মুংচার চঙবা নত্তে।

—কোম্লুংলোমদা রাকৎকে খল্লি।

—কান্নরোই। অসিগুম্বগী মতাংদা কোলুং চঙরোই

—ঐস্তু সনা শুক্তিসতা কারিবা মীনিনা। অশেংবা হায়বনিনা।

—অশেংবা হায়রুবচু শোয়রবনি হায়রম্লোইদবনি। য়েক্লুবনি হায়না লৌখরে।

—করিগী ঐদি কনাদস্তু য়েক্লদেনা। কনাদস্তু তোংবা নত্তে।

—মতুনা ফৈজাও বাবুগী রানি। মখোয়গী তোঙানবা রাথাল্লান লৈরি। মচুদা ঐখোয়গী রা চঙদে।

—হাজোক মল্লুংদ ঐখোয়গী মী লৈরিনা।

—ঐখোয়গী মীনা হেন্না শাথীবনি। মীনাই ওইবা হৈনরবনি; মখোয়না হেন্না মপু শারবনি। নাম্থোকখিবা নত্তনা পাম্বে লৈরোই।

—মচুগী কোয়ক্তান তাম্নবচু ঐ হৈনরোই। মোং-মিনি নঙাই মরৈরুরগে। করিগী মখোয়না পঙতৌ তৌবস্তু য়াগদ্রে! মী মশেনবু। অচুম তরানগী রাথল লৈনবিবা মশেল্লি।

চঙখি। কেশুমশঙদা থাজিনখি। বিচার তৌগনি হায়দনা থমখি। কুইরোইদৌবা মাল্লস্থান, বিচার ডায়রিবনি হায়না তারুম্মী। ডাইরিবনি হায়দনা থমখি। কুইনা লৈখি। মঙানী ওল্লাফিদি মুমীং মমিংগা কোম্লনা মশাং খঙলম্মী মতুংদদি খঙখিদরে পাস্থু পাখিদরে। তরানী শুবা মুমীংতু ইরাইনি, ফৈজাও নাংশিংহ। মানা লৈরিবা কাথু অতুগী ফল্লাংদা নহান লমপাক্লগী খুল্লকগা চেক মচেত্তুনা মানা

শঙজবা ময়েক্কা করিগুম্বা অমা থোংশিনবা লাক্লবিউদা থোঙ হাংদোক-লকপগী মখোল তারকই। হয় যেংথোকপিবদা দারুগা অমগা অঙম্বা অমগা চঙক্লকপ উই। কোম্বংলোমগী অঙম্বা মাল্লি ফজোমগা কোং-কুম্বা আচানবা অমগ শেং লিংলি। কোয়েংলি যাওদে। ফৈজাওনা মাবু থাদোকপিগদৌরম হে হন্দুনা নোকফেং তাজবগা খুক্লম্মুই। মপান্দা নকলপ্পা সিপাই অনৌ চাক্তুনা লৈবা উই।

অঙম্বা নঙলা ফৈজাও হায়বসে!

ফৈজাও মাল্লি চোয় ননাগনি সনা ওফিসতা

অঙম্বা— নঙগী হুপীগা অদোংগতু চাক্ষম থকফম খঙদনা লৈরে নঙ তারম্মনি?

ফৈজাও ননাইবু মপানগী করিগুম্ব পাউ অমতা তাদবা গুসিগ থানা.।

অঙম্বা— থাদোকপিরোরা?

ফৈজাও ননাই নৈ লাক্কদবানা।

অঙম্বা- হৌজিক অসি যজনা থোকথ্রগা শগোলগাডীদা যুম তাম্না চংলবা নচাম্বপাঙ্গ মম গাছু উম্নরবা।

ফৈজাও -কুইরে উদবা পাউম্বু করি অমত। তারম্মোই মুংশ থৌবনা লোইরম্মনি। হমাস্ত বাক্তিম্বু -

অঙম্বা— হমা·বাক্তি উম্নরম্বগা সনা ওফিসতা গাডীদা লাক্লবা, গাডী ডাইভুনা লৈহৌরিবনি

ফৈজাও— এদি থবক থাদোক্লনি হায়জরম্মে।

অঙম্বা থাদোকপা নত্তেনে ফৈজাও ফম অমা কাদোরবনিনে। তোলোপ হেনবা মীনাইগাম্বু পীদোবকান।

ফৈজাও-- কদায়দগী ইহৌদ য়াওম্বু য়াওদনা।

অঙম্বা— সরকার বহাদুরগীদ নবুকচেল শেংলগা অশেংবা অচুম্বা চংলগা লোইরে, লোন-তপ নহে-নশিং চঙদে।

ফৈজাও— ভাসি থাদোক্কাপরগদবা ওইরবরা?

অঙম্বা– ঙসি নত্তেনে কৈজাও বাবু হৌজিক; হৌজিকমক। পাঙী ল্পাঙ্গানদা থাহৌরবনিনে সরকার বহাদুরনা লাইরিক থোক্ল-বনিনে। (চে অকোনবা অমা উংলি) দরব্র সে। পাবা থোকত্র পাগেরা ?

কৈজাও মুন্না খঙজরোইদা।

অঙম্বা লোইকমক্কী নাত্তে অমথঙংনী লেকম তাকলম্মগা লোইরে, থোঙ হাংদোক্লিবাস উরেদনা ?

কৈজাও– কনাগী লেকম ওক্করবানা ঐনা খঙবা– ?

অঙম্বা– মাখায় তারেংনি হায়দন —

কৈজাও—মখোয় তারেং ?

অঙম্বা—তারেংমক্কী তারগদি কমথোন কমথোন কোম্নংলোমদা লৈবা পাম্মগম্মু লোলাই তোংঙগদবনি মহারাজগা যানরবনি হায়দনা শেংনা হায়বর্বনি। অমখক্তনিম্মু যাই।

কৈজাও– কবিনে ননাই ঐবু ভাব-মেন অমা !

অঙম্বা অমুবা, অঙৌবা, অশংবা অঙাংবা নাপূ শংবানবা (লাইরিক য়েংই) অত্তুদগী লেঙাং, মখোয় তরেৎ অমত্তংগী মকম তাকউ, লোংকম কদাইদনো ? লোম্না হায়গে হায়রবস্নু—।

কৈজাও—ননাই ঐবু মচুশিংত্তু কৈদৌঙৗ হায়বনো ?

অঙম্বা—(খংশাউ শাউগৎনা) হাই মচুগী মা নত্তেনে যন নঙবো। খঙজিন্নদব শারদনা মখোয 'তারেং খুং' অত্তুগী লৈকম লোংকম তাকউনে ! ঙরাং অহৌং শুগো সা'বকী বাংগলো মৈ থাখিবত্তুনা কনা কনানো হায়যু পোত্থি যাংলগা থাবনি, পোত্থি কৈদৌঙৈ যাংলি ? কদাইরাইদা তারে ? হু ?

কৈজাও—শুতো সা'বকী বংগলো মৈ চাকত্রবরো ?

অঙম্বা– চাকপা নত্তে থাবা, থাখিবা, থারম্বা। মঙনা য়াওবা খুংনা থাবা। খঙঙবরা ! হায়যু মখোয়গী লোংকম কদাইদনো ?

কৈক্ষাও—ননাই ঐদি হায়বিবিবহু মঙ-হাঙন থোকখরে।

অঙম্বা—মসি হুায়রোই। হাই দারোগা! চৈগা চশিংগা—। মউন থোকপা

মানা লৈরিবা কাগী থোঙদা উপ্পা পুন্নগা যেবনি। ইচ মশীং কক্কে, হিদাকঙাপ্তক অনৌরোম লেপ্পুবনি। মরক মবক্তা ঈশিং পীথকপগী লোযননা অঙম্বনা চঙশিন্দুনা মখা চাক্লুগা হংবগী মতাং শনী অসিদা ঙাইহাক ঙাইহাক লেপ্পদি যাওই 'ঐ শঙাদ যাওদে থঙনদে' হায়না হন্না হন্না লাউরম্মী। মনৈদা লাউনা ভম্মকগিদ্রে। মচক শেকথ রমদাইদা কৈজবী থাকনা শীংনবম্মী মীনাদ নথোযম্ন লম অসিদ মীনকো!' মযেক শেংনা ডাং ফংলগিদে। অনকপদা অমাসব চৌকী অমদা ফম্মগা চুকপ অমুবা অচৌবা অমা কৈগা চিংলগা সেম্না কমজুনা থঙনীংনা তারিবা অঙম্বা অমাদ মযেক শেংনা তাহৌই।

খোঙ্গাও অশাংবা শেংপা অঙম্বাস থম্না সনান।

তরামঙাশুবা

লাংবন খাগী নিন্দুংনি। লাংবনগী সুংশা য়ক লাউনা শাগৎলকপা মতমসিদি মপোকশাদি খ্বাইবক্ষন্দ কৈথেল অসি মী তাক্লপ অত্থুম তৌবনি। অত্থুবু ঙসিদি লোচি কোযব ওয়্দবা য়ক লাউরবা মতম অসিদা কৈথেলগী মযাযমক্রুদা মীন চংক্রু চানবা ওয়্দবমখৈ তৌয়ি। অয়োনবা অমদি শাইকল মীচ ইয়াংবু তাংদ অযাম্বনা থুরাই রাংখৈ, থ্বাই অমদি সাংকুল লেকাও মরীগী মীয়াম্ন নম্মি। যুম অমদা লৈবা মী-সুপা, সুপী, অহল অঙং পুন্নপ-চন্নপ লাক্কনা তিল্লবা যুম অসি মশীং কনা যাম্মী। অশোংল-অংমা ওয়দবা থরা নৎতনা অযাম্বদি পৈরবে মসি হাম্নগী ম কৈ মবাদনী অথাম্না। অনকপ চৈং মান কযাদগী চকরাম্নবা য়াংওরবা থেরাক অসিগী কৈথেল মীয়ামগী মথক্তান। ময়াম্নগী চকথাইদি। লোকপা-তোইকী গুলশিং পূম্না হুপ্পবনি হায়না লৌবা ম্নারবনি। ফ ঙৌ যৌনবা মাযাম্ম

চক্লুমদং তেনবা ওইবক্ষ কেথেনদি কিন্দুনত্তা লৈবনি। য়োক্লিবা মাগা হেতির মাগা অনীদং অনীগী রা তাম্লবনি, অচৈ হেক ফমিম্নরিব হেক লেপমিম্নরিবা অত্থনা ফরি ভাংলিবা তানদবনি, তাম্নবক্ষু থঙ্গনদবনি। কৈথেল লাইরেম্মী ইমা মাগী শাম্নবগী পোরন ওইবা তাই অত্থুবু পোরম অসি ঙসিদি থকথা ওইম্মে। কৈথেল চেক মোক লাউদে। নিম্লমথ্রবা খ্বাইরক্ষন্দ কোংথেলগী মীগী তাংথক নাইত্রবা ইপোম্ন অসি মনা তাথারবী অহলগী মতম ওইরক্লবী মতৌশানা মমং ঙঙ-হক

পাঙলগা যেংবা মাল্লি। সুকত্তামক ভাদবদি নত্তে ময়ামগী মমাঙদা অমখক্কংনা কোকতৌগী চোংগাং অচৌবা অমদা ঙাংবা অহক অতকপা য়াকম-শিং অসিদি নক্না ফম্মিবা কাদবুদা নত্তে লাপ্ন যাম্না লাপ্না পরেং অমদা লেপ্লিবা সিপাহশিং ছতুনফাওবা ময়েক শেংনা, য়াইগী মবক্তা হোনবা স্বর ক্কাওবা ভাবা ফংনৈ। ফজাম শংবানবা শেংপা মশম-মনা ইঙৌ, ঙৌনা শাংবা প্লপা অতুনা ঙাংলিবতু মখ চথয়কই —

" . অতুনা হায়জরিবা শগোনশেন হাযরিবা মৈ হীগল্লি হায়নরিবা মুমীৎ অসিদনি ঐখোযগী সরকার বহাদুরগী গুতো সাহেপকী বাঙ্গলানা মৈ চাকখ্রিংসি। অহৌংদা চাকপনি ঐখোয় লোইনমক তুম্ন হিপ্নথ্রবা অহিংদনি। মৈ চাকপা হায়বসিদি হপা-ইপন ইচেম হনেমশিংনা খঙবিরিখ্রুনি, পঙচাক মচাকই এখোযগী লৈকাইশিংদা খুঙ্গংশিংদা য়ুম কয়া কয়া তুম্ন চাকবা হাওই চৌংদসু চাক্লরি। ওমতুনা থম্বা মেদগী হৌরম্বসু য়াই, থাংমৈদগী য়াইতুনা চাকপসু কনানা খঙবা, নত্রগসু মুংশিং শিংথাদগী সোরাংগ লৈরক্তা-কোনশাংদা তৌতুনা থনম্বা মুৎথৎপা য়োক্লমদবা মৈরী হুমকপদগী হৌরম্বসু য়াই। চাংদা উকোন-য়াকোন্নদি উ-য়া অমগা অমগা ফকুবদগী সু মৈ হৌরকপা য়াওই, উকোন ও্ম চাকপসু পঙতা মতাই মতাংশাই গুতো সাহেপকী বাঙ্গলাসু চাকথরে। অহৌংদা চাকপনিনা করবা তম্নহৌদরে। চাকথ্রবদি চাকখ্রে কমদি তৌনি অমুক শাবা, শাক্লবা ভারেদনা অতুগা অতুদি নতুতুনা যিমকালনা লৈবা চৌকিদার মখৈনা কবোদগী চৌংগু-উ য়ানকল্ল-য়গা পুগল্লক্লুনা পাঙ্গাপা শাগদবানি হায়দনা লাইরিক পীথোরকএ মসিগী অর্থ কৌরিনো। শাযন লেবাক মীয়াম পূম্নমক থবক গুতুনা লাগদবমিগু হায়রে। মসিনা ভাকপদি য়ুম মৈ অসি ঐখোযনা থাবনি; অসিদা ভারে। পোকতেদগী থবক গুজরক্রুবা নিংথোমচ সনখ্বাশিং জতুগা লাইশঙদা লাইগী ঈরাৎ-পূজা তৌতুনকা লৈজবা ঐগ্যা বামোনশিং

কাওবা অমত্তা চিথদনা থবক শুগদবনি হায়না হুকুম থোকত্রে। লৈবাক অসিগী মিঙোন মরা ওইনিরিবা বোর সাহেপ মহাখোইমক্তু চৈরাপতা হায়দুনা চৈরাপনা ঐখোয়দা উ, রা, রাচেৎ, জি পুন্নমক লোইনা পুন্নক্রো হায়দোকপিরকলে। মসিনা তাকপদি য়ুম মৈ ঐখোয়না থাবলি ঐখোয় লোইনমক চৈবাক পীগনি হায়বনি। মৈ ঐখোয়না থাবা নত্তে লৈবাকমচা অহল-লমন ইচেম ইনেম পুন্নমক, থওবিয়ু মখোয়গী বাঙালা ঐখোয়না তাঙোই তাহুনখিবা নত্তে, ঐখোয় মীয়াম্না শাকম থোক্তে, শারোই। ঐখোয়বু অরৈবা মীনায়রো ..”

নুপ অসিনা রাররুদনা ওজিক তপথরকপা লোযননা য়াম্লিবা গমশা মচাহুনা মমায মমীৎ ওাইহাক তৈথোক্লুনা লৈরিঙৈ তালক অহুদা থংনবদা ছ্যাতিন মকমদা কম্নম্বা কোয়েং অঙৌবা মচ য়েৎপা নুপা অমা তপ্না হৌগৎলকই। তাহান্নবগী নুপা অত্ত কমথহুনা ওাইহাক পোখানবা হায়রম্মগা চোংগাং অত্ত লৌরগা লাউরকই —

“তিনবিরিবা ইয়াম্বা ইপল মরূপ মপাং ইচেম-ইনেম পুন্নমকতা করিওম্বা অমত্তংগা হঙ্গৎচগ চাকখিবা মৈ অসি নত্তবা তৌবা মথোঙ চাদবা মী থরনা থারম্বনি হায়না মখোয়না থাজখিবনি। মীওইশিং অত্ত ফাবা ওম্বা তাকপা ওম্বা নত্রগা মখোয়গী মরমদা পাউ পীবা ওম্বদা শেল লুপা চামওা মনা পীগনি হায়না লাউথোকপ্রবনি। ফাবা ওমত্রে। মনা পীখিত্রে। হৌজিক্তনা ঐখোয় পুন্নমক্তা চৈরাক পীরে। মসিবু করি থোদোনো লৈনাক মচাশা ? শগোননা লৌ চারগা ইরোইদা কুবা হৌনবরো !”

ময়াইরোমদা নুপী মৌ নহা অমা ফুক হৌগৎলকই। মথুং অনীমা চোগাং শারগা হায়রকই —

“লৈবাককী ইমা-ইবেম, ইপা-ইপল ইবুঙ-ইপা পুন্নমক, ঐখোয় ইরোই ওইরওনসে বন ওইবা হনবলে। বনমকফাওবদা নিংথমথাগী

মঙ্খবদা গাড়ী চৎপদা মনঙ্গনদা বোর' মচেৎ অমমমতা ওইরবস্থ কুপ্লি-ক্লিবনি ঐখোয় ইবুং ইপ্‌াশিং অচল ওইরবা ইপনশিংনা হৌজিক লাংবনগী চুংশা মরক অসিদা শা-কৈ মরক্তা পান মাইরেনগী মুন্দবা চয়োম পুরগা কপোগী উবক-উকোন অতুদগী চৌংগু উ যাল্ল্‌দৌরিসিবু ফাকগীনো ! নোংশানি হায়বদাইনে ইবু'-ইপ্‌াশিংবো। অশাবা নোংশা কাপথায়বদা ইপা ইপনশিংগী থৌনা প'জলস্থ থুয়াগী উফুল ওনথরবয়ো। সনথ্বা ওয়থংখনবা অমগী ওকশমগী থৌমী .কাঙ্গোই উরুবদগী ঐখোযগী নোংশা পুম্নমক উচী ওনথ্রবয়ো ! ওল্লগা হায়বো ' মচা-মপুয়োইবা মবুঙ-মৌপ্‌া শোক্লক্লবদি চন্নরা ঐখোয় লৈরি। ঐখোয় লৈরি। পাম্বাইবী থোইবী লৈরি নংগন্দগী অৎাং অসিগা চাকথুমগী থাবৈ চেগপ অসিগদা লৌবিহৌ ঐখোয় চোংথাবচগ কবো চৎকে মযা' য়োৗগে ওম্মগনা শগোল অত্ররালা ফাদোকে। ”

মৌ নহাসি অশংবীনি। ওরাং মপুয়োইবগী পোৎলোইবা য়াওবা ওমদবমখৈ য়ামফক তাহুনা লেরুবীনি কনাগীস্থ থৌইনশিন য়াওদনা কৈথেল অচৌবদা মযাম ভিন্নচৌই তাবদগী মচাদ' কাওব। হায়রমদনা হাইরং হাইবং লাকপনি। ঙা'ন ঙা'ন লেকথরকথি মরু থোক-থোক লুকথত্তনা ফম্নরম্বা খরন ওক্তুনা লাইকম্নরি। নাকন্দগী অমনা লাউবকই— ' চিংনবগী চিংনবা মপূম ওইনা চি'নরসম্নু লোযশঙ লোইনা থাদোক্লসি !" "শঙদ নাত্তে এস্থ থাবো।"– তুংলাংদগী অমনা লাউরকপনি। 'থাসি হাৎসি কম্মসি .."হ'যন মরাঙ-মরাঙ ভোনরকপগী অতুদা নম্বল মপান্নোমদা হুমদা' য়ানবা হৌরকপা তুকান অমগী মৎক্তা কাথৎতুনা লেপ্পগা থুরা-মচানা হায়রকই—

—"ইমা কৈথেন লাইরেম্মাগী পারী মযোম পুম্নমক। অমুক্তা ঙাই-বিথো। করিগুম্বা অমত্তা হুজৎচগে। ঐহাক লৈঙ্কাই মরীগী মীওইদি নংদে। লেপাক আসগী মীনিনা হুকুম থোকলকপদা লম্বায়দি থোগায়

অসি পুৱা য়াওরোই হায়জরবস্থ য়াংরবনি হায়ন্সি শোয়ব্রবনি । রাকম অমত্তং হৌদোকচগে । মীগী মুং, শোয়শঙমে থারুব যারোই । ঐখোয়গীসু মননি কে মুংগী পোং ঐখোয়গী পোংনি । ঐখোয়গী য়িমফালনি য়িমফাল শোইনাইহনবা চুমদে মেমাক্ত থাথিজমসি । হাযজরুবদা য়াবিরক্রে । অহুনদি অহানবদা নিঙাই ভৌথি স চুমদবা য়ানীংদবা হাযরকইবসি য়াংমসি । অচুম্বগীদমক্ত ঐখোয় মযাম চঙহুনা নিঙাই ভৌর স । উ যানবা চৎকুমাস, চৈরাপনা হায়বা ইনগুমসি উ-রা-লি-রাচেৎ পুখৎলুজমসি ”

“কাহৃদে মহুগীসু চৈরাক পীবকনি কাগে পুনগে হাযরকনি, হেক্তা চাইথাযরসি ”- অশংবীবু লাযকরবস্থ নহা অমনা নথূৎ থাজৎলগা লাউবকপনি । নাক য়েংকী থরা অগস্ত শাউনা লাউরকই । তিল্লিবা ঈপাকুদা হপোম ভৌরকঙ ইৎকমক্তি য়ৌত্তি । মতাং অসিদা থাকী শেৎপা কোযেৎ অভৌবা য়েৎপা দারোগা অহল অমা নীযাম মরক্তা থায থায়দনা চঙক্লগা ন্য়াহদা রা ভাংলম্মবা মী থরহুদা চে অমা পীরৈ অহানবদা জাংজম্বা হুপা অহুনা থঙনীংনা য়েংনরিবা নীয়ামদা লাউথোবকই —

—‘লৈবাকী হপাহচা পুম্নমক সরবার বহাদুররোমদগী লাইরিক অমা পোক্লক্লে মখোয়গী ম রান্দনি ..চেচ্চ থঙবা যাংবিরবদি অমুক্তা য়েংবিররাও ।”

“এখোয থর-থরা থঙজৈ হোৎনজগে ।”— পুরামচানা হাযরকপনি । কুমথরগা চঙলকই । চে অহু কৌরগা ভাইহাক পাহ । ময়ামহু চেক-লোক লাউনদে, মীৎকুপ নাহুম কাউবকম চপযুংহুনা তৈ নৈ । ভাইহাক তুমিন্না পাহুনা লৈরুংগা পুরাহচানা হাযবকই—

—“সুপরিনতেন্দেন্ত হায়বা অমনা থোকপা চেনি । মখোয়গী মরোন অসিদা হায়' পাজরকে, থঙবিবস্থ য়াওরমগনি । মতুংদা ইমারোনদা শম্না মরোন হাযজগে, তাবিয়ু—

'TO,

The Inhabitants of Imphal.

Whereas certain ill conditioned persons in the town of Imphal are inducing the residents to assemble in fixed places with a view to agitate against authority, this is to give notice to all that more persons than five assembling in one place for the purpose will be considered an unlawful assembly and that the Superintendent of the state will call upon the troops and police to disperse such assembly'

অহুন হায়বদি, শম্পংনা হায়বা তারবদা ঐখোয়গী বোর সাহেপনা ঐখোয়দা, হায়বদি চৌঙ্কিক-চৌঙ্কিক ভিন্নহুনা লৈরিবা ঐখোয়দা খঙ-হল্লকপনি, লৈপাক নখোয়না রা উ পুংংলু হায়বদি য়াজ্রগা ময়াম ভিন্নহুনা লৈবদি ওসিদগী হৌনা লমহেনবগী ওইনা মী মঙাদগী হেন্না ভিল্লবদি সিকাইনা দারোগানা ফাহন-পুনহনগনি ।— ঐখোয়বু লম হেনবনি হায়না লৌরে । লৈপাকনা মাখোয়গী মায়োক্তা হৌরে হায়না তশেংনা লৌরবনি ।"

—"অহুদি কমদৌবা ?" অমনা লাউরকপনি ।

"লৌরবদি চুম্নবা হৌবা তারেদনা ।"—লৌশিং লাকপা ভাইহাক ওইরবী অশংবীনা খুত্তুম শীংহুনা লাউরকই । তিল্লম্মিবা ময়ামহু মথুং লোইনা থাংগৎলকই । খুং অয়াম্না খুত্তুম তাশিল্লি । খুত্তুম থদ্দদি শংত্রিক শংবা শিংলি মত্রং-১ত্র' কাথি । খুত্তুম পুঁদংমক ওরাং মহাম্মগী নোংমদোংদা উরল্লিবা থদ্বামম্নিচাক মৈপানবী অহুমক মাল্লি

ঙ্গমীং অচুদগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল পূমতাক তাকখরে। অয়োনবস্থ অৈরবস্থ অমত্তো উথিদরে। তুই মমৈ হাইজবা থরগা নোংমৈ অশাংবা য়ানবা মশা পূম্নমক হাইরিবা মীওই থরগা নত্তনা অতৈ থরায় উরক্কবা কুইরে হোদোং ফাওবা তুবং চানখিদরে। মক্কনা কৈপুঙ ওথাবপা অমমুক চাটবা, মচী মঙ্তোননা শাবী মতুমুক তুম্বা মথানা লৈবাক শোকদোরবা বনচাং ওমদি কৈথেল মধাইমক্তদা। অযুক্ক ঙ্গংদিল ঙ্গংদাং তুনা উইচুনা শঙ্গপ শায়রি বরিম্ব কনাবুম্ব থোৌশাদে। অহৌং নোংয়াইদা বৈথেক লাইরেম্বীন তেংথাই হাংবিবঙ্গ মাদি মতাবস্বস্থ খঙ্গাদে। নংস্থ হতু গতু চৌংথে হুরনদাইদা মীওই শক্তম্ তরেং-খক কৈথেল লাইবেম্বাগী শঙ মচা অচুগী মনাক্তা হেক হেক লেপমিন্ন-ববচুদি অনীরক শচুমলক কুম্বা উরে।

অযুক অহ্ অশংবা মস্মিদৈদা হৌগৎলগা ঈকত্ত মায়থার চম্বোল অমূবা নীংনা থিল্লগ তুক্লিবাছদ মানা ফাজবা মস্থ অহ্ থীচুনা থুরুম্মে। মপাবাইনা লোথশঙ চৎলমদাই খুদিংদা মফি হোংচুনা ওাইহাক ফম্বা যংযং ফব অচু থাম্বা ফি অণ্ডোবা অমা কুপ্রে ঈক-ত্রিডৈদা হেকম্ব লৈ চমং চু বদুমা খুরুম্ম। ইমুংদা চঙলগা পুংজো-ফনেক লোইশাকপদা বাস থুরুম্বা চংপা তমদা উল্লবা মোইরাংফি নাম্ভচুনা তারকই। লুনা তৌজরমখ্রবা ইন্নফনি। থোইনা থৌশাক্ষদরে। তপ্পা লৌথৎলগা কাচিন ওইরপা নমশিল্লম্বী। মচাগা মনেম-মকুগগী চাক থাগৎকে হোংনৈ। শীং অথায়বা শঙ্গোংদগী লৌশিনগে থোকলকপা মতাংদা ঙ্গপী অমা চঙলকপা উই মঙোম্দা নৌনা থোক্কবা শাজং অমা উরকপঙ্গম হৌই। শীং কোম্দুনা ওাইহাক য়েংচুনা লৈ ইবেলৈ ওইরম্মে। শীং থাখরম্মগা চেনশিন্দুনা চেংনা কোল্লুই। অনীহু য়া ভাংনবা ওম্মদে। ঙ্গংহিক্লরবা থম্মোয়গী য়ারোলতনা য়াহে য়াওবা য়ারোল কোওদোক্লে। লুহোংবগা কন্যা কংশপগী জ্ঞমীংথাদ অনীগী থোক্তল হৌমখিবনি।

ঙসিদি মপম্বোংগী খোঙ্কেল যাওদ্রিদার। মাইক্লাক চৎনা কোম্লকরগা ভগ্ন থাদাক্লে, অংগী মমাংদা অমনা থেই মথুং থেং থেংকী খুনিংথো খুনিংথৌনা অমনা অমনী পিরাং তৈতেপোকে লাংমক লাই-বক্তা খিন্নরিবা অমুবা চান্দাল শোক হনি মতাংগুম চেকশিন্নইঙ্গে। ঈকং পাম্ভাগী ভুংরল মক্লগুম শিঙ্কনক্লিব পিরাং পরিক্লি থংবা ভম্নবা ঈফুং নংখিদরে। কুমদম নোংঙৌ মরক্তা থাজনা খজিক থাংভাক্লকপ-গুম অশংবীনা খজিক মোমান তৌরগা হায়রকই—

—কুইনা উন্নখিদারদা ইত্তা।

—নকপদি অদুম হেজিন্নরক্লিবনি।

- পাউদি নঙগীস্নু ভাংই।

—নঙগীস্নু ভারে। হেন্না হকপা উ ভাংঙ্গসি লাক্লিবনি

ঙসি অমুক মাংনৈ আংসাংগী তুপী ময়াম অশংবীগীদা পূংনি অহুগা কৈথেল্লাংদ চৎকনি। লেমহ রিব মায়কৈশংগী তুপী ময়ামসু যুম অমংমদা পূল্লগা তুমীং ফল্লাং ইংখাং থৌনা মতমদ কৈথেলদা পূন্নবা লাক্লগনি। মাংকৈ মনীং তুপী ময়াম পুক্সপ পূম্না কিল্লরগা কার অমুক তৌসিংগে থম্নগাদাবিনি। মবাং তুপী ময়াম অমা লোর সাহেপকীদা উম্নগে থারী শাগে চৈরাকনা মওংদা মাযামবু পবক শুহন্দুনা যুম শাবসি তৌহনবিগম্ভ হাংগে চংলুংশি থুরক হাংদনা লৈরম্বা থানা সিকাইশিংনা চহক্লনখিদ। হুম্ন ভম্না হাংজরবা ফাওবদা মী অমনীদংদা ফাওবা চঙহল্লকখিদে সাহেপশিংনা চঙহল্লকপা মাদে হায়ত্তুনা নোংমৈ মতোন ময়াম খিনেত্তুনা থিংখি। ময়াম পূম্না নোংমৈ মত্তোন ভম্ন তোৎচিন্নলি হাংনা থাংচেৎ লাক্লরকপগী অহুদা অহল ওহরনা মকোম মরাং পুঙজৌ ভৌরবা মুপা অমনা খামখি, হায়খি—

—"লৈবাক অসিগী শক্তিগী মশক ওইরিবী ইংরেজশিং, ইপা মা হায়গে

ময়া কাথোক্লুন. লৈখিবা লাইরেনগী থায়াংতা কন-কন হেক চোংশিন-থোকপসু ঙনময়া থোকনি । লানবুদি চঙ্গনি; শোয়দনা চঙ্লগদবনি । অদুবু কদোমদগী কমদৌনা চঙবা ঙায়বদু কিংগংপা তৌদনা থম্মখিসি । তুংদা ময়াম তংসু লেপচৌরি । ঙাসগী সিদি ঐথোয় থরদনি । হয়েং অসি লৈবাক অমুক্তং পুনখিসি । শগোল পাউ চেন্নবা ঐথোয় তৌগে । মঙং থঙফাত্তনা চাক্লিনা মৈরাদা চোংশিনবত্তনা লৈথায় ভাবা ঙমখিরোই ।”

থেম্মখি য়ানখিঃ হয়েং অসি তিম্মরসি হায়না লেপ্পখিবনি । লৈকাই মরীগী য়ুমথোং থৈনা চেনবা পাউ তাবদগী ইবেম্মে লাক্লবনি । অহাং নোংশোয়বা ভুম্বা য়াংশিল্লবী ইবেম্লনি । মঙং-মঙং মথল-মথল মরী-মরী থল্লুবদগী মমাং উকশিননা য়াংদবনি । য়েনশোং অহানবদা ঈরুজ মায়থরগা লাক্লবনি । চাক চঙ্গিক থরা লৈবদু চাসিরা থনবনি ইচামক চানীংদবনা চারক্তে ।

মত্তম চপ চানা কৈথেল ময়াইদা মুপী ময়াম পূল্লে । অখিংবা মচেৎ মচেৎ লৈবা জাগাম্নি; নোংমৈ পায়বা পায়দবা সিফাইনা কৈথেল অসি মরোল ঙহুম কোংবগী মঙংদা লৈরি । লাপ্পপ লাপ্পপা মুপা ময়াম পুল্লপ পুল্লপ চোমলপ চোমলপ লৈনরি । পাথং থরদি শারবা মত্তমসিদা ঙবোং পারপ পারপ তৌবা জোজোন ইম্মবা য়াঙরি । মীয়াই থরা ঙমদি উ-রা য়াল্লুবা হ্রাচেৎ পুরকপা শাহুনা শীংজং হাংমৈ লেপয়ান থাঙজৌ শঙ্গাই কয়া ফোংনা পায়হুনা লেপ্প্রি । পোমাইং থঙদ লাক্তবা সরকার নত্তে; শক্তিলল্লোনবদা খংপায়শেলদগী নামৈশেলনা হেন্না চাউনা পৈবা লৌশিংনি । মথৌ শিন্থাদা লেম্নবা সিফাইদগী শম্নক ভরেং হেন্না নককোয় অমদি চাউগোয়দা থম্বনি ।

থঙদবা থঙবদা মপা লৈবা সরকার নত্তে । ঙরাং মুপী ময়াম মরী মরী লাকপদা মুপা বামোন অম্না য়াঙবা থেংনথি. ফাহুনা মনমদা

চৈ কুনথ্রা। কুখি। ময়াম মমাঙদা যৈথিবনি। মতুগী মমিংদা মুপীজা ময়াম তিঙজবদা মীংথেং চুমদবা মুপা লোম্না কৌমান য়ানবা য়াওব্রা য়েংজিবানি হায়দুনা অঙম্বা খয়া চঙলকই। মতুংদা নোংমৈ শীংবা সিকাই মরী-মরঁ হুম্নরকই থম্নরকই। থম্নরম্বনা ঈরাং অমগী য়াকমদা অনৌবা ঈরৌ অম ফুককৎলকই। মুপী মঙা ঙরানা চোংথোক্লুনা অঙম্বশিং মশা লাক্লুনা চিংথোকই, খরা অমনা মঙক লাক্লুনা ঈল্লুই। নোংমৈ পায়বশিংনা হাম্লুই। মশা থজিব থেংগে তৌরকপা মতাংদা অমদি নোংশা অনোমদা ওইরম্বদগী চাউ[illegible]ইরকই নেৎখরগে কাঙথৎ-লগে হায়দুনা চোংশিল্লকই। তুংলোমদগী নোংমৈ পায়বা অনৌ থাইন ইল্লক-পদগী উংথুনা শিক্লুনা তুবকই। ওবাবা মচীনানদা ঈথেঙনা পুন-বা অাঙা তুনা চৌগৎলকই। নোংশা অমোম পুন্নমক চরাম্বা ওইরকই। চৎলক্লিং ময়াম অদুদা পুন্নপ তুপথরকই। কোনেৎ লৌথ লৌথহুনা লৈমায়দা খোঙপাগ্রা নোইহৎলি; মফ মরোল চিং চিংদুনা শেগায়রকই। নোংমৈ পায়বশিং ঈপ্পব। মরক্তা নোংমৈ শৌঙ্কিম্বা যাখিদে। অঙম্ব-শিংনসু নোংমৈ কাপ্পু হায়বা ঙমখিদে পাম্বৈ লৈত্রবা কাঙবুনি মথরায় পুক্লুনা চেল্লে। শাদানবগী হাইদোরকপা তেম্ন পানহুবঙম্বী নোংশা অমাম ওইপ্রবী অশংবীনি মুপীজা হৎচাংনি হায়বা কাউথোকখরে। তুংথংবদা ঈক্ববা থুংনা চেল্লিব থানা সিফাইদগী উকং নৈহৌবী অচু মুম্বাগ চেনশিংনখানে চাউকান চাউকান কানবা হোরকপদা মক্কিদা পনহুনা তুশয়ে। থংহৌ চৌগৎলগা তাম্নগে তৌরকপদা মানদি উহৌদবা মখোয়নদি উবা সিপাই অচ্চুহুনা অনৌ হাম্না হনথুরগা অনীনা নেৎ নেৎতুনা চেনখরে মঙা ওরা তুংবা য়াওবনি হৌগৎলগ অমুক মচেন-বনিনা শমজী থাম্নদুনা চেন্নরিবী ময়াম্সু অচুগী অচু ওইরবোই থম্ববনা মঙোন্দা পুক্লি চঙনরমদরে। ডাইহাক্রী মতুংদা মায়কৈ মরীদগী নোংমৈ কাপ্পা মখোল তারকই- পোক পোক-পোক। হিদাক ডাম্বক অমরোমগী মচুংদা খ্রাইরম্বদ কৈথেল থুম্বাক লানশিরকই থুংখিল পোহোপতা

কৈখেল লাইরেম্বী তোংখাবা য়ারকই । তুমাং ফাওবা পায়দবা য়াদ্রি । যনকাও লেংখোন-চীঙ্খয়চুদংদি তপ্না তপ্না মতাই অময়োমদগী চংলকই । ফাত্না হৌজিক ফাওবা লৈরিবা অশংবীগী মনাক্তা চংখি । নাচুংগে হায়বা ফাওবা থনখিবা মাঙ্গে ।

অহৌং থেঙলবা মতমদা মচনগী মনিল কারিবা মোংফমদা খুকখুদক কুন্দুনা মথুংনা মমায় খুম্নগা চীক্ক চীক্কা কপ্লি মাইবা কেঙবা । নাকন ওইরূপনা হঙাম চৌরক্লিবা মশেনগী মোংফম অহুম্ম লৈরি । থাশি ওই-রমত্রবদি নোংঙাল্লমদাইদা খজিক থাঁকখিব লাংবনগী নোং খজিক অহুগী মতুংদা কারক্লিবা মোংফমগী মনিল অহু কেঙবম্মু উরমগদবনি । থাশিগী অমম্বদগী হেন্না মমশ্রবা মচম মশেনগী মোংফম কারক অহুনা পুঙমম মমহুনা ফম্মিতে অসিদা তুংলোমদগী লাপ্লপ্লদগী অহম-অহা খজিক তারকই । খোঙথাং খজিকম্মু তারকই থীন্দনা তপ্না থেঙলবা খোনফম অমা তাবকহ ইতাও কেঙবা ।

মতম কুইনা তাখিত্রবা অথঙবা খোঙলনি । কেঙবনা খজিক লৈথো-ক্কে তৌরকপদা নকশিন্না হাগরৈ—

—ঐনি ইতাও, তাউমুনি ।

—খঙে । ঙসাইদা নঙবু মীংশিংলম্বনি

- থেঙলে চঙলসি লাকও ।

—থেঙবদি থেঙলে ইতাও; অহুবু ঐ লেপ্লে; নতুং ইন্নগে লেপ্লে ।

- ঐগী তুং ইনবা হাযবা যাদেনে মরূপ ঐখোয় থব্রাং চৎমিন্নসি হায়-খিবনিনে ঐদি ।

—লানখ্রে ইতাও, ঐ লানখ্রে । চ সি

—নঙগী লীচৈগা থাংমৈগসিদি কাউরম্মগেয়ো ?

—কাউবা নঙ্গে মরূপ, অমম্বা মমকসিদ ফাহোরক্লবসিদদি মসিগী মথো

লৈত্রে। চংলসি লাকও। নঙগী নহানরাইগী নোংমৈ অক্তেনবী অনী তুখিবলাই ?

—তাইখো ইত্তাও। নমাক অপিথক নীংতম্মনগী খন্দবা য়াত্রি। মৈরক্তা চঙবসিদি উল্লেন ওইদবা য়াদে।

ভুমীং অতুদা কেঙবনা হৈনীংলকখিবা মওং অহূ অমুদোন থঙবদি খঙই। উকবমক্তি নাত্তে। তুং কোইনা হৈনীংলে হায়বদি উরকখি।

কুইরবগী তুংদা নোংমা অহৌং অমা মীগী খোঁ অমা তৌরুবা হল্লকপদা কেঙবা লম্বেনদা মুপামচা ময়ীমঙা লম্বী মপানগী খোঙ্গান ঙকযা ঙকয়াদা করিনো অমমম য়ুংবা উই। মাবু মশক খঙবা নচা ঙাক্তা মাল্লি। মপা যৌরকপদা কৌরকই-

—মামা, অনাবা য়েংবা চংলুরিরা ?

—নহোয়দি কৈদৌরি অখেঙবসিদা ?

—ঐখোয় ফীরান য়ুংলি। সে অমা পায়বিখো থোঙাম্দা থেৎপিয়ু

—করিগী ফীরাননো নখোয়স্থ মীগী অা সমুদ্র বাংমদা মী অমনা নিংথৌ ওইখ্রুগ অস্বায়দা হরাওদন জয় পত্র য়ুংলিবোইরে। নখোয়স্থ অঙৌব-গী মীনাই শেংঙগেরো ?

—ঐখোয় ংৎকী মীওইনি মহূ তাবা হৈনদে, মামনা হায়রম্বী ফবনি। সে অমা পাংনিখো থোঙ্গান নযাদা য়ুংবিয়ু।

—কদাই অনী পীরকউ, অমা হায়বা মশীংসি মামগা পল্লদে।

পাখং অমন, অহুম পীরকই। ইমুং চঙফপা মৈ লৈথক্তুমা য়েংলুই। অঙাংবা ফিদা নাপু মচুনা থারম্মী—"য়ুমদাংবগী নিংথৌ শিরসম্থ।" কাঙলুপকী মরেক্তা মরমদনচগী ফংনা মচুনা য়েকপনি। কেঙবা ভুংঙাইনা —থোনফকই অং মাগী তুলসিবোঙ ময়াদা চেনা য়ুংশিল্লি। অমনা পুখ্রীক্তৌ নপানগী সপাকোংনাং নশা অমদা থেংলুক। ভুংঙাইনা ভুমখি।

অয়ুক অহু য়াম্না থেঙনা মীকপ থোকই । মীকপ থোকপা নত্তে; থোঙদা-থীনবোই কাওবোই তৌবা মখোলগা লোয়নদা চোদোরকপনি—হৈ মাইবা ! উঝা মাইবা, হৈ মাইবা !

খোন্দা অত্ত কেওবা ভাব লাম্বা চাইরপ কই । পোক্ত চাংদোক্লগা মমীৎ কাপ্পি কাপ্পি হংলুই—কৈদোরে কনা শিরে ? লমশিরা ? অঙম্বা অমা লেম্লমী মতুংদা চৈ পাবা দাবোগা মঙা তক্লকা নোংনৈ যানবা সিকাই অহুমগা মাঙোম্দা লেপ্পুনা লৈবা উরকই । অঙম্বা অচুমা শাউনা চায়রকই-নরাচৈ অহুনা ভাকপাদি মাস নঙনা তৌবনি ! ঐগী মিং খম্বা সনা—! কেওবা এ, মিংদি ভাখিকম তৌরে দোলাইপাবা.. '

খম্বা—অঙম্বনি; সনাম্বুমি । খঙাংজেই চায়বগী ভাকপনি ভক্তি.. তৌবা চুম্মী ।

কেওবা—টাসোস, সনাদস্ত অসিগুম্ব যাওবোরে ! মাইবা ঐগোয়দি শয়োয-ভারোই তীনমু লাইমু ককশা অকোকশাওম্বদদা খুরুম্মী । উঝা মাইবনা খুকমজরি—

খম্বা—মাম্মি শোয়রোই নঙন মাঙচনবনি ! কৈহাক অসিগী নহারোল শিংবু লাম্না লমজিংবা মাঙহুনবদা নম্ব যাওবনি ।

কেওবা—করি য়ানোনে লয়াইদগী চেক ঐবু । আইমা আসোন ফুং সোন যাওদ্রেমাম্ল.. খাঙেপ ও খোঙ্জাও অমনব-ও করিও চেক্ক লেওখৎপিরম্মমানোনে মীগী মাঙোন আসদা—মৈতৈগী য়ুমসিদা ।

খম্বা—নঙনা চাযরিবহু ঐ খঙই নঙংম্বা সরকার বহাদুরগী মায়োক্তা থবক তৌবা মরাল লৈবা মীগী লাংকম শুরুংনি চাযনা লৌর-বনি; প্রজাগী য়ুম নত্তে ।

কেওবা—কেংকমদা নত্তে মৈতৈগী য়ুমদি লানবন য়ুমম্বনি য়োখোক-তেং খোক. খাঙ-তা য়োংতুক-মুংতুক লোইনা থম্মে ।

খম্বা—খুৎলাই থম্মবা নঙনা নরাল লৈতনা কনামা লৈগনি। মঙবু তুংবুরনা পুরগা উফুল-লৈনাং মরক্তা চিংবা লাক্লিবান। খঙব্রা ?

কেঙবা—হুই হৌদোং লোইবা সপু ঐখোযদি লোইরিবা হুইদা-হৌদোংদা কাওবা অহুমাই' হায়নবে নখোয়গী নপু অহুদি মরাল লৈজদবা শায়ুবু অহুমাইনা কাও হায়ন য়াথং তাওথবিরনে দোলাইপাবা ?

খম্বা—দোলাই পাবা নত্তেনহৈ লরাই নঙবো ! নরাক লৈদনা চিংঙু হায়বিরকইবনিনে।

কেঙবা—য়িমকাল মযোন্দা পোকচবা চাউজবা শিবহু শিজগদৌরিবা লৌথ্রাও ঐগী ইরানবু কয়িনো.. ?

খম্বা—ইয়া ! করেন-কথাইনবা হৈররনা ময়া অসিদা থী নেৎপা বুং অহুনা ! দারোগা !

কেঙবা—(শককম হক্লিরগা) ভাইখো 'যাম্বা থানা ! লম অসিগী মচা লাক্তনি চুয়-চুয়া ভাংনখিসি ইরাল লৈরবদি আ তান্না পুত্রবধু তাসিরাইদা ককউ কাপথুহনা হাৎল লৈহুনা চেনবিগদবা মী নত্তে। মাইবনি খুৎলাই পাযবা ভমচৌত্রবা মীনি।

(দারোগা অহল অনীহু হু হক্লি)

হায়বিয়ু অঙবা ইবুংঙো সনা, করি ইরাল লৈবগী অহুক খোয-শাউনশিবনো ? ঈথক্তা নেৎকদবা মকম ওন্নবিরব্রা কৈনো ?

খম্বা—হায়গে নশানা য়াজগদবা নরানদি - অহানবা, নঙগী তুলসিবোঙদা যুংলিবা চীথিবা য়াহৈ ইবা কীরান অসি নঙ মরুা যুংবনি। অনীশুবা, য়ারেম থৌরেমগী ওইবা নীংতম্বগী মিংদা করিম্ম খঙদবা অপঙবা অঙাংশিংবু শেরাম্মনা লমজিংবা; অহুগা অহুম শুবা খ্বায়দগী হকপা নরাননা সরকার বহাদুরগী মায়োক্তা লান হৌবা —হায়রিবা অহুম অসিনি। মসি নঙ নশানা য়াজো, চৈরাক হম্ববিনবা হায়জবিগে। ভাকপি হৈবা সরকারনি। হায়য় নশানা য়াজরে ?

কেঙবা—অঙম্বা ইবুংঙো, সনা, ঐগী তুলসিবোঙদা নুংশম্মে হায়তুন ঐমক্না মতৌরগানি হায়বসি হায়মনবনি। মনবদি চুমদবা অমাম। ঐনা যুংবীংবা লৈরগসু ঐগীদা যুংবা হৌমদে; সোরোক্কা লমজাওনা লমহাংদা যুংলমগনি

খম্বা—অতৈ হায়রিব। মফমতুদা যু'নরে হায়বসিদি নঙদি হায়না খঙলেনে ?

কেঙবা—হায়না পঙবগী রা নত্তে যুংফম্বা ময়াম অমা অঙম্বগী থানা সিফাইনা কোন্দুনা পায়রিবাস উঠ; লৈখোম লৈনাং থৈবা খোক-চঙ য়াওরি, হৌজিক অসি তুলসিবোঙদা লৈখোম থোক্কবা মতম নত্তে। ময়াম অসি যুংনবা পুবিরকপদি ওইরম্মোই, ফুক্কতুন পুবিরকপা ওইরমগনি সরুকাইদা কোঙনা শীংনবদি ঐখোযগুম্বা পাঙদবা মীচমনা ওম্বা পোৎ নত্তে। চৈরাক মশক খঙবা কোয়না চৎচবা মাইবা মচা অমনি। মথৌনা লৈবা অঙম্ববু কিদবা নতা অমনা তৌবম্বা য়াই। ঐনা খঙলুবা নত্রে।

খম্বা মথংতু দ ?

কেঙবা—অঙাংশিংবু শের'মন লমজিং'ব হায়বতুমা ইওইরক ওইরমোইদবা, ইয়া যাত্রবা রাফমনি। মতংসিগী নহা পাথংশিং সনাহোয ঐখো'য়গী মতমগী নহাবোলশিংগা মান্নদরে। মশাবু, অতৈবু মশক খঙফদা ভাব ওইংবে। পারী-পুরী মশক থিরক্লে মপোং মশক খঙনম্রে অচুম্বা অশেংবদা ফজবা উন্না হৌরকখরে। হৌখিবদা তোংলগা হৌজিক অবানবু চুমথোক্নুনা লাকলবা ওচুম্ববু পান্দম লাকপা হৌখরে। মুনখিবা মপোং অমুক মুমনবা লাক্লবদা মথরায়গী লম্বেন খোনখরে। ঐখোয়না লমজিং-বদি হায়বিরম্মু মখোয়না চুম্মে খল্লবা মতাংদদি ঐখোয়বু লম-জিংবা হৌরে ঐখোয়গী হবা লৌবগী রা লৈখিদরে। খল্লশি-খাদি ভাকপগী মতাংগী ওইনা ঐখোয়না ভাংবদা মরীং তুকথনা

তাবা মণ্ডায়রে ঐখোয়গী ইরা লৌবা নত্রে। মসিস্থু সনাহোয়গী মহৈন্মশিংনা খরা তম্বিবনি লৌবা তারি।

খম্বা—ব্রারকপা য়াদবা অঙাংদি লমহেন্নবনি লৌবা তাবনিনে উঝ মাইবা।

কেণ্ডবা—অঙম্বা, চমহেনং ইচম্থু হয়োংদ মচা মুংশিদে কোক চাত্তোকপা মপা-মমা কৈবা লৌদ্দে। অহুগীস্থু মপঙ্গা নহানা মাইবা শাবদি মং থনবস্থু মযাঙব যাই অঙোংনা কৌণ্ডবদি চর় নোংখল্লব শোযদবনি হেক্কদৌরিবা মহৈ তাম্না নঙ্গৈনম্বা তারগদি লমহেনব তারবস্থু. ব্রারকপা য়াদ্রবস্থু লাইবক করবনি খল্লবনি।

খম্বা—মাইবা নব্রাস্থু মুংশিং অপাইবা চেঙলবা অনাবগী চোচবোনঙঙ লৌকম খঙদে। মঙম মাঙং শেংনীংবদা শেংহন চানীংবতা পীজ থম্মিবা মতাংসিদ নাংতম্বগী অর্থ করিনো।

চম্বী তংলবা পুক্ত নাংতম্বগী অশোংবা রাখল অমদা পেং চোইথ্রবা অহল খরস্থু য়াঙার হায়না তারি। নঙস্থু অমা ঙহৈবা মাগ্নি।

কেণ্ডবা—নীং তম্বা হায়বসি করিনো কাইবক চাংগু য়াঙহৌদ্রবা ঐখোয়জি খঙজদে অঙম্বা অখঙবা মথোৎনা হাগবা তাবদি মীথা পোম্নুনা লেমখাক চাবগা মোন্দুম মাংস্ক্রেকতা কুনবগী মহুৎত নীংতম্মা শাগী তিংখং মংক্রা পোণ্থাবনা মন্ধক বুন্দ চেম্ন ফৈ হাযবসিন।

খম্বা—মহু হায়রিবহু কন কনানো মতু তাংউ নরান কোকপিরমগে মনাস্থু চাউনা পীগে। শেড মপুল মপুল পংমাদ্রা?

কেণ্ডবা—ইচল অম কৈরম্ম। মপুরোইবত্ত হাংপথরে। মনেম মকু, মচা, কায়নবগী মৈচাক্না কাহত্তনা কেমথার।

খম্বা—মাবু হৌজিক কদাইদা লেবগে অহু হায়য়ু হুপীগী খুং অমস্থু লৈরে হায়বা তারে।

কেণ্ডবা—ইচমহুগী মোংকমগী চাউরাকপা ওগাদি খঙথিনি চপ চাবা মক্কমহুমক্তি চহীহু য়ামশিল্লকুবনিনা শিথিবা মীতম্ম কনাস্থু

খঙনখিদবনি; কম্লিনবা কনাম্নু লৈখিদবনি লাকদবা চহৌচাশিংনদি মখঙাবরকপম্নু ময়াই; হৌজিক্ত অঙম্বু

খম্ব - খঙছে ! কাম্নদবদা মতম মাঙছে। সে মাইবা নচীন নম্নাম্নু শেংত্রেমাম্ল রারেমদ মতম মাঙহল্লে। নঙগী হুলসিবোঙদা য়ুংলিবা খিরান অসি ফুকতংলরাও মৈ থাদোক্লুরগে।

কেঙবা— অঙমব খুংঙো, ঐনা য়ুংলমবা তারো ঐনা য়ুংলগা ইশানা য়ুদোকপদি মাইদনা খোৎতোবনি মাইবদা অমুক হঞ্জিল্লকনি। ইবগী লোনচংদ য়াদ অতৈনা য়ুংবা ওইরো অয়ুংবা নানা য়ুংলগা ঐ কনিগী য়ুবতংলক্লনি। অমনা কনানা খঙেগনা চৈবাক নাউনা খনদগী ঐবু মুংশিদবা মাইবা অমনা য়ুংলম্বা খইনদ্ম এন তপ পাংদরো সবকার কিবদগী অহুদা হেক্লবা মাইবা অংনা তৌশল্লমদনা হেক শোকলুবদা পোকথারকপ তশরুক ওংনা তোকনি। মাইবা ঐখোইদি য়াম্না কাপাশল্লে। এ শোকপা ভম্মোহ অঙম্বা অঙমবরা লোয়নবক্লিব মখেগী মঙদা অন্দরা পায়হনবিয়ু। ঐদি শিবাচঙবগী তানফমনি ওনজবোই হোয়েল মতা হেক চায়ক্লবদি ঐ পোঙ লোনশিঙ্গেগে ঐদি যাহৌবগা মম্নুংম্নু চঙজবনি হাশিন্নক্তরে চাংহাক্তং চাংবিরমখো।

কেঙবা হুং চঙংগা পোঙ ক্রাক লোনশিনখবে। খৌক্তকচারবা খম্নবসনানা অতৈদা য়ুদন পূশেল্লবা হায়রুই। লম অসিগী মৈ চাক্ল মনাব এবউ হানদে। পোঙ অহোবদা য়েংলিবা কেঙবনা কাঙবুহু চংখব উই ফীরান অহু অহুম য়ুংহুনা লৈহৌবে। কেঙবা মায় পাকহৌই। মামা হুংঙাইহৌদবা অমনা- 'চুমথোকপা য়াগনি থাজত্রবা খনবা ওইরো; ফুমপকী য়ামজখিত্রবা মীশাংগী মম্নুংদগী অমা হুম্বখিবসি হুংঙাইতেদা।'

নমৈদা মশীংনা চংনদবা য়াই হায়না ফাধখি।

তরাতরুকসুবা

ছিযাঙৈ থাগী নিঙ্গুংগী য়াচংলকপা মতমনি। থাঙজনি। থাঙজ অসিমত্তু ঙাহৈন্নে অয়ুক চরা হেইঙে মপুরোইবা অহুগী মপোক হুমীৎনি। চহী কুইনা চন্না য়েংবিনবা লৈত্রবা মনুংদা লাংলম্বা মুত্তিশিং লৈত্রবা মচেৎ-মাচেৎ কীন্দরবা, মথক বুক্সিনা হ অহু মতিংতগী চাযরবা, মন্দির অহু ভুত্তিগী গতৌঙুম য়াঙ্ক তৌথাকচবগা ঈরজ মাযথজহুনা ঙসাই হেকলম্বা লৈ খরহুগা ধূপ কম্বীহুগা কৎনবা থোবাং পোরকপগী অহুদা থা কয়া চহী কয়া হাংখিত্রবা মন্দিরগী থোঙ অহু খংহাং হাংদোর-কই। ভুরূপ তৌবিঙৈদা লৈবাক নীকপা ফাওরকই মশাদা খা-বাং থংচিং থংচিং চিংলগা চেঙ ঙৈথবঙুম নীকপা ফাওরকখি। লৌশিং তারকই। কমথওরগা মচীনদা হাযৈজ—চক-ঙা চকঙা-চকঙা! লৈবাক অপুম্বা লাউনৈ—চকঙো চকঙ চকঙো! ইবেন্নোদি তাখিদে। চাক থাগৎকে খল্লম্বনি। নবুক্তিংদা নুংঙাইতবা ফাওরকপদগী ঈরুজথোকে খন্দুনা ঊশিং অশাবা লুমগে হোৎনৈ। পোদোনদগী উচান চমগে তৌরকপদা নকলপ্পা মীনিল তারকপঙুম তৌই। লৈরক্কা মী চৎনবা ওইরম্বা য়াই খঙিঙৈদা থোঙ খিল্লকপা তারকই; কৌরকপম্নু তারকই—ইচে, ইচে। চৎলুই—

—কনা ওইরবনো? ঐখোম্মবুরো?

—মাইনি থোঙ অমুক্তা হাংদোকপিয়ু

—কনানো ইবুংঙো?

—ঐখোয়বু টচে। লুংশা থীবিগনু। অশোকপা য়াওরবমনি।
অমুক্তা হাংদোকপিয়ু।

খোঙদা নপশিন্দুনা হাইরপ তাহনা য়েংলুই। মপানদা কমানো অমা যাম্না য়ানা তপ্পা নাহেবা তাহ। চিংনয়দ্বা হন্দ্রকই। খোঙ তপ্পা হাংদোক্লুই। পাথং অনী লেপ্তুনা লৈরম্মী। অমদি তশেংনা শোল্লে। কনানো করিনো হংবা তাকপা নংনদে। অশোকপা অমহুবু কোন্দুনা পুশিল্লক্লগা ফুঙ্গা মনাক্তা হিপহল্লগা অমহুনা হায়রকই—
—টচে লুংশা থীবিগনু ঐখোয় থংকী মীনি। খোঙ লোনশিনবিয়ু থাঙ হৈহ্রাংগুম্বা ছুডীগুম্ মতোন যাম্না তুম্ব অমম্বা লৈগদ্রা ?
—করি তৌনবানা ?
—পাখংপিগনু ইংখাম্বা অসি নোংমৈনা পাল্লে, মক্ক মঙ্গুংদা লৈথরে লৌথোকে।
—এ !

পাথং অসিনা হাযবদগী মে ঙরং-ঙরং থাগৎলে। মানা য়াম্না লুন হৌজবা মতম অযাম্বদা শাগোন্নজংনা থাঙ মচা অহু লুখুমগী মে ম্পাক মথাংগী চৌংথাক্লুন লানশিল্লে। অশোকপা থয়া অহল ওইবহু যাম্না য়ানা চেন থাঙলি মপান্নাম মরূদা শোকপনি। নঙাশল্লবা ফুঙনা ফুরিং অহু পুমঙাং ঙাংলি। পাথং অহুনা কোয়া য়ারী তৌগে অশোকপা অসি অমুক্ত। লায়করমিন্নথিসি হায়বদগী ইবেম্লে রা ঙাংদনা হাযরকপা পূম্নক তহা তহা হল্লি।

থাঙ মচ অহু মতোন মৈ ঈক্লে। অশোকপ অহুনা মখোঙ মখুং অহু পুনশিল্লু হাযবদগী চেংনা পুনশিল্লে। চেপনা হিপহল্লে। ফিবুল চপ চাবা অমা শেম্নগা মযাদা চেংনা চৌকহল্লে। পাথং অহুমু মাগী গমশা মচা অহুনা মশাগী মচীন পুনশিল্লে। ইবেম্লেনা অশোকপা

অদুগী মকোকতা কয়া নমংদুনা ফারে। লোক-লোক শোরবা ঈশিংদু লৌথদুনা মনাক্তা থম্লে অশোকপন মপাংগা ফুরিৎ অদু শেগায়রে। শোয়াক্লবা রূপা অদুনা হায়বদগী মে ঈক্তুনা ভাইহাক থম্লবা থাডদোন অদুন, হৈহৈ হৈংনা পাম্বোম মক অদুদা চঙ্খ্রবা মরম অদুগী এপাদা হেক্তা হায়রে। অশোকপদু মমীৎ চেজেং উগশিন্দুনা মশা নীক্লা মকোক থংহাহ থংহাই হাংদুনা থাডলে হৈবেল্লে মমীৎ চেজেং উইশিন্দুনা হাইরিবা মকোক অদু কোনশিল্লগা ফারি লোখাগী তোন ফাওবা ভাইহাক ভাইহাক্কী মঙ্গংদা তু খ্যাং-খ্যাং চুংলে। মনিংদাদা কয়া চোংলি। অহানবদ নাংবৈ মরম থেংনাদ। হাধরক্লবা ঈস্ত ঈশিং অশাবা লুপ্পগা তৈতোংথাক্লগা অমুক হাল্লঃ শংনা অতগ নৈথায়দুনা থি। কেক্-কাক খজিক থেংনবদগী মতাং ভঙনম্বা য়াব মপাবানদগী কৈনা অমুক হল্লগা শক্লগা থেংনবা লেংম্বা মরম অদু মুক্তুন কোংথংলকলে অঙ্গম কোংখসকপনা ফক্তা পোপ হেক তাবগা চিংথেক চিংথেক্তুনা খাডলম্বা অশোকপদু ফাজিল্লবা নখোল থোক্লবা নাকে খোল্লাউ অমগা লোয়ননা খংতক তকথি। ইয়াংগেগী ঈংলব থেডজিল্লক্লবা মুনিদাং তদুদা অনগ্ং হুমানা পুনাচাং চোংথি। উত্তপ তাবৎম লৈথি।

মুংশা থীরবী হবেল্লেনা হংখি

—হৈবুংদা নযাম্ব অসি-?

—কৈস্থ তৌরবোহ হচে পোথারিবনি। হচেম্থ ভাইহাক পোথাবিযু যাম্ম ব্রারম্থনি।

ঈশিং অশাবনা মথুৎ মশা হামদোক্লে পোৎচৈ হাল্লগী মওংদা লোইশিন্দুনা থম্মে ঈ তেবা ফি রোল খাডহাখুনদা হাং চিল্লগা ব্রাখাডদা থম্মুবে। হাবৈল্লেনা পোৎচৈ লোইশিল্লিরৈদা পাখং অচুনা মাগী খাউ নচা অনদগী হিদাক লাথংক লোথোকনা অশোকপা, হল্লবা মফম অদু তংখোডন তৌরগা ফি নীংখিনা য়েংলে। হৈরবা দাক্তর

অমগী মশাংনি আহান-অরাক থোইনা লাক্তে অশোকপনা পোত্থা-রিবৈদা ব্রাঞ্চী ডাইরাক শাফু। ইবেমলেন থম্নীংন চংনা খম্না তাকপা য়াবা মখোংদা পাথং অদুনা মতাং মতাংগী তাকলুরগা হায়রকই—

– ইচে, ইচম্না যাম্না হাণিনর চিরবা চেক্সিদা য়ুম অরাণীদা মতেং খঙ্জিক্কং ফাওবা ফংসক্রবা মতাংদা ইচেনা তৌনিরিবসি মমল ওম্বাক্না যামখ্রবনি। কাউজবোতে। যাম্না ফসি থুংবী যাম্না চক্ষওইবা মীওই অমনি ঙেং অশেংবদি তাবচররাই, মযম্না শংবানবা হায়রগা খঙৈ মনিপুরী চৌমীনি। চৌমী ফজবা ইচে হঙ্গোইবিবনা?"

— এ করি হায়বা ইবুংঙো! ইচেনদি, ১২০ নাইটে বাংলান হাযবা হৈতে খাড় লৈনি ইপাশি মীন লেবাক আসদা লৈরিবা ঐখোয় লোইনমক মী নংবান ফংঙো ইচে বাংলান ওইবসী ওইদ্রে। ওজজবা ইশ্বর অমদি লাইচরি।

– য়াম ফজরব লাংনা ইচে মতুমক এগোইগী থুংনস্তু খল্লিবা থবকস্তু চৎখিরিংনি মী অমা ওইনা হিংনবা হিংমিন্নবা বন্না হোৎনরিবনি ইচে। শোল্লিবা ইয়াম্বা অসিনা লৃহিংতুনা ঙরাং অহৈং থবক অমা পাঙথোকলুবনি। থুরক্কী হিনা লাই শাখা অমা যাওরম্মদনা ফসি য়োনা লাম্বক পীখ্রে।

– করি হোৎবদা থরক্কা ঈ অদুনা কমদৌরকপা ওইববনা ইচেখোয়স্তু খঙ্জিক্কং তাবা যাব্রা?

– ঙরাং অঙৌং মখোয়গী থংলাং ওমংদগী নোংমৈ ঐখোযনা নমতুনা মুল্লকপা।

— ঙসাই তুরেনদা ঈশিং শাবপা ইংপদা ইক্কত্তরম্বা মী থরনা থাংনবম্বা তাখি। মখোযন হায়নবদা মশক থংদনা নীওই থরন নোংমৈ তন্নক পুল্লপ হুরানথাব মতুগী মখোয সরকার মন্তংদা থোইরেন মশা পাম্লে হায়নৈ।

—নোংমৈ তন্নকনি। লোইনমক ইচেগী লাইশঙ মনাক্কী পুস্ত্রী মচা অসিদা থম্মী।

—করিগী ঈশিংদা থম্মরি লাইশঙ মন্নুংদা থমসি । লাউ ইচেন লৌশিংকে ইশিং চঙঙবদি কাপ্পা য়াদে হায়নৈ ।

—ঈশিং চঙঙরোই ইচে, চঙদনবা ঐখোইনা তৌরবনি । মুংশা থীবিরমু । থুরক্কী ঈ অমনা ঐখোয়গী অরোয়বগী অরোনবা থৌরমদা অকায়বা থরা পীথরে ।

—কনানো কমদৌবনো ইবুংঙো ?

—ইচেমা থঙঙরোই ঐখোয়গী ওইরম্বা ফাখিবদগী মখোয়গী ওইশিনখ্রবশেন য়াম্না পাম্বা মুপা অমা লৈ মানা চাইথোক্কুনা থম্বা মী অম ঐখোয়গী মীচঙ শাম্নুনা য়াওরে । মানা পোং লৌতুনা থোকমিল্লরক্লগা লাউ পীখিতুনা ফানবা তাম্লরকপনি । মাবুদি ঐখোয়না লোইশিনখ্রে । ঐখোয় নাম্থোকপা ঙমদৌরে । কোইরেঙ্গদা মখোয়গা কাপ্পবনি । হাইদোকলকপা মন্নুনা ইরাম্বদা পানখিবনি । ঐখোয় অহুম মথং মথং চেল্লকপনি । অমুত্থু তুরেল মপানগী মোংফমদা মী য়েংহৌরি । য়াচঙবগী অক্নদা অরাংলামগী য়ুম অমনীদা চঙলুবনি মত্তা চারক্কে । ইচেগীসদা চঙঙকপনি । নোংম-নীনিদং মী খঙহন্দনা লৈগে । মনা-মনিল নাইরোই । মী লৈ হায়বা খঙহল্লোই ।

—লৈয়ু ইবুংঙো ইচেদি ইথম্তনি । তৌজিক্কী থুরক্কী ঈ অমা য়াওরম্মিবতু খম্বা সনা হায়বতুগী মী ওইরম্মিনি ?

—ইচেদি খম্ববু কমদৌনা খঙইবা ?

—মশক্কি খঙদে, মমিং তারে । মানা লিংথংপা তাকু-তারাংগী খুং অমগী মান্নু তারে ।

—কনানা হায় ?

—ঐগী ইত্তা অমা লৈরম্মী মাগী মবুঙ ঐখোয়গী তাচৌ অমা লৈ । মানা শিং-শিংনা তম্মে, তারে ।

মত্তাং অসিদা অশোকপম্থু লৌশিং লাকই । খজিক লাংহৈরকই ।

ঈশিং কৌরকই লমথোক্লবা ঈশিং পীথকই থকপদ অনৌরক হার্বনি। খোদেম্নবদা ফাওরকপা অনাবা কপ্পা থাওলুরগা শংবানবা মমিংদা খঙনরবা হাওমুনা পাখঙ অহুদা পুং কয়া তারবগে শংলুই। পাখং অহুনা হাওমুগী চুকশমদা যাল্লবা মরী অহু চিংথোক্লগা ঘড়ী য়েংহল্লি। য়েংলগা অমুক হাপচিল্লি ইবেমৈনা খঙনীংনা য়েংলগা চিংননা করিনো করি তৌরি হংলুই হাওমুন মখোয় কনীদ য়েংলগা হায়রকই—পুংথায় অমগা মিনিট তরুম। ওয়রে।

ইবেমৈ -করিবে ?

হাওমু—খঙলক্লনি কোম্মা হায়রকে ইবেম্মা। ইবেম্মা ঐখোয়দ নহান্দগী চাক চারক্লি চাক খজকংগা চজবা যাগদা ?

ইবেমৈ—ঐস্থ চাদ্রবনি ঐ পংগংক্লগে

ইবেমৈনা চাক শাগৎলকপনি অহুদা অরাপ্পা মফমদা তৌন পোক-থায়খিবগী অওংবা মখোল অমা তাবকই হাওমুনা খজিক নাল্লগা হায়রকখি-

—চৌজিক্কৌ তাহৌইদনা ?

—তাহৌই। করিনো ?

—খুরকৌ ঈ অমা মানা লৈরিবা যম অহুদা লোইরে চুমথোকচনবা কপ্পা হায়বনি যাখিদবনি। মুংদি মুংতোইতে। মীনা লৈত্তনা মাকাক্তা তোংওগা থৌখিদগীনি, ঐখোযনা লোইশিনহৌগা করে।

নোংঙাল্লমদাইদা চাক চাবগা তুরেল মপাল্লোমদা থোকখিনা পাখঙ অহু তহা তহা চেনশিল্লকই অহুগা মাযকৈ অসামদা যুমথাও খুদিং চওহনা খি-হম্বগী থবক চথরাক্ল মখোযনা লৈরিবা যুম য়োরক-দবা খজিকা ওাইশিল্লাক্ল চায়না পাউ পীবরে হাওমু থোইনা পাখংতে অতৈদি থকংদি। ইবেমৈদি স্বায় লাউবদগী চেনজিনখি. লৌশিং মাঙগে তৌই। হাওমুনা মক্ল লুনথহনা লাইহাক শহুরগা হায়রকই—

—ইনাও নখোয় অনী ঈশিংদগী পোংতু পুরগা চংখ্রা ঐনা হায়-
খিবা নয়াম্বহৃদা য়েঁংল্লুরো
— ইয়াম্বদি ?
—ঐনা হায়খিবত্ত কাওবরা রাহং যাদ ।
— কাউজদে । ফীবম অসিদা ইয়াম্বব ওয়ম্বা—'
—চিংনম্ভ ঐনা থোকপা ত্তৌগনি; নাচন অসিস্ত লা'র । নবানী চংখ্রো ।
পোং শোযহনগম্ভ । ঐ ফরে করিস ত্তৌদ্রে ।

মখা ত্তা'বমদ পাখং অনী চংখি । হাওম্ নাক চানা সাওবা ফম্বা মচেং তিম্বা তত্তখাদা যোংখিবনি কৌগংপদি লায়বদন অশাক-পা মায়কৈত্থ লেঙবা যাশিল্লক্তর । কৌনিক ফাওনা ঈ চান্নবা কপা হায়বত্থ ওইত্রি । করিস্ত ত্তৌদবদৌনা কৌগংনবা লাকরকই হায়বকই
— ইবেম্মা, সে রা হায়গে । নঙগী থোরাওম্বা লেংদ্রা ?
—করিগীনো. ? অমদি লৈ ।
—চিংনম্ভ. কদায় পুরকউ । সে নঙনা ঙসাহ শেম্বা ফীবুল অসি নযাদা ঐনা ঙসাহ উম্বদৌন চেংনা উম্মু । নখোঙ অত্ত চেংনা উংখাঙ অসিদা পুনশিল্লু । এ নখুং অত্থগা নশা অদৃগা পুনগে ।

য়াম্বা কম্ব মুক মুক্তনা হোগংলগা চখুম নযাশা উগোঙ অথুগা পাম্বনা পুনমিম্মরে । কৌশিং য়াম্বা ত্তারবী ইানৈম্লনা শল্লিবা মফি অত্থ শেগায়রগা লমযাইদা চোইনা কংশোন্ন; শেংলিবা মফি মফম থরগা শেগাযরে, মশম মনা চোহজাইনহান্ন । হমুংগী পোং চৈ থবা চাইথাযহুনা থম্নে । মখুং অত্থ আরাইবা ওইনা পুল্লবা মত্তাংদা হাওমুনা যিরকই—
— ইবেম্মা খজিকত্তি রাবা ত্তারে ।
—এ, করি রানো ঐনা ঙম্বা, হৈবা মখল অমদা লৈবাককী থৌগল ত্তৌবনি । পোখাবিরো ঐনা থোকপা ত্তৌবগে ।
— নঙঙম্বা তুপী ইমানা পোকপনি । অত্থগা যেংঙু সে নোংমৈ মচা

অসি নঙগী চাথুম লৈরঙ মঙ্গুংদা ফুমগে। ইবুঙনা কৈদৌ তৌগ্রবদি ফরে, ফঙ ঙ্গংদ খোঙথব ভাঙ্গনা চংখিবা তারবদি নঙনা শীজিন্নৌ নত্রগনা ঐখোয়গী মী অমদা শিন্নখো।

— ঐদি কাপ্পা, পায়বা থম্বা হৌরাই।

- খরদি তাকলমগে সে -।

মঙং খরা তাক্লে লৈবক মথাদা তৌদুনা ফুমগা ফুঙ্গাদগী উৎ রাই খরা থম্মু; শাং মৈখাক মতাই ওইরম্বা থম্মে। মথক্তা চফু-উয়ান লোলশিন্নবগ থম্মে। শীনব লৈংইরবা মতাংদ হাঙমুনা তপ্পা হাযরকই— —হাংবদা এদা এখোয়গী মবংদ তাকপা যাদে। ঐগী মিং হাঙমু লৌং: ভেংদ খুংকা লৌদাং যাবা হৌবা মীওই তরেৎকী মঙ্গংদা অমমি। এগী মবমদা কনাম্ম খঙলোই মতা চাবা মতমদা অমুংদান হাযবা এখোযগী লুচিংবা অমা লৈবনি মঙোনদা পাউ তম্বা য়াত্রা য়েংজ।

— মহাক্তি কদ ইদা থেংনগ ন !

— ইচলনা হোৎনবদা থেংনবা ঙম্মোই। মানা থিরক্লগদা উন্নগনি। নহাক নোংমা নত্রগা নোংমা নঙগীসিদা লাকপা য়াই। অতৈম্ম লাকপা য়াই। ঐগী মোংফমদা লৈ খরদা ওইরবম্ম কৎপা লাকপা যাই —।

বরি রানো ইবুঙ ইবুঙ করিম্ম তৌরোই ঐ লৈরি ঐনা ইবুঙবু থরায়গা শিন্নরগা কনগনি। হপথবিরো য়াম্না রানা উরে। ঈ অত্নম্ম য়াম্না থোকলকপঙম তৌরে। ইবুঙ মাইবা অম্না লৈ ঐ কৌরুগে।

য়ানি ঐ কারম্ম তৌদে। খরা লেঙউ-থোৎলুবহুদা তৌবনি। সে ফিবুল অসি উমশিল্লো ঐ শেমগে মপানদা মীনিল তারে। ভাইহাক্তী মমাঙদা শগোল মখোল তাখিবনি। ইবেম্মা নঙদি রাহৌরনিদা !

- ইবুঙ নচনগী নিং হবেল্লে কৌজে । হৌজিকী ইবুঙনা হায়বিথিবা লুপিংবদো ঐগীদি থরায়মক ওইরম্বনি । মহাকপু ঐ ঙাইরম্মী । হৌজকম্বু কয়া ঙাংজরি- । হ ! ওয়না থনবিগনু ঐগী ওইজনবগী নহে মহ কপু অমুক্ত উজনাংবগী য়াদনি । যায়া বুইরে উরকত্রিবা অমুক্তংদা ওহরবস্মু উজনাংবগী য়ানি ঐদি চন্দাল অমুবা থিল্লবীনি ।

ঃ মীত্তো মপি মতম মতম শিংরকই মীনিল অহু নেকশিল্লকই । কয়া নমশিল্লগা ফিবুলনা ঙাংনা যাখিদার কারিক্বা থরগনু হায়নীংশি ।। দার কাংমুনা মথং নাম্মত্না ইবংল্লগী মপি তপ্পা তৌথোকপিবগা চেংথলিবা মথং খুংশাতুনা লমবা চন্দোল অহু তপ্পা নানথোকইঃ হায়রবই

ইংবা ঙবুঙগী ইবেল্লে নখোংযদি ঙরাংগী চন্দোল লাইবক্তা থম্ববদনি । হৌজক ঙসিগী অমুক ওহরাইঃ চীংথৈ হুল্লরগনি । সে ঘড়ী অসি নঙগী শগাইদা লংথংলমগে । মীং-থা তেম্মবা মতমদা নথোয় অনী অংৌবা মী ওইনা উয়রকউ । ঙবুঙদি পোথাদবা যারকলোইদৌরে । পোথাগে । অতত্তুংদা ওহরবস্মু কয়রম্বা মযাবনি । কায়দবদা নঙ শোক্লগনি এবু খঙহ হাযগন্নু

মচনব, চাইবক্তা চুপংম্মী । ফক্ত তপ্পা হিপথরকই । য়েংশিল্লবা পাংম্বোমগা ফি অহু লৌথাক্লগা চুমথরকপা ওইনা তৌরিবা ঈ অহু লৌথোক্ত ফাত্তোক্তুন হাধহনবঙা চাধহল্লি । মৃংথংগ্রবা পোদোননিনা ইবেল্লেনা উথিদে । উথরম্বা ভারবস্মু মচীন্দা ফিবুগ উমগ্রবনি । হিকথরকপা মতমদা হাওমুনা মাগী খুনীংথোদা শিবা কোয়ীগী খুদোল অহু উমশিনাথ অনৌবা ঈথেঙ অতংপা লৈতনা হাধারি ।

ঙাংহাক কেবগা থোক্ত বয়া থম্লকই । ইবেল্লেনা উম-আ তৌহুনা খুম্মী । মপানদা তাদে । কয়া হয়া হয়া থৌম্ববদগী কাওথায়রকই ।

মীওই ভরামুক মরী মরী নোংমৈ শীংদুনা চঙলকই। মৈ অকাম্মী অমনা হাম্লনা কাপ্লগা কোয়েং য়েংলকই। লেরম্লিবা কীবম অদু উবদা মী খরা হোৎচিল্লকুনা হাওমুদা নোংমৈ তমদুনা লৈ। অমনা পুল্লিবা ইবেম্মৈবু থাদোকই। নোং খরা-খরা ভাম্থোরক্লদা মতমনি। ভাইহাক লৈরগা প্রিতম চঙলকই তুংদা মেকম পাম্বা অমা ইম্লি।

প্রিতম—ল্লিপ্পিবা অশোকপা দুপাসি কনানো দুপী ?

ইবেম্মৈ—এ খঙদে অঙম্বা।

প্রিতম—করি মঙংনো তোরম্মিবসে ?

ইবেম্মৈ—এ খঙবা ঙমদে। মখোয় খরা নমজুনা চঙলকখি। ঐবু নমছুনা পুল্লগা চান মেল্লে অহুদগী মখোয়না ৬মুং অসিদা তৌনীংবতা তৌখি।

প্রিতম—করি কার ভাংনৈ করি কর তৌচ তম্মু।

ইবেম্মৈ—এ খঙদে দুপা অসিদা হংঙু

প্রিতম—দুপা অসিদি শিরে।

ইবেম্মৈ এ।

প্রিতম—নৈনো। কেদৌরে ? (ইবেম্মৈ থুমদে) অহুদি দুপা অসি খঙই। হায়য়ু মখোয় কয়া লাকই করি করি য়াবী শাম্মখি ?

ইবেম্মৈ—হেক চঙলকপগা নে মুখৎখি মশক উহোদে। য়াবীসু মখোয়না শাম্লবা লোনদু এ খঙদে।

প্রিতম—নঙ মৈতে লোন খঙদে :

ইবেম্মৈ—মৈতেরোনদা শাম্মখিদে করিনো এ খঙবা ঙমদে।

প্রিতম—খঙজে কাম্মদে নতম নাঙনবনি, মসিনা য়ারোইদৌরে।

চৎকু নখোয় অনা দুপাসি পুখো। মেজর সাহেবকীদা থাজিল্লরো। নখোয় অহুনা য়ুম ভাসি চাইখায়ুনা থিয়ু। মপানগী অকোয়বদু দুম্মা থিয়ু। এ মথং মথং চৎকে। ঐতোন্দা পাউ পীররাও। কুইগনু নাম্বকৈ অসি হৌজিক অয়ুক পুং

নিপান ফাওবগী মচুংদা লোইগদবনি। সুবেদার! মশু মমাঙগী অসোমজা চংলো ঐ মখা মায়কৈরোমদা চংখ্রগে।

"অশিবসিদি হজুর?"—অমনা হংলকপনি। প্রিতমনা শাউনা খুম্মী—"নাওং খোঙদারু য়াংংাখা খোংংন্দরা অমাং-শঙদরা!" তারদা ইবেন্নৈ ফুক হৌগৎলকই তপনা হায়রকই—

"মচু হৌনদে ইবুঙ সিফাই অওম্বা। শিরবদি কনাসু নংত্রবনি। লৈবাক অসিদদি অশিববু অচঙবগুম ইকায়খুম্মে: ইবুঙসু মখঙজিনি। শিরবা মতুংদা হেন্না লুনা থকবসু য়াওই। নুপা অসি ঐ খঙদে খঙ-নীংবসু লৈতে। অদুবু নম অসিগী ইবুঙ-ইপা অমা ওইনা মচুমক্তি তৌহন্নীংদে। ইবুঙতোয় খ্বায়সু লমদম অসিগী ভাক্তি।" প্রিতম লকক তৌই। খজিক ইকাইরকই। য়াথং পীখি—নুপীদি নুপীনা তাইন-রসন্নু পুখ্রো।

কংলাগী থানাদা নুপীগী তাংদাংবা মফম লৈতে। ইবেন্নৈবু সাহেপ অচৌবা অমগী য়ুমগী লোয়শঙলোমদা পুখি।

নুমীৎ অসিগী অকুক্তা, চীংওা মনাক্কী উমং ময়াদা নখুল মপানগী অহাংবা মফম মচা অমদা পাংং লৈশাবী অহল নহা ময়াম তিন্না। হিয়াং লোইরকপগী অয়ুক্তি। ইন্দক্কী চঙীসি য়াম্না ঈংবা কুম ওইনা তৌই। য়াম্না ভন্না ঈংশিল্লকপা হৌখিবনি। লমপাক মচা অসিদা মী ময়াম ফ মচা অমমমগা তুম্পক-তুম্পক ফম্মরি কেপ্পরি লৈংলি লৈংলি চংনবসু য়াওর। অহল খরা য়াওরিবচুদি মমায় মমীৎ মচীন-বান মুশিন মুশিন্নে। নাকপা কন্না থাঙলি—ঈংবগী অয়াম্বনি; কিতব-গীসু য়াওর। নোংমৈ অশাংবা পাযনা সিপাই ময়ান্না ইকোয় কোয়শি-ন্দুনা লৈপ্লি। অঙৌবা সাহেপ অমনা অচৌবা মৈফু অমা য়াইদুনা ফম্নি। মী অমমম অনীনী কৌশল্লগা হংদনা খোত্তনা লাউ খোংদনা তৌরি। নহা নহাশিং খল্লগা হান্না কৌশিল্লি। হংবা খোংপা লোই-রগা অনরোনদা খোকহনখি। নুপীগী কাঙলুপকোমদগীসু নহা-নহা

কৌশিল্লি, কুইনা কুইনা হংজুনা থাংজনা ল। নৈশাবীশিংদনা তেন্না কুহথনা মরীক তেন্না চুম্না হংবা ভাংহগী মওং ঙিহ। অয়ুক্কী ঈংলবা ভুংশিং মরক্তা মতু ইাপান ইপেন পোন্না অজলশিং লপ্পা মতাই অমদা ওনশিন্নজনা তং। ব্রাহ্মী শারি। মখোল খভিক নীকপস্ম যাওই।

অহানব—করাম্মা তৌবিসে ইনাংঝা, ঐখোইবু স্নুক ঈংথনা মরক-সিদা, শিবা তারেনে

অনীশুবা- ঐখোইবু হান্না থাদোক্কপস্ম মত্তা তৌবসিবা—।

অহুশুবা- অতু তাধন করিনে মখায়না তৌবিংসিবা? নীখায়বু ভাব অমত্ত তাদে।

অহানবা - হো ইবো নহান নোংমে লাকখ্র নাহায খংত্রা উবা যাওব্রা হায়দনা হংশিবনি হায়রিনে

অভুমশুবা- মখোইগী আদ লাকপ্রগা ঐখোইগী স্নায়দা হংওগা কৈদৌন-দৌরিবা মতোয় মশল লৌনবতুম ঙংরিনি।

অহানবা—মখোইগী নোং কদুদ ঐখোই, হম্নুরবা, অদুংস্ম নংকক্রুবা ঐখোয়ন কদৌনদৌরিবা। কৌনমগদংদি নহা অঙ্কা শিং হৈরিনি। ঐখোইবু ঙাইংবসিবা ভিন লোংদনা হঙ্খির। ঐখোইদি শিগদৌর। মনায়ন মৈ কোম্নদনা ফমদেংজুনা কৈোর নীশায়, কাবক্ক খঙদনা হাপদনা নীখোয়বুনা ঈতিংজন থাম্ম! করি লীচৎনা।

অনীশুবা—যুমদস্ম মী অমত্তা লাক্তীদে, কবা য়াদে হায়দনা মখায সিফাই থবনা নৈরক্ক পাঙ্গান্দা শংদিবনি হায়দনা তৌবন-তুবু যন দানা পীজাং দমগদবস্ম নাত্তু শুনাঙ পেলে অহুনা প্রমচাই চাংজুন নৈবমখিনি

অহানবা- নওগী চাইবদি লংযন্নান, ইমৌ হুপী যাইমগী উপ শারংহু ইহাঙ হাঙদাকুনা লাহৌনবি। মতোয সিকাইনি হায়দনা নৈলহৌন্নিলহু মসৈং-মনা মীৎমং লাহং কোইরুক-কোইকক তৌবা য়াঙহোই।

অনীশুব — হয়ং অদুগীদি মৈতৈঙু সাওংশীবদা মখোয় লেপ্লিরদুনা।

অহানবা—মহোয়দুবুদুম হেক্না চিংনখ্রে।

মরীশুব— ঐগীদি হাম্লকপী লৈরাং থোক্কবী মনাহ্ম তাথীবী ইশুনুপী
অমা কৈরেইরিবাদা, হুংশা থী

অনীশুবা— করা মেমদোনকনে হৌতাও ?

মরীশুবা - তোয়াম মেয়াদ মাদা চাউখিংলক্'দ, খ্বায়গা মীমাম্লদ শোই-
নাইরবদি মপাল-মরৈ ফাবরক্ত্র হায়বা যাদেদো। অদাং অসিগী
খল্লুবদা ঐদি মীং উজ্শিনবরু গুম্মাতাদবীনি ইত্তাও।

অহানবা— মশক্লা হেক ফজারবদি ও এ! পাখং অমং ফুরিরেনহে
তু-তু!

য়েংথোকলুই। নহা পাখং অমা মঙাম অহুম চঙ্গহনা কুহনা লৈরম্মী। মমায়দ মমীংডা মাকাকা মক্ষম মরাং থঙদনা পঙথা থা জল্লি। চৈ পায়দবা অমনা মাগী নোংমৈ অতুগী মখোক্লা নহা অতুগী থূমীং খন-খল্লুনা লৈজবী থা থাহ্নুনা শুর্ক। নহা অদু ফ্রুং-ফং চোংহুনা লে। হুপী অমনা হৌচা ফুবিগন্ন' হায়না লাউদুনা চেন-শিল্লকই। সিকাহ অনীনা চেনাশল্লদুনা কোনশিল্লগা তাপ ফায়। থূদক অসিমক্তুদা অরাপ্লদগী থংলাউ লাউবকই—'হুপী শোকয় ! ঈমা শোকপদি য়ারোই !'

মযাম পূম্নমক চপ মাম্না লৈথাদুনা যেংই। সাহেপ অদু মৈক্ষ-রোমদগী মমায় হাইগদুনা যেংলকই। মানা তাখ্রবা থোঙ্জেল মানবা ওইনা তৌরহুদা খওনীংবা অমদ যাওই। কিথুম পুবা অহল মচু শিথ্রুবা মাগী ফিজোল অতুদা নীবক খায-খাহনুনা চঙলকই। নোংমৈ পায়বা অনী চেংশিল্লনা ফাগা তৌই। কিথুমনা চপ লেপ্তুনা হুপু নাপা পাংহুদনা চিংলবা শাসনকই 'অঙ্গাংপী ইচায়া থামগন্ত ! ইপা য়া হায়গদবা লে'। পাক হেক চঙবা হুমদবা অনীহুনা নোংমৈ

শীংলগা সাহেপলোইদা হংলুই। সাহেপ তত্তুনা মথুং থাজন্নগা থাগা অহল অত্তু লাক্তিশক্কবা ইঙ্গ্লিং লৌ। কিথুম চেক্কই। লাবপদা মুপী অত্তু কারিবা মতোং অদুদা মতং ইঙ্গ্লিং লৌদুনা থাদনবা হায়। সাহেপনসু হাই কিথুম তপ্না তপ্না চৎলকই। সাহেপনা শক্তিদুং লেপখৎলগা হায়রকই—

সাহেপ— থকমল্লারি হোল্লী সেজ

কিথুম— মাঙ্গাদ হৈয়ু সাহেপ, ঐহাক্না লোল্লগা যাম্না মুংলাই।

সাহেপ— নঙোযগী লোল তমদবা সাদবনি।

কিথুম— মহ সাহেপাক্তোহ তঙ্গি।

সাহেপ— অঙ্গ য়ু হোল সেজ অৌজক কঙ কবি হায়বে?

কিথুম হায়বা নাত্তু থক্তংগে চেনবগনি।

সাহেপ - মতুগী মতম নত্তে হোল সেজ ঐথায়গী মাযোন্তা দা হায়না

হায়রোই

কিথুম -সাহেপাগোযগী সাংযাম্না নাত্তু লনাক হাসিগী রানি।

সাহেপ—মতুগী অর্থ যাম্না চাটই। ঐ লৌজিক ঐগী হ্যাতি তোরি

করি লায়বে থুনা শম্না হাংবগা চৎথিবা যাগনি।

কিথুম- লম অসিগী মুপীদি লমানি কৈয়া লাকনু। নখোযগীসু

ইমানি। ইমা থুঙ্গাহনসু।

সাহেপ—ঐখোযগী মতাবানসু মুপী লক্টবস্মী। ঐথায় মুপীব চপ

চানা ইকায়থুম্নে।

কিথুম অতুদি মুপীশিং অসি থাদাবখো যম যুমদ উম্নবগা নাবক্তরগা

লোযননা রারী শাবা যাগনি অতোপ্পা মুপাগী ইমাশিংগী

মশা শোকপা চৎনদ। মুপীনা ফাহল্লু শিংনতুনা ফানা তারবসু।

সাহেপ—লৌজিক্কি মুপীগী লান সিফাই লৈত্রি।

কিথুম—লৈকল্ল চন্মু। সাহেপখোযদি লৌগে দা ঙম্নি লৈন্দ্রিদ-

নদ্রি ইমাশিং মশা শোকপা রাম্নোই। লম অসগী মুপীদি

ঐখোয়দৌনা শিবা কিবা মী নত্তে। মসি নখোয়গীদমক্তা হায়বা রাশি মংসমস্ত থর্দিয়ু মকমসিগী মুপীদি মখোয়না চুম্মে, হায়না থনগ্রবদি হৌবরুনি, হৌরবপদা থুংলায় পায় রক্লাই, থাং ভা নোংমৈ হোমস্ত চাওভোই। অচুম্বা পায়বিবা নত্তে মখোয়না পায়বোইদোবা শুকশী শীজিন্নরোইদৌবা নখোয়গী নোংমৈ তক্লক অচুদি থমবু থনাখো তোপ লথা অমা পীরবা ফাওবদা কৌ হায়বা যারোই। মখোয় হৌক্তিক হৌদ্রি। নখোয়বু থাদোকখো! নখোয়না চিংনবা মুপাদমক কাহৌ, হংভু ভাংনৌ।

সাহেপ– (ভাইহাক থক্লি) য়ারে

কিথুম– অমনা।

সাহেপ—কুইনা অপনবা পীগন্নু।

কিথুম– পীরোই। মতমদি ঐনা হেন্না মাঙম্লোইদ। ঐগী লাইশোন্দা অপনবা ওইবনি অমনা মুপা ওইরবস্তু অচলগী মতম ওইরবা কন্নাক কুক কারব যম্বদা কোক অচুন শুরবা ক্লঙ্গা মনাক্তা পোত্থাচনা লৈঙরগা চা-সমৌবু রারক রা'তমচুনা শজরবা অংল লংনশিংবু থং দাকট মখোযদি হৌশিবা অচুম্বগী ভুংভাইদুনা অদুগা অরানবনী তকশী শোন্দুনা পোত্থা-রুবিনা কাঙনি নোংমৈনী থাঙগী মফম লৈত্রবা মখোয়নি। মশাহন ঈতিংবিব, হেম লাংহুনবিবা চুম্মোই। সাহেপাখোয়গী জাম্না নাত্তে অতভাইনি থনন মুপা নহাদনক নৈবা চুমগনি শামান-লেংমাম্ববনি।

সাহেপ থক্তিক নোক্রকই মাথাম থাক্তক পোকলকই। থোযবগী, লোযনবদা, কম্নেরপ তৌবগী খোম্হাং চংই। অপ্না হায়বকই -

সাহেপ—ফারে হোলী শৈক। অচলশিংন্ত পাদাক্লগে। অদুগা অমদি, নখোয়গী নহা পাখংশিং অসি ঐখোয়গা শামান লেংমান্নবদি

নাংগু   মুমীৎ সুকত তাবা লৈত্রবা ঐখোংনী নোংম-নোংমা তম্নুম অন্নম শন্দোক্লক্লিব লৈবাক্তী মাযোক্তা হৌ-হৌ চোংগ-নি হায়দনা চোংবা শান্নিনা অপঙবা নহা থরসিদি ভাব তাক্লবা থীনহ তারে।

কিথুম— লীচং ওয়ওয়নখিবা মুমীংপদি কাপথখিবা লৈবাক্নি। কাপথক্লনা তাহনাখবত্থ নহাননি

সাহেপ— মচু লাইরিক্তী ফক্ববা রারীনি। অত্থক্নু লাইরিকশিং অত্থ ওইরিনি অত্থগৈ মৈ থাদাকপিরমখি হায়বদো। থবা শিং-গংনবা হায়রবান নখোয়গী নহাশিংদা হোলী সেজ। চংথরো যারে

কিথুম— কনানা পঙবা কনানা শিংবা হায়বত্থদি মতমনা লেপ্পসম্ন অত্থগা খুৎস্ন তিমেন যান্দনা পাম্না ফগনি থোবলকপা পুরেম্বগী মচা থম্বর পাঙদে হায়বদি মতম অমত্থ-ম্ন হায়রোই। কাইহৌকরবা থারীন মৈতোনন লেপথংলকপ অঙকপা ওইরোই হায়নীংই।

সাহেপ— হোলী সেজগী লাইরোনচু খঙনবগী মতম লৈতে। বোম পোক-থাংবদা যাওথ্রবা ঐখোয়গী মী থম্বা অমদি থঙই। মাম্ন কওম থোনা ফে। ফবে চংলো। খুরুমজরি।

কিথুম— লান্দ্রবদি মঙোল ওইয় সাহেপ নমা ইমাদি শোক্লগুমসি।

সাহেপ— নঙগী বিরেইই ঐনা কমপ্লান তৌরে। মুপীগা মুপা অহলগা থাদোক্লে চংপিরো। থৌদাং পাঙবদা অপনবা পীবসি চুম্মী হায়না লৌদে হোলী সেজবু হকাযথুমবনি।

কিথুম— ইকায খুম্নবদনি ইশক থঙ দি রাংনি চংলে।

মুপীগা অহলগা এযুম মপুমদা হঙ্গহন্নকই। যুমদা হন্নকপা মতমদা উপ্পু শারংদা থম্বা লুবাক মচাদা হাপ্লম্বা সনা যন অনী মথায়গী মমৌগী নাইন থাওর্নদে। পুন্তা অঙম্বা অমদা রাকংলুহ। অঙম্বনা তাবদি

তাহৌই। পোৎ চেকশিন্দবগী ফংপিরকপা রাকং অনী মরী পুহনা হল্লকখি। খুদম প্রোমান ফংনদবদগী চীন নম্মখি।

চীন কম্বা তাশিনবা খোদোক অমম্ম লৈখি। শোইনারবী মপুঙ-মরৈ ফারবী মেমদোনবু মপু-মবেম, অমাদ মমানা কো কৌহনা খিখি। মুমীৎ মাঙ্গোনময়াই য়োরবপগী অহুদা মপা মতোন কয়া অমম্ম থাদোরক্লবা মতুংদা মায়কৈ মরী কোয়চেন চেনবা য়াওশিন্দুনা খিখি। ফংখিদে। নুমীৎ তারকবা মতুং পুঙ ঝান য়াওনা নোইবুং খোং খোংহুনা লৈকাই হুপা খিখি। ফ খিদে মথংগী অয়ক্পা হৈরাঙ্গোইথোং য়োরমদাইগী তেক্লবা শাঙ্গলদ্রবা উরোকথোং অমগী মখোঙদা মা অমা পন্দুনা লৈরে হায়নরক্তনা য়েংনরুই। মেমদোনচু ওইরম্মে। মকি-মরোল অমত্ত পক্লমদে: মশাগী অথন অথন্নব মফম থরদা মখল মখলগী দাকফম লৈরম্বা থেংননখি। কোম্বুংগী অওম্বশিংদা মরোল অমনী থোক্পা রাকৎখি। লোয়শঙ অমনাদগী নোংনাঁনি মমাঙদা য়ুহা হাখিবগী ফল ওইনা ঈশিংদা লাই লৈবগী মতম থরগা লেখিগদবগা রানা রানাওম্ম রাখৈম্ম ওইনা লাকখি। খুল্লকক পাঙ্গ খরনাদ য়ানীংখদে। লেঙাকলোনগী মায়োক্পা হৌনখিদে। চীন অহুম নম্মখি ইমুং অহুদদি মৈরীগী মরৈ তরেং থোক্পা হৌখ।

পাউ অসি ইবেম্লেনা জেল মনুংদা তারে। চাক পুমকপী পাওল নুপী, মো নহাহুনা হায়রম্বনি: সাহেবান কবোরাকচীংদা শাইদাংহুনা লৈরম্বা ইমাদ মিয়াঁগী নুপীনি। সরকারগী সিফাই অমনা যন চাননবা চক্ল পীয়ু হায়বদা বেরা তোই হাম্বদনা নোংমৈনা কাপথুখিবনি। কোম্বুংনদি শায়বদগী শোয়খ্রবনি হাম্বদনা রায়েন জেখায় তাখি। কনাম্ম লৈজদ্রবী মো নহানি: নম্বোলগী কাক্লেনা কম্মা হোৎনবদগী থবক মচা অমা তোহনখিবনি। জেলদা লৈবা নুপীশিংগী চাক পীখোক পীশিন

য়েংথোক য়েংশিন তৌবগী থবক্তা লৈরি। শোয়খিবা ওইরম্মোই হায়বা কম্না থাজরি। চাক, য়েনশাং তল মথং মথং হাপ্লিবী সাহেবাননা পাউ গী মথা তাবদা শোল্লকই—

সাহেবান— হঙদেদা বামোন ইবেম্মা জমানাপি মওং অমা ওইনা তৌথরে। নামা শোয়রবী মুপীমচাদু মখোয় সিফাই মরী-মঙা চঙহনা হাংপনি।

ইবেম্মে—মখোয সিফাইশিং অহুদি মশক খঙঙে হায়ব্রা ইচে ?

সাহেবান—করি খঙদগনো। মখোয় মরোল লোনবা মশেম্মিনা মুঙকক খরা পোক্তম থোংহন্দুনা চেলহল্লগা, সজাই খরা পীজরগা অহুম ক্যোক্কথার। মগোম্বগী মক্নুংদা অমদি মফমবু কাখ্রে হায়নৈঃ মথৌনা লৈবগীনি হায়নৈ।

ইবেম্মে করিনো হায়রিব্রিসাবা ইচে অঙহনবরনে ? কবম্মা মথৌনা লৈবা ?

সাহেবান হো ইবেম্মা পৌকক্কী মুপীমচাসি অরোনবা পাউ পুথোক পুশিন তৌই হায়য়েনে পাউ পূরিবৈদা ফাবনি হায়রিনে।

ইবেম্মে—মী মরোনম্মু থোক্কবা মনাম্ম তাথাব অঙাং অদুনা—?

সাহেবান চৎপাদ ভমনাপ্লে ইবেম্মা, মখোঙ-মখুৎমক্তি শোয়বা নত্তমাল্লে। মশক-মতৌ থাম্মা ফজে হাযনা তায়। মরোল থোক্তবত্ত দোকাশিন্নদব। ওহরমাল্লে। মহোয় সাহেপ মনাইশিংনা রারী শাবা তাবব্ন।

ইবেম্মে - সাহেপ মনাই হায়বদি ?

সাহেবান সাহেপ থনগশিংহুবু সাহেপমনাই কৌদাইনেঃ মখোয়না হায়নবা তাবগী রানি। তুমীংতু খুম মন্নুংদা মী অমত্তা লৈবা য়াদে হায়মাল্লে। মাদি লোংতুনা লৈহৌমাল্লে। পাউ পীবা চংপদা সফাইনা থাম্বদা নানা চেনবা ওহরমাল্লে। মহুদা কাপথেকপনি হায়।

ইবেম্লে—অস। হরে-হরে। শ্রীগোবিন্দ।

সাহেবান—শোল্ল, বামোন ইবেম্মা অল্লাহ শোনবা নত্তনা উপাই লেতে। হচে চৎলুখিগে ওকহ্রগদরা নগুগী চাক-হেনশাংসে।

ইবেম্লে—হচে, পুখংখরা এ। াক চাক্লবরোহ

সাহেবান—করি ভৌরে? চাচ্না পাওঃ ওইবগীবা? নহানথেদি চাদাহনে?

হবেম্লে—হ। করি রানো হচে। ঐ বামোন ওইব্রে। ইচেম্ম ঐগোন্দদি পাওন নাত্রে।

সাহেবান—ইমাহপেম্মা ঐবা! করি ওংবে 'তুদি!

ইবেম্লে—নুপী। লম অসিগী নুপী।

সাহেবান—হাইমাংপেম্মা। তুং এনা পাহবা চাক চারোহদৌরিংনা করগী?

ইবেম্লে—হচেনা পথবগী ... নং অসিগী নুপী—লৈশাবা, নাম্মা শোইনাহরবী নুপী অমা শারাক তমখিবা মখোয়শিংদো ফাদুনা চৈরাক পীদ্রিবংখ ঐ চরা হেল্লনি

সাহেবান—হাইমা করিনো অত্তুদে!

তাশংনমক ইবেম্লে চাক চাখিদরে। ঈশিং ফাওবা থকখিদরে। তৌবা শাবিবান হাথন হাইনা চেন কিহল্লম সাহেপশিংস্ক ক্রমাৎ তরেংন পুভিল্লরবা অহুদ তুংনা শক্তিক থীনরাক্ল খোন্দন থাদোকখিনবা অদুগা। মগী মনুংদা থিল্লংব চে খোৱে হবেম্লেনা চৎলু যাদরে শিরবম্ম কেগুমশঙ মমুংদা। শিগানি, খাদোক্লে খোঙ্গান্দা হিত্তুনা লেগনি হাংকে হায়রগা হাংলো হায়না শিথাহ খাওহুনা লৈরে। মপানদা শাখনদ চিংনব কহা লেবদগী থাদোকপ থিল্লবগী চে অহু অমুক ককথরে পাপাল্ল শুৎগী অমুক ভক্তা সাহেপ অমা লাকুনা উম্নরে, খেম্মরে, হা। জদে চায়বদা থাক্লরে। হবেম্লেনা য়াবা মরৈব্রবদা

সাহেপ অহুনা সুমাং অহুদা মায়ক আদামদা মথৌ তৌবগী থম্বা সিফাইমখৈ থনক লৌথোকখি। অদুদগী সবেন্নেগী নিঙাই নেমথখি। চাক চাববা মতুং মশা কনগম্বনা মতাংদা মানা সাহেপ অহুদা হায়খি-

— ইবুং ইপা, ঐখোয় যাবা সাহেপ সিফাই লোইনবক মরাল লৈরম্মোই।

অপাননা মরাল লৈবংশংহু চৈরাক পীবিয়ু অতৈহু থাদাপিয়ু মশাগী মবুক কক্পিবা চুমদে

অপাননা মরাল লৈবশিংহুদি কখোয়দি কবম্না থম্গনি ?

মহুদি খাবা ঙমফম থোক্তে। ঐখোয়না পঙদবনি সাহেপখোয়দি হান্নবা খঙলম্মগনি। মংলোইগী নাকংদ ফক্রাংদা থেংলি হায়বনৈ। নিংথৌ ওইবগনিনা সাহেপখোয়গী মীৎম্মু নাকোংস্মু থেংলমগনি।

- নিংথৌদি নঙথোযগীনিনে হবেম্মা।

—ইনিংথৌগীস্মু মাথংলিনি।

হায়নীংঙম্ব দ 'এখোয়গী নিংথৌদ মীথা পোনগবনি' হায়রবসিনি। হায়খদরে। হৌবল্লেবু যাদিবংখৈ খীম্বদন পাদাকখৎবা মতুংদ সাহেপ অহুনা খলাহৌই— সুপী অসিদি মতা অমনি সুপী অসিনা মঙোম্বা রাকম খরা কম্বিরম্মে হায়না খনগি। জেলদা লৈবা ফাদোকাশংনস্মু ব্রাকম খরা তমহৌই নাখায়না পৈকদস্মু খব তম্বীগী। মথং মথং তমহৌবনা খবই মতম লৈহগ হায়না তোইনা ফাদাক ওয়াম নিঙাই তোপি। মথং মথং নিঙাই তৌবম্মদগী মখোয় তরাহুমদোংথক্তি কৈশু-মশঙদগী চেনখি মখোয় মখোয় মাখায়না লেরিবা কা অহুদগী শুকং তৌরগা চেকপল রাংমাংরামদ নাংথোংবনি জ্রম্মনী হায়শঙদা থবক তৌবা মীওই থরবনা মফম তাহনখি খরা অমবুনা লৌথোকখি। খরা অমবুনা ফাক্তিন্দুনা থমখি অযাম্বনা লম অসিগী মীওই ঙাক্তনি। মী অনী-মরীদি ফম অাচৌবা ফংখি। মীরোল লোনবা লমগী মচানি। কুইনা থবক তৌরক্লবা সুপা অমবু কাফম থোকপা ফম কাহনখিদ

মচুংতা মীরমগী নহা অমবু, মথাদ লৈবা নহাচুবু কাহনখি অতল অচুনা খাঙবমখৈ খাংলগা কোনুংলামদা য়াকংলুই। থোইনা তাবি-খিদ। শাউবন হেনজিল্লকনা থবক থাদোক্লা। পৌ-শিং উচুনা নেল্লুরগে লেপখি। মপোং যোম্মগা পোকলকপা মতমদা কান্তিন মমাঙদা বোলাইনা হেংনচুনা লেম্মুই। মুপ অচুনা মুংদা থবা কুক-কুক চীকলম্বা য়াবগী খোনফমদ হায়বকনি—

—ইবুংঙো লেংলাই, পুই হৈনবক হৌচিনগীদি শাগীনা যাম্না হেন্না ফরম্মে। লম কসিগী মী অমত্তু চাউবা যারোইদকা। লৈঙাক পোখিগী লম লেংকদবা মথমদ ঐখোয়গী মী অমত্তা যাংদাল্লাই। যাওবা ঙম্মোই। লোয়শঙদা গিরানীদগী হোল্লাই সিফাইদা চাউববদা সুবেদারদগী লাল্লাক। য়ু যেন থোদাদা হাইরবা পাউ শুপথাক পুশি-নদগী হেল্লরোই। লম্ভাকসী অরাান তাথপকী লমদাংদা থুডিন থোরাং পুবা য়াবা ফম তামঙ্গো ঐরাহদা পীংগা য়ু লাত। মনন হায়রাইনা শগোলগুম্না চুইংখ্রন। লৌগদবা ওক ঙক্তা পীগনি। মখোয়গা থাক অমত্তুদা ফমচুনা। লংাক থোদাংগী পোরম হাংমিন্নবা যাবা ফম ঐখোয়গী মীনা ফংবগী য়ু লৈতে

—করিগীনো ইপন অচুদি ?

—নমথবা, শুদেকতুনা থম্না কোক হাইগংলক্তনবা মপুনীংবগী মচৈ-মশিং খজিক্কং তম্বিরগা মখল কযাগী কানি পীজতুনা থম্বসি মখোযগী পোরমনি; পোখিনি মখোয়গী পথাপনি।

—করিগীনো ইপন অচুবো ?

—ঐখোয় অসি মখোযনা মশক খঙই। লুরিবনা ঐখোয় ইশানদি ইশাবু মশক খঙজদ্রি ঐখোয অসি কোক লৈবা খুংতা থীবোং পানবা মীনি হায়বসি মখোয় খঙই। অচুনা খমায়চুনা থম্বা লাক্করি। তৌজিক কাওবদি মখোয মাংপাক্লি। ফনা কুইনম্ভ পাকখিগদৌন্নি। মরমদি ইশানা ইশাবু মশক খঙজদ্রি।

-ঐখোয়গীদু কোন্নং লৈরি অংম্বশিং লৈরিনা ইপল।

-ঐখোয়গী কোন্নংদি অনৌ-অংৌবা মৈতৈরোনদ শাস্ত্র লীলা কন্না য়েংলি; অমাং-আশংগী মতমদা তুক কন্না থিরি; নমথাং খুংহং-থম্বাল মচুগী বাখোক কন্না শাগংলি, লংবী থুবমচবই নহারোল পুথোক পুথোকনা য়েবি; ধর্মগী ফমগী থাক্তচৎপা খুঞ্জতালগী প্রোগ্রামকী শেনফম কন্না পানরি অঙম-অংথৌশিং তালোয় মশীং তান্নরি; উমথং থনবশিংন মলেচ্ছগী লাইপোৎ কন্না খোংম্নি অংত্তা শংনদে কাম্নদে নীং নাই থমোয পেশ্না, পুন্সি কনাশন্নলা, হাইথগ্রাগ নিংথৌ খোং দা—নিংথৌগী খোংদা

-ইপল যুম নিংথৌখাংদনিনে ?

-যুম অশেংববদি মোইরাংদানি নিংথৌখোংদা থবক তৌরুগে।

ইপলন্দু থবক তৌংগে লোম্ম। মশীং লৈরমত্রবা পৈখোধনি মমু শংখিবদৌনা তৌত্রে শুভমংগল পূনবা য়াদনা, লু চংবব্র মীথানদবা লম অসিগী মীওইশিংদ অানা পোরম তম্বাবা তঙায়ফরোন্দে রে। লীচৎ শেমদোকহৌত্রবদি লাব্বদবা মীরোলশিংদি ব্রাহৌগদৌরিদা বোলাই। ইপল চৎলে।

তরাতরেৎশুবা

ঙসি অসি লোয়শঙ পুন্নমক মপ ...াও হায়দ... অচম অথৌ লোয়শঙ চংনদে। ...খে মুংদা বুমৈ ...ৌ ...া দনা মা ...নখৎ ন। তুরেনদা ঈকজবা চৎপদ ...হল ...ববুনা ...া ...া মশা নানবা পাখং অমদা হংলুই —

—করিগীনি হায়বগে হবুংদো বমৈ ...তো... ...ায়নবা ?

—'পুবোক, এ থাংগী নিংথৌরম ...ক...ন ...সে আহ হায়বা মিংথোল ...চু ফংলে হায়দনা ...কলিগ্রা... ...বত্র ...হায় ...দগী সরকারসু কোঙুংসু কুমৈনা অমুক্তাই... লোইরে। ...কে...দদি পেশা চাইথি হায়নি "ও-...হা। ...দে ...া..., ...ই ...উবো... ...থাও ...চেং...লদে! মীনাই ...ইনদি শি...ংখদ্রেদা।'— ... ...ন ...োলাইবনি পাখং অতু তাখিদে। তাখিদবনা ...ত্তে অতল ...দগী ব্রাপু অত খওখিদবনিং খ...নসু লাক্লা...। ...াক্লবা ...খিদবনি ...গেংগী পরীক্ষাদা ইকনবা পারা অমা চৎনা চ...ন নীংশিংলি —'বিলাট কী নিংথৌরেল ...খোয়গী নিংথৌরেলা। ঈশ্বরনা মহাবপু ...াকশেনবিসনু।'

ঈরুক্ত কারক্লগা লাই খুকমাগ তৌনিংদা মামীনুপী থরোনা চাক-খুমদগী চেঙ্গোয়রগা তমৈ —

- ইবোক সখীদা সিঙ্কাই ময়াম লাক্লুনা ফাখ্রে হায়যে !

—হাই ! অমুদান মাবো ? করিগী ?

—খওদে মাবোল মরী খওমদে।

—অহুদি ইকুপী ফুরিং-কৈজোম পুথোরকউ। কদাই কেঙবদি মাইবা শাবা চংখিব্রা ?

—ঃহাক্তি নহান নিংথৌথোংদা চংখিবহুদগী হল্লক্ত্রি।

—ঐ-পা। মা ঙৈতবোরে ঐদি খঙদেদনা। ইকুপী চাক থিরম-খিন্ন; নহোর নমা-নচাদি চাথোকও। কেঙবহু হল্লকপশিং থোক্লগদি থানা লোয়শঙলোমদা চেনখংলকউ হায়য়ু।

থানারোমদা তনচেন চেনখংলুই। ঙসিদি মাপানি মী অমত্তম্ভু ফাহুনা পুরক্তে হায়রকই; লোয়শঙ মন্নুং চঙহল্লক্তে। লোয়শঙ অমনীদা চংলুই। লোংনা খিংলম্মী। খঙনগিবা খুঙম্বা অমনীগীদা চংলুই; অমত্তা থেংনরক্তে, কুম্মে য়েংবা চংনখিরম্মে। মমৈদা হাজোকলোনদা হাইজিল্লুই চঙগে হায়বদি মারক্তে অহুগা নুপী অমনাদি পুশিনথি হায়না তাকলকই। থোঙদা লৈরিবা কাঙবু অংনা মখোয় কার অমত্তা খঙদে হায়। খঙবদি মাল্লি। হাজোক অহু পুরিব সাংেপ অহুগা মনাক্তা চঙহল্লক্তে। সা-ংেপতা পাউ অমা হায়বা লাকপা বোলাইদা হাংক্লই—

লাইবা—ইবুংঙো, ইবুংঙো লম অাসগী মী নত্তবরো ?

বোলাই—মান্দ্রবরা খুরা ?

লাইবা—এ-এ! হারৌদ্রকো ইবুংঙো নহোয়না শেংলি চারিবহুদদি ইমান মান্নংহুদা ঐখোয়গী মী মাল্লুদরে।

বোলাই—করি তৌরে, করি তৌসিগে ?

লাইবা—সোমদা নুপী খরা পুশিনখিনাল্লে। ইচনশিং অমা য়াওখ্রে। ঐগী মরূপ অমগী নুপীনি।

বোলাই—ঐদি খঙহৌদে খুরা। করি তৌনবগীনো ?

লাইবা—করিগীনো ঐখোয়স্তু খঙদবনি। মপুরোইবা ঐগী মরূপ অহুস্তু লৈখদ্রে। মচা নুপা অমা লৈবহুস্তু মথোঙ-মরম খঙদনা মাঙখিবা কুইরে।

বোলাই —কদাইদা চৎখিবা ?

লাইবা- মকম খঙদে। করি-করিনো পঙহায় হায়নবসু য়াওই। লৈরিসু হায়, কদাইদনো লালহৌবগী খুৎ অমদা য়াওখরেসু হায়। মকন খঙখিদবা চহী কুনমুককাশিং কাররিগ্র .

বোলাই কনানো করি কোবগে খুরা ?

লাইবা—ইচন মমা অচু সখী কৌই, ইচানুপা অচুনা অমুদোন।

বোলাই—যারে খুরা। খুরাগী ং৭না—?

লাইবা—ঐ লাইবা কৌই শাংজমৈ চাচা—

বোলাই —অচুদি 'য়াম্বা কেঙববু পোকপা—?

লাইবা মশনি ইবুংঙো। ইচাচুগা খঙনবিবু ?

বোলাই—খঙনবগুম্বা জাৎনি খুবা সুমদৌবিরো, আদগী খোজান ময়াগী শঙ অসিদা ফশিনম্ব। মী চঙবা সুকয়ামক য়াদবনি। মুংশা খাবিকনু। নত্রগা সুমদোবিরো য়ুমদা পোখাবিরুরো ভাসিসি মাপনিন। চ শুংবনবসু লৈভবনিনা থবক কেক ওইগনি থাজদে। তপকদবা মাল্লি।

লাইবা ইপা অসুম মরৈগে করি করিনা অমুক্তা ভাংনবিয়ু।

বোলাই—য়ানিদা কৈসু তৌরোহদা।

বোলাই মুংশা থারকই লাইবদবুদি হাথরম্মী মাগী কাদা চঙচুনা ফি ভোংদারগা একাগাড। ভোংচুনা থাংমৈবন্দ তাল্লা লাকই। থাংমৈবনগী স্কুল মচা অমদা ওজা ওইচুনা লৈবা খুরামচাগী য়ুম অচুদা থোক্তিল্লকই খুরামচ ফশা ফমচুনা লাইরিক অমা য়েংচুনা লৈরম্মী। চঙশিনখিচুনা সখী ফাখিবগী পাউ পুন্নমক তশাগা লৌথো-ক্লবা লাক্স চৎাস হায়রুই। বোলাইনা ংখা তারকই—

—ওজা ংবুংঙো ভোরেল চাক চানবগা অচুদা হাজোক্তা বিচার ভৌগনি। সাহেপতু কুপৈ যেংবা চৎগ্রি। চাক চাবগী লাকপদা মালা বিচারপতি

ওইরগা হাজোককী লোয়শঙ অচুদা দরবার মচা অমা কমগনি। মী কনাসু য়াওবা জাৎ নত্তে। বিচারপাণ্ডিচুনা ফারকইবা মীশিং অচুদা করি করিনো খরা হংলগা মানা তানীংবা রায় অমা হেক্না তাগনি। জেলদা লৈবা মী খরা তাহনগনি। ফাবা চৎলুবা অঙম্বা অচুগা থানাগী সিফাই খরচুগা য়াওগনি। মসিনা লোইরে। সাহেপ অচুনা মরাল লৈরে হাজোক্লা থম্মো হায়রগা লোইরে।

খুরামচা—অচুবু চেক য়াবরনে বোলাই ?

বোলাই—অসুক কুইবসি য়াচুনতা লাক্লিবসিনিনে ওজাবু। ফারিবসু মখোয়নি, বিচার তৌরিবসু মখোয়, চৈরাক পীগদৌরিবসু মখোয়নি। মরাল লৈ-লৈত্তে মখোয়না থল্লগা লোইরে। ইমা সথী মখোয়না থোকপা তৌখ্রনি।

খুরামচা—ঐখোয়গী কোন্নুংগী অঙম্বশিং করি তৌচুনা লৈরিবা ?

বোলাই—অঙম্বশিংদি লাই হরাউবা, কুম্মৈ লীলা পালা মাংই শেংই লৌথংলে ইস্তোক্লে উরিকল্লুকুন থংলে, পীরে, তৌবগী মরম শেল্ল-চুনা লৈরি। মশোমদা রাখল চঙদে, চঙসু চঙহন্দে। ইমা সথীগী চিংনবা অমা লৈরি।

খুরামচা—মরূপ অমুদোনগী মমানি হায়বা খঙখ্রবা জাংলা ?

বোলাই—খঙখিব কুইরে। ঐদি ইমাগী শক খঙদবনি। মতম খরা মমাগী মনাক্তা লাকপা মতাংদা 'য়াম্বা অমুদোনবু ফাননবা মনুংদা শিল্লরখ্রনি। ঐদি জেললোমদা লৈরবনিনা তাহৌদরে। হৌজিক অসি, ইমা ফাজিল্লগা 'য়াম্বা অমুদোন মশা লাক্লুনা চঙজরচুনা ইমাবু কল্লনবা শরৌ অমা লৈবা মাল্লে। মখোয়গী বিচার মথংসি কনাসু খঙহন্দবদোনা তৌই। ঐ অঙম্বা খরগা য়াওবিনবা পাঞ্জরাখ্রগে। ওজানা নহানগী ইবুংঙো মহা অমগী মতাংদা য়েৎপিখিব অদুমাইনা হোৎনবিরো। নত্রগদি ইমাগা 'য়াম্বগা লৌ তৌচুনা ফাজিনখ্রগনি।

খুরামচা—খঙঙে। অতৈদি করি পাই লৈ?

বোলাই—নিংথৌখো মীফমগী অদু নত্তব হৌজিক ফাওবদি মরুওইবা করিম্ব লেতে। সোমদনা কে.সি.এস.আই. পীশিল্লগা য়াই অমুক্তম থাম্ব।

খুরামচা—খঙঙে। সোমদস্থু হিজম ইরাবেং হায়বা নহাড়গা উয়নবা শানবা লোহরবনি অমাং অশোংগী বিচার অমম্ব ব্রহ্মসোভ-রোমদা তোগদব। লৈরবনি কোম্লংলোমদা নহা আসম। হৌগংলক্লবাস লাইবক ফরবনি ফরে চংলো ঐ লাক্কে। ঐ চঙবা মানবচু বোলাইনা শীল্লম্ম।

বোলাই—খুরামচাগী দি সনা তোঙ্মওদগীম্মু লাইরিক লাকথ্রবনি অতুম য়ারবান লেত্ত। চঙ শনিযু

খুরামচান চংহন্দ বিচার হৌরম্ম হাসাদ বিচার চথরিব, কা অদুদ মী ফনা হম্মা তিল্লাম্ম। সাহেপস্থু তাসদি মথম্ভ। চৌকীদা অমা ফঙলাম্ম চৌকী ওমদি হুওদুনা লৈ। হংবদা বোলাইন লাকলাম্ম অথুবা ভাববা পাউ অমা লাকপদগী কোম্লংলোম্মদা তহা-তহা চংখ্র হাথনা ওম্বক। লোইহি চে জমা পী শমবগী মওদা খুরামচাগী ১০'ক্ত চংব্লগা বাংহম্ব পাউ তং। পীগে তৌবান নংহৌদবে। লাকন অমদ পূল্লপ ফাম্বরী থুপী নঙারোমদ খুদোম্বী ফিল্লগা সাহেপ অমনা হায়রক—

১বা সাহেপ—মিষ্টব খুরামচা, কবব্বগীনো নঙনা ভাংগদৌরিবাস?

খুরামচা ইমা মচা মকানি। রাহেন মপুব

২বা সাহেপ—মচ যাংবহনে কো কেশকী এবম লোইনা তোঙাল্লেনে

খুরামচ—এ খংকৈ। হয়া সখীগা ফা গবোইবগীনা মচা মচা মাচথিবগী.. থাবক কৈগীন মচা। মীই পোং হুরাম্বগী হন তাম্বগা তোনগীনা মচান লাশান পীদহগী। মচাশিং

লোংখার অহুম ঐনা হাংজরিবদি মচা মচাগী মহুত্তা মংা মনাদা পুশিল্লক্লিবা রাক্স অসিদি শমা মগুামক্তা চপ মাইন্ন চা চাশিং কংা ঐ খঙদ শংমু খঙজবোই। ঐগীদি হংা মগুাগী অংশংব অচুম্বগ্ন হ যদগদবনি। মবান লৈজদবা ইমাশিং ভাংগীনি ঐনা লাকচরিনাস।

২বা সাহেপ —লোইন এব ল লেয়োন মিষ্টর খুবানচা। লৈবান।

খুরামচা যবাল মুকলৈ লোত্ত রায়েন মপুশিং।

.ব সাহেব মনাল হাংবদু যাম্না শম্বনি, মিসস সপী অসি অমুদানগী মমাং, মান পাকপনি মা মশানমু যাবর।

খুবামচা —শ্রীগতি সথ না রাল লৈশ্বিবসি অমুদান য়বা মচা অমগী নমা ওইকন্ আসি ?

২বা সাহেপ মিষ্টর খুবামচ নগুহ ক অমুদোন কনানে৷ খগুদ, মেরা কনানো খগুদ।

খুবামচা- তশেংনমক খগুহদে রায়ে মপু, হগুবগী তগুাযকদবমু লোত্তে।

.ব সাহেপ—লে অমুদোন লাংহৌবা মীনি।

খুবামচা—ওইসু। মমা লাংহৌবা ওইরগা মমা ফাবা যাবাই।

২বা সাহেপ ফাগদর্বা মমা না রাবকনি লনহৈনবা মচা লেবগীনি। লাংল ওম্না চংশিবদা মমানা খামদবনি।

খুরামচা—লাম্বল ওম্নবা শুদবা নত্ত ঐখে হগুদে, অমুদান খোংনমু সাহেপ,থ,য়গী সবক ব লম্বেল শম্না হায়বদ্বা যাহ। মখে য়না সরকার অসি বামুবা লম্বেনদা চঙশিল্লাব্র হাযনা খল্লমু যারি মগুদি শ মশাহু ফারগা বাফংনবিয়ু ; ভাংনবিয়ু খল্লবিয়ু

২বা সাহেপ খল্লসি যাদ, ঐাংনী নাক্তা লাকউ যাদে, চগুজবকউ হাযবা যাত্তে। ঐাখাগী মাযোক্ত লৈরে।

খুরামচা—মতু সরকারগী মীশক ওইরিবা মপুশিংগী মোংনি। সরকারনা চুম্বা মখোয়না চুম্বা হায়বতুদি অতোপ্পা অহুমশুবা কাণ্ডবু অমনা মীচত্ মীখায় নাইদনা বিচার তৌরগা খণ্ডনগনি। মতু লোয়শত্ অসিনা লেপ্পা য়াবোই।

২বা সাহেপ—ঐখোয়গী মায়োক্তা কৈবদি য়েক্নবনি; য়েক্নবা অমদা চংকদবা লৌচং ঐখোয় গঙই।

খুরামচা — মখোয়স্ন খণ্ডলমগনি। অতুনবু নখোয় নশেল চত্থনরিবা ওইরমগনি। ঐগীদি মচা-মচাগা য়েক্নজরগা মমা-মমা ফাকম থোক্তে থাদোক্নদবনি হায়বনি। মমানা ঈনশিনবা নত্রগা খাম্বদা চংকদবা নহা নাত্রে মখোয়। ময়ুম ময়ুম গস্ন মরী লৈনত্রে খন্দুনা চংথ্রবনি। মাঙথ্রবনি। মমা-শিংনস্ন মচাশিংবু ঊনীংতুনা হিরিবনি সরকারনা য়েক্নবা ওইনা কৌবদি লায়রদনা মমা মমানা মচা ওইনা কৌবদা লাকই য়াদ্রবনি

২বা সাহেপ—মখোয় ময়ুমদা তত্তুনা থোরকই হায় লাকপা মতমদা ঐখোয়দা পাউ পীদে; মচা-মচাবু ফারগা ঐখোয়দা শিন্নদে অতুগী মরানস্ন চাউনা লৈ। মীয়ামগী মরাননি।

খুরামচা—সরকারগী খুংলাইনা ফাওবা ফানা ঙমত্রবা মখোয়বু খুংলাইস্ন পায়দনা মীস্ন লৈতবা ঐখোয় প্রজানা করম্না ফাগদৌরিবনো সাহেপ। মখোয়দি মণব্রায পাম্মুদ্রবনি। মমাশিংদি মখোয়গী থরায়স্ন পাম্মুরি মশা মশাস্ন হিংনীংলি হিংবগু হিংমিন্ননীংলি মচাগী মুংশিবা হায়বা অমস্ন মশাদা লৈরি। সাহেপতোয়স্ন অতু মঙাই বিলাটতা লৈহৌরিবা নচা, নচাগী মমা মুংশি-রমগনি।

২বা সাহেব—মতুগী রাম্বগা থেংনৈ। মসিনা লৈঙাক্লোনগী রানি। লৈঙাক্লোনদদি মচাগী মমা-মপাগী মরী থম্বা য়ামোই।

লৈবাক্কী যেক্নবা মচাসি মচা কনা ঙাইতুনস্ম চেরাক পীবা তাই পীহনবা তাই।

খুরামচা – মসী পূম্নমক থদংলম্মগা চংশবা মখোয়মনি য় য়েল মপু মমা অমত্তনা মচাবু য়াংহল্লীংদা শিংহন্নীংবা নত্তে। ঈংনা তপ্পা মনাক্তা লৈহন্নীদবা যাওদ মচ মচশিংনা মম-মপাবু সন থাবনু থাদোক্তুনা চংশিনবগা মচা মচাশিংদুগা অতম অমা অতুম তৌনাক্কী পীক্ক পীক্লিউেদদি মমাগী থচুংদা লৈরগা মচা চাউরক্লগদি মানা মানা থোকপা চংনগিবনি। তৌংজক হাযবিবা কাঙবুশিং অসি চঙী যাংখৈ ভুকয় লৈতেগনি। মখোযবু মমা অহল ওইবর শিংনা করম্না শহুমদ পম্ব থেম্পু-গনি। মদু মচাশিংদু ফারগা থোকপ তৌবিখো মবাল লৈরবা মখোয়গী মীচঙদা কনাদ লৈরাই সরকারনা এবাল লৈরম্বা তাবগদ মীচঙ লৈরাই। অরানবগী মীচঙদি কনাম্ম ওইনীংদবনি। লাখাইহৌরনি হায়না সাহেপখোযনা লৌবিনা থবক অতুমা যাওকনস্ম লাক্ক ইমাশিংদি।

২বা সাহেপ– য়াওরম্ববদি ?

খুরামচা– যাওরম্বগনা চৈবাক লৈগ মক-অত্তাবীতু অতুম ফংজগনি। হৌজিক ফাওবদি মখোয হায়গে হায়বগী প্রমান ফংবিজবা নত্রা ?

২বা সাহেপ—চপ হেক চাবমক্কি ফংজি।

খুরামচা— ফংগ্র ফংলোই, যাওদবনা।

২বা সাহেপ— নঙহাক করম্ন থগুই ?

খুরামচা– যাওরম্ববদি ইচম চম্না হাবস্থ ঙমলম্মোই ইফোং ফোংনস্থ লৈরম্মোই, নহানবা মচা মচাশিংগুম্না মাঙখিরম্মনি। সরকার অমগা লম্বা তৌগম্মি চোং থারকপশিং ইপক পদনা ইত্তাই তাউনা লৈরম্মোই।

১বা সাহেপ—ইত্তাউ তাউমা মান্ববা শাতুনা লৈরগা মনুংদদি য়াওবস্থ য়ায়া লৈগনি; খঙত্রা

থুরামচা— মতুম্ভ অশিংবা মখল অমনি। থৌনাদা পাঙ্গনদা লৌশিংদা তাম্নবদি নুপাথোকপনি। নুপা থোকপা মশেল অতুম মুরু ক্ষগদবনি। করিস্ত তৌবা মমা মপা ঐখোয়বু চিংনপনি হায়দনা ওংপদি য়ারোই। য়েংবিয়ু অদল ওইববীশিংসিনা করিনো তৌগদৌরিবরো? মচা নুংশিনবু লালহৌবনি হায়বদি হেনময়া থোক্কনি।

১বা সাহেপ— মিষ্টর থুরামচা নঙহাকস্থ মখোয়গী চীনগু চঙক্লেদনা!

থুরামচা— অপঙবা ঐখোয়দি পাল্লি পাল্লিবা সরকার অংগীনি; ঐখোয়বু নত্রা সরকারনা তান্নরিবা; ঐখোয়গীদমক্তস্ত নিংথৌ সরকার লৈবনি। ঐখোয়গীদি নু ওাইবুগা চাকহোং ওাহোংলগা লোইরে ঈনা তপ্প লৈবা লৈমিন্নবা অসিনি ঐখোয়গীদি। অচুম্বা অফবা পাঙজবা মীয়ামনি। মীয়াম ঐখোয়দি মীনি, লাইস্ত নত্তে শাস্ত নত্তে; মী ওইনা লৈবা তানবনি। ঐদি রায়েন-মপুশিংবু, তম্বা তৌবগী স্কুল মচা পিশক অমদা ওজা ওইনা লৈজবনি। অচুম্বু পাংজনা লুনা তৌজবা অপঙবা নুপা অমনি!

৫বা সাহেপ—ও. ওজারা? অদুদি ওজা, নুপী ফাবসি লাল্লি খনত্রা?

থুরামচা—নুপী নত্তে ইমানি ইনা ফাবদি য়ায়া থীনা লাল্লি।

১বা সাহেপ— মরাল লৈরবস্থ?

থুরামচা— মরাল লৈরবদি নুপা খিদে নুপী খিদে মাগী মাগী মতিক থোকপা লৈরাক অতুম ফংফম থোকই অরানবা তৌরবদি মীনা পীত্রবস্থ ইশ্বরনা লৈরাক অতুম্মক পীবনি। পূম্মক্কী মথক্তা অমা লৈরি।

২বা সাহেপ—ওজাদি লাই থাজবা মী লাল্লি।

খুরামচা—ইমাদা থাজবা মীনি ইমাবু ঈশ্বরনি খল্লি। ঈশ্বরগী মফমদদি লাম্লীংদে লানহন্নীংদে।

১বা সাহেপ—ফরে। ইমাশিং অসি থাদোক্লগে। মরৈদা নঙহাক্লা ঙস্মে হায়বগী নত্তে লৈঙাক পাথাপকী রারোমদা নঙহাক্কী মরৈনা চুম্মবনি হায়বগী নত্তে। নঙগী নথৌনা নরোৌশিং অহুগা অমরোমদা অমক পাইরক্কী লৌশিং অচুদা ঐথোয় মুংঙাই। র ঙাংগন্দবা লম অাসিগী মী মরক্তা নঙহাক্সা পাম্মী।

খুরামচা—ঙাংবদা ইশিং নীত্তবা হপা-হপুগী মচা-মশু বয়া থোক্লক্লে। মশাং লাকওমদনা থোকবিরকখিনি। অহুগা সাহেপ, ঐবু মুংশিবিবদগী নত্তনা হমাশং অসিবু মিমুংশিগী মীৎয়েংদা থোলগা মথোয়বু থাদোকপিব তারগাদি ঐদি পাওদবনিনা হাওরবস্থ হমাশং অসিদ মহু যারোই অশেংবা অচুম্বগী-দমঙদি খোজাগ নানুংশি ঙাকপিবা পাম্বা লম অসিগী মুপী নত্তে। এনা ঙাং শারিবা অসাদি মথোয়না অসি অসি হায়বু অস্থন্ন জাংজ হায়না ঙাকাখবছগী শরক চাম্মা থোকপগী জমা ককা য়োব জাং নত্তে। ঐদি তেনবানা মীরোল ঙোংদোন মথোয়গী মহুং খজিক শিল্লবা শাবা হায়বহুনি। থাজাবত্রগা অমমমতগা ঙাংতুনা য়েংবিয়ু। ঐদি সাহেপশিংগী পাথাপকী নত্তবা মাওহইবা তাইবঙ্গী পাথাপত্তা ঙাক্তা য়ৈরগা ঙাংলক্কনি।

২বা সাহেপ—মহুকী মঙাংস্থু লাকখিনি। ঙসিদি নঙথোয়গী মিংথৌ য়ান্না যান্না রংবা মিংথোল ফংবা মুমীৎ অসিদা মুংঙাইবা মাঙহনবা চুমদে ফরে জেলর, থাদোকখরো। (ফুক-ফুক হৌগৎত্তনা চংখ)

খুরাম্চা—নপশিল্লক্রিবা মিংনপ অহু শামু লমশাদা পীকবা কানি ওইরনি ।

সাংহপ অনীগা লোয়নরকপা খরগা মরাং মরাং তৌহুনা চৎলংখিবনা খুরাম্চানা চিংনবা খোঙ্চেল অমদা ভাংলিবা রাকমসি তাম্নখিদরে। বোলাইদং খাম্বা চঙশিল্লকপদা ময়েক শেংনা তাহৌই। বোলাইনা কৌরকপা তাদে মখুং থুংতুম কম্না শীংহুনা পায়শিল্লগা খুরাম্চা খোক ফমথরকাখ । লুকথখিবা মরুনিনা চৌক্লিবা মখা অহু কনানসু উখিদে। খোঙ ময়াদা লেপ্লিবা লাইবা চেনাশিল্লকুনা কোনখৎলে, য়াম্না হরাওনা থাগৎলে। সখীনা চিংবা মুপী মঙাহু চঙশিল্লকুনা লেপ্লে। সখীনা তগা কৌরুবদা খুরাম্চাগী ঈখেঙগুম ভাংনবা মমীৎ অনীদগী শিম্ফুরকপা পিরাং অহু উরকই। মুপী অহুম অদুমদি ভাংবদা রাবা চোকথবগীনি হন্দুনা রাদনবা খেম্নগা মকোক্তা নাম্ঙবিরকই। তপ্না লেপখৎলরুগা সখীরোমদা য়েংলগা তপ্না হায়রকই—'হৌজিকপু ইমাবু য়ুমদা হনখিগদ্রো !' মৎং লাম্বা ফংলব। বোলাইনা জেলরদগী লৌরকপা সখী তৌনবা চে-চাং খরহু ফাক্তোক ফাক্তোরক্না তপ্না হায়রকই—'ওজা ওসিগীদি চংগ্রাস। ইমাশং রানরনি: অরুবা পাউসু খরা লৈরে।' জেংগরু অহু তাখিবা য়াবা মঙংদা হায়রকই—'ইমা ইবেন সোমগী লোসদা খুবী সোত অমমনতং নাম্বিরো।' মায়গে অমদা খুবী নম্নবিজৈদা হায়রকই 'মতমসি কৈদাবুঙদদি মুংশা লৈরমখিনি, ভল্লিদা।'

খুরাম্চাগা বোলাইগগী খঙনবানি। মম্নাম মথং মথং চৎনপ্রবা মরুংদা খুরাম্চা কৈদাবুঙলোমদা তপ্ন তপ্না চংলকই। খোংনাং অনীগী কারক্তা বোলাই ভাইহুনা লৈরম্মী। তোংলকপা একাপাড়াগী খোঙনেং য়াদহুনা শেম্নাবগী মঙাদা লৈরম্মী। ভহা-ভহাবা মঙংনি।

—কেদৌরে ইনাও বোলাই নশাহু ইরে লৈতাদবদৌনা ?

—ওজা অরুবনি ওসাইদা ফংবা পাউনি, ওজাগা হেক উম্নবদা হায়নীংবনি য়ামন্দদনা তৌরবনি।

— হায়যু ।

—নিংথৌখোংদা কময়দোম্রিবা মীকম অহুম্না পাউচু কোম্লুং তারে । কোম্লুংনা লান্না লৌথ্রে । মী অমত্তা থারগ মকম চোংনবা নত্রগনা কংদনবা হায়বিখিনবা তৌবিয়ো । অচুম্বী অমনা অরাংঅমরোমদগী সাহেপ অনীনা লুচিংবা শাম্মা কাওলুপ অমা ইকুই কুইদনা লাকনি । মী মশীং চনা-নাযাংথেম্নক ওহব যাই চপ চাবা হুমাইং থাবানদি থওত্রে । কোম্না হায়রকে ঐ চংলে ।

মীকমগা পাউ অসি খুরামচাদ হায় তাদে মকম মতম হুমীং মীওই অমদি খন্নগদবা ব্রাকমগী ময়মদা কার অমত্তা খওদে । হায়বসু অমুক্তা থওথবা লাত অসিগুম্বা মখলগী মীকমদসু অমুক্তা যাওখিত্রে । ময়ুদ তানা হংহৌনদবসু বোলাহ তহা তনা লৌথারে । ওাইহাক রাখল তোরম্মগা বোলাহ উপ্পবা জেলনোমদা অমুক লাত্রে হংনবদা ওসাই-রাইদি উবম্মী হৌজাক্তি উদেদমক হায়নরকহ । মাগী লৈকমদা হাই-জিল্লহ । শো কোন্দুন লৈরম্মী । নুমাংম্ব তাশিল্লক্লে । খেওলবসু খেওনা ময়ুম ওইরবনিন শোয়দনা চল্লকনি খন্দুন দারীদা ফমহুনা ওাইরে । হুমীং তারে । লাক্লে । নাক য়েংকী চৌকিদার অমদি সিফাইশিংদা হংবদা করিগুম্বা চ-চাং ৎরা হংগদবা লোগদবা লে হায়না থুম্মী । য়াচওবা মতুং থাওবা লাক্তে যাম্না নাংওমদনা য়ুমদা চল্লকই । হুমিং-দাং য়াম্না খওলবা নতমদ উল্লগে লাক্লকহ চওহন্দদনা হল্লকই ।

নোংওাল্লগা অয়ুক মম্লিওদা চংলুহ । সিফাই অমনা মা ওরাং অথেওন্দা ওাইহাক লাকলম্মী হুটি লৌহুনা কদায়নো চংশ্রে হায়রকহ ।

—ময়ুমলোমদনি হায়ত্রা বহাদুর ?

—মথুমদদি মান্দে, কুপ্পেকা য়েংবা মা ল্ল, মফি অকবা লেংখি ।

—ওসি হোজক লাকদরা ?

—অহু দ খওদেবো ।

সুমীৎ অসিমক্ষু ভাইরে । লাক্কে । লৈবা য়ারক্কছুনা মুথংগী অয়ুক অমদা খোঙশাল্লে । গাড়ী লৈত্তে শাগোল রায়বা ফংদে, ফংলবসু মী খঙজল্লীংদে । মখোঙনা চৎলি । লম্বেলদা যদ গাড়ী অছুম্থক চৎলমছুনা অমদা য়াওই । যনদা লাউনা লাউনা নুপা অহনা থুরামচাদা হংলকই—

নুপা—ইবুংঙো, নিংথৌথোংদাদ করি থবক্কী ?

খুরামচা—ইপংবু চুম্ন শুম সিবিগী—লৌশান মুংশানগী করিগী রারী অমত্তা তৌরুগে হায়না—।

নুপা—রারী রাভাইবু মমুদ তাবা ঙম্মাইদা, নিংথৌথোংছু য়াম্না লাঙ-ঙিবন্নিনে ।

খুরামচা—কমদৌবা করিগী কনা কনা কার তৌনরবা ?

নুপা—নিংথৌ শেম্বগী ঈরাং লৈ হায়দনা কোম্বুংগী অঙম্বা খরা সরকারগী দারুগা ময়াম্না রাই চাহরিবনি । মীকা মীপুন য়াম্না তৌনরিবনি ।

খুরামচা—করিনোনে হায়াবরিসিবো এথোয়গী অসোমদদি করিমত্তা লাঙদে । কনা কনা ফাগ্রবা ?

নুপা—মুম্না খঙবা নত্তেদা এথোয়দি । কনা কনানো সনথ্বা খরা ফারে খরা অমনা তাম্নরি ; নিংথৌ হেক শেমগদবা হেক ওইগদবা কাঙবুদি ফাজ্রি হায়নৈ ।

খুরামচা—হায়রিসি নিংথৌগী মথক্তা লান তৌবগী রানিনে ইপন ?

নুপা—হো. অদুদ তারেদনা । নিংথেমচা হৌরকপদা ফাবা তারবদি ঈশিংদা লাক্কুনা হাংখ্রনিদো । হাংত্রগস্সু লৈবাক অসিদগীদি তাম্থোকখ্রনি । খঙদেদা ইবুংঙোথোয় নিংথৌ ওইবসিবু অস্মুক পাম্নরিবসিবু করিগীনো খঙদে !

খুরামচা—মুংঙাইদনা তৌরিবনি ইপন ।

নুপা—কৈদগী মুংঙাইগনোদা ইবুংঙো । এথোয়গী ইনিংথৌ অসিবু মুংঙাইরমথিদ্রনে । লাইথী নিংথোদোনা মমিংতা ভাইরবনিদা ! লৈবাক ভাক্লিবদি সরকাররনি । সরকার য়ানবা চৎপদা ইনিংথৌ

অসি লোইরবনি। কৈনি ইনিংথৌনা তোংলিবসে কম্বাল নত্তে।

খুরামচা—সরক্তরনা পানবসিবু মুংঙাইরম্মোইদ্রনে ইপন ?

মুপা—নিংথৌদি নিংথৌনিনা মুংঙাইরম্মু খঙদে ঐখোয়দি পেন্দেদা
মীখা থারগা অহাওবা চা, কঙ্গবা শেং, কৈদোনকনি।

খুরামচা—মীখা থাবা হায়বসিবু ইপন ?

মুপা—ইবুংঙো লাইরিক লাংশু হৈবম্ব মাল্লি মীখা পোনবা হায়বসিবু
করি হায়না তাকদবনো!

খুরামচা—ইপন ঐ খঙজবনি। অদু পাম্বিদবা মীখাপোনবসিবু'সুম
খাঙদুনা লৈবা তারু নত্রগনা- করি তৌবদি তাই ? করি
খনবি ? হ! লাম্বেল তেম্নবা ইপা-ইচা সুম—।

মুপা—ইপনখোযদি খোংজ্জামগী লানদু হেক লোইরকপগী অদুদা
চদ্রুনা লেম্পুনবিনা চৌক্কিকম মীৎ অসিদা শংশং উবিদা।

খুরামচা—করি উবিরিব ?

মুপা—মচং-মাচং তাবর খারেনচৎপা মচেং; কক্লবা খুৎ; নাপী মরক্তা
নঙশিন্দুনা তারম্বা ঈ মপং মতং-মতং ত লবা উরিক লুঙন থেগাক
থেগাক তক্লনা খাঙশাং কোপ্লবা চুঙ্গাই পুম্নমক অসি মখোয়না ঙা-
যোক-কুদা যোকপা ঙা হাংপদোনা। অদুগা মখোয়না যেংনরগা খাক্লা
শাকনা নোক্লমগদবা! শিবনা হাযব খঙগবা ইপাশিং-ইপুশিং
ঙকনা মচুদ তারমগদবা চশ, দশ মমক ওদুদা নোংশাগী লালাউ
লাউদুনা ইমা লৈবক্কী মিংথৈ শোল্লগা শ্রীগোবিন্দবু চেংনা
কোল্লগা নোক্লা নোক্লা হাইথরমগদবদু উরি। ইবুংঙো খে য়ম্ব
মতারি ন কানকমগী লৌবুকত তারম্ব আথৌবশিংগী থবাকুদা নোংমৈ
বোম তোপ মচেং পানকম কৈ নঙনকোমদদি কাওদোকুনা
চৎখিভম খবা নত্তুনা পানকম অমত লেংনদ হায়নবাসে। মরায-
বক কখিবা ঙাকনি, মীখা পোনবা হাযবদু থেংনখিত্রবনি, নীংখা
ওয় দম্না স্বর্গ কাপ্পবনি। ঐগোয় নাখোযনি মীগী খুগ্রাং লেক-
লেকুন হিংলিবা ইপনদি মশঙবা ওইবনরা করিনো পুমনাংগা

কৈনাইরবিবা নীত্তোপশিং অসি তকথায়রুনা তকথোকনী-
তনা। পাকন য়েকপা ফীরাল

খুরাইমচা—হুম! হপল ইবুংঙো শেংনা হায়বিযু ইপল কনানো ঐস্ম
নীংতম চীং। ঐগী মিং থয়ামচা হায়না হঙৌন

খুপা - 'নী তম চী'। হবংডোগী মিং কুইবে খঙবা শক্তি ঙসিদা খঙলি,
হৌজিক্কা থংলি এবে ইঙাঙ তাংখুল হায়রগা কৌবী অহলনি।

খুরাইমচা—অহল ইবংগো. খুরুমজরি।

গাড়ী মনুংদা খরাইমচানা থকখৎক বুন্দুনা খুকম্মী। এতম চপ মান্নবা অহল তাংখুলস্ খুকম্মী। মক্কী অসিমকদা, মথং রারী চথবা নংথ্রিত্তৈদা গাড়ী লংলেপ লেপথি। মাঙদা মতেক অমা উযুক ডাক-পগী খল্লিবা মোরা অত্ত থাজক হাংখত্তুনা অহলনা মেৎথাকলুবদা নাকন্দা মখাগী সিফাই খবা পাবংশায় নাংমৈ মাঙোন্না ফংশিন্দুনা শীংহুনা লেপতুনা লৈবম্মে। সিফাই অমনা কণ্টরকই নাখায় নংখোযনা লৈরিবহুদগী লেৎগন্নু! নখুং থাজংলু অহলনা হায়কই ইবুংঙো সিফাই। ঐগী মন অনীশিদি লাউব, খো বা যাদবনি থংদনা লৌবুক খোংবাক্লোমদা চেম্ভগাল্লে তংগা হায়রগাং। সিফাইশুন লাউরকহ— করি ওপ্পা হায়বাহদি। নাম্নাযগী মরক্তা থমসিং অঙৌবা কংনো তাকউ।

লাউবিগন্নু হায়রবমক্তদা—। শাযনা থাম্বগী মথংদা হায়রম্মগা নারোব্বা থাজংপা মখৎনা পাযবিবা লৌবী অতু থংহিং চিংই। মন অনীগী চীথোঙ ময়াদা পুল্লিবা হোংকী পত্তে তাত্তুনা যনদা থংথিন থিনবদা শা অনীহু গাড়ীন কবিন তৌহুনা চোল্লে মনীং ইথং থংবা গাড়ীনি মমাঙগী থংনলত্তদা থংথং লোংবদগী মন অনীহুনা গাড়ীগী পেংপু হাক্কো-ক্লংগা মাঙকৈ ওন্নন চেনখি য়া রা ভৌহুনা থাম্মবিদ্বৈ তাল্লক মাঙ

ইথং থ'বদা তোংজিবা ধর্মসিং (অতৌপা) না ইংজিং অপোনবা অমা তৌরকপদগী মখা মখাদা যাওরিবা নোংমৈ মচাহু শংলগা ভিক্‌ক মায়ওক্লরিবা সিকাইশিং অমুদা কাপশিল্লি। শেম-শাদৌদবা সিকাই ভরাহমদোইমক লোইনা তুখি। ভনম্‌বাযোম্বদা কৈশা হাকিখিবা গাড়ী অমু থামগে মীংচুনা অসুম তাংথুলনা নোংমৈ মচা অমু থেপশিল্লগা লৈথোক্লকপগী অদুদা চাম্লনা শিবা নম্রিবা সিকাই মকোক অমুনা মাগী নোংমৈ অচেনবমু ঊপ্না শংলগা কাপলকখি। মীংখিনা উম্বা অমুগা শাকা ওইরবা লাম্মীন্নি; অমুগী পুম্লোংবা পাম্লি। ধর্মসিংনা সিকাই মকোক অমুগী মকোক্তা চপ চানা কাপখি। খজিত্তুং লাউরম্মগা অগলনা লোংলকপা গাড়ীদগী চোংথোকখৌবা লাংথোংদা তাবরবা থূরাম-চাবু চিংখৎনবা হোৎচিল্লি। য়েৌবা ভরখিদয়ে লেপ্তুনা হাবরকপা ঈথেঙ মেম্লগা তুথখরে। মখোয় মাপলমক্লা হোৎচিন্নুনা কৌনখৎলি। পাখং-লুরবা থূরামচানা অশোকপা মপাম্নুগী কি থংথেং লেপ্পাইম্লগা মাগী কৈজোম মপান লেগায়নুনা মেম্লবা লাকৈ। অহল ভহা-ভহা গায়রকই—

- কাম্লরোহ ইবুংঙো থূরামচা ৱাক্লরম্নু। ধর্মসিং নখোয় চৎথরোঃ পন্থরম্নু। অসোমদা উারবা থুল অসোমদা চেন্নু শগোল য়ারম্লগা থৌরো।

ধর্মসিংনা নহা অহুমদা অনকপা ৱাপল অমদগী বা য়াম্লগা শগাই শানবা থৌদাম্লকপদ অহলনা ঊপ্না তহ-তহা চথরকই—

- মহু তোকও অরেম্বনি। সরকারগী সিকাই থোমজিল্লক্লনি। নখোয় লাম্থোকহৌরো। অরেম্বদা মীথুহত্তা তাখিনি।

"অহুদা অহল ইবুংঙো—?"

— য়াহং য়াদবা থৎকৌ পাবাপ! চৎথরো। মম্লাখদা পাউ থোইনা, ভম্মুম্নু লাক্লরোইদমক্ক চাহহু! থম্বা লোইম্লব' মঙাংদা থঙদি থঙহল্লু।

থূরামচা—নঙ্গো অহল ইবুংঙো, হায়খিরিবসি অরোইবা মীকপ্পী য়ারা?

অহল—মান্নি, ইবুংঙো থূরামচাবু' পাক্তি পাল্লু হাম্লবা তাহে। মীকম

[illegible] । পুবা চা য়াংখবো হৌরো । মতম লৈত্রে ।

খুরামচা—[illegible] ওরেক্রি , এগীদি ঐনা পোক্লপা তৌগনি । অকুল [illegible] লৈহৌরগে যক্লপশিং ইনাপাশং য়াম্লে ।

অহল—[illegible]দা নপ্পি, তাবে নখোয ইচাম্ব ! মহুগী মতম নত্রে ! যাগ্লা ঐ য়াওদবস্তু ঐগী অপাঙসিদি লৌদোকউ ধর্মসিং মচেং আবদি ঐ পামদ্রে ।

ধর্মসিং— অহল ইবুংঙো, মচেং, মাং তাতুনা মানা মানা থোক ভোমগানবা নত্তে । হুন্দক্কী মতাং, অসিদা লঙ্গী অনী থোক্লবা য়াই । অমনা মৈগী অংবা অতাপ্প অমনা ঈশিংগী অইংবা মৈগা ঈশিংগা পুনরদি মরোইদোবনিনা কাওলুপ অসি অনীদি থোক্লবা য়ানা লে ।

অহল—অহুবু লমথুংদি অনস্তান । শাযা ক্রশা ময়াত্রবদি করে য়েংলো । তৌরগ্র লমথুদি চপ মাপ্পনা অমনা অমগী মখুং পাংনো অম্বেলগী, ব্রাপ্লোন মামদে হাযদনা নখোয নশেল তুং তুং ওম্ব্যোক্লরাদ শুকয় য়াদে অমনা খুদক্তা মৈ থাদুনা তানগানি হাম্বা অমনা ঈশিংনা তকথোক্লান হাযব তানব হায়বসিমদি [illegible]কী অমক্ত [illegible]যরব পনখুংনি । ধর্ম খুদংনা ভাল্লিবসি ঈশ্বর ন, ঈশ্বরনা লাইনাং ক্তৈয় মপাঙ্গংগী ধর্ম মাগদে হায [illegible]মনা অমঙী মাঙ্গবদি চৌবা স্নুপয়া য়াদে । মচু তেক তোনা, তৌবদি [illegible]না খন্দ ,থক্লুপা মতাংদা নখোযগী লমথুং চবা চরানা তৌরবনি

খুরামচা—[illegible]বিবদি য়াদ, ঐ কানস্ত্র খক্লবা অদুগা য়াওবা নত্তে । ঐনা খনবদদি মৈথক্লনা চাকাএকপদনস্থ ওইবা য়ারোই ঈশিংদনা তকথোকপস্থ য়াবোই ; যাবা তারবস্থ মতম শাংনা [illegible] অনীমগী, মান্না মানা ওম্বা অদুগা [illegible] মপোঃ মচৈ য়ামহুনা থীহুদনা ,

লাইরিক্তী বাসু লৈ; অমথক্তনা নত্তবদা ময়ামনা, খুনিংমক্তা মানা মানা ওন্না লৈবা য়াবা তৌরবা মতাংদা মায় পাকখনি।

অহল—খুরামচাদি মায়চৌনি মায়চৌগী লৌশিংদগী কান্নবা লৌবা লেপকন্নু। ঐ মারক্লোইদৌরে। নখোয় য়াম্লো ঐ মায়চৌগা পোথাচৌরগে। লাইবক লৈরগ নীংতম চৌংগী চীংদোনদা থরায় থারুগে। চংখরো ইমানা য়াইকরে।

ধর্মসিং—ফীভম অসিদা হন্দোক্লম্লগা—?

অহল—ভাব তাথিদ্রেদকো ইপাক্ষী ধরমো! ঐগী কান্নরোইদবা লৈপুঙ ওইদৌরবা হকচাং অসিগী কারি মিকাননিবনো। ওইগদবনি লম্বেনদা শোয়দনমক অপনবা ওইরগদবনি খঙলবনি। অদুক পঙবা হৌনদে মফম অমদা হেক্তা খিন্দুনা লৈরগদবা পোলাংনে। মুংশিবর্গা ইজেংকী কান্নদবা মালংদা মাঙহনবা চুনদে। ওইররোইদব ঐ অসিনা নখোয়গী য়েক্নবা ওইহনগনু। থৌম্বরনু পঙবসিসু পাঙদবা অমনি। চংলো ইমাবু মীখুত্তগী কল্লবা মতাংদা নোংমা চীংদোনগী ফীরাল মখোঙদা ইতেন্নৈ লৈনা অমত্তং কংলকউ। মনীং তম্না পাইরিবা পাকনদা তোং লগা মৈ ঈকপা তম্নাখিবা ইখুং অসিনা হকথেংননা লৈকং লৌগে। য়াম্লো। মসি য়াথংনি।

খংলাউ লাউরকপদা ময়ামতু চপ লেপখংলি য়েংনরগ অমুক্তদা চপ মান্নবা শাংনা খুরুম্মা। ফীন্দনা অরাপ অরাপ্পা খুল তম্না য়াঙনা চেন্নখি। লাউবদা থোকখিবা খর চনাং তানা হুক্তিন্নকখিদরে থাঙতপ থাঙ তপ্পা হৌনবা খর মরক্তা অহলগী মীৎ উইথরক্লে: তাধরক্লিবা ঈতনা খুরামচাগী ফি-রোল ফাওবা চোংলক্লে। খৌগংলবা শান্নবা লোক মরক্তা অহুলনা খজিক মোমোন্নরগা হায়রকই---

—খুরামলা মায়চৌ। মথোন্নগা লোয়নখিবা কান্নদোই। বারৌদু।

মচীয়া ক্রনাত্র লৈরুছোবা মথে মশা তুমজনবা ঙাংলো লৈরেংশা কুপ্পা লৈবা মায়ুকৌনি ইপা য়োরম্বগে: নীংথম চৌং.

নীংথম চৌংবোন য়োবন্দি নংখিদরে। অছুবু লাংথোংগী সনামী ন্যাইরা লৈরাই অছুদা নীংথম চৌং ওইনা ঙামথনা লৈখি। লাপ্পা প্যাইবা পাউরুমচেক অমনা মতম কনা হাইগংলকপা তুংশা মরক্তা শাংনা চিংহুনা থোংলকখি—কাক-কাক!

তরানিপালগুবা

চহী মঙামুক্কী মতুংদা পোয়ন্ন থাগী নোংমা পানবা থাঙ্জেংনা হাইফেৎ মোংলম্বগুম ভোরম্বগী খুদম খজিক উরকপগী অহুদা পুম্নৈরোম্বা খোংনাংখোং মনাক্তা চহী কোশিনবা হৌখ্রবা অচৌল মানবা মুপা অহুমথক তোঙান তোঙানবা মায়োকদগী লাক্লুনা উমৈ। অমনা শ্রীগোবিন্দ খুরুম্ন-রগা খোরকপা মাল্লি অনী অমন ভাহৌ-ভাকৌ চংথোরকপগুম লাক্লে। অহুম্মক পুংফম চপ চানা থুংনরে অহানব উম্ননদদি তাঞ্জানা খোংনবা মাল্লি। তশেংবদি মুমীৎ মঙানীগী মমাঙদা পাউ পীনহুনা শোয়দনবা লাক্লবনি। অমুদোনগা, বোলাইগা থুরাম্চাগনি।

চহী থরা আসিদা অহুম অ স য়াম্না তোয়না উমৈ; মফম হোং হোং-হুনা—কৈথেলদা, কুম্মৈ তৌফম তৌফমদা লাপ্লপ লাপ্লপ্পা চিঙাইদা, অহাংবা মফমদা ফুঙ্গা নুঙচুম শাহুনা ফাম্ভিম্নরগা রা থমৈ তামৈ অহুগা নৈনৈ অচং অঙক লাকপা নওমদা রাফে অমরোমদা হায়ন ভাংনরগা মতাং হুনং নম্ভবদা ঙনশিন্নহুনা নোকপিমৈ। মখোয়দা ভায়রবা মতাংদা মখোয়না থম্নরম্বা চাঁং লেম্নবা মতাং অহু চথে।

চহী থরা অসিদা মখোয়না তৌরুবা থবক অমত্তা মায় পাক্তে। অরোনবা পাউ পুংনক য়েক্রবগী নাকোংদা হেক্তা যৌখিবদৌনা তৌই। অরোনবা মফম ধন্নম ফম্মদাইদা লাঞ্জাবশিংনা তথু-চহুবা পাউ পীরক-পদগী খুদক পুদক্তা ফমদবা তাখি মত্রগা মফম তোয়না ঙনবা তাখি।

অচঙ অচঙবা নঙ্গারোল অহল্লোল তোয়না কাঙিল্লকখি। চীংমুংগী মীনা পাক চঙবা ঙমুদবা মকমদা খুংলাই তন্দিবা, থবক ঔরাইনরিবা মকম কাওবদা লাম্মী কাংবু-কাঙবু লাকপা খেংনখি। মতাং চানা উরকপদগী কাবা মক্তি ঙমাংদে অঙবু হাথু-হাথু নাম্পোক্লবা হোংনবদা খুংলাই কয়া পোং কয়া অরোনবা মান-চাং কয়া মাঙখি মতম থরগী মমাঙদা সিঙ্গাপুরদগী লম্বেনদা চংলিবা কাঙবু অমগী লুচিংবা অমা নত্রগা থরা উমরুগনি হায়না চংখিবা মী মঙানা লাবা কাঙবু অহু বরমা (ম্যানমার) গী কোম্লুং ময়াদা মাঙখ্রে হায়বা পাউ ঙসি তরানীগী মমাঙদা তারে। কাঙবু অহু গঙ্গাসিংনা লুচিংখিবনি। পাউ হেক ফংবগা বোলাইনা অনীবু মকম অসিদা উম্রসি হায়না পাউ মথং-মথং থাবনি। অমুদোন থাঙ্গী অরোনবা লানবন অতুদগী কুকচীংলোমদা কোইরগা চেনখংলকপান। থুংলবা কুইদ্রি।

অহুম অসি চীংনাং খোংনাংগী অহাংবা পাথবীরোমদা চংলকই। মোংশোং ময়াগী লৈতোং অমদা ফমথদিন্নে লাপ্লপ্পা নৌনা শন্দোক্লকপা খুংলান অমগী মচীনদা লৈকাইগী নঙ্গারোল থরা মে তীক্লি। তপ্পা অহুমগী রারী হৌরকই।

বোলাই—'য়াম্বা গঙ্গাসিংগী কাঙবু মকম খঙদ্রে।

অমুদোন—তারে। মোইরাংলোমদা বন্দে মাতরম 'খুংকী লুচিংবা থরা লাকপা য়াই হায়না তারি। ইতাও য়ুশুপনা কল্লা শেন্নরে উম্মনবা। ইনাঙগী করি পাউ লৈ?

বোলাই—ঐখোয়গী অরোন-অরোনবা পাউ য়েক্লবনা হেক-হেক ফংশিব-সিগী লৌথুন কল্লা থিবা লাক্লরি। ঐগী সোমদদি মমি ফাওবা ফংদ্রি য়াম্বতোয়রোমদা অনৌবা নত্রা খোম্বনা খুরকী ঈনা লাই শাবাকাদি য়াওরম্মোইকো?

অমুদোন—অনৌবা মঙ্গানা থঙবা ঙম্মোইদৌবা লোনতুবা পাউ ফাওবা

থঙবক্তম তৌবে। মসি ঐখোযগী গুংকী যুম্বী ভক্নক অসিদগী ফংবা ওইগনি। যুম্বীশিংদগীদি পাউ চংখিরাই; যাম্না নক্নবা থরদগী চংখিরম্বদি যাই।

গুরামচা—থক্নবা তাম্না মরক মবক্ত যাওবদি ঐস্তনি; ইনাও বোলাই-স্থনি, অদুদগী মক্নপ কেওবস্থনি অতৈদি কনা কনা—?

অমুদান—মতো মতোংগী পোংগি পোরম যাংপা নহা অহল থরদি লৈ। অতুস্থ মাখায়াদ মাযকৈ শুন থওবা নত্তে। মথোয়না থঙলিবা থরক্তস্থ চপ চপ চানা পোরম-পৌরম নত্তে; ওইবা য়াবা মশেক মঙাল থর-থরদন। অদুগীস্থ মথক্তা ঐখোয়না শাবা য়ারীস্থ অথুপ লোনদা ঙাক্তনি। ঐখোযগী অথুপ লোন ফাওবা ওথাক থঙলবা মী মাল্লি ঙিংথাখাং গীফম অহানবা মফম থঙ-খিনসিনা তাকপদি ঐখোযদগী আরানবা পাউ চংখ্রিবসি ঐখোয মক্নংগী মী ওইগনি।

বোলাই- মসি হায়্না থঙোদাবপা তোঁব। নত্রগদি রা পূমকায় কায-খিবা ত্তাব। ঐগী মাযকৈ অসোমদা ঐনা হুম্মিবসি হুম্বা শাবমথৈ হাম্ম ওসি ফাওবদি করিগুম্বা লংলা অমত্তা ফংদ্রি।

অমুদান—ঐখোযগী নুং-মকংইবা পাউ শবা মমক্তা থংপা যাওরে। ঐখোয মতম থনদি, মরমা পাউ থমলগ অসোমগী মাযাকদা তম্মিবা মী অসি মশক হাংদিবা ফাওবদি থবক্কী পাউ অসি হুশা-হুশানা হাকহংনবা পীননা ত্তারে।

বোলাই—অথু-তকাহগীদদি অপনক ওইগদি। অদুবু চবশিন্দবা য়াদে।

গুরামচা- (শক্রুবর মতুম) ওইখিবা নমান লোংমা ওসিগী উম্নবগী পাউ অসি পীরম্নিবা মুপামচাত্ত কনানো ?

বোলাই—মত্তদি অকক্নবা লৈত্তে। মী অমদা হেক্তো শিন্নবনি শিন্ন-রিব মী অতুদি ঐখোযগী থঙনবী লোনস্থ থঙডোই, মীশকস্থ থঙডোই। 'যাম্বদা করম্না পাউ পীরৈ ?

খুরামচা— ঐনা পুখ্রিদা ঈরুজরিঙৈদে তুম্পাকচা অদুনা ঐগা ঈরুজমিন্নরিবা ইয়াম্বশিং অদুদা হাংলৈ—ইপু মথংগী নোংমদবু পুরৈরোম্বা খোংনাং লাই ওইবরা'ন ? ইয়াম্বশিং অদুনা রা ওইনা তাখিদে। ঐনা খঙ্গহৌবনি।

বোলাই— অদুদগী 'য়াম্ব' খুরামচানা য়েংখংলকপদ ঐবু লাপ্না উবিখিদনা। অদুনি ঐখোয়গী পাউ পীবগী মওং তুম্পামচাত্তু চৈতেককোৎপী শান্নরম্বদগী পাথং অমনা হৈঙান পীজদুনা খুদক্তা লেকপনি; পাথং অদুদনা ইচম অমনা হাংখনি; ইচম অদুদনা ঐগী মী অমনা শিন্নখনি। ঐগী মী অদুনা নত্তনা মী অমত্তনা ঐবু খঙবা নত্তে। ঐঙী মী অদুদি ঐগী খুৎচাবনি। মাগা ঐ-গদাগি 'য়াম্ববু খঙলিবা। অদু ফাওবদা ঐখোয়গী লমজেলবী লোনদি খঙবা নত্তে।

খুরামচা—পাউ পীব পীজলবগী থবকসি করাওনা হৌবনি ?

বোলাই— করাওনা য়িমফাল মতুংগী পৌদাকী অদুগা রাংমগীনা মায়কৈ পুবা মখোয় মরী লৈরি। মখোয়না মী মায়াক মথং খঙনবী লোন মরোল-মরোল শীজিন্নদুনা পাউ য়ৌহল্লি। নেক্কিবা মী সুপী অভাং অহল লোইনমক মখোয় মখোয়গা থংনবা মীওই অদু নত্তনা অতৈ অমত্তা খঙবা নত্তে, খঙননবা তাঙ্গা পীদে। পাউ অসি করিনো কনাদা পীবনো হায়বসি ইহান হান্না পীগদৌরিবা হৌফম ওইরিবা ঐ নত্তনা কনাস্ত খঙবা নত্তে।

খুরামচা—খঙঙে। অদুনদি মফম-মফম, মতাং-মতাংগী পাউগী হৌফম ওইরিবা মী অসি ইনাওগা থারগা মীওই মঙা তারে।

বোলাই—মঙানি।

অমুদোন—অয়াম্বা মতাংদা, য়ারিবমথৈদি পাউ থাদে; থাগী অকক্লবা নুমীৎ অমা লৈ; নুমীৎ অসিদা ঐখোয় অমুক্তা তেক্কনা উরে। অথু-অকায়গী নত্রগা অথম্নবা মীওই য়াওহনবা তাবদা পাউ

থাবগী বানি

খুরামচা ঐ শঙ্গার। শঙ্গজনীং ঙবদি তৌজিক কদোম থংবা য়ায়কৈগী পাউনো ঙসি ফাওবদা মরক্তা থংখিবাদোনা তৌরিবসে ?

বোলাই—মনীং।

খুরামচা— অদুদি মনীং মংহৌব পবিদা মীওই অদু কুপ্পা শেন্নবা তাবনি।

বোলাই— ম হাঙান্দনীদি পাউ ফৈদোকখারাই থম্মোয় চেৎপী মরো-শিং লৈবী তৌনা কবীনি

খুরামচা— ঙুপীনিনে ?

বোলাই— শংকী অমংব যুম্ ওত্থনি। হায়ং অসি পোইচুগী নীন পানব লেখাকাপাকপা নত্রা. হয়েং অসিদা ঙুপী ময়ামগী ঊত্তো অম ল

খুরামচ— খঙাও ঐক্লোন্দসু তান্নব লাকলম্মে কুইরবনি ইমা-ইবেন ইচে ইচল মামং তৌর সাহপ তাতো সাহেপকা মুক্লগনি হায়দনা তৌবরহব

বোলাই— মতুং মাং মথাদি চাৎকগা হাম্না কন্না শীনবা হাওরিবীনি। হায়ই ঊাহৌসি ঙাক্লন অহং নি চাম য়াংথৈ শেম শাঙুনা থম-থব হায়রি। মাদি পাউ চোইথোক্লোই।

খুরামচা- কনান থঙবা, মামক্তা নত্তরবসু মংগী থোংবান চেনবশিংদা অশো-নবা হাওরম্বসু কনানা থদবা।

অমুদোন—পাউগী লমদা লৈরিব মী মঙ্গাসি অমুক্তা পুন্না ফম্মিন্নবা শীন্নু ইনাউনা। মুন্ন অমুক্তা থন্নৌ।

বোলাই— অথুবা মতমদা শীনজগে। য়াম্বশিং হাওগদ্রে ?

অমুদোন—ঐথোয যাওরোই। মফম অসিদা ঐথোয় তোয়না থোঙদা-রকপ য়াত্রি। ঐখেংগী মী কাঙলুপ অমা কলকত্তায়োমদা জঙল অমগা উন্না চংকদৌরি। মচুগী শীনবা লাক্লরি। ঐথোয়গী শক থঙনবা বয় লাক্লরি হায়বা পাউ তারে। ঐথোয়

থয়গী তশবীর নম্মরুবা শেন কাইছনা থবক চথরি হায়বা পাউ ফংই। ঐখোয়গী অচল লমন য়েংলগা ঐখোয়গী শক লাক-শিন্দুনা য়েক্লশোক্লে হায়বা পাউ ফংই। অসিদাইদা নত্তে মখোয়গী কোম্বুংলোমদা: মনুংলোমদসু লান অসি য়াম্না কন-শিলাক্লে হায়বা পাউ ফংই।

খুরামচা—অসোয়মঙ্গু শাল্লোং অনীনি অফোংবা অমা অরোনবা অমা। অরোনবসি মৈগী লগেলনি। ঐখোয়গী অসিগুম্বনি। মসিদা খুবো চেল্লিবা মী অতু কনানো থিদোকপা ভগাইকদবনি। ইসাউদা ঐনা নীংশিংজনীংবদি পাউগী লমদাং পুরিবা মখোয় মবীগী অকোয়বত্তু অমুক্তা চেকশিনসি। ঐসু য়াওজগে।

বোলাই—মগনি য়াম্না। হয়েংগী ইমা-ইবেনশিংগী ঈরৌ অসিসু শোক্লদ্রিবু।

অমুদোন—ঐখোয়গী মী য়াম্না খোংবানদ লৈরে। ইতাও চৈতন্যদেব মদোমগী থৌরাংদা মায়পুনখিবা কুইরে।

বোলাই—ওরাং মথং নত্তান ঐনা তাববু মুপা খরা মুপী শারগা য়াওরবা য়াই হায়রৈ।

অমুদোন—কনানা হায়নবা ?

বোলাই—সাহেপশিংনা।

অমুদোন—মতু মখোয়গী অফৈবা য়েংগনবা থনগনবগী থুমমনি।

খুরামচা—কত্তবা কৌবদি মখোয়নি। অতম্বা তায়রবানিনা খরা অতুম য়াওবা কায়দে খল্লি।

অমুদোন—মখোয়না থঙগুরুবদি ফজরোই।

খুরামচা—মখোয়গী মুপী লিকাই, থানা লৈরে; পাক্না থঙজোই।

বোলাই—কগেং অসিদা হেক্তা কাপথংনগৌবরদি ?

অমুদোন—মতুমক্তি য়াত্রি। ঐখোয়গী পাক্তনা য়াওগনি। মওং কেশিনবা য়াই। অতুবু ঐখোয় শেম-শাল্লুনদি লৈগনি।

খোংজোমগী লাল্লোং অহু হল্লিনবদি চুমদে । ইনাওনা মহুংগী পাউ কৃপা শেন্নবিয়ু ।

কোলাক্ষ—এগীদি বাবিকন্স লোইনা শীজ্জবে । যাম্বা খুবামচানা ?

খুম্বাক্চা—ঐ সাহেবলশিং উন্নবদা য়াওজেনবা লাকুপে । ইবাইবেকনা ফায়বতু মঙ্খারগী মীনা লাননা হনখিবা য়াই ।

পোইন্নুগী নীনি পানবা লৈপাকপোকপনি । অয়ুক ওম্ভা মশ্মি-ঙৈদগী হৌনা মায়কৈ পূন্নমক্কগী নুপী ময়াম পুল্লপ পুল্লপ মরী-মন্নী অত্তং-অথম লৈত্তনা ফুককংনরক্কুনা পৈরবনা খ্বাইরম্বদ কৈথেল অসি পারে । ওরাং অয়ুক্কগী কৈথেল অসি মুংপা হৌখ্রবনি । মচিং কাঙ-নবী মৌ নহা থরগা অহল ওংরবা থরগদি নহান মুমিদাংদগী য়ারেক্কুনা থন্নবা তান্নবা হৌখ্রবনি অকোয়বগী লম্বেল পুন্নমক্কা লাপ্লপ লাপ্লপা য়ুম-য়ুমগী নুপা-নহা মচা মশু শাগে নাত্তৈ কয়াম্ন মৈ তিক তিক্কুনা চাউঙাক ঙাকপা হৌখ্রবনি । অকোয়বদা নক্লপ লৈবা য়ুম থরগী রা ঙাংনগন্দবা নহারোল থরাদি মরমদি হতাক তাত্তনা, মরোল ইহায় হায়দনা তাগুম্বা, থাঙ্গুম্বা শীংজংগুম্বসি পুখোত্তুনা মুঙফানদা পঙফেঙদা ফেঙবা য়াওনৈ । নুপা-মীয়াই থরম্ম নহানরাই শুমাঙ মতোনদা মুংশা তান্ন তান্নহুনা শংগাইনা পৈয়া শিরম্বতুন ওরাং নহান্দগী থোঙ্গান রাংমা লাল্লগা সোরোক ময়া মথাদা থাংজেনা কনম পয়া শিনবা য়াওরে । অহল থরম্ম হাঙমৈ লেপয়ান তাতু উক্রোংদা ঙারগা তৌজিক্কা থবক্কগী পোত্থারম্বদৌনা য়াচঙব নতুং কাইনখক্কাওবা ফম্নরি । অকোয়বগী লৈকাইশিং অহীং নোংশোইবা থাংমৈ মুথংনরবম্ম রারী চিবোন চিবোন শাহুনা তুম্নদবদৌনা লৈ । মতাং ইনং নংত্তবদা ওরাং অহীং শাঙাই-শেল মচা য়াম্না লংবা অমা পাইখি । উনহৌবা মী পঙয়াম য়ামদে ।

ওসিগী নোংঙাল্লমদাইদা চেঙ পুবা গাড়ী ময়াম চেঙপাক হাপ্পা গাড়ী মশীং য়াম্না মরী মরী লম্বেল অক্তমদা লাকই । নহা অমনা

পাউ পীরবদগী য়ারেকলম্বা চুপী খরচুনা হোৎচিন্দুনা কায়ে। তুং থংহৌবা গাড়ী খরা লৈকাইগী লৈরক মচারোমদা থৈরগা লাঙ্গোকখিগে তৌবদা মৈ তিকলম্বা খরনা থৎচিল্লগা হুস্থোরকই। ফৌ ওইনা মথক মথক থংবা বোরা খরা থম্মগা মঙ্গুথংবদনা অতকপা থপত্তোক থৈদো- রবা চেঙ হাম। গাড়ী পরেং অনম্ব তুরেল মপানগী সোরোকলোমদগী ফাহুনা থৌজিলহল্লে। নোং চুঙ্গু ভান্দুনা লেচিন মরক্তা চুমিং অঙাংবা মকোয় অচু মচেক শেনা উনকপগী অচুদ। ফারবা গাড়ীশিং অচু পুল্লপ দরবাবগী মমাঙদা শরেং শানা লেংচনা থমহল্লে। তরাং চুনিদং অথেঙ দগী পৈচনব খরা অতুগ লেংশিল্লগা যেংবদা গাড়ীগী পরেং অস মকোক্লোমদগী য়েংখিবদা ... থং খংবচু রিন্দু ওইনা উগ- দৌর। মচুগা চপ মান্নব প লংদা খ চেং লাকপী কোকশেং শেংপী চুপীশিংনা য়েংলোম ম য়রোম কাগুপ নংতুম। লেপ্পী। লাপ্পপ লাপ্পপনা ভাবোং কিজাও জোনজোন হৎব চুপা ওহ মীহাও বযা পুল্লপ- পূল্লপ চোমলপ চোমলপ লেচৌন যাওবা শহনা লেংলি লেংলি লেরী। শাংলবা পরেংগী মযাইহাইদগী চুপী নহা অমন লাউরকই—"চেঙ মপান্দা!" মযাম্না খুম্মী 'থাগৎ!' অমনা লাউরগা মযাম্না খুম্মী

ঐথোযগী হপুক ককথংকনু।
চেঙ মপান্দা- ধ দোকম্ন
চেঙ খাবা পুনশা লেপকদবন
লেবাক্কী অরাব —খঙগনবনি
চেঙ মপান্দা— থাগৎ।

হৌনা লাউবা খোল্লাউনি চুপীশিংগ খোঞ্জেলনি। মিয়বা থোংলবা খোঞ্জেলনি চেম্ম নৌবম্বা যাওন। অচুব খোয়জী থাগী কল্লবা মল্লদগী চৌরকপ ঈহৌগ ঈরাংখোল ঈবোয়নবনিনা মোংদোন চিংথাইবা ভম্ব শাফু অমা হাংদি তরঙ আসদা ফারঙ- ম্বদা লেপঙে লৈরম্মবাদ মরা নশন উদবমথৈ হাইরমগনি।

খোঙ্গেলগী শাকু অাসদা দরবারগী ফক্লাং নীংখায়রকপী। খোঙজাও মহোম কাপ্পরকপগুম হাংদোকলকই অঙম্বা মরী খোকলকই। তুং থংবদা ঙরাং গাড়ীদগী মশা শাগনা লাক্তুনা চিংথবদা উপ্পা ভারকখিবা গুত্তো সাহেপ য়াঙরকই। মখোয় টৈবদা খোয়শাঙনরকপা পরেং অচু কাধরগা মাঙদা লেপ্লিবা নুপী অমনা লাউরকই

—লৈবাক্কী ইচেম ইনেম পুম্নমক—

নিল্লম্বা ময়ামচু থদক্ত চপ লেপ্লি, উনা রাইমুক চিকই; মুংশা খংখোক খোকলকপচুদা যন চদেকপচুগী মিংশাংদা ভোংলিবা হয়িং অতুনা থুমাঙ অনা কেক্তুনা শান্নরিকচুগী মখোয় ভাবা যাগদবোই নীংই। মো নক্তাতুনা লাক্তুনা হায়রকই—

- ইমা লৈবাক্কী মায়মায়লাই পুম্নমক। নপাশিগন্তু হৌজিক অঙম্বশিং লেঙথাবাক্ল। ঙরাংগী সাহেপত্তু থাদবিরক্লি। সেংগা মাইগা হায়নতুনা অপাম্বা পুম্নমক হাঙরগাদি। রারী তৌনবদি পুম্নমকা পুন্না তৌবদি থাদবনিনা ঐখোয় ময়ামগী মতুং শিনবা থরদনা তৌনবা। ময়ামস্তু ভাবিবো; ভাবা ওমদাশিংগীনা কোম্নমা ভমজরগে। অঙম্বা অম --করিনো হয়। হবেন নংগা না পাম্মিবদো হায়রো ঐখোযনা গুত্তো সাহেপতা হজংলগ।

নুপী ১—ইরেবাক্কা অঙম্বা হবগে শিংনা ভাবিরমক্রবাদ থঙাদ্র লৈবাক্কী মচম এখেহন হাইজাহনাদ কুহরে, উাস ঙরাংভগী নত্তে হৌজককন্ন লাউবা ভোকচাগ্রবান ইরোন অসিদা ফনমক কম্না লাউজবান মেতৈরোন থঙ বদবরা ইরৈবাক অসিগী মপী মপ গুইবিবিবা হবুংঙোশিংবো। ইরোন অসিবু ভমতুনা থঙঙবা ঙাংঙবা ইবুংঙো সা হপতা ঙরাং হায়জগ্রবনি; নগানসু হায়জাগ ঙরাংমং তন্তু মখোয় মহামনা ফগগ হারজখিবনি। ঙসিন্তু হায়জখিগে। ইরোন ভাবদবা ইবুংঙোশিং অচুম য়েংতুনা জাবরো সাহেপ আসদা হেঙ্গা হায়রগে।

সুপী ২ হঞ্জিন চঞ্জিন করিগী হায়নরুদগে ' ওরাং অতো সাহেপ ইশারা চেঙ-কৌ থাদোকপা তোকও হায়বগী হুকুম ওসি থোকনি হাযত্রবা নত্রা ! হুকুম অদু পীবিরে' । যেংবিরু চেঙগী পাড়ো মযাম লেহুনা থমজরিবসি । হুকুমদু হৌজিমক হায়দোক-পরো ।

সাহেপ- য়াক্কা হুথুম তৌবা ওমদেনে ।

সুপী ৩—করি ওমদনি ! ওরাংদি নঙ ওসি থোক হায়বা নত্রা ।

সাহেপ—অদুদি নঙখোয়না য়াকপ যাহুন পারীদগী চিংথবদা য়াত্রা য়েংগে হায়খিবনে ।

সুপী-৩ যেংবা নাত্তু থোকউ ; হুকুম হৌজিকমক থোকউ চেঙ চেঙপাক পুখিগদৌবিবসি উত্রা । থিংড নত্রবদিনে—

মৌ নহা- ঙাইবিখো ইন্দোনশি মগী মরা তাখিসি । করি হাযবি-রিবা সাহেপনা ?

সাহেপ- য়ক্কা নখোয়গী অঙম্বশিংদা যজনা হাংরবনি । মঙখোয়না হাযরনি তারো ।

সুপী—৩—নশা থোরক্তুনা উম্মরে নঙ অদুম হায়রো । অঙম্বশিংগী পাউথাং ওত্রে, খারে । ওমগদবা অঙম্বা অমগা নত্রে মখোয় চাকথুমদা থাবৈ-চেগপ পায়দনা লেরগদবা ঙাক্কা ঙাইরে । হুকুম হায়দোকও খীল্লবন ।

সাহেপ- যক্ক পীবা ওমদেনে । নঙখোয়গী শ্রীযুৎ মহারাজ চরোন । মাদি নবদ্বীপতা চৎখরিনে ।

মৌনহা—শ্রীযুৎ কা মহুৎ শিন্দুনা সাহেপনা হুকুম অস থোকপিয়ু

সাহেপ—মদু নিয়ম নাত্তু ওসা যারোই ।

সুপী—১- চমদবা যারোই হৌজিকমক থোকদবনি ।(লাউবা) কাম্নরোই হচা-ঝা হনাওঝা, হচেন হনেন পুম্নমক কোয়াশল্লো, সাহেপ মরৌ হৌবে । চৎচনখিবা মাদে মবেম্মা এখোযগী ইতিক থঙাল্লসি ।

ময়াম হুপচিল্লকই অঙগম্শিংনা ঙাক্তুনা থাম্মি। হুপীশিংনা য়াদে। মরক্তগী অহল অমনা 'হুপী শোকন্নু শোকপা য়াদে।' হায়দনা লাউরক-পদগী নাক-যেংকী ময়ামহুনা লাউশিল্লকই হুপী শোকন্নু। ইমা শোকন্নু! ঙাইনবা ঙমদবা মখোয়দি টচী মথুন চঙখ্রো হায়যু হায়যু! হায়যু। ময়াম লাউশিন্নরকপগী অতুদা অঙগম্শিং নাপৈহুনা মরক থায থাযহুনা মাঙনখরে। শুতো সাহেপতা ঙায়হৌবে। নকশিন্না কোযশিন্দুনা হুপচিনবা হৌরক্ল। মো নহাহুনা ময়ামবু থঞ্জিক থামলম্মগা সাহেপতা হায়রুই -

মো নহা সাহেপ ঈরাং অসি হেনজিনখিল্লিহৈদা হায়দোকপিহৌবা।

সাহেপ -মচু নিযম নাহুনে সিন্টর।

মোনহা অথু অকাযগী মতমদা নিযম থোইনা থনবিরুন্ন

সাহেপ—মহারাজগী সনা যাথং য়াওদ্রবাদ ঐ করিস্ত ঙমদে।

হুপী ও হুজিকা নপু নশক থঙবিরেদা। ধপতু তৌরন্নু সাহেপ য়োংভাংতু চঙক্রবনি এখোযদা হায়দোকউ নক্রবদি ককচেংনা ভিনপেক

মো নহা মচুক্কা ঙাইহাক্ক কাধবিখো ইন্দোনশি মীনা ব্রা মথক খংথি-গদব থনকান থাকহনবা মন্ত্রি শ্রীযুংকী মাহক্ত য়েংখিনি। (সা হপতা) অদুদি সাহেপ স্নমদৌরসি, (লাপ্লপ্লদগী অননা লাউরকই থন্নকবন্নু পোকথংহিনে হাঙথবী অথুহবাদ।)

সাহেপ—করিস্ত তৌবা যারোইনে সিন্টর।

মো নহা দাহখোনে। তৌভিক শ্রীযুংদা টেকিগ্রাম তোরোনে। চংসি টেলিগ্রাফ আপিসতা। মরোল ক এদোরকরসি। ঙাইগে।

সাহেপ -মহারাজ লৈরমদনস্ত যাই, অসাময়দগী তৌরক্লবন্নু যাই (মব-রুগী অমনা লাউরকথি- নঙনা হেক থঙজ্রনে থোংক্রম অথবী চমক্লু নঙনো।)

মৌ নহা—কৈরগদগন কৈবমাক্ত হংদনদি খংবা ঙাখনিনে।

সাহেপ—কেরমজ্রবদি মতম কান্নদবদা মাঙদি

ভুপী—১— শীগৎ মহাবাক্ত মফম অমদা নত্রবদু অমদদি লৈরমগনিদনা

থিগদকনি। ত্তৌ হৌজিবমক তৌ চৎসি।

সাহেপ—তৌব কান্নবাই

ভুপী—৩—কান্নব কাহুদবা নচব লেংদিং মাহে। নৌজিকমক হৌদাংবনি।

হো ইচাঝা টেকিগনাম তৌ হাযবদা মারী তৌদৌরে।

(অনকপদগী অমনা লাউরকখি কান্নরোক হেক্তা ফোযদংলোনে।)

খাম্বা নংহৌদে তুং তুংলাগদগী হে ক্লাউ মখল মখলগা লোযননা খংইন খংইন শম্নবাক্স। তুপাংলার তুং-দেকপা ক্ষেপলদ মবী-মঙ শং শং কৈংংলেক্তুনা সাহেপক মশ শাগল তাপ তাপ পাযত্তুনা চিংলবে। খা রাং মাঙ-তুং চিংলদ সাকপা অসি কৈ ন রক্তা লৌশিং মাচ রাক্ল মযম চঙলনা চিংবক ইংগ ঙাং কৈ তৌত্তুনা ডাবঘরগী শঙ তাম্না পুররে। মহাগ্ম ইংক শঙৌ তামুক লৌরাক্ল পাম্বি উদ্রনা সাহেপনা টেকিগানা ফুহল্লগ হাংদনা কৈফনা চেনশিনখরে কম্বংৌবা তুপীদা হুম্না কাংবা হংলমদারে। হেক চঙলকপগা থোঙ থংলোন লোনশিলহল্লগা লৈরম্বা সিফাইদা দবল বেঙ্গল খোংহল্লে

দবল বেঙ্গল মতমসিদা খোইবিনিংথৌ মহুমদা মৈথিনজেনা হন্দুনা ওৎপনি। হাম্নবা শেমশাহুং। কেরবা সিফাই মপৈ মপৈনা নোংমৈ মতোনদ সঙ্গিন পানশিল্লগা নাইকৈ অহুমদগী তুপথরকহ। খোল্লাউ অমগা লোইননা পাইশিল্লবপনি সিপাইরবী তুপী থরদি মমাৎ-মনা লংখৎলদনা মাইগৈ শলাই খঙদনা চেনাগ তৌই মৌনহানা যোংলী তন্না মখোঙগী রাংতক তৌবা মফমদা ফং কাখৎলগা লাউরকই—

—লৈবাক্কী ইমা ইবেল ইনেম-ইচেম মকপ-মপাঙ পুন্নমক! কাযবিগন্ন লৈরি লৈরিবা মকাহুদ কেঙদনা অহুম লৈবিন্নু। ঙাংগদবা লাউ-গদবা অহুম ঙাংবিয়ু লাউবিয়ু। মখোয়না করিন্নু তৌবা য়ারোই;

করিগনু তৌবোই। ঐখোয়না তৌবিবা থবক্তা অপনবা করিস্ম পীরোই। করিমক্তা মুংশা থৌশিগনু পাথংপিগনু মখোয়দদা লক্লবিকনু। অদুম কেপ্পুনা হেনগনি। মখোয়দা হয়্যা ফাওবা হেংবকনু। চুম্না হুম লাকচবগী য়াদনি খুন্নিয়ু— (মরাম্মা খুম্মী)

ঐখোয়গী ইপুক ককথংকনু।
চেঙ মপান্দা থাদোকনু
চেঙ থাবা খুদক্তা লেপকদবনি।
লৈবাক্কী অরাবা খঙগদবনি।

হাম্নগী খোল্লাউদগী শক্লক অদু হেন্না হৌবা শোঙ্কেলান। অহানবা ওইনা থেংনবা সিফাই হরাদি ওন্না হেংবা যাওই। মকোক থোংনা লাকপা খরা চাউবা সিফাই কমন হাযবদগী তরামুক্তা মযাম্না পল্লোন অহুমলোমনা নকাংশিন্দুনা থমখ্রবা ডাওঘরগী খোঙ্কাও অদু শম্না চঙনবা লাক্লরকই। চৌ নহাক্তা লাইংরকই— হঙবা যাবোই। গুতো সাহেপ পুথোকখিন্না যাবোই। সিফাই অমত্তা চংবা যারোই। অনত্তা চঙহনবিগনু উশিত্তব যারাই।

যাথং ইল্লিবা সিফাইশিংগ মথৌ শংখ্রবী, তৌজিক্লনু অমুক্তা মঙল হাপ্লবী লৈবাক্কী চম্নুশিংগা যেংলোম মাযবোমগী পল য়ানশায়খ্রবা ঈশিংগুম ঈরাযনরকই, হাধনবকই; ঈহৈনরকই। ঈনশিন্নরকই ঈখায-নরকই ঈপুন্নরকই। নোংমৈ কেংবান্দগী লৌংবা নংহৌবা মযাযগী পরেংনা শংঙন মতোন শীংদুনা লাউরমই- হন্দোকখ্রো নত্রবদি কাপ্ল-গনি। পিং লাউখ্রবী মীয়াই চল্লবী হুপী অমনা মরক খায় থায়দুনা হোৎচিন্নরগা লাউরকই—
—করি নমা মশক খঙদব হুই। লম অসিগী মচা নত্রা নখোয়! নমাগী খোয়াংনা চাউবা নত্রা মহা চান্দাল! কাল্লু! কাপথংলু থবাক অসিদা নত্তিক খঙগে।

হায়রম্মগা ঙঁশ্লিবা মপান শেগায়গৌরবা ইন্নফি অত্থু লংশেল্লম্মগা হোংচিল্লকই। মাঙ্গদা মথুং শক্তুনা লেপ্পশিন্নবা সিফাইগী পরেংনা চেক্কশিনবা নংক্ষৌঙ্গ্রিঙ্গৈদা মুশী অসি হুং লিংশিনথি। লাউতুনা খাম-লম্বা মৌ নহাঙ্গুনা ফম চোংথরক্তুনা মুপী মীয়াই অত্থু তম্না চেনশিল্ল-কই। শঙ্গিন শীংতুনা লেপ্পিবা পরেং অলোমদা, মুশী অত্তগী মমাঙদা মথুং ভিংথোক্তুনা থংলেপ লেপ্পগী অত্থুদা তুংলোমদগী অনৌবা ঈনোং অমগা লোয়ননা খংঈন ঈনশিন্নকখি। তকথোক্কে হায়তুনা ঈনশিল্লকপা সঙ্গিন পরেং অভুগী নক্কবা মত্তোন অনীনা মৌ নহাঙ্গী থবাক য়েংলোম মায়রোমদা চক-চক থিনখি লাউরেই থাকলম্বী নহানি খঙ্গৌদনা খজিক নাহেরকখি। শুতো সংক্ষেপ তম্না চোংশিন্নবী মুপী অননা লাউরকখি—

—ইচে সঙ্গিননা খিল্লে! ঈনা লোইরে! হাংলে হাংলে!

মৌ নহা অত্থুনা হাধরক্লিবা ঈখেঙ অত্থু মথুং অনীনা মেল্লগা লাউরকই—ঐ কৈস্নু তৌদে। খজিক্কুং খেৎপনি! ময়াম লাঙবিগন্নু।

মরী মরী শিন্থরক্লিবা ঈখেঙ উবদা শুইদবনি হায়বা খঙ্গলক্তুনা মৌ নহাঙ্গুবু কোন্দুনা পুথোক্লরকই। ময়াম পূন্নমক মঙোন্দা পুক্লিং চঙনরকই মঙোন্দা ঙমশিন্নরকই। অচেৎপা তাঙ্গা খজিক কংবদা সিফাই-শিংনা ঈন ঈন্দুনা তকথোরকই। মতাইরোমদা মী খরা কায়তুনা হাইদোক্লরকখি। অশোকপগী মতুং ঈল্লকপগী অত্থুগা মপা চাননা সিফাই-শিংনা তুংলোমদগী ঈন্দুনা ফুত্থুনা সঙ্গিন উং উংতুনা তকথোরকই। তুংগী পরেংদা থংননা লৈবা পরেংদা মুপী খরা অমস্থু সঙ্গিন মত্তোননা শোক্লখি। ঈখেঙমক হাধখিবদি নত্তে। ময়াম চেম্নরকই। সরক্কা তুংহৌবী অহল-নহা খরা অমস্থু কানবা নংহৌদ্রতুনা নেৎ নেৎতুনা চেম্নখি। খঙ্গহৌদ্রনা নক্কপ নক্কপ তৌবা অকোইবদগী নোংমৈ মখোল তাব্রকই—প্রোক-প্রোক প্রোক—! অশোকপী অত্থু লায়রেংশঙ্গলোমদা পুরকই।

অনৌবা সিফাই মনম মনম থোমজিল্লক্লুনা মডাইদা লাপ্পা লাপ্পা তিল্লিবা কাণ্ডবু অদোমদা শনশিল্লক্লুনা তানখায়খি। মীচম অমগা সিফাই অনা অনীগগী চংদা চেংনা ডাকখি। মডাইগী মীয়ামনা ঈথেঙ তাখিবগী পাউচুদি খদক্তা তাবা ফংখিদে, তাবা মংদ্রিঙ্কৈদা নোংমৈ মখোল যামদি সাঙ্গল মতোনগী অহুং অরংব মডাম মশেক্লা তানখায়বনা হানখি; নত্রগনা লেডাক চুপ্পগী মায়কৈদগী চীনংখি চুপ্পগী মায়কৈদগী হিজমগী ইমুং অংদা সিফাই খুংপু আচৌবা অম থাডনা মতিক লৈবা নহাদগী মখাংবোমদ কপিলক লেংক্লনা হুপা অমবু ফাজিনখি। চপ্পনা শাব্রিবা মরাকদি "বাহিমু খঙজদ্রবী চমক্করবী হুপীশিংবু ইরাবোং নঙন খাকচাল্ল: ঈশ্বর তোপন শৈব বশুমশঙদা পাম্লাংদবগী মরম কৈতো"

হুমাং কয়ানীংকুগী পুনং মুংকল্লব সনা কেদেন্দগা অহীংনোং-যাং চবুক চবুক্ত হুপী থাঙ্গল অমা মথেক শেংন হেক হেক তানখি — "পেলেম শমাগ ভেম্পাক্ত মমোমগী ঈথেঙ তাখরে, লেপাক থাণ্ডবা রারান; পারী তামাংশা হৌগংলো! মীনাই য়োংহৈলং ককখং-লো। শক্ল যংল চাখংশিদ্রিক্কেদা ককখংহৌবো!"

কেথেল লাইবস্থাংশু হুয়নৈ লৈপাক লেমনিস্থ হায়নৈ। কৈদা-প্পুংলোমদগী তারবপ তপ্ত তাহ বনাস্থ চঙবা ডমনদে। অহীং শথৌ পুংগা সিফাইশিং তাবা যাংদে। মথেক লৌফম খঙনদে। থোঙ্গে-লগী আহৌবা অমদি অবে হবদা তেপ চপ্পিবা নাচে-তে থাগী হুয় অহুদি হেন্না কিরক্লবা মচাক লৈনৈ।

অহীং অমনি। মমৈ ওইশিল্লকপদ বোলাইনা অহীং মথৌ তৌরিবা চৌকিদারশিং সিফাইশিং য়েংশনগে লোয়নন কারি করম্বা পাউ লেখগে হায়বস্থ য়েংগে হায়ন খোকলকই। মে অকাপী অহুগা লাইচৈ অমগ অচোনব কোর্ট অহুগা উবদা কৈশুমশঙ মপানগী থোঙ্গান ময়াদা মে তৌব্রিবা চৌকিদারহুগ সিফাই অনীহুগনা মশক খঙই। বেবা চম্পা চম্পা সাপ্পপ চংলিবা বোলাইদা কৌরকই—

- সলাম জাদা বোলাই। (সিফাই অনীস্থু সলাম তৌরকই)
- সলাম সলাম। ঈংগুনকো রাকাচং অসিদি কালীমু
- ওসিনা খরা ঈংগুম তৌই মৈ তাকচরম্মীসিনি।
—ত্যাটিনিনা ঈংবা যাবা নত্তেনে ঐখোয়দি হা ?
—অচুম্বনি ইনাও সিফাই অনীসিগ মীরোনদা হৈবোই হৈজবোই রাবী শারম্মিবা।
—হৈ-হৈ। তমশিন্ন।
—হৌজিক্কা মুপী খাজেল অমম লাউখিবহু তাবিহৌত্রা ?
- ঐদি তাহৌদরে। লাইরেম্বীন হায়নবহুরে ?
- লাইরেম্বীনি হায়দনা ক্কিনবদো, অদো, 'সফাই অনীসিনা হায়রিবা মীনি মুপানা মুপী মখোলদা লাউবা, কানবা শীল্লনি হায়বিরে।

বেলাই খায় লাউহ। খুৎকী পাখং মচা খরনা মকম মতম লোন্দা ওল্লগা লাউবনি থবক অসি বোলাইনে তমুদোননে কেন্ডবা মাইবনে মখোয় অহুম্মা শীনবনি চুম্নগী অহম্বা পাউ তাবগী খোইনা লূখনা খল্লুদবগী মও'দা রাহৈ অনৌ মরী চাহংম্মগা বোলাই মাগী কারোমদা হল্লকই। নোং ভানবা ভাইতমদে একাগাড়ী ইন্দুনা থোকলকই। মপানগী থোঙ ভাকপ সিফাইশিংদা অথুবা থবক লোয়ে হায়দুনা হাংদোহল্লগা মৈ কাপ্তুনা খোরকই কেন্ডবগীদা লাকহ। থরোনা তহাতহা হৌগৎলল্লগা, হংলুবদা নাতোন চাউরপ ভৌবা সুর অমদা তাকলকই—
--নৈবাক পুম্নমক্কী মাইবনিনা অসোম তেরাবোমদা নহান খাংজা মুমীত্তগা লৈখ্রেনে।

ভাব তারবা বোলাই খজিক মোমোরম্মগা তেরারোমদা মোংশোং খরা ফাওরগা খোইংলু। তেরাগী তেরা মখোঙ অমদা ভানবী লে। ভানবী লৈমনি। বামোন অমদা যুম পানন্দগী সমাজনা খামুক খামুক তৌবিরকপনি। নৌনা লুপ্রা ওইহৌরবা মতাংদা মকম ইখঙ খঙদবা লায়না অমনা নাবদগী কেন্ডবনা লায়েংবনি। করল্লবা মতাংদা কেন্ডবনা

নকশিল্লরক্তুনা, মচন-মশেননা থনবা অঙাং নীংজববু মমা শক্লা নাউকোন-খিনবা হাৱহুনা লৌহুনা থম্মবনি। মৱীল লৈবী মৱৌশিং চাউৱবী লোয়ননা মবুক চেংশী সুপীনি। বোলাইনা হন্না হন্না চাং য়েংলবা মতুংদা মনীং মায়কৈগী অৱোনবা মৱুওইবা পাউ পীথোক পীশিনগী থবক শিল্লবনি। কুইনা মায় পাক্লা থবক পুৱক্লবীনি। অমুদোননস্থ য়াম্না থাজনা ভৌবা অচওবা মীওই অমনি। বোলাইনা ঙানবীবু উন্ননী·হুনা লৈরম্বনি। য়ৌনীংনা থৌৱকই। লম্বেল অহু অনৌবা থোনবা ওইবনা য়ৌৱমদাইদা গাড়ী থৌবা সুংঙাইজ্রবনা কুমথৱগা ইল্ল-কই। অমম অঙাল শিল্লরকপমক্তি নত্রবস্থু চৌংথৈগী মমী তম্মক্লবা মতাংনি। য়ৌগদবা থজিক ৱাংলিঙৈদা মপা লাকপা ওইনা থোঙ্গা-ল্লোমদা য়েংথোক্লুই। থোজান মক্তদা মীগী শক্তম অহুমপক উৱকই। নকশিল্লনা চুংশিল্লবগী মওংনি। বোলাই মবুক্লি'দা চিংনবা অমা থংফাও ফাওবকই। চপ লেপ্লগা ঙাইহাক থল্লি গাড়ী অহু খোংনাং মথোং-দা তপ্না তুথহুনা থনম্মগা শম্বললোমদা নপশিন নপশিন্দুনা চঙশিল্লকই। নকশিল্লক্লবা মতাংদা ৱাৱী সু-সা সু সা শাবা তাই। ময়েক মশোনদি লৌ-শিনব ঙমাদ। থৱা অমুক্না নকশিল্লি মথুং নাম্মা ফুৱিংখাওদা হুমজিল্লি। চাংথৈৱোমদস্থ ফল্লপ য়েংলুই। থজিক অমুক নকশিল্লক্লবা মতংদা শক্তম অনানা সলাম থোক কোংলম্মগা অৱাংলোমগী লৈৱক্লোমদা তহা-তহা চংথি। লৈহৌৱিবা শক্তম অনহু যুম্লোমদা তফাং-তকাং চঙথি। সুপীগী শক্তমনি। বোলাইনা নাৱোনদা হোংচিন্দুনা মুম্না য়েংহৌই। শক্তম অহু লোলাম ওইনা শাৱিবা মথা শঙ্গোয়ৱোমদা চঙশিনথি। ঙাইহাক লৈবনা শগোল অমা থৌথিবগী মথোল লাপ্লপ্লদগী জাৱকই। অস্থম লাপথোকথি। চৌংথৈ চান্না হুমক্লে। গাড়ী লৌৱবগা মওং চুম্না অমুক চঙলকই। ঙমাং মতোন্দা গাড়ী ঙাৱম্মগা চঙলকই চুৱীদা লেল্লগা অমুকতং থৌদেম্মগা হৌনা চম্না কৌই—অসি তাদা কেওবা লৈখিব্রো? তাদা!

মথা শাঙ্গাইরোমগী মথক থংবা মুমদগী থোঙ থংহা হাংদোকলকই। মুপী লৈশাবী অমা থোকলকপা উই। ভুম্মুবা হৌগৎলকপা মান্দে। হংলকই—

—কনা ওইরবনো ?

—ঐনি ইবেম্মা তাদা মাইববু ?

—ইতৈদি ঙরাং মুমিদং অনাবা অমগী কৌরদুনা চৎখি।

—হল্লকঅম্মনিনা ?

- হল্লক্রি। করিগী ওহরবনো ? ইচেদি লৈরগনি হৌদোকচোরো ?

—অ—য়ারে তাদা মাইবা উম্লজগে তৌবনি। কোম্না উম্লজরগে।

ইবেম্মবু—অসি ইতৈমা ভানবীগী- ?

- হোয় মনাঙল্লপীনি

—এ, এ ঐখোয়দি থঙদেদনা। ইবেম্মা, নহান্নাই ঐনা অমুক লাক্লম্ব-হুদাদ শঙ্গোয়দম্ব যুম লৈরমদে ইবেম্মম্ব উরংদে।

—ঐ চহী কুইদ্রি ইচেগী নাক্ত লেরবা। ফনাদ কুইবে.. এখোযগী ইতৈগী ইমান্নবনি করি কৌদোনো থঙজদংগী —

—এ, তাদ হেক কৌ ইচনসিদি নতৈদা ঐনা তাদ কৌজবনি।

—ইচে হৌদোকচগে ইচেদি চৌবু হৌগৎলম্মনি য়াহৌ ভনবনি।

—য়ারে হবেম্মা—ইচনগী মিংনা করি ?

—তম্ফা বৌক্তৈ; তম্ফাইবেম্মা।

—ইবেম্মা তম্ফা যারে হবুং য়ৌরগে ইচেগী উম্লগদবা নত্তে। য়াম্না থুবম্ব নত্তে। কোম্না ভাংনম্নিরগে। য়ৌরে ইবেম্মা।

—ফনি।

তম্ফাইবেম্মা ! মিং অসি বোলাইনা থম্লি, তাথয়ে, তাথিবা নত্তে উথিবনি, কদাযদা ? মানি উথিবনি। কদায়দনো ? চুম্মে কেপত্তেন প্রাক্রমগী চাকপাদা। চহী অনীমুক্তা মনাঙদ ? অনৌবা চহী হৌরকপগী

অহুদা প্রেতমনা লেপটিনেন্ত ওইরিভৈদা, কেপ্তেন কায়মদাইদা বোলাইন পাউ অমা পীগদবগী ঙাইবা শাহুনা প্রেতমগী য়ুমদা মা ফমফম কাদ কৈবা মুমীৎতুদা উথিবনি। কম্পানীদগী লাকপা মবক্সা ফংহৌবা পাউ অমগী অর্থ খঙনবা লাক্লদা খঙনবী লোন্দ। অমগী অর্থ খঙনবা লাক্ল-রকপদা প্রেতমগী অপীকপা লম্লাইগী ডাইরী অহু অমুক্তং য়েংনবা ঙাম্ল-রকপনি। চাক চাবা লাকখিবা অহুগা ঈরুজফম কাদা চঙখিব। উবদ বোলাই অথুবা অরুবা পাউ অমা পুরকপ শাহুনা চঙথিবনি। ঙাক্রিব সিফাই অনীহুনস্থ মশক খঙবনিন। খিংদবনি। মীরৎ-নারৎ য়েংলগ। প্রেতমগী তুমফম কাদ। লিংশিন্দুনা ফিয়ানখোক্কা যাল্লস্থ ফুরিৎকী থবাক্কী থাউদগী তহা তহা শৎলগ। ফাক্রুনা পারুবনি। লামায মরী মঙা ফাকলকপগী অহুদা ইরুস্থা থেংনখিবনি ভক্ষাইবেম্মা—খবর- ফাইৎ—সাহব কো— রাত সাঢ়ে গ্যারহ বজে- হংহরপ পারুংনি। মথৎ মথা শৎ শৎ ফাকখিবনি। খঙ্—লোংগী রাতৈ যাওরম্বা থেংনখিদে। অহানবা তহা তহা পাবদা 'ভক্ষাইবেম্ম।' বু তম্ফাসন হায়না পাকবনি। অমুক হল্লা য়েংলুবদা 'সনা'গী মহুৎতা 'ছাবেম্মা' উরকপনি। মশক লম য়োনা ফজৈ কীবম চুং-কঁয়ান চপ চাবনি। মীকৌ-মীরাক যাম্না ফংহৌই বোলা-ইগী চিংনবা অম্লম অস্লম তেঙ্গিল্লকই।

মখোল অমদি খুদম রাঙাং খঙবী ঙানবঁনা ছাযাংগী ফি যোমবা কোয়না চৎপগী মরক্ত জেললোমদা হাইক্কিল্লক্রুনা বোলাইগা উম্নর। বোলাইনা য়াম্না শম্না অরোনবা প ড় লৈংথ্রিবাস ভক্ষাইবেম্মদগী মাল্লি-চান্নরা চিংনরে হায়না ময়াঙদা কিং লম্ম'। ঙানবী ভাবদা খায় লাউই। ঙাইহাক রা ঙাংদে রাথল তৌহনা লে। ঈংনা লৌশিং তাবী অথৌ-বীনি, তপ্না চীংলেম্না হাযরকই—

—বোঙ্খুবী, ঙসিমক খঙঙগা হয়েং ফাওবগী মন্নুংদ। হায়রক্কে। অশেংবা ওইরম্মবদি পাউ লৌবা ঙাবনি শেম শাম্নো।

ঘোলাই ঙানবীদা খংযেং যেংখোয়রকই। ঙকপা মহ্নপা ঙ্খায় লাউবদি নাত্তে। চহী লেঙ্গানি হায়দনা মবানী 'ঘোঙ্গুবী' কৌনৈ। 'পাউ লৌবা' হায়বসি থূংকী খঙনবী লোন্দানি, লোইশিনবা হাংবনি।

ঙানবী অতৈদা ফৈদোকউদয়ে ময়ুম পাংনা চংলক্লে। মনাওহুপীবু উয়রকই; মাগী লীচং শাক্ষং নীংশিংবা হৌরকই। করিস্নু চিংননীংঙাই ওইবা কংদে। মপা মমা লৈত্রবা মতুংদা মানা নাউকোল্লকপনি। লৈকাইনা নাক য়েংনা ইন্থোকপোই করিবোই লৈকবনা ঙানবী মনাওহুপীবু শাগৈগী অয়াপ্পা মামশিং অমগীদা লৈংনবনি। য়াইস্কুলগী নৌনা লিংখৎপা হুপীমচাগী স্কুল মদা লাইরিক তমজননি। অঙাং ওইরিভৈদগী থবা ঙাওনা হৌরকপী ভক্ষাইবেম্মনি। মপুঙ মরৈ থজিক ফারকপগী অহুদা মকম-ময়াং ইথঙ খঙদনা হুপা পাথং লমদা চল্লুরে। হুপাহু কয়াম্ম শুক্তবা হুপী অঙাংস্তু লৈবা ওইবন ভয়ানী কুননী মাঙলুরবা মতুংদা ফাদোক্লহুনা থম্মকপনি। হুপা অহুস্থ হৌখিবা চেঙ তাঙবা কুম অমদা, ক্নৌ খঙবাইদা লুপা অহুম মথায হৌরকপগী অহুদা লংস্কৈদা থবক শুবা চৎপনি হায়দনা চংথ্রগা থোবাল্লাংদা লুট তৌবা য়াওরমদনা খুননা ফারগা য়ৈবদগী শোককম চাদবদা শোকপদগী শিথরে। মাগী মামশিং অহুনস্থ মাবু থমনীংদয়ে। মামা শীনবদগী কাছাভড়ী কাগা কাবৌগা লাল্লোনবা হুপা অমদা পীহুনা মপানদা ফনা কুইনা চৈকরে। চংনবীবু অমদি ধর্মবু লুনা তৌজবা লখীপুরগী ইমুংহুনা শোইনাইরবী মাবু য়ানীংখিদে। অহুমকপু লৌরিবা হুপা অহুনদি যাম্নিবনিনা লৈথিবনি! অহুবু হুপা অহুনস্থু চহী লেঙ্গা চাকাত্তবী ভক্ষাইবেম্মগী লীচং-শাজংতা চিংনরকপদগী মণিপুরদা থিল্লকখিবনি। মচেনা পুশিন্দুনা থম্মবান। নোংমা কোম্মুংদা জগোই রাস অমা য়েংবা চৎপদা কোম্মুংগী শিঙ্গ অমনা মশক মতৌ শাবান মরাইৈ মথোল তাবদা হুংশিনা খোয়দানা খোকলুবদগী মাগীদা মচা মনাই ওইনা থমখিবনি। চৌজিকস্ত খ্বাইরস্বন্দ ময়াগী শিজগীদা অমাম্বা মতমদা চংলি। লৈবদি নস্তে। লৈনীংবা মতাংদস্থ মঙানি কমানী ধনুমদা মমুবেদৌমা লৈথোকই। শিজগী অঙাং

মল্লাম শেল্লহুনা অন্নাকপা মী খথোক-শংকশিন তৌহুমা লৈবনি। মিং-দাম্নে মশক মতো. ভৌন লোমচংনে শিকসিগী ইমুগী মীওইএক মাল্লি। ময়াম্না শিজগী তম্বাংবম্মা কৌনৈ। মচেগ। য়ুম অমত্তুদা মতম থরা লৈমিন্নরম্মদগী শঙ্গোইদা মথক্তা লৈগে হায়হুনা লেখিবনি। শিজনা মথা শঙ্গোইদা দোকান মচা অমা শ্হনা শাবিখিবনি।

লমশাং চৎলকপত্ত ভানবী ব্রাথংদা লুপতুন লাকই। চিংনবা মুংঙাইতবা, শাটিনংবা ভাইবনা পংবেমদগী ঈংক অমা মুংদ ঈরা-য়নরকপনি মঙাংলুইগী চৌস ফংবগী কৌচৎ হম্না হম্না নীংশিংদুনা যেংই চপ্লপ তৌবা য়াবা নতে অমত্তা নীংশিংবা থোক্কে থাজনা ভমদে। অত্তুবু শোক্কবী লালাইদি অচুম্বগী য়ুমফম য়াওদ্রবদি রা ভাংথোক্কবা মীনি। অতুগীম্ম মখলা মত্তাং অসিদি অয়ায়বস্ত নাত্তে খুৎকী, লৈবাক্কী অমদি মাংহম্বনি।

য়ুমদ তেপা চঙলবই। লোঙ্গদ নীতম থেংনৈ হংলুই—

—ননেত্তোন লৈহৌত্রা?

—থঙদে। হৈলহৌদবনি।

—কদায় চৎকনি হায়বম্মী?

—থঙদে, ঈরুজনা চৎখিগম কৌবনি।

অত্তুম চৎথদ্রে। কাথৎতুনা যেংই। শো লোল্লম্মী। চিংত্তনা য়েংই। ভগেংনা লোংবান। হেক হেক থম্বা শোকৈ থমফম থোঙ-বাহুদা মাথৎতুনা য়েংলুই। হেংনদে। নাকনগী থোঙনাঙদা য়েংলুই। মক্কি মরোল থরা চাইবা নকুনা অকৈ থোকনা ওনবা উদে। ভাই-হাক খল্লি। খংনীং নীংশিংকক্হ অহৈ মানা শায়লিম্মা কাউনপ্রবা শোকৈ। মপুল্লোইবগী চিদাক-লাংথক হায়বা উপু অহদা য়াওদম্মী। ইল্লুবা অথাবা কি অহু থনম্পগা অয়ুকপুক্লোংবী কাই অহু ইমগা অয়ুক

কাখৎলকই; থোক্ত হাংদোক্তুনা চঙই। হেক চঙবদা মুংশিবা মনম অমা হাইরপ কাওরকই। মানা অমুক-অনীরক খঙপ্রবা মনম ওইনা তৌই। নীংশিংবদি পোক্কে অতুগা পূমনৌ নৌবা ওইনদি থোক্কে। মোন হাইগৎলগা য়েংই য়াম্না পীকপা লিক্লি অমা লশিংনা তম্বায় মুক য়োম্মগা লৈবা উই। মতুদগী লাকপা মনম শেংলে। নীংশিংলকই অসিগুম্বা লিক্লি অসি ১টী থরগী মমাংদা প্রেতমগী ওফিস কাদা মেজ মথক্তা উখি; অমুক্তা নোংমা শিজগাদা চৎলুবদা অহাংবা অমা অম্বারী মথোঙদা উখি। চুম্মী শিজগী ইমুংদসু মনম অসি নমখি। লুথুমগী মোম্পাক খজিক কাওখৎলগা য়েংলুই। চাগী থুজী অমনী লৈ। কুই-রবগী মখাঙদা লংকৈ চৎলুবী শিজনা লৈবিরকপনি হায়না শিব। থেংন-খিবতুনি। খজিক অমুক্তা কাওখৎলুই। পীক্তা তাশিনবা ফিগুম্বা অমা উই। তপ্না লৌখৎলগা তিংথোক্তুনা য়েংবদা মানা লীৎপা মঙ্গংগী হুকথং ফুরিং মচা অমা ওইরম্মী লৌখৎতুনা য়েংবদা মতং-মতং তংপদৌনা তৌই। ওানবী খজিক অমুক চিংনরকই। মফম মওং কায়দনা থম্মগা খুয়ারোমগী হাইগৎলুই। অমুবা লংগুংগী মরী ভতু তৎলবা কোরীগী যন্ত্র অতুগা লৈবা উই মাগী মখাংদা শিবতুনি। থরগা হাইগৎলুই করিস্ম লৈতে। তপ্না থাধরকপগী অতুদা চে মচেৎকুম্বা ভোক্তপত্র মচেৎকুম্বা অমা মোম্পাক্তা নপতুনা লৈরম্বদগী তারকই। লৌখত্তুনা য়েংলুই। চে মপুম অমগী শেগায়হৌরবা মচেৎ অমনি। কাঙ্গোইগুম্বাময়েক মশীংগুম্বা থরা ইরি। মানা মশক খঙবা ময়েক নত্তে। লৌশিন্দুনা ফিরৈদা য়েপশিল্লি। কাচিনদা খিল্লিবা অম্বারী মচাতু শোকৈ অতুম য়াঙরি। হাংদোবলুই। মাগী শেংন চানবা মফি-মরোলনি মীংথিনা মচু তামা থম্মিবা উই। ওয়রোমগী খোঙনা অতু কোচি হুক্কোক্তুনা হাংদোক্লুই। ফি থম্মা নীংথাহ্নরকপদৌনা তারকই। লৌখৎ-লগা য়েংবদা মমুংদা শেংলা খোংগ্রাও মচা মরী অঙ্গা তাশিল্লগা থম্মা ওইরম্মী। লোইনবক মোংলম্বে। অমা অনীদি মনম চেন্নে। তক্কাদি

নহানব্রাইদগী হৌনা অযোৎপা ফি নমহুনা থমগন্দে। শেগায়জরবা ফাওবদা ঈশিং মনম নয়া থমগল্লি। ঙানবী খরগা হেক্লা চিংনরকই। থম্মিবা ফি মরোল অমনী কাংথত্তুনা যেংলুচ। মফম ইথঙ থঙহৌদনা লংদারনা যোম্বা হিদাক গুলী খরা চাইহুন' ত্তারকই। থুনগত্তুনা য়েংলুই। থারিবতু থঙদে। অমা লৌশিন্দুনা য়েপশিল্লি। মখা ইথং থংবা থাকক্তী অ'রাইবদা ফি খর তাইগংলগা থুংনা তুমজিন্দুনা মারুই। চে মযোম মচা অমা থেংনৈ। ফাক্তোক্লগা হেংলুবদা সনাগী লীক মরী মচা অমগা নাদা যানবা হাইবারগা শুইরম্মী। পোৎ অসিগী রাফম ঙানবী থঙদে। অহুবু চিংনদে। থমখ্রগে হায়হুনা য়োমশিনবা হৌর-কপদা যোশ্মিবা চে অহুদা মযেক লাদবা পেনশিলনা ইরিবা খরহু থংউ উরকই। উবমক্তা ঙানবী চিংমবম্বদগী শ্বায লাউই.তু থ্যাপ চুংই কু'যাওনা ঁকফনই। তপ থোঙমাপ মপাদা, মত্তোলদা থানগৎলগা যেংলুই। কুপথ্রবা মচীননা ইত্তুনা লেরম্মে

.. পাউ লৌবা – হাংপা
পুখ্রী মপান্দা হৌজিকমক
ফৌদমশেন - মীফম
নিংথোকাবা- অমুদোন
লৈবাকপোকপ ধর্মসিং

সনা য়োম্লিবা চে অতু যাম্লা পাথ্রবা যাকপদা চেগী মখাল থোক্তবা চেদানি। যোম্লিবতু ১রোল মহেল লোল্লি। যেংবদা ফজনা থারে চে থুদিংমক্তা অকুপ্পা মযেক্লা থল্লা থল্লা ইরি। মফম কায়হন্দনা নীংথিনা থমজিল্লম্মগা ঙানবী লোকলকখি। থোঙজাওগী শো লোননা লোননা মমীত্তুগী পিরীক অমনী শিল্পুরুকখি কুমথরগা রুই অতু হোংদোকলম্মগা ঙানবী বোলাঃ উম্নবা চৎখি।

মঙানি লৈরগা অহীং অথেঙবদা মুপী অমন' ভমফাইবেম্মবু হৌ-দোক্লে। থোঙ ফাংদোকপা চি'পম্রিভেদা থুপীহুনা শিজ অহু অনাবা

ফুংঙাইহৌত্রে; ভাব খর খরা তারিবৈদ নঙগা উন্ননীংই হায়দনা হায়-রকপদগী থোঙ থংহাং হাংদোকই মানা খঙবা মৌ নহানি। মফি তনহোং হোংদুনা তহা তচা কুমথবকই। ঙাইহুনা লৈরিবা মুপী অদুদা হাষকই—‘ইনে ঐখোযগী ইচেদা ঐ চংলুখাগ হায়দনা হৌদোক্লগা অমুক্তা তাকলমখিগে ইনে অদুনা-নহংবা য়াই হোদোক্লুরগু ইবেম্মা, তুমজ হীরসণু। ইচেমশিনা নঙবুদা শাল্লি উম্নহীত্রবদি নীংঙমাহৌরোই, হায়না পাম্মবদুদা তোক্রে। অহমকপ তনফাদি তাকনীংলি অদুগুম্না মমাঙথক্তা অমুক্তা তাক্লীংখিত্রি তাকপু তাকখিত্রি। ইমুংদা ঙানবীসু থাংনারিনহু তাই মোনদা মমাংয উপশিল্লগা অহীকপা খোঙ্গেল কন্না ফাহৌই।

কোম্মোংদা থারিবা যনগাডীদা কাথ লে লেপ্তুনা লৈরম্বা মুপা অনীহুনা থাঙৎপোই ঈনখৎপোহ তৌবনি। চন্দ্র খরা থারিবা গাডীদা ফম্মগা ইনে অদুসু কাখৎলক্কদ্রা হায়না থাহবানি। চৎলবা মতুং ঙাইহাক লেরবা ফাওবদা কাখৎলক্করে। কৌগ য়েংগে তৌরকপগী অদুদা নক্লা ফমলম্বা মথোয মুপ অদুমদুনা ৎংকা ফাবগা ময়াদা ফিবুল নমদুনা চক্র মরক্তা উপ্পা নমশিন্দুনা থমহান্ন। হু রি হু লিন খেঙ মথুৎ অদু ফাজিন্দুনা ক্রক লাহুনা পুনশিল্লে লাউবা থাংবদি লায়রদনা লেঙবা ফাওবা ঙমখিদরে। শ্বব হোল্লি হাংবদুত্তা মঙাইরে অমম্বা অচীকপা অহীংনি, তাবা বাবানি অদুবু কিনবিবা মতমদ গাডীগী কাংখোঙদগী অমুক লেপ অমুক থোক তৌরিবা মখোলনা কনানসু তাখিদে। যন হোইবগী অর-ভিতিদি মতানে।

গাড়ী অদু লমফেল পাংলোমদা থোরকপনি। পাং মচীম য়োৎদা গাড়ী অদু অখোবাগা থাদোবখার লেহৌরিবা নহা অদুম অদুনা তম্ফাবু থাংদহৌরে, পুল্লিবা মখোঙ পাদোক্লে মথুংকা মচীনগদি থাদোক্লে পাং মপান মপান্দা কোহরগা চীং কাবক্লে। বাবনা শদো খোংলবদা

নহা অহুম অহুনা থাংবোই ঙনবোই পুথংলকই। নোং পুংঙান ভাল্লে মুমীৎ তরং তরং থোক্লে। তমফানা মখোয অহুমবু মণক থঙদে। মুমীৎ খজিক নৈথংলকপগী অতুদা চাংদোং মচ অমগী ব্রাংমদা নৈবা থেন অমা য়োরে চীংথক্না তেঙ্গোং শানা লেবা থেননি। খাজক্তং হন্দোক্লগা য়েংবদা মায়কৈ মরীদা লাপ্প-লাপ্পবা মফম নাঙবা উবা ললনি। নহা অমনা পুল্লিবা মথুং খাদোল্লে মচীনদা পুল্লিবা যেংলবতুস্থ লৌথোক্লে।

১বা নহা—ব্রা অতৈ ভাংগপ্ন ঋাম্নরোই ইচে, এখোয থুংকী মীনি।

তমফ—এ গুসাইনা চিংনববান। এবু ঋাবা পুনবা লাক্লবা কাওবদা মুপীগী ব্যবহার ভাকপা উহ নুগী ঙুংঙাই। এবু অসি তান্না পুরক্লিবা কারণীনো নথাদনা পাঙথোকদবত্থু হেক্না পাঙথোকলম্বা ঙাড্রা অস্থক য়াম্ন ব্রাহনবগী শক্ক

২বা নহা এখোয়না পাঙথোক্কদবাদ করিনে থঙহনি ?

তমফা হল্লবদ হাংপ ভংনমগা'ন

৩বা নহা—মতু থঙজিবত্থু ফরবনি ভক্লবা। এখোয়না লেবাক কল্লবা-!

১বা নহা—ভাইখোয়না পাথো, মতু য়া দ্র

৩বা নহা এখোয়না তৌরনাস ফংগদো! হমাগী নাংতম হক্লিবা থরাযগী পোম্থা খাংরবা এখোয়বু উাশত্তবা য়াত্রো! নমাবু ফেক্লনদ য়োম্বোকপা মাগুম্বাদি নহান্না কক্লগদবনি মতুপ মতুপ মচেৎ মচেৎ'

২বা নহা—ভাইখোয় ঋাইহাক, তপথখোয় পাঙঙগদবা থৌদাংদা ভাহ ভমদব হাদে হাযনা যাম্বাশংনা তাক্পিখিবত্থু কাউবা চুমদে। মশানা মশাগী মরান্দাদি থঙখিসত্থু। মশানা য়ারবা চেনাক্ক ভহনা পীবা চুম্ম। হবেম্মা নত নশাগী নরানদি থঙভবরা ?

তমফা—পাউ পীথোকপগী ওইরিনি।

৩বা নহা– অচুদা নত্তে লমশা ! ওক্ক্রবী ! নশা অচু সনা খরগী-
দমক লুপা চৎলোইদবা খরগীদমক য়োম্বোকপগীস্থ য়াওন্নিব-
নিনে ।

১বা নহা অথোবা ! তপথখো । ফনমক ৺ইচুনস্ত লৈবাক অসিগী ঈনিং
ঈ মরীগী রাখলস্থ ভৌবা ভাবনি ।

৩বা নহা—খুরক্কী ঈনা লাই শায়র্বদি— মচুগী পারা ভস্মবঃ ঐথোয়নি ।
কয়া অমস্থ ভস্মীভূবনি ভমস্থ ভস্মীগদৌরিবনি । শেংদবা
মান্নদবা ঈ মরীক অমগীদমক মত্তম মাওহনবা চুমদে খঞ্জে ।

১বা নহা—খঙদে । মাওহল্লোই । খঙদবা য়াদবা রাকম খরগীনি
অসি য়োরক্কিবসি । রারী ঙাইহাক ভৌদবা য়াদবনি ।

৩বা নহা—ভৌবিরো ভৌদৌবা ঐদি পামজে । মী য়েংগে য়াওজরোই ।

নহা অচু মমায় মমীং ঙাংই । মুংফাওননা নীকপা মাল্লি ।
উরী-রারী মরক অমদা ফমখি । পোত্থাবা মান্দে থাওবা মাল্লি ।
ঙাইহাক তুমিন তুমিন লৈনৈ । নহা অচুদা মুম্না য়েংলুরগা ঙাইহাক
মরক্ক লুথরুরগা ভমফাইবেম্মনা হায়রকই— ঙাইহাক মঙাইরে ঐনা লৈগে
হায়না নৈরবদা । ফরে অচুমঙাইরে । ঐনা ভৌরুবা কর্মনি ।

১বা নহা—হংগদবা খরা লৈরি, চুম্না খুম্বা ভাই । লাম্না খুম্মবস্থ
খঙগনি ।

ভমফা—মথুল চঙলমদাই লিজনা চুম্মী । করিদি উপাই লৈ ।

১বা নহা—অথুবা নত্তমগী ওইনা বরি অরোনবা পাউ পীখি, য়াম্না
নৌবা খ্বায়দগী নৌবা ?

ভমফা—কৈথেল লাইরেম্বী শাবা লুপানি ।

২বা নহা- পীগদবা করি লৈছৌরি নংছৌত্রবা ?

ভমফা— বন্দে মাতরম লাউবা মুপী ময়াম মরক্কা থুংকী মুপী খরা
লুপা খরা য়াওরি ; খরা অমত্তু য়াওনবা নেক্কি ।

১বা নহা পাউশিংহ্ কনাদগী ফ'ই ?
তমফা—ইচেগা ইতৈগদগী ।
২বা নহা - মখোয়না হায়বরা ?
তমফা- নত্তে ঐনা লোন্না ভাবনি ।
২বা নহা—ইচেগা ইতৈগনা তৌরিবা থবক্সিদি খঙবা নত্রা ? অরো-
নবসে ?

তমফা—খঙই
২বা নহা- কয়া কুইরে ?
তমফা—কুইরে ।
১বা নহা—মখোয় অনীবুদি ফাহন্দ্রিবা করিগীনো ? মখোয় অনী কনানো
হায়বসি যেরুবা খঙবা নত্রা' ?
তমফা—মখোয অনী ঐগী অহুগা ইয়া অহুগীগদি ইপা-ইমানি । মখো-
য়গী মরমদদি ঐ তাকখিদে।
১বা নহা- অস্নুক অস্নুক লুবা লোনবা পাউ হায়দোক্লিবসি করিগীনো
করি মবম লৈ ?
৩বা নহা মরম হায়ববু সনা মচেৎ শরা লুপা মমেক শরা- ওইজবা
শরদ'গী য়োক্লিবা ।
তমফা—ঐ শেন থুমদা মিহৌবা মী নত্তে। সনাস্নু কংবা নত্তে পাম্বস্নু
নত্তে ।
২বা নহা—অহুদি করিগীনো। কনানা অরোনবা ময়ামসি হায়দোকউ
হায় ।
তমফা—সাহেপনা মহাক ঐগী ইপুরোইবনি। মুপ'নি ঐ ইপুরোইবনা
হায়বা ইল্লি। ঐ ইপুরোইববু য়াম্না মুংশি ।
৩বা নহা- ই—! কম্বাদনো মশা য়োম্নোকখৈ য়োম্নোল্লগা ওক্তবী।
হৌজিক্তি শেংলে। ওক্তবী শেংলে ।

ভমফা—চুম্মী ইশাদি য়োম্পোক্লে ইশাদা নত্তে ইপুরোইংদদি থরায়স্থ য়োম্লবনি শিন্নরবনি। ইপুরোইবদা য়োম্দনা কনাদা য়োনগনি। ওক্রবী অমদি নত্তে। ইপুরোইবা নম্ভনা ঐ ইশাবু কনাদস্থ শোকহনদে। নথোয় অহুম্না শোকে লাক্লব্রা হায়না চিংনরুবনি। লাইবক ফৈ নৎত্রে শোকপস্থ ভমলম্মোই। নমতুনা শোকখ্রবস্থ নথোয়না রারী শারীবা অসি ওইরম্লোই, ফংলম্মোই থরায় য়াওদবা হকচাং ওইনা ফংলমগনি।

৩বা নহা নঙক ঈল্লবা নঙনা হৌভিকস্থ ওইদবা ভাংলি। অওকপা শারি হান্ননা নয়ুম অনীরক পাল্লুরব নত্রা। অমনদি ওক্তে হায়তুনা তাম্হোরকপা নত্রা।

ভমফা—অহানবগীন লাইবক থীবনি। অনাওবগী তু ঐবু নমতুনা পীবনি। মরমচৎ খোয়রম্বা থেংনবদগী ঐনা ঐবু থাদোক্লবা চক্রি তৌরগা লাকপান। মাবু ঐগী ইপূরোইবনি হায়না খনখিদে।

৩বা নহা—খঙাওে! তাবা ওমদ্রে! নঙনা লুনা তৌবা শাতুনা অরোনবা হায়দোকলুরিবা অঙৌবদো ঐখোয়গীদি য়েক্লবনি—।

ভমফা—ঐগীদি নত্তে।

৩বা নহা—অতুনদি নঙবু য়েকবা ওইনা লৌববা। তৌজিক—।

১বা নহা—ভাইখো। মাবু য়েক্লবা ওইনা লৌবা ভম্মবদি—?

ভমফা—ঐ ভম্মোই।

৩বা নহা—মরমদি? ওক্রবী!

ভমফা—ঐবু চৈগন্থ। ঐ মহাকপু মুংশি, মুংশিরি।

১বা নহা—মানদি? মা কনানো হায়বদি খঙবা?

ভমফা—মানস্থ লুনা ভৌর। ইপুরোইবা ওইনা খঙবমনি। অত্তে খঙত্রবস্থ রারে।

৩বা নহা—হাই ! নুনা তৌবদি মাগী হুই মথা চোনবীহুন্নু তৌইনে। নত্তবু ঈরাং ঈংথনব লাইশী ওইনা শান্নবনি। ময়ুমদা মেম লৈবমগনি মচা মশু লৈরমগনি। ঐখোয়'লম অসিদা মুমীং থরানিগী ওননা লাকপনি নপত পঙদনা নওনা কুচুদা কুয়েনদা শাবান মুংবাংদা ডাওরুবনি

তম্ফা—পাংঙব ঙেংঙব মুশিং পামায়গী বানি; কান্নবা ওইজবগী রা নত্তে

১বা নহা—মানদি লম অসিগী ওত্তবু থুংলাই ওইনা শীজিন্নবনি।

তমফা—মহু মাগী থম নি

৩বা নহা—হৌজিক ফাওব হন্দ্র। হাই অপঙবী মানা নওবু মুপী ওইনা লৌবা নত্তেনে। শান্নবম্মগা হুন্দোকলমগদৌরিবনি মীরেংনদনবা হুদাক মান উংবা থুদিং করিগী পীজৈ নওদি থওত্রি। খোঙ্গুল থনম্বা পামদে। মাস মখোয়গী চেংলবা নিযমান।

তমফা—অহুক মুন্না ঐ থংদে, থংনবম্মু লাক্লদে। ঐদি মহাকপু মুংশিজৈ। মহাক্লা হাযবা পুন্নমক ইন্নীংই।

২বা নহা—মহু করিগীনা থওব্রা ?

তমফা—থওদে।

৩বা নহা—শেমজিনখ্রবনি শেমজিনখ্রবা থওত্রবা।

তম্ফা—ওইবুম্মা যাই। মতুদা ঐদি পেনজৈ।

৩বা নহা—ই—সে! হৈ কান্নরোই, ঙক্কবী! মাবু লৌইশিনবা তমগনি হায়রবদি নত্তবু থাদোক্কে। ওইদবা হায়জিনবাদ য়ারোই ঐখোয় শেন্নহুনা লৈগনি। মানা ঙম্ফু ঙম্মোই।

তম্ফা—মহু ঐ ঙম্মোই।

২বা নহা—থম্মখো; য়াংনা থুমগন্নু। মসি মওগী, ঐখোয়গী, লৈবাকী য়াইকনবনি।

তম্বা— যাইফবা পামদবদি নত্তে মচাকপু হাৎপদি ঙম্মোই। অমথক্কা মাঙজবগা হয়েংমক পুম্নমক যাকফবগদবস্থ নত্তে। ঐদি পুন্সিসিদা য়াম্নতা লাক্লবনি; থেংনব যাবা খুদোংথীবা থেংনহুনা লাক্লবনি। কনাস্থ তেংবাংবিরকপিদে। হৌজিক্কস্থ ময়াম্মা লৌথং পত্রিবনি। অদুগা ইশকইতৌ শাবান মুংবানদা মিঙাবদি য়াম্না সৈ। হৌজিক্কু মুংঙাইথোক্লগে হায়হুনা মুংঙাইথোক্লবান। ঐগী 'পাউ লৌবা' কায়দ্রে ইবুঙ-ইপাশিংদা হায়নীংবা অমদি—

ওবা নহ— "থোয়দ ইবুঙ ইপা, কেংদস্থ। নঙগী নখি-নরোল কোম্বী, হেক্লবদা নরৈবাক হোৎনবা শেংদবা ঈ চেনবী, ঈয়ান ওইবী অমগী মবুঙ-মৌপাশিং ঐখোয় ইকাই নরমচৎ যোস্থোকপী নঙ ঙম্মা লৈবাবসিনা নংহোন নত্তে, উঙ্গানি মলেচ্ছনি থুবক্কা ঈনি নঙ হিংব চুপত্রবন। মতম মাঙহল্লগুমসি মায়কৈ কথাগী থবক য়াম্না রাৎপি।

তম্বা— নখোয়না হেক্লজবগী পাউ হোদাক্লবগী চৈবান কায়দে মখোয়নস্থ মখোযগী ঐহন্দদা চৈগরনগন অদুগা ওক্লবী হায়বদি হায়হন্নীংদে। মফি কোদা ইমুং ভাগ্নীদা কেবমথিনি। সাহেপনা মপুরোইবা ওইবী অসি এদা ওইরম্মোই।

ওবা নহা— কনা সৈরি অখঙবা মগৈ হায়দোকলম্মু, নজাতি কনবদা খজিক্লংদা ওইরবস্থ তেংবাংলম্মু।

তম্বা— কনা কনানো হায়বা নখোয়না খঙলমগনি ঐদি খঙদে; খঙলবস্থ নখোয়না নীংথিনা তৌবিগদবা নত্তবনিনা হায়ররোই। মখোয়স্থ ওক্লবী ওইরোই। মুংশিজবদদি পল ইরৈ লৈত্তে। লুনা চাম্না তৌপিরবদি হৌদোং মচাস্থ হুইগী মথাদা কুন্দুনা মুংঙাইনা তুমজে।

ওবা নহা— খঙডে নঙ মীথা থানা 'তংবদা হেনগ্রবা মীনি! হল মমৈ পানবীগুম্মবনি। ঐখোয়না তাঙ্গিবা নীংজম্বা হায়বসিগী অর্থ

খঙদবীনি খঙশিন্নদবীনি ।

তম্ফা মীথা থাবগা নীংকম্বগা এরেৌন্দদি মাম্নৈ শেম্বা খঙদে । অঙম্বা মশেল হাৎনরিবা, ফৌ শংবাহদা লুপা মরী যৌরিবা, জাৎ তাবনা বন্দ কয়া কয়াদা মীশিং চেনগৎলক্লিবা প্রনা মকাতনা লৌ ইংথোল চৎনরবা মতমসিদা মীথা থাবা নীংতম্বনা ফরি তৌরকদৌরিবা ঐ খঙদে ঐগী কযাম্নু থংলম্মোই নাংহগ-.শ টগা লৌনবা য়াইগ যাদেগা মুপীব লাইরিক তা হন্দ্রনা মচৈ হম্বব মাংই হাযরিবা ফখুল, অসিনা কাব তৌরদৌরি । । হাঙলবা পুক্তা নীংতম্বগী অর্থ চঙখিন্দব নদি খনবা ঙম্মোহ ।

ওবা নহা— মীরমগী শিদেল ফ.ঙুংন ইশিং হক্লগ রাখে ঙাংবনা কাম্ন-রোম ! ঐখোয়গী থবক তৌগেরা খাদাকে

তমফা এবু থাদাক্কদবা মান্দে । হংবা তাহুন এ নখিবা তারগম্নু নখোযগী ঐহম্বা অমদি, ওত্রগন খরদি ফাজিনত্রনি মফম খঙলরোই ।

নহা তহুমদা চিং পাংখং. তৌই । তমগা অদগা য়েংনৈ । খঙহৌদে ফাম্নপ মী যেংবহ ম কৈনিবা নহাতু চেনশিল্লকপা নংদবগী মঙংদা চোংশিল্লকই তা বু লোংনং নমথুরগা চরম লেজবী থাদুনা মেৎলি, শংদুনা লাউই—নঙ খঙঙবান কনা কনানৌ ফাখিদৌরিবতু হায়যু হায়যু তাকউ— !

নহা অনীনা চিংথোক্লুনা ম্মা । মুক্তহুনা শেত্তোক ফাক্তোক তৌবগী ঈম্নরিবৈতদা নহা অতুগী পকনোৎতা যোম্নবা নোংমে মচাহ তম্ফানা শংখ্রে । নহা অহুম্না ফানরিঙদা শীংহুমা লাউরকই—লেঙগমু !

থাজত্রবা নহাহুনা হোংচিনাগ তৌরকপদা তমফা নাকন্দা কাম্নি -দাং । অহুমতু লেঙদনা লেপ্নি—।

তমফা —এ পাউ পুবী অমা ঙইবতা নত্তে সাহেপকী তালোয় অমম্নুনি

ঐ হৈহক্কম থোকপমখৈদি হৈবা মীনি। খঙকম থোকপন্নু খঙই। নোংমৈ মচা অমসি মেজর প্রিতমগী নহারাই মখক খঙদনা মাঙখিবা অতুনি। নখোয়গী লুচিংবা অমদগী ফংবা ওইরিনি। নখোয়মক্তি অসিগুম্বা পায়রমগনি থাজদবনি। ঐগীশু অসিগুম্বা লৈহৌই। নখোয়না শিংনা হেনখিবনরা লাইন। কনবনরা ঙমাংদি ঐ পায়রক্তে। ইত্তৎতগুনা পুবনি ঐস্নু। নখোয় অনীগীদি য়াওরম্মরোও নখোয় থুদিংমক অমমম পায়নবা লৈত্তে; ঐ খঙই। পায়রম্মবগু কায়দে নখুং খজিক লেঙবদা কাপকনি অস্নুম্না —

হায়রম্মগা নাকন ময়েংলোন মাযরোমদা অনী কাপথোকখি। অমদি শাংজা অকংবা মশা অমদা পাননদগী মশাতু থবং তুপ্তনা লৈমায়দা তারকই। তমফা ফীভম শেমতুনা লেপ্লগা মথা চথরকই -

তমফা- নখোয় অতুম্নি; মন্না অতুমদনক চঙগনি। তন্নক হানননি।

৩বা নহা—অতুমদমক ঙাম্মথরবানি অতুনদি কুইরে কাপথোকখিবা। কাম্নরোই পীরকও।

তমফা কাপথোকখিবাস্মোই। অত্তাংবা মকনি নাখোযগী থুং অতুক ইনাক থুনবা নত্তে। অতুগীশু মথক্তা মক যাওবি। যাওরমত্রবদি নও ঙসাইনা চোংশিল্লকঅস্মান কাম্নরোই নাখোয হৌজিক করি হায়নীংলি ?

৩বা নহা—হৈ ওজ্জনী, ঐখোয় শিবা কিবা মানত্রা। হাযবিরিবসিনি নরৈবাকীদমক ঐখোয়বু হাংকম্নু। মসি হায়জবা নত্তে নও নীংঙম্মকওই হায়বগী হায়বিবনি কদাই পীরকউ। লৈবাক অসিগী নিংতোন ওইরবদি পীরকউ।

তমফা – এনা পামখিত্রবা মীচে অতুগদনক্তদি ঙসাইনা কাপ্লম্বা য়ারবনি। নও শাউনম্লি। থবক অসোনদা লৈগনু অমরোমদা থম্বিনবা কায়বু নখোয়গী লুচিংবশিংদা।

৩বা নহা -নঙ চোংঙা থঁ জাবীনি ।

তমকা—অমুকসু কাপ্লিত্রবনি হায়নীংলিবদি ঐসু লৈবাক অসিগী মযোমনি

৩বা নহা—মহু নঙগী -!

তম্কা--ঙাইখো তাখো ; ঐগী তাখে। নখোয়রা ঐরা অমদি মফম অসিদা লৈহৌবা তারবনি। নখোযসু চোংথোরক্লবনি। ঐ অমসু হিংনা হিংনা লিবা কুহরম্মবনি। নশক ইশক খঙদোক্লবদি কৈ। নখোয়গী ওরাং অচৌংবী যনগাঙীরালা অহু লাঙতক্লনা তাহুনা লৈরম্মবদি মতম শাংনা নোংমৈ মখোল তাদবগীসু ওক-লমগনি অহুগা তাবকপদা অহুংলক তারকপদসু ওক্লমগনি। নাসদনা লেম ওককলগনি। মা চেনথংলকপসু য়ারি। অহুবু না লাকপা লংকরোই ঐবু নত্রগা নখোযবু কনবা নংঙরোই মতম লৈত্রে।

১বা নহা- য়ারবদি মতম য়ম্না লৈরি নঙ লৌশিং তারো ঐখোয়না চোংথোরক্লিংসি ঐথোয় লনাইগী নত্তে। হপা হমা ইচন ইচে পুমক থাদেক্লরগা অশনগা থাযাঙা চোংশিল্লক্লবনি।

তমক। এ হওহ। গ্যাকঙ্খা অমা পাংরগা নোংমাইচিং ফুক্লনি হায়-দনা চাং থারক্লবনি ওঙা ওমদনা লাইবক্তা লেরে। নখোয়গী মাচং খোনা অহুগা পামজবা অহুগাদমক্তাদি ইবুঙমক্লি থন্দুনা থুকনজরি

২বা নহা—ঐখোয়দা যাওরো তৌমগ্নসি হমা লেবাক কল্লসি।

তমক।—মহুমা য়াররোই ওক ঈল্লবা কানদা শারেং ঙারেন লশিং তেপনা ইনবজম্বনি। মৈবো যাম্না হেনজ্জিনথরে। হৌজিক অসিদা ঐনা লেংদোক্লিবদি ঐহাক আস ওক্কবী অমা নত্তে। মসি মুপী অংনা খ্বায়দগ পামদবা মিংথোলনি। মসি পীগহু। এসু হমাগী অশেংবা মযোম ওইরম্মী-

৩বা নহা—হৌজিকস্তু ওইখো যারি।

তমফা—অমুকস্তু খুমজরি, মহু য়াররোই। ঐনা ভাব ভারকপা মতম-
দদি ঐ মীথৃং চল্লম্মে। সাহেপকী ওইগ্রে—

৩বা নহা—অতুগুম্বা নমহাবা সাহেপ অতুগী—

তমফা—নত্তে; মহু হাযবা য়াত্রি নমজা নমথেক্লখিদে। য়ানবা
ঐঙোন্দা স্নুক-স্নুক নৈহুনা থেমখিবস্থু নত্তে অমরোমদদি ঐনা
চঙশিনবনি। কম্না ঈখোগী মৈশা লাংথৎলকপা মতাং অমদা ফি
কোম্নবনা মুংগী লৈংতং ওইনরবা ইমুং অমদা কম্না ভাওখৎলব্রিবী
ঐনা মাবু ইহান হান্না উখিবনি উবমক্তা ঐ পুমঙাও ভাও-
খিবনি। নহাগী ইন্নাংগা মুংশিনবগা চপ মান্নুনা পূনখিবনি।
ইরোল মরোল তিন্নক্রবা মঙোন্দা ঐ অকনবা নোংলৈদা অকংবা
তেরা মফোন ওইখিবনি। মাগীস্তু থমোয় লৈ থঙই। মানা
মাগী কান্নবা খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরকপদি কাইনথংদনি।
মুপা অমগা মুপী অমগগী থমোযদমক ওইরম্বনি। ঐহাক মাগী
ওইখি। হৌজিকস্তু ওহার। মাস্তু ওইরি হায়না খল্লি।

৩বা নহা—ভাওমম্না থোকই হাযদবা য়াদবনি।

তমফা—ওইরম্বা য়াই। মহু ঐগী ইরাল নত্তে অঙাওবা ইহুল হেন্না
হাপ্পিবম্বা ঈশ্বরদা তাইনফম খোকই ইবুঙ ইপানা চোং-
থোবক্লিবসিস্তু অঙাওবা মঙাও অম্না ওইগনি

৩বা নহ—মহুগীনা চুমদবা মঙাওগী রানিনে নঙনা তৌরিনসিবু ফরিব্রা,
নঙস্তু লৌশিং তারবা মীনি থল্লু। নমা লৈবাকসিগী নরম নজাক্তি
অসি মুংশিবা মচেং অমত্তা য়াওব্রবরো! কদাই খুৎলাইহু।
ঐখোযদা হন্দুনা শীজিন্নগদবা নত্তে হায়বা ফাওবা থঙদে।

তমফা—থঙবহুননি পাথং ঐনা হৌজক ফাওবদা কাপত্রিবসে। হৌজিক্তি
কাপ্লগনি। নক অহুম নথোয় অহুম; মফম অহুমদা কাপকনি-

ৱারকপা য়াত্রবা থমোয়, ফন্দোকপা য়াত্রবা কোক ঈরাং ঈরোয়-
নরিবা ফজরবা ইকচাং! মকম অহুম। নমীৎ চেজেৎ উইশিল্ল।
মতুং ওম্ভোকউ; ওন থোক-উ।

তুং ওম্ভোকপদা ঙাইরি, মখোল ভারকই—দাং। অহুম খংপ্রেক খংই। মখোয় মশেল য়েংনরম্মগা ভমফাবোমদা য়েংথোকলুই। মথবাক অহু ঈনা পুমঙাং ঙাংলম্মে। হোৎচিনগে ভৌবদা ভমফানা তুরোই ঙায়াই লাউরকই- 'চঙলকম্মু! লেঙগম্মু!' লাউরম্মগা মমায় লৈথোক্লগা নোংমৈ অহু ফি মম্নংদা পুশিনখি। অহুম্মা হোৎচিন্দুনা তুথরকপহু ঙাকলুই। মথুত্তুগী নোংমৈ লৌরগা ভপ্পা ছিপথহল্লি। নোংমৈ লৌ-শিল্লিবা ৩ শুবা নহা অত্তুদা য়েংলগা ভমফানা মোমোন ভৌই; হায়রকই—
ভমফা—ইপ্রাদি য়াম্মা শাউত্রে নভম্বাক্তা মোন চাহহাক্তা থাঙগে—।

থবাক্তী ঈ মেল্লিবা নহানা মঙক শৌগৎলি। ৩ শুবা নহানা থোঙ্গ্রাই চম্মা ফম্মগা মকোক্তু মভম্বাক্তা থম্মী। মমীত্তা মপি ঈরা খজিক চেনগে ভৌহ ভপ্প হায়রকই -

৩বা নহা- ৱারৌম্ম ইচে শাউমনখিবনা ব্যবহার থরা কাযত্রে চৎপি ঐখোয়গী লায়েংফম অনকপদা লৈ।

ভমফা—কাম্মরোই। ঐ চৎলগে শম্মা চৎলবনি য়ামত্রবদা ইশাবু চুমথোকচবা ফংলিবম্মিমুক শুংঙাইবা লৈত্রে ঐ কুইনা ৱাবা হৈনদে, চৈনা খাঙবা ঙমদবা কুইরে। ঐগী থ্বাংদা থুদোপ অমা শিন্নিবনি অমুক্তা লৌথোকপিরকউ—

১বা নহা—করিগীনো?

ভমফা—নখোয়না হেম্মা খঙলমগনি, শুংঙাইনা ৱাদনা থীম্বদনা চৎখিনবনি চৎখিবা ফরে।

মোমোন ভৌনা তুকথরম্বদগী করিগুম্বা অমা খংনীং নীংশিংলকপদৌনা মমীৎ মনা ভথক ভথকলকই।

৩বা নহা—করিনো করি হায়নীংই ? ঈশিং খোইরাংব্রা ?

তমফা—খোইরাংদে। কাউরে। নখোয় চৎখ্রো। পম্বরম্ব।

২বা নহা—মুংশা থীম্ব কনাম্ব লাক্লোই।

তমফা--লাকপগী রা নত্তে। নখোযগী 'য়াম্বা বোলাইদো--!

১বা নহা—হা ! 'যাম্বা বোলাইবুম্ব খঙনগ্রবো ?

তমফা—খঙখ্রবনি। ঐবু ফাগিনা মাঙখিবা নত্রগনা শিবা হেক থোকপদা পাউ হেক ফংবদা মাবু ফাজিনখ্রনি. মাবু শেন্নতুনা য়েংশিল্লকপা মঙানী শুরবনি। ঐবু মান' শেন্নরে খঙবদগী মাবুম্ব চিংনতুনা শেন্নবা হোৌরবনি। প্রেতমচ় য়াম্না চেকশিল্ল। মানি ফিজেৎ ওল্ল শল্লগা মী শা শাতুনা কোয়নৎ চৎলিবসে। মাদি মৈতৈগা চপ মান্নস্তু ঙাংবা হৈবনি। ঐ মাঙখিবগী পাউ তাদ্রিবৈদা চৎথরো মান' ক্লাক্লেনী লবক খঙ''বনি মীশকপুদি খঙদ্রি।...

অহুম অতু তৌফম খঙদনা অমগা অমগা য়েংনৈ। নীংশিংলতুনা থুদোপ লোথোক্কে তৌই। কাম্নখিদরে। হাথরিবা ঈনা লেপত্রিবৈদা হোল্লম্বা শ্বর পীকথরম্বদগী লেপথরে। মৈবুলগুম ঙাংলম্বা কুংদ্রিবা অনকপা মীৎ অনীগী মীংলুদগী পিগী ঈরীক অনীথক তারকখি। মতম্বাক্তা মফা লাম্না লৈরিবা তমফাইবেম্মগী মঙাল য়াওদ্রব' লাইবক্তা তারকখি। অহুম্না খজিক য়েংনরগ স্বর শাংনা হোন্দোক্লখি মুমিং অহুগী অচীংদা শঙায়সেল অচোৌবা অমা শাংনা পাইখি।

তরামাপল শুবা

কবো তম্পাক্কী শুব্রবা উমংং লৈবা অপিকপা থেন অমদা উনা-রানানা কুপ্পা শাংলপ তোবা শঙ লাংগী মমাঙদা ফিম্‌ ঙাক্লা শেংপা মী কুম্থ্রামঙাথক পরেং মঙ থোক্লা লেপ্তুন পুক্লিং চংবা তারি। মাযোক্লবদা অমুদোম্না যুংলিব ফরান তাত্নগী মনাক্ত লেপ্লগা লাংলি—মথা চত্থরকপনি -

.. থুংকী ইচাশিংদা এন হাংনীংনি লান অসি য়াম্না কনশিল্লক্লি। মণিপুর অসিদা মখোয় তেঙ্গ্নেল অহুম্মকী লান য়াম্নফম লানফম ওইরব। যাবি। নোংপোকালামদগী তর্কাশিল্লকপা তেঙ্গোল চঙশিল-লকপা হৌরক্লবনি। অঙৌবা মগা কুমগদবা কুইররোই। মসিগী থুদোংচাবা লৌগদবনি। মখোয়না চেনখ্রগা চেনজখরে, তাম্নদনা কম্বা হোনাদ। চেন্দনা পারদু। লৈববদি অফং অফংবা অউ-অউবা কাপথেক্লগদবানি। হৌজক ঐখোয় শিন্দম্বা তাঙ্কক অমগী ওইনা মপূং ফারে। অসোম নায়রগে অহুমলোমগী পাউ হেক ফংবগা ঐখোয় কংলা তম্মগদবনি। কবোগী ইচা মঙানা হয়েং মন্দলে পাংখ্রগানি। ঐখোয়দা পাউ তত্তনা থারক্কনি। মখোয়গী কাঙবুগম্থু থুংশম্নবা চংমিন্নবা হৌগদৌরবনি। উ য়ানবা শাত্থনা লাকপশিংনা ঐখোযগী পৈত্থনা থম্বা থুংলাই হোনবা হৌথরে। নশা নশাগী পায়রিবা থুংলাযরবা নথুংশু অত্থগী মথক্কা মরূ ময়াম বোমহিদাক থরা পাযশেন্নখিগদবনি। সে-গা মাই-গা হায়নবা য়াক্লবনিমা অঙম্ব। মংংদা ঙাক্কগদবনি। চেকশিংনগদবা অমনা হেন্নগী

মায়কৈদা লৈ হায়না লৌরবসু ঐখোয়গী মীদি শোকপা য়াদে খনগদবনি। য়ারিবমখৈ থাদোকউ নত্রগা খৈদোকউ। ঙাংনবা য়াত্রবা মঙক কল্লবা অঙৌবা কাঙছদি লেম্না থারম্ব। অতোপ্পা অমনা ঐখোয়গী কোম্নুংদি য়েরুবা নত্তে; নিংথৌ য়েরুবা নত্তে। শাথীবা য়েরুবা ওইনা লীচৎ চৎপা য়াদে। য়েরুবগী খুদুমদা চাউনা লৈবনিনা খ,ৎকী মীদি নত্তে ......

মরক অসিদা নহা অমা উকোন মরক্তগী ফাওজিল্লকুনা তহা-তহা চঙলকই; লৈতানা থুরক্লে—

অমুদোন - হায়যু।

নহা--য়াম্বা অহলবু, য়াখা নাপুনা থুদক্তা লাকপিনবা হায়রকই।

অমুদোন- অথুবা করিগীনি হায় ?

নহা—খোইদোকপা তাকপিরক্তে মুপী অমা লাকহোই। মথন্তা লাকই।

অমুদোন—মুপী ? কাথা তাম্না ? নহারা অহলনা ?

নহা—ইমাগুম্বনি।

অমুদোন—ফরে নঙ পোখাক্লরো। নঙ লৈহৌরো অমুক, নমান্নবচ ঐগা চৎমিন্নাশি লোইশিল্লু হায়যু।

নহা—ফগনি।

অমুক ঙন্তাদগীনা মুমীৎ তাবা ফাওবগী চৌংলম্বেলনি। লম্বেল লৈতবা অশম্বদা মপা লাক্লগা চৎপদনা হিদাক ঙাম্বক অনীরোমগুম্ব বকশিল্লি। থুদোংদি থী। শা-কৈগী অকিবসু য়াম্না হেন্না লৈ। নহাদুগা অহলগা অশম্বদা চৎলি। নহাদু নহানি চহী কুনগী মথানি অহলদুনা অহল ওইশিল্লক্লে চহী য়াংখৈগী মথক্লি। অমনা ঈনথৎলক্লিবা মৈনি। অদুবু অহল অতুগা মাম্লনা চৎপদি লায়রদুনা মতুং ইনবা কাওবদা নোপ্পা থোক্কই। অহলনা ঙাই ঙাইদুনা তন্বী তন্বীদুনা পুবনি। থোইনা চমদবা মত্তেক অমদা তুংদা লাপহৌরবা নহাদুবু ঙাইবা ওইনা য়াল্লিবা ঈশিং অদু থক্লুনা ঙাইহাক লেম্লি। নহাদু চেনখৎলকই।

অমুদোন— বায়ত্রা ইবুংঙো, ঈশিং থকেয়া ?

নহা—ঐ থকচয়ে ।

অমুদোন—মাঙ থাউ ।

নহানা মাঙ থাদুনা লম্বী চিংই অহলনা নহাদুগী য়েংদুনা লম্বেল তেম্নবা রায়ী হৌই—

অমুদোন— করিগীনো নঙনা অচুক করবা ওফিসকী থবক অমা তৌরগা। তোকথোরক্লিবদি ?

নহা— ওফিসারদু ফুরুবান ।

অমুদোন—করিগী ?

নহা— মাদি শেল চায এনা। শুরিবা ফাইলদা ওয়োক ওনশিন তৌনবা তম্না হম্ন হায মীগী ফম অমা কাঙগদবা ঐদোনা লায়রবা হয়াম্বা অমগী ০ছুংঙা মথাদা লৈবা হয়াম্বা অমবু শেল লৌদুনা সিঃ আরঃ (করেক্টর রোল) শেমদোক্লগা কাহল্লি। এঙোন্দা হান্না ফাইলদা শেনদোক শেমাজন তৌ হায, ঐনা য়াদে। ঐবু অরাপ্পা নফমদা থবক মফম তোংহল্লি অদু ফাওবদা ঐ থাঙলম্মী। ঐনা পাম্বা থবক অমগী ইন্টরভিয়ুদা মা য়াওই। ঐনা মকোক ওই হায়বা হমাম্নবা, ইন্টরভিয়ুদা য়াওবা ওফিসার অমগী মচানা হায়রকপদগী থঙলে। অদুবু থবক হাপ্লকপা মতমদদি অা মথাদা লেবা ঐনা লোইনা হেনবা মী অহুম-মরী হাপথরে। ঐদি লাইব্রিক তম্নকপদা পরীক্ষা থুদিংগী মকোক ওইরকপনি। ইমা লুখ্রাবীনা লাইরমনখিবনা মথা তমথবা ওমখিদবনি নতম থরা পৈশা তাল্লগা মীরমদা চদুনা মথা তমখগে থনচবনি হাপ্পুংগী মরমসি ঐনা মঙোন্দা লুপা চাম্মা পীরুদবগী ওইরম্মে ইমাদি লৌ থজিক্তংদুগা ইংখোলগা য়োল্লগা পীনবা তৌসি মী পীনৈ হায়নৈ হায়দনা হায়রবান। ঐনা য়াখিদবনি ওইদবা তৌবদা হৈবা হনবা

মাদি শাস্তবনা মতিক চায় চায়দুনা মাগী কাদা কুম্নবনি। ঐনা রাকৎলুবা মতমদদি রা ওইন তাবিদবা অতম্বশিংনা ওফিসার অদুনা ওইদবা কয়া হদুনা বাকৎলুবা মতাংদদি লানবা-চুম্বা থিবিরমদনা ঐবু কাহনবনি। রায়েন বিচারগী মতমদসু ঐগীদি মীসু লৈজদে পৈশাসু পাংভদে এবু চহী তরেৎ কাদোক্বা থম্বগী রায় পীরকই। পুন্নমক থাদোক্লগা মথায সিকায় অদুদগী নোংমৈ মুল্লগা লম্বীদগী চেল্লংপান হনুমান ঠাকুরগী উমংদা লোংলিহৈদা ইপল রাক্লেনা খিরকপদগী থংত্তো চঙজরকপনি।

অমুদোন ওফিসার অদুগী এথক্ত লমন পুম্বগী থুত্ত যাওরকপনিনে ?

•হা -অচানবদদি মতুগী না হক্ক ওংবম্বান হৌজিক্ত মতুদি লাযথোকখরে। মতুংম্বা পম্নকপু মর্ক ফংনা নভতনব লেহন্দবা য়ারগদবা নীংতম্বা হায়বসি তানবনা মক্ক ৮.বে

অমুদোন—নীং তম্নবা নতুংদা শেঙ্গা-থুমক্তাংম্বা চুমদবা লীচৎশিং অসি পুংনাও মাঙখ্রগনি সুবৈ লৈবরোহ হায়বাদ য়াদে। অদুবু তপ্না তপ্না অচম অম্বুন হম্বংলবা য়াগান। এখোয়গী মীনা লৈঙাক থুঙী পাযচরব দ রাকৎকম লৈগান থন্নকমসু লৈগনি ঐখোয়সু থম্নবা য়াওগনি।

নহা ঐখোয়গী অতম্বশিং থম্নবা যাওহ হায় হৌজিকসু ; য়াওহন্দবা জাৎলা ?

অমুদোন—য়াওহান্ন। ম'মংতগী ওইনা। মখোয়না হায়বদা য়াদবা ওম্বা নত্তে নিংথৌ অতম্বশিং লৈতেংনি।

নহা— অহল-লমনগী কমা হবেলাশিংগাদ মখোয়বু থাগৎনৈ, মখোয়না পানবা মুংদ্যাং হাযনৈ

অমুদোন- চে রাম্নবা রাথল অদু শেংদোক্তবা ক্ষোওনা থবক কয়া মীওহ কয়ানা চেংখি। হবু তোদি হরাবোৎ খঙবা নক্কা ?

নহা— মশক্তি থঙুবে মমিংদি য়াম্না ভারে। নহা ওইরমাদ্রে। মাদি সরকারনা কাজিন্দুনা থমগ্রে হায়বা পাউ ভাই।

অমুদোন—মাবু ফাজিনবা ঙম্মোই। লাইরবা মীচম ময়াম অমা তুংদা লেপ্লি। মাস্তু মৈ অমনি। মীৎনা উবা মৈ।

চৎনা চৎনা অশুকপা লোক মশক থঙদবা খুনীংথেক নত্রগা ঈশিং খাং য়োরম যোবমদাই খুদিংদ অমুদোননা কন্না কন্না হেক হেক লাউদ। নহাদি ওকই। মরম হংলুবদা অমুদোননা হায়রকই—

অমুদোন— তম্বদা নঙ থজিক য়াংলক্লে। শা-কৈ শাওম লৈগনবা মফল্লি। ঐখোয়না মাঙজো মাঙজোননা লাইরবদি লৈরম্বস্তু মখোয় চেনখিবনি। ঐখোয়বু মখোয়না কিবনা ঐখোয়না মখোয়বু কিবদগী শরুক কয হেনবনি। ঐখোযগ মাযোক্নবা মখোয় পামদবনি। হেন্না কিহনবা পাথৎহনবস্তু চুম্বনি। ইতিক থঙহনবা কৈ মখোয়গী মাঙননবা ভৌরুম্নবা ফাওবদা। নঙ কনাগী মথাদা লাপ্লোং তম্মকই?

নহা—· অহল ইবুংঙো নাপুদা।

অমুদোন—কৈ, য়াম্না কে। অরুবা লম্বেলনি। ঐ মাঙ থাগে।

মুমিৎ পুমভা ভাবগী অদোম কাথা য়োই। নহা অহুদি তপ ভারে। চঙফংদা পোথাবা চৎথরে। খুলগী কোম্মোংদা য়ুম্নুপ ও ইহুন লৈরম্মী। উন্নবংক্তা শুকমৈ। করি কয়থ অথুবা পাউ লৈবগে হংলুবদা য়ুম্নুপা তপ্না মোং ছাদনা হায়রকই—

—চৎ স চৎনা চৎনা হায়জগে? ইবেম্মা থৌরানী লাকই। মথম্নত্তা য়োরকপনি।

—থৌরানী হায়বদি?

—থোরানী ইবেন্সে।

অমুদোন তিং লাউবগুম ভৌথি। মরম ইথঙ থঙদনা থরক থজিক চোংলকখি। চহী য়াংথৈমুক্তী মমাঙদা তম্না চোংখিবা থমোয়গী

মিহুলনি ; ওসিদা নৌহৌনা চোংলকপনি। তপথনবা ফাধরুই। হংলকখি—

—করম্না, করি তৌরবা ?

– খুরাঙচানা চেকশিন্না শীন্দুনা থারকপনি। অরুবা ভানফম অমা লৈরে। খৌরাণীমা তম্রগি। খুত্তা খেংবা চৈথেংনি।

—হায়রিবু।

—ইনাও যোলাই খওলতুনা ফাজিনখরে ; মরূপ কেওবগী মনাওনুপী তম্বাইবেম্মা খুরকী ঊ ওইরমতুনা খুৎনা অয়োইনা চৈয়াক পীখরে ; মরূপ কেওরগা ইবেম্মা ভানবীগবু যান্না কুপ্না শেন্নতুনা থমখরে। মীয়ৈমক্তা মহৈ মথা তমথরিবা ইবুংঙো নীংতমতু মকম খওদনা মাওখরে। কুইরথারে।

—য়েক্লবনা ফাজিনখিবরা ? কুইরে উদবা ঐখোয়গি মশক খওবা য়াবনি।

—ফাজিনবগী মরম লৈরে; মাদি চম্না লৈবনি। মহৈ তম্মিবনি।

—অহুবু কনানা খওগনি। হৌজিক কম্না থিজিন্নি হায়রি ; অমনা—

—হায়রিয়ু।

—অহল ইবুংঙো কিথুম মহুম লোইরে মপুগী মালেমদা তিনজরগনি হুয়রদম্মা নীংতম চৌং পাংখরে, ইথতুমক কাখি কনা অমত্তনা তেং-বাংগে হায়বা য়াখিদে। হায়না তম্মী।

– চহী চাম্মা হেক্লম্নপদবা লাইওইরবা অহল ইবুংঙোনি। ঐখোয় উন্নহৌরুবা চুমগনি।

– অহল ঐখোয়দা শাউরক্লম তৌরে।

– শাউবা নত্তে পুক্লিং মুংশিবনি। উন্নহৌবা চুম্মী।

– মসিনা মচং ওইবা পাউনি থরম্নু লৈরি হায়রি।

থোক্ত হাংদোক্লুনা চওথিবদা ইবেমৈ ফুজা মনাক্তা কমতুনা লৈরম্মী। তেরশিং অঙাংবগী পোশোন মঙালদা যোযোন তৌরকই। অচৌবগী মোযোনগী মঙাল য়াওরি। চওথিবদা যুম্নপান্না মথা তাবা শক তাক্লিবগীদা

ইবেম্বেনা খুরুম্মী। অমুদোনসু খুরুম্মী। ইবেম্বেমসু মশাতু তনিক-তনিকখি। খুরুম্মবগী হঙ্গৎলকপদা ইবেম্বেগী মীৎলুদা ঈৱা চেন্নকখি। ঈরীক অনীদং শিন্থুগ্রবা মতুংগী ঈরানি। য়ুম্নপতি খণ্ডখিদে। অমুদোনদি হাইরপ উখি। ফনা কুইনা উহুনা লেখি। তপ্না চীংলেম্বা খোনফমদা হায়রকই—

—থৌরানী য়াম্না রারমগনি; মথেন ফানা পোথাবিথো। চীং-লম্বেল চৎপসিদি তমত্রবদি য়াদবনি।

- ঐসু ফজনা হৈজরে।

- কমদৌনা? হন্দক্কী অসিদা নত্রা চৎলিবা?

ইবোম্বেনা খুমজিন্তৈদা য়ুম্নপনা চাক থোংলিবা মুপীমচা অহুদা থোংনবা য়েনশাং তাক্লম্বদগী চণ্ডশিন্নকুনা হায়রে—

—থৌরানী ঐখোয়গী অচণ্ডবা মীওইনি। ঐখোয়গী ভাৱীয়ান লানশণ্ডদা মতম খরা লৈবিরুরবনি। অহল কিথুমগা লোয়নহুনা লাংমাইজীং মত্তোনগী লানশণ্ডদা হন্না হুন্না চৎলবানি।

অমুদোন—ও, য়াম্না ফরবনি। ঐদ খণ্ডাত্রে।

য়ুম্নপ —শক খণ্ডদবগী রানি পাউদি কুহরেনা ফংখিবা।

অমুদোন—ঐদি ফংখিদ্রে।

য়ুম্নপ —চীংথৈ চম্নু হায়বা অমগী রাদি তাখিদনা

অমুদোন—অহুদি তাখি। অহুইগী চম্নু ঈহৌগী মতাং অকনবা থৌদাং লৌখিবী অমা তাখি।

য়ুম্নপ —অহু ইবেম্মা অসিনি।

অমুদোন ও! য়াম্না ফরে। ইচনগী থৌদাং অচৌ অচৌবা তাখি। হৌজিক ফরি অরুবা পাউ করিগী অম্নুক রানা লাকপিনবো তারসি; রারিনি পোথারগা তপ্না তৌসিরা?

ইবেম্বে—ঐবুদি রাত্রে পোথাজরে। ইবুঙ অনী রাখিনি পোথাবিথো অয়ুক ওইনা তমজরগে।

অযুক অতু ওন্না চৌগৎনৈ অমুদোমনা চৌগংলকপদা ইবৈম্লে ঈক্ল মায়থরগা তুলসিবোং ময়াদা চন্দোল থিন্দুন' লৈরম্মী। অমুবা চন্দোল ইরং লংনা থিল্লগা মমীং উইশিন্দুনা লাই থুরুমহুনা লৈরম্মী যুম্নপম্ন নমাজ পাক্করগা মথং মথং ঙাইহাক শাংনা হকচাংগী ওইনা চীংল/ম্বলদা চৎলুরগা হল্লকই। অযুক তৌগদবা পূম্নমক লোইরগা হম্'দা ফুঙ্গা নুঙতুম শানা ফম্মিম্নে ইবেম্লেনা মথা মথং-মথং তম্মকই

ইবেম্লে—ইবুঙ থুরামচাবু সরকারনা কোয়তান তাম্লহৌর তাংৌ কেঙবগা হনম্মা ঙানবীগা কৈঙমশঙ্কদা লৈবগা চপ মাম্লনা লৈংৌরি। মরক অসিদা ইং লল মন্নংহ বোম তাহুনা পমচাই চাইংৌবে। পূম্নমক লাংঙম্নখিবনা থুম্ভাক লাংশিবগা চপ মাম্লংৌর। চীং গাংবমগা মান্দোপু উসোব তৌরঙেদা গোমা হথর্ুংা মা য়াম্লা শিরে; মশীং চামমুক শুথাব হাযনৈ। অনৌবা ইনি থৌশ্ন শ্রীগোবিন্দস্ন মাংগৈ শলাই থঙদনা অমদমুক লেঙ অংদমুক লেঙ তৌহুনা মথোঙ থঙহৌদরে। রাংখৈ থুরাই হাইস্কুল পূম্নমক সিফাইন পুংমু মুহৌর লৈকাই কযা তুম্না-তুম্না মৈ চাকংৌরে। অরেম্বা লৈংৌবা কাঙবুম্ন তোরাতুন চরা হেন্নংৌরে। ফৌ শংবায়দা লুপা নীফু যৌংৌরে থুম সেল অমদা লুপা অহুম, ভেরশিং পৌরাদা লুপা শনী য়োথরে চান-থক্লদবনা সনা লৈবাক্কী ময়োলহু লেপত্রে হাংবঙম হাইংৌরে।

অমুদোন—মথোয অঙৌবশিংদি মচী লেঙদে?

ইবেম্লে—লেঙদহঙম উই। কংলাগী লানবনদা ঈংনা তপ্পা নে-না তানা অহুম লৈবা উই। কংলাগী অকোযবদা চৌদবা সিফাইনা পল্লোন ভরেং কোয়না ঙাক্কুনা লৈ। মনুংদা মথোয ঈংনা তপ্পা থেঙ্গুঙম্না শানৈ-যুনৈহুনা লৈরমগনি। লৈবাক্না চরা হেল্লিংঙ মুম মৈ চাক্লিংঙদা নখোয়না আমিম্না কাদনা লৈথোকই হায়ক-বগৈনি ইবুঙ থুরামচাবু কাগনি হায়দনা কোয়তান তাম্লহৌরিবা।

হিজম মচা মীয়াই অমবুনা ঐখোয়গী কোম্নুংবা কোয়ন্তান তায়-হৌরি। কৈবাক কাং খোং চাইহৌরে।

অমুদোন- খঙই। মীয়াই অতু ঐখোয়গম্ভু উমরে। মহাকা তান্নরগনি ঐখোয়না অতৈ লমগী লাম্মী মকোক খ্বায়দগী চাউবা, অমগা চুংশিন্নবা লাক্লরিবা। মখাদি ?

য়ুমুপ —চুংশিন্নবগী মতাং অতুদনি অহল ইবুংঙো লিথুমনা য়ারৌবিবিবা।

অমুদোন—চুংশিন্নবা হায়বসিনা মখোইগী লামীদা ঐখোয় পুনশিল্লে হায়বা নত্তে; তংবাংনবনি হায়নগী য়াফম অসি অহল ইবুংঙোদা পাউ হোদোক্লবা মী খাঙ্গবনি, উমদুনা হোদোক্লম্বা য়ারে। পুম্নমক্কী মথক্তা মীরৈবাক্কী লেঙ্কে মুথংপা অদুগ মখোয়বু তাম্থোকপা হায়বসিমদি মাঙ্করিবা পঙ্গুংনি। পঙ্গুং অসি তাংকক অমা ফাওবা তানমিন্নবা চুমগানি হায়না খুংনা খনবনি। করে মদুনা মতনি ইবেম্মা থৌবানীগী তাখিসি। মখা কমদৌবা ?

ইবেম্মে —মখোয়না লৈরিবা কংলা লানবনগী মমাঙদা তুমীং অমফাওবা তুবং পাইবা য়াখিদরে। উমংলাইগী খবক থৌরম পাঙথোকপগী কংলা লাইফমদা অমাইবা অমাইবী চঙগে হায়বা ফাওবা চঙদনখিদবা কুইরে। লাইগী খুভম কয়া তৌথায় তেমথায়দুনা মাঙদনখরে, কনাগী মৈদিংঙুগী ফম্বাল তোংকমগী লাইফম ফাওবদা মওং অমরোমদা শীজিন্নখরে হায়নহৌরে। খোঙ-খুং হান্নবা শঙ শাজিনখরে হায়রে।

অমুদোন—কুইরেরোই। অতু য়োংক্লবদি মখোয়গী মমং মথংনা লামজ-রবনি। খোঙগুন ফাওবা মুংকদবা কুইদরে। মখা ?

ইবেম্মে - মরক অজিদা খুংকী লানন্দমশঙ খন্না মথং মথং থুগায়খরে।

য়ুমুপ —তারে তাঙ্গীয়ানগী মমাঙদা রাহখৌগী, লাঙ্গোনগী, নিংথৌখোং, নঙ্গোল, কৈবাকচাউগী থুগায়খয়ে হান্নবা খঙগে :

অমুদোন মহুদা মাঙখিবা ঐখোয়গী পাখংশিং কৈশাম্বীশিং মরূ চঙথু-

চঙত্রবা ঙাক্তনি। খুৎকী লাইবক থীখনি। খুমকী ঈনা লাই শাবা য়াওরম্মে। ঈ-শিং অতুদা মতিক থোক থোকপা অরোইবা চৈরাক পীখরে। অতৈদি—?

ইবেম্মে—অমনা ইবুঙ মেরা লৈখিদরে।

'য়া খুদা।'—'হরে-হার' অনী অদু মক্ম থোক লুকখখি। ফনা কুইনা লুকখত্নুনা লৈখি। ইবেম্মে মখা ভমথবা য়াখিদে; অনীদা য়েংত্নুনা লৈখি। ঙাইহাক লুকখত্নুনা মমীৎ উপশিল্লরবা তুংদা অমুদোন ভপা মমায় হাইগৎলকই। স্বর অম' শাংলপ হোন্দোকলুই। যুম্নপতা খজিক খজিক য়েংলুই। য়েংলগ রকপা যুম্নপকী মীৎলু অনীদম্ম ঈরা খজিক চেল্লম্মী। মীৎলু মরীমক্ত' পিরা' লেপ্পা লৈতনা শিন্তখিবদি নত্তে। মখা হংলকই—অমুদোন—অতৈদি?

ইবেম্মে—অতৈ খরা' তাবিক্রিঙৈদা ইবঙ মেরানা কমদৌনা লৈখিদবনো হায়বদি হংবিরবোইদরা?

যুম্নপ —খঙত্রবম্ম হারে থৌরানী, খুৎ ঐখোয়গীদি হান্না চৎপা তাম্নে কোম্ন' লাকপগীদমক্তা। মম্নাযবক 'ফ ইতাওদো। ঐখোয়গী লনগৈ শেন্নাবরম্বনি।

অমুদোন ইবেম্মনা ভম্বদ মুংঙাইগদবা চাউথোকচগদবা লৈরগদি তাবা য়াই।

ইবেম্মে—বোম তাব' মুমীৎ অমদা ইবুঙ মেরাগ' মখোয পাখং ভরেংকা সমকান্নগী শেঙ্কম শঙ থুগাইত্নুনা শেন লৌবমি। শঙ ঙাক্লিবা মখোয ভরাহুমদোই অত্নুগা নক্লা ওনশিন্নত্নুনা কাপ্পবনি মখোয় লোইনা ভুরে। ইবুঙনা শেন বোরা অমদা হানজিল্লগা চেঙ্খোরকপনি। শঙগী চুরী ময়াদা হুপী অহল অমা তুত্নুনা ঈশিং ঈশিং হায়জা নাহেত্নুনা লৈরম্মী হায়। ইবুঙনা বোরা অত্নু ইচাশিং পাখং অমদা শিরগ্রগা অদুদা ওইবীত্নুবু কোনখৎলগা

লায়ীদা তাত্থনা কমক্তনবনি। অহল অহু চোইথোরকপা গুলীনা পুকনোংতা পাল্লবনি। ঈতনা লুপ্লম্বা অহলনি। কনবা যাম্রোক্নদৌকা ফীবমদা লৈরবা জাংনি। অদুবু ইবুঙনা কোক থাদোকলম্বা তৌখিদ্রে। মনীংদা লৈবা চৌকিদার অদুগী ইমুং-দগী ঈশিং খুজাইমচা অমা লৌরুবগা চেক্লোরকপদা খোমজী-ল্লকপা সরকারগী সিফাইশিংগা মাযাক্লনা থংথেং থেংনরে। ইবুংনা মথুং থাঙ্গৎতুনা থাম্বা জাংনি অদুবু মখোয় পুল্লমক্কা থা মচেৎ শানা পরেং লেপ্লগা অমুক্তদা কাপশিনবা ওইরমাল্লে। ইবুঙনা -

অমুদোন— ফরে য়ারে ইবেম্মা অহল ওইশিল্লক্রবা ইবুঙগী ঈংথহল্লরবা ঈ অসি শোগৎলক্কদৌরে পাথত্রিভৈদা তাকও য়ারে।

ইবেলৈ— খুজাইগী ঈশিং অদু মরীক অমাক'ওবা লৈমাযদা নীকথোক-হল্লমদনা শাংদোকত্তুনা তারম্বী অহল অদুগী মখোঙ ময়াদা তং'া চেকশিন্না খিল্লম্মগা লাউরম্মী হায়— 'ইমানা য়াইফরে।"

য়ুম্বপ —মদু খুংকী খোল্লাউনি, মীশিনি লোয়নবা লীচংনি। মথা— ?

অমুদোন—মথা য়ারে। ইবেম্মা তমত্রবস্তু য়ারে থঙলে। ঙমদৌরসি মতম অসি লৈশিল্লক্ত'র অংম্মা তপ্পা লোম্না নকনদা ফুহনা লেরগুমসি। ফোঙনা কংলা তম্ন' ফুজিল্লগা লান্দারসি। মখোযনা পুল্লপ তাশিন্দুন লামবন্দা পোথারিভৈসিদা মায়কৈ মরীদগী কোয়শিল্লগা অয়াকপা লাল্লাউগা লোয়ননা লান্দাহৌদবা য়াদ্রে।

য়ুম্বুপ—মদু য়ারবনি। অদুবু, এগীদি লুচিংবা ইত্তাওগী বাকম থংপা নংচদে। মতম মতাং অসিনা কদায় ফাওবা ঐথোয়গী মায়কৈদা লৈরবগে হায়বসি অমুক্তং থম্নবসি

অমুদোন—মায়কৈ মায়কৈদা লেয়ীবা ঐথোয়গী লান্দমশঙশিং মশীং চপ চানা য়াম্মে। লাম্মীগী মশীংজু মঙিক চায়ে, চাম্ববা ফাওবদা

অমমমনা চাম-চামগা লাম্না য়ারবা নহা পাখং ঙাক্তনি। অসোমদা মীযাম্মসু ঐখোযবু শৌগৎতবা য়াওদে। মপু নীংবা শাবা হুইগুম্বা থরা নম্ভনা ঐখোয়দা লোইনা তোংলবনি। অসোমদা য়েক্লবসু মপাঙ্গল শোম্বরকপা তাঙ্গানি। ঙায়োক-চফুদগী ঙা ফাদোকপদোনা ফাদোকহৌরসি।

যুম্নপ —মত্তদি ফরবনি। অদুবু ঐখোয় থুং তরেংকী খ্বায়দগী মুপ্পা মী-ফম অহু ফম্মগা থন্নরাস অতুগা লেপ্পরসি। লেপ্পরবা মতুংদা লান্দম শঙগী লুটিংবাশংদা লাম্ফোং হাযখ্রগা তরানীগী কুননীগী মহুংদা লেংহৌনক কংল মযাম ওম্না ফু ওম্নরকপা যাগনি মী মশীং থুংলাহন্দ চাং মাযকৈগী মঙং পুম্নমকসি খণ্ডমিন্নবা মীফম অসি। কীননা তৌরগে। ক র হাযবগে?

অমুদোন - মহুমদি চুম্মনি। হৌজিক অহল ঐখোয় মরীদি লৈরি। হতাও ধমাস, হতাও চেতন্য দেব অনীদা পাউ য়েৌহনবিখরো মফমনা নাংতম চৌংদা মতমদি হেক য়ারিবমথৈ য়াওশিনবা চুম্মে

যুম্নপ অতেদি কং বং যাওহনব তাবং? ফম্মিন্নবসিদা।

অমুদোন - হন্দক্তি হরূপ থুরাংটাম্ন যাওহনসি।

হবেন্নৈ ফংনগদব মাংদে। এদি নখোয় অহুম-তাচৌ কেওবা ইনম্মা ভানবা থাজন্নমগদ্র. হায়না চিংনরি।

অমুদোন—ফাজিন্নদ্রবা ফাওনা শেম্নহুনা লৈরম্মনি; য়াওহন্নগুমসি। হবেম্মা খোরাণী য়াওরনি।

ইবেন্নৈ —ঐদি করিগ থওডোই য়াওজরোই।

য়ুম্নপ - য়াওশি হবেম্মা। ঐদ হতাও, ইনাও বোলাইবুদি শোয়দমা য়াওহন্নীংহ।

ইবেন্নৈ —নপান্দা নীং ওম্না লেরম্মরোই।

অমুদোন—অহুগা ইবুংঙো নীংতম অচৌদি থিদবা য়াত্রে ; মা পুশিনগ-
বদমক্লি। ইত্তাও যুম্নপ অঙা অত্থ কংনবা থিসি

যুম্নপ —ঐ হোৎনজাগে। 'গাম্বা ব্রাক্লগী মখোং লৌরগা হোৎনবা তারে।

অমুদোন শোযদনা উৎনবা তৌস লেপ্পা ম ইরারাইদব থূংকী থৌরম
অসি লমথুং য়ৌত্রবা কাওবা চথা'গানবা শিম্নরম্নবা যুম্নীশিং
শেমগৎলম্বা তাবনি। মমুন ফারক্লবা ঐখোয়নি। তম্বা ওম্বা
পুন্সি নাত্তে।

চাকচা'মাঙ অত্থম পাউ তারে ; খন্নরে, লেপখ্র লেপ্পারে। চাকচা
তোল্লবা মতুংদা হৌজিক করি তৌনা তাবা গাযবগী মতাংদা তাম্নবনি।
মখোয় অহুমা য়াংমিন্নবা পোনমগী মতুং ম্না যুম্নপ মতম থরা লৈহৌরগা
থবক মথা মথং মথং শিলহোবা তারে। অমুদোননা যেংমক খোঙ-
শাংনা তারে অযাব ফম গং মথ কাঙবগা পাউ পীরম্মগা নীংতম
চাং ওম্না চৎপদা লোপ্ল বেইল্লেম্ব কাখা খুলদা লোক্লবা কাম্নদবাননা
অমুদোনগা লোইননা চৎমিন্নন তাবে

ম্নামদাংদা অয়ুক মহৈ মহৈ পুনংবা পাগনখিনবা পোৎ-চৈ মথং-মথং
চেকা ম পোম্ন রবৈলা চাক থোংবী লৈশাবীহুন তহা ত। চেনশিল্লক্লুনা
পাখংনা মরোল খোঙ খোঙনা হায়রে

লৈশাবী হপুহোয় হবেনহোযবু যুম্নপ বৌবা যাওব্রনে, পাওন ?

যুম্নপ - য়াওদে ঐখোয়দি বা মোন ওাক্তান কৈদৌরে কনানা হংই ?

লৈশাবী সিফাও মানবা পাখং অমা লাকই। এখোয়গী ইথৌ থুল্লাক-
পদা হংহ ব্রাম্নী শাহোরি। ঐঙোন্দা অরাং লাকপা ইপুহু
যুম্নপ কোত্র হংঙুচো হাযদনা ঐ চেল্লকপনি

যুম্নপ কৌদে, লত্তে হায়রু হবেম্মা চো

লৈশাবী - ঔ

অমুদোন - ভাহ.থা মুপীমচা লৈশাবী হপু ব্রা হায়থিগে। যুম্নপতি
লত্তে। যুম্নপপু খঙবা অচল অমদি য়াওহ হায়দনা হায়রুচো

লৈশাবী—কনাদো ? ইধোদো ? সিকাইদো ?

অমুদোন— অনিমক্তা মখোয়না থোকপা ভৌকনি

লৈশাবী অতু চংখ্রে। পাখংনা পোং-চৈ লোংলিবী ইবেম্লেদা অতুগ য়োমলুবা নোংমৈমচা অহুমতু হান্ননা শেম্মবা ফুঙ্গা লাইরুগী কোম অতুদা থমজিল্লবা খোঙহাম্বুল থাংদোক্তুনা মথুম হাংদোক্লিবা য়ুম্নুপতা অমুদোন্না তপ্পা হায়রকই—

—ঙাইথো তথক-তথকখিনু নশাগী অমমম পায়রগা অচুম ঈংনা তপ্পা লেশি। সবকারগী অথঙবা ওইরম্মবদি অমত্তমক লাকলম্মোই ; কোয়শিন্দুনম্ম লৈরম্মনি। কান্নরোই। মও° মুন্না খঙলগা চথবা ভাবনি। নাখ্যোকপা য়াত্রা যেংগনি নত্রগা য়ারোইদবা লৈরগনা অঙম্বা খরা লোইশিল্লমগনি। হিংনা ফাহনদ্রগা লোইরে। ইবেম্মা থোৗরাণা নঙগী খুদোপ য়াওবা নত্রা ? খঙব্রা ঐন। হায়রিবসে ?

ইবেম্লে— খঙজে। যাওজরে।

অমুদোন মও° চুম্না শেম্মো। শ্রীগোবিন্দ কাউন্নু ফুন্দ্রে চিংবদি হৈরব নত্র ?

ইবেম্লে —(নোকথেং ভৌবা) মথল অহুমদি কাপ্পা লংবা হৈজে। অহল কিথুমনা তাখিবনি।

য়ুম্নুপ —ইমানা য়াইথবে।

ঙাইহাক লৈরগা লৈশাবীহুনা পুরকপা পাখং অমা চঙলকই। থাকী অশংবগী খোংগ্রাঙ অশাংবা শেংলল ; হাওফি অপাবা অমা খাউগুন ওন্দুনা ইল্লি। হেক চঙলকপগা অহুমদা মথং লোম্নহুনা মন্না লুকথৈ। অহুম্না মথং মথং থাঙ্গংতুনা ওকই, য়ান্নমক নশা থাংবা পাখং অতুনা হায়রকই—

পাখং —ঐহাক ইবুধৌ ইবুংঙো লাইঙম কিথুমপুবনা তাকপিবদগী লাকচবনি। পাবুঙ য়ুম্নুপকা খঙনবি হায়বা ইপন ইবুংঙোবু—?

অমুদোন—ইবুংঙোগী মিং—?

পাখং —ও, চুম্মী ঐ খরা ওহা ওহাজক্করে। ঐগী মিং নীংথম কৌজে—

অমুদোন—নীংথম ! অপোকপগী মিং কৈজাও, অপোকপীগীনা অশংবী চুম্রা ?

পাখং —কৌই হায়না তাকপি। অদুবু ঐনা খঙ্গরম্বদি শ্রীকেতবা, ইমানা শ্রীমতী ওানবী –

অমুদোন—খঙে য়ারে। কম্মু ইপা রা হায়গে। ঐখোয় ইবুংঙো নীংথম নঙবু ঙাইরিবনি। ঐগী মিং অমুদোন; নঙগী পাবুঙ অসিনি যুম্নপ; মমা অসিনা শ্রীমতী ইবেমলে।

নীংথম লোন্না তাবা তৌবমদরে অছুমদা মথং মথং থুরক্নে। ইবেমলে খাঙনা ময়ুকরে হৌরা-হীরা কপ্পক্লে। নীংথমবু কোয়গা পেম্নবা কপ্পা হৌরক্লে পেনগাদবদি লৈতে। থম্মায়দনা মচা অশংবীবু মবুঙ কৈজাওবু কৌজরি। মচীন'দ খোকপা নত্তে। খোকপা ওমদবস্ম নত্তে। মতমনা তৈহনখ্রবননি। হৌথিবা থেংখাঙ কয়াদগী খোঙেল থোকখিত্রবীনি।

ঙাইহাক শক তাক্লরবা মতুংদা পোথামিম্নরে। কুইনা রারী রাতাই তৌত্নুনা পোথামিম্নবা যাবা থোক্তে। পাউ অমা পীরম্মী --"ইবুধৌ লাইঙম কিথুং যোইরাংলোমদা লৈবে। অরোইবা পুংকম ঙাইত্নুনা লৈরবনি। হৌগং কাঙথং যাদবনি রা ভাংবা রারী শাবদা করিস্ম অকায়বা, মঙং চাদবা লৈতে। চহী চামগা তকক-তরেং হেল্লবনি হায়নৈ। অদুবু শকফম করিস্ম কাযদে, কুচু কুমেন তঙাং তঙাংনা অছুম লৈরি। লাইওই-রবা অশেংবনি থম্লে। ইবুধৌনা কথা থুলদা পাবুঙ যুম্নপতা পাউ পীরম্মু হায়বদগী ঐ লাকপান। ইবুধৌনা খুংকী খুংশা মরী শোয়দনা উম্ননীংই হায়। উম্নদবা য়াদবনি হায। নহান ঐনা লাকপা মুমিংতগী তরেংনি ঙাইত্নুনা লৈগনি। মসিগী মতুংদা খুংশা মরীমক লাকউ, কুইগদবা নত্তে ঙাইহাক উম্নরম্লগা হায়গদবা থরা হায়রগা অছুম মহৈ-মহৈ চংনখিগদবনি হায়। ইবুধৌনা হুকথেংননা হায়রকপবু তরেংনিগুবঙ্গী মুমিদাংরাই অমম অঙান শিম্নব, মঙমসি ইবুধৌগী খোয়রেননি, অসি য়ৌদ্রিতৌদা য়ৌরক্লবা তৌরকউ, অসিনি। ঙসি মমীনি রাংলি।"

পাউ অসি হায়রম্মগা ঈশিং খজিক থকখি, খাম্বা য়াদে অহুম চংখরে। অম্বুদোননা রা মথং মথং হায়বা পাম্বনি। যাখিদে হযেংমক মন্দালেগী লম্বেংদা উমং অমদা লেব লোয়শঙ্ড অমদা য়েদবা য়াদবনি হায়বদং হায়রম্মী। খুদক্ত চংখি থিন্দোকপা থোকপদা অমুদোনগা মুম্বপকদা শম্না হায়রম্মী-

- নচাম্ব নীংথম মুন্দুনা লোনবা ননীনা লিংখৎপা মালেমগী লাম্মীগী লাম্নোক অমনি। ইপন হবুংদো খুরামচাদা হংবিরগা কুপ্না থঙ্গবিগনি ঐনা অমজ্ঞগদবদা মতম লৈত্রে। ঐখোয়স্ম মোইরাংদা য়োজনকনি। ঐ য়োক্তকুখিগ, জয় হিন্দ।
- ইমানা যাইফরে।

নীংথম মংম্বক্ত লাকপা ওইরমদে চৌংম্বুংগী থেল অমদা সঙ্গুম্বা মরীমশা লৈরম্মী। নীংতমনা ইল্লবা ফিত্ত মাগী থাউদা হাপচিল্লগ। তুপী লৌথোক্তুনা উথ্গ চংখি। মীংশা বুম্বগী মকুন্দা মাখায অদু অমম্বা মরক্তা মাঙখি। অমম্বা মরক অদুদা অমদোনগ যুম্বুপকা ওনচিল্লহুনা স্নেংনৈ ৯ শককা শককা মহেক শেংনা উনত্রবম্ব শঁর শাংন অমুক্ত হোন্দোকপত্বদি মাম্নে

সুমিদাং অদুদা মম্না নম্নববা মতুংদা লেপরে বুম্বপা অশম অমম্বা লম্বেলদা চংলগা লান্দমশঙ্গ থরদা পাউ পীবম্মগা মোইরাংলোমদা লাকপা ত্তারে। অমদোনগা ইবল্লেগ অকোইবা লাম্বাল্লামদা লান্দমশঙ্ড থরা ফাওরম্বা মোইরাংগী হায়নম্বুবা মফম অদুদা য়েনবা থোঙশানবা ত্তারে। ওসিদগী মরীনি শুবা সুমইংকী অয়ুক্তা থুংনবা হায়বগী পোরমনি। যুম্বপনা ইকেম্নেদা য়াম্না রাগদবা ম্যাল্লি য়াম্না কোইনা শুপ্না মন গাড়ীদা ম্বপামচা অনীনা শেম্বরগা চংকেরা হংলুই ইবেম্নেনা খুম্বলকপনি—

—ঐহাক মাওজতৌরগে। মুংঙাইরবা খোঙচং ওইয়গনি থম্রি। রাব-গীদি, অরাবা হায়র্বাসনা মুংঙাইবা হায়বত্থু ওইগ্রবনি। শাংলবা লম্বেল ঙসি ভুম্ন চংপা করোগী কাঙবু অমগী মতুং ইন্দুনা লাকপনি। হাইজিল্লকপদগীদি ইথম্নতা লাকপান। ঐস্থু পঙতা তাজ্রবনি। মুপীগা চংমিম্নবসি খোঙলৌই হায়না থম্নবগীদি অমনি।

অমুদোন খজিক য়েংলুই। ইবেম্মে ঈশিং লুম্মিবা ফুঙ্গাগী মৈ অহু কাম্বা ওইনা লুকথরুই য়ুংশনা হায়রকই -

—ঐথায়গী থংকঁদি মুপ। মুপী তাজোং-তহল, কায়র-ইমাবখুনবা খেম্নবা থমদে। লাইনীং ল ইশে নদা অপ-বা লৈতে। খেম্নবা উরিবসি মীখা পোনবগা নীংতম্বগ অমীসিদনি। ফায় রা মথা লৈত্রে।

অযুক থিংথৈগ লেহ্নবা খোঙলোক্লকই। খুজদগী থরা চংজল্লগা লম্বী ময়েক শংনা লৈরবা লমখাত অমদা ঙাইহাক লেথুনা পুকমেন পাওমেম্নরগা পাখং মচাত্থুগা হনপকা মৈরম পাংবয়োমদা হাইথরে। অমুমোনগা ইাব ম্লগা কৌক্রলাইজী বোমদা লাক্লে। চীংমীগী ফিজোন-দনি শম মচা অমমম পুবনি। অকোইবা লম্বেলদা মুদিং হুম্নি ফংকদ-বনি। অহানবা খোঙথাংগা লোয়নন অমুমোননা—খৌয়ানী তুং ইনবিরকউ হাযথি ইবেম্লেনা খুমখি 'ফনি'।

মসিদগী হেন্দুনা অযুক চাবামাং অসিম চংমিম্নবদা মাম্নী অমত্তা শাদে চহৌদদি অহলনি হায়বগদবা অহুগা পাঙ্গল থৌনা অমাদ থম্নোয়দদি নহাগ মীহায়বগা অনীগী মরক্তা লৈরিবা মুপানা খাজিক খজিক্তুং ঙাইরপ ঙাইরপ তৌনা লমজিংলি, অহলগী শীংদা চম্লগদবী পাজল থম্মোয় অনীমক হনথ্রবী মুপীনা তাম্নপ তাম্নপ তুংইম্নি। নক্কা অমুক ইম্নি, খজিক অমুক থাংহৌই অমুক ঙাইবা নত্রগা তানথংপানা নক্লপ অমুক চংমিম্নৈ। মাম্নী অনত্তা শানদে। মারী লৈত্তবদি মান্দে। মাহং কয়া পাউথুম কয়া কয অনীমকী মকমদা লৈ হায়বসি নাঙদা চংলিবা মুপানা তুংগী মুপীবু ঙাইযগী লেম্নদা য়েংলিবা মীংয়েংদা

খঙই। তুংগীনা নক্কা চংপা মতাংদা মাঙগী তুংয়ান য়েংলগা থমোয়দা হৌরকপা তথকপা ইহুন খাঙবদা খঙই। চীংগী উবক রারক অমদি অঙাংবা মুংশিং ময়ক ফনা ওইতুনস্তু শঙ্গিবু চৈবাওরমদাই ঙকয়াগী লৈথং-লক্লিবা মুংশা ওইবনিনা অনৌবা উনা অশংবা ফাওবদা খুইথতুনা খাঙবনি। অনীদি তগং-তগং তৌক্লিবা চহীগী লমদাংগীস্তু নংলক্রুবনি। পাঙ্গলগী থৌনাদগী থৌনাগী পাঙ্গলনা হেল্লক্লকবা মতাং ওইরকথরে। চংখংলম্বা অমুদোম্না ঈশিংখোং মচা অমগী মনাক্তা পোং থাবগা মুঙপাক মচা অমদা চয়োম থোকফম শেম্লম্মগা মখোঙ-মখং হাপ্ন, মমাই মমীং তাবা হৌই। হায়নরুদ্রবস্তু খঙলবী ইবেম্লেন চাগাম য়াওবা মাগী শম অত থারম্মগা মমায়-মমীং তাথোকই। মানা চয়োন থোক্তুনা শীনগে চঙলকপদা অমুদোম্না হায়না হাংদোক্তুনা মফম চান' চানা শীনবা লোইবম্মে। চাকলুক অমত্তনি। ইবেম্লেনা লকক তৌনা লেপ্লিঙৈদা অমুদোম্না হায়রকই—

—চামিরয়সি লাকও, হঙোইগদ্রা?

—নীং তম্মকপা কুইবে।

অহীংদা থোংহল্লকপা চাক্লি। মথেল পূম্নমক চজিক ওল্লবনি। হিংদবা য়াদবগী মওংদা হাউনা চাবা হৈরবা অনীনি। মমাঙধক্তস্তু কয়-রক চাগ্রবনি। ঙসি চাকফম অসিমুক হাউবা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা মাল্লি। চপ চানা ওক্লুরবনি। লৈশাবী মচা অতুনা হেন্নস্তু হাপলকপনি। তকতকনা শিং নাল্লবনি। অতুবু থনফাক্তবগুম তৌখি—অনীমক্তা। লুথাকলা অতু থুপচিন্দুনা ফুমজিল্লবা মতুংদা ঙাইহাক পোথাবগা অমুক খোঙশাল্লকই। মুমীংকা মায়োক মায়োক্লুনা চংলকই।

মুমীথ্তি তাগ্রবা মশেক্তি লৈত্রিবা তাঙ্গা অসিদা অস্থুম চংলম্নদগী মথংগনা ঙাইহাক্তং লেপ্পবা ইবেম্লেনদা হায়রম্মগা চীংজাক অমদা কাখৎলি। মতাই ওইরম্না হাইথক্লুনা হৌবা হৈমাং অচৌবা অমদা কাখৎলগা মথং অনীনা মচীন্দা কোমশিল্লনা অত্তকপা খোজেল অমদা মঙাল্লক লাউক্লই।

থোকলকপা খোঙ্কেল অহূ তাবদা ইবেম্লে ঙকই। লাম্না রাংনা পাইবা উচেক অমগী মখোলন্থু মাল্লি মমৈ তাবকপদা মশাক খঙদবা শা অমনা ঙংবস্থু মাল্লি। মঙাখক শুবা খোঙ্গেলগী অয়োইলা শকক অহূদি লাম্না নোং-খোঙ কুক্লা খোংবা নোংগী অয়োইবা মতাংগী ঙংবা মাল্লি। ইবেম্লেদা ঙক্লা থোকই। অমুক তুংথ মাঙথা চংমিন্নরকই।

ঙাইহাক চংলগা শূন্না কূংলবা উকোন অমগী মচীম থোরকপদা মযম মবাং ইথঙ খঙহৌদনা ফিমু শেংপা পাখং নবীথক চেম্থোবকই। অমুদোনদা খুকন্মী- 'খুক-জবি অহল ইবুংঙো, ইমানা য়াইফরে।'
ইমানা য়াইফবে। চন্দ্র অ স থোরাণী।
—খুকমজরি ইমা, ইমানা য়াইফবে।

"ইমানা য়াইফবে ইচাশিং" ইবেম্লেনা খুম্বনি। পাখং মরী অহনা অহল অনানা য়াল্লিবা শম অচ তাপ তাপ ওৎনা পুরগা মাঙ থাহনা চংখি। তুংদা অহল অনীনা ইল্লি। ইবেম্লেনা ময়াম্না হুং গুত্তুনা চংলিবা অহূক বুংবা উবী-রারীগী উকোল অমুক্তা উখিদ্রি। উবদি লায়থদনা খনবদা ফাঙবা অহু যৌনা নুংন খনখিদবি। নূংঙ্গবা চাংলাইরেম্বীগী থাঙ্গবা শম্নাং মাল্লি। লোইশিল্লবশা চহীগী খোঙথাং ওইবনা শম্নাংশিং বাউথিবগী তৌবনি নত্তহনা নাপানং ওইতুনা শাংলম্মবদি পাইমিল্লবা চাংগী তুমীং অনী অমনা অনবু উব য়াই। খংতুনা চংপা তমজ্রবদি চঙব ঙম্লবোই। নক্না তুং ইনবদগী ইবেম্লেদা পাঙলু লুন থোক্তবনি তুংদা শেন্নরিবা পাখং অহুনা খুদোং থীবা তঞ্জায় অমম্থু ঙাক্কপনি। অহুমত্তদা মাঙদগী খংহাই খংহাই হাইজিল্লকপা উবাগী মকোন মক্কোক্লেনা মায়দা অমুক অনীবক য়ৈবক্তখি। লাইবক্তা মথা-মথা পোম্বা স্নাঙখি।

পূংমম মমথ্রবনি। অকুঙবা উরী-রারীকোন অহূ হেক লোইবদা পাক্তক তৌনা লম্পাক অমা লৈরম্মী শঙ অশাংবা অমম্থু লৈ। মমাঙদা ফিমুতনা ফিজেং ওইবা লানগী মীওই তবেং তরেংনা শাবা

পবেং তরেং লেপ্তুনা লৈরম্মী। নাকন্দা অল্লাওবা মচুগী কিক্লেং শেংগী মুপীগী তরেং তরেংনা পরেং অমমম শাবা পরেং অহুম অমস্থু লেপ্তুনা লৈ। মাঙগী পারেংনা মৈনম মচা অমমম পায়। মাঙগী লৈতোং অমদা ফিরাল যুংলি। মনাক্তা মীয়াই অমা লেপ্লি। ওকলুরিবা মখোয় মরী অহু পোং থনম্মগা মীর'ই অহুগী তুংদা চেনশিন্দুনা লেপ্লুই। থয়া নকশিনবগী অহৃদা মাঙগী মীয়াই অহনা 'অহল্ ইবুংঙোদা অহুগা ইমা চমুদা খুরুমজরি - ইমানা য়াইফরে।' হায়দনা হৌরপ্লা লাউরকই। হেক লাউবগা ময়ায়া পুন্না খুরুম্মী। অনীনা অমুক্তদা ওকই 'ইমানা য়াইফরে।'

তবায়া ওকপগী অশম্বা ঘৌবম মচা অহু লোইরবা মতুংদা শয়া মবীক চুন্না শক তারুরবা মতুংদ ইবেল্লেনা নুপীগী শঙতুপ্লোমদা চঙথরে। অমুদোনবুনা লুচিংবা মায়াইতুগী তোঙানবা কাবোমদা পোখাহন্নবা পুশিল্লরে। লুচিংবা অসি চৈতন্য দেবনা পুশিল্লকপনি। কাছাড়গী হাইলাকান্দীদা লৈবা বামোন লৈবাইদগীনি। বাবা চাদ কৌই। হোজাইদগী মপু হাক্তক্তা কাছাড়দা নাকাথবনি। নিংথৌখাংগী মীকম অমদা অমুদোনগা উন্নগ্রবনি। অতৈ পাউ পীদ্রিবৈদা বাবাচাদনা অহানবা ওইনা তম্মকই।

বাবাচাঁদ—ইয়াম্বা অহলদি তাবিংমখিরোই, ৬বাংদা অশম্বা লম্বেলদা পাউ পীনবা অহুগা অবোইবগী ওইনা থল্লবিবগা য়াথং পীবিবল্লবা ঐথোয়গী পাথং চংথ্রবনি। মায়কৈ থৈনরে।

অমুদোন—তাসি।

বাবাচাঁদ—'য়াম্বা বোলাই' ফাজিনথরে হায়বগী য়াকমদি থঙবিথরে।

অমুদোন—মখা তাখিসি।

বাবাচাঁদ য়াম্বা বোলাইবু লৌথোক্লবা কোংনস্থু লোমস্থু হোৎনখি। জেল মওংদা সুরুং হুংলগা লৌথোক্লবা হোৎনবদা মহৈ য়ানখিদরে। অসি ফাওবা অহলনা ওঙবিরবনি।

অমুদোন —লোইনবা হায়বিখিসি ।

বাবাচাঁদ—হেয়া চেৎনা থররবা মতুংদা উপাই লৈবক্তগুনা সরকারগী মী অমা ঐখোয়না হৌখিবা মুমীৎ কুননীগী মমাঙদা ফারুরে। শিন্নসি থাদোকুসি হায়রুরে। য়াই য়াদে পাউ হন্দোরক্লিঙৈদা মীরৈবাক্তা য়াম্বা বোলাই লোইশিনখরে।

অমুদোন —এ।

বাবাচাঁদ হৌজিক ঐখোয়না ফারুবা মী অসিমু লোইশিন্নখি হায়নরে। অহলশিংনা থন্নবিনবা অতুগা অরোইবা য়াথং পীবিরক্লবা লাইরিক ইজখিবনি।

অমুদোন—সরকারগী মী অদুবু অঙৌবরো ?

বাবাচাঁদ—নত্তে। মীতোপত্তি নত্তে; মীরৈবাক মচানি।

অমুদোন—কনানো করি ওইবা মীওইনো ?

বাবাচাঁদ মেজর ওইরম্বা প্রিতম। মা ঐখোয়গী খূৎতা লৈ; চীংয়াংগী খুল অসিদা থম্মি।

অমুদোন—হৌজিক হৌজিক লৈব্রো ?

বাবাচাঁদ—থম্লি। য়াম্বা বোলাই মখোয়না হাংথ্রবনিনা মেজর প্রিতমমু লোইশিনফম থোক্লে। অসিনি খূৎকী পাখং অয়াম্বনা পাম্নবিবা।

অমুদোন—ভাইখো তহা তহাবা য়াদ্রি। চৎসি ঐ মাগা উন্নগে।

বাবাচাঁদ—উন্নবিদবদা করি কায়গদগে ? য়াথং অমত্তা তাকপিরম্মগা ঐখোয়না মখা চখজহৌবনা ফগদবা মাল্লি।

অমুদোন—ভাইখো, ঐ মঙোন্দগী পাউ থরা লৌখিগে। চৎসি লম্বী চিংঙু।

বাবাচাঁদ—অয়োনবা থঙনবা কম্না হোৎনজবনি। মমুং য়াম্না কনবা মাওইনি। করিগুম্বা অমত্তা হায়য়ু য়াদে।

অমুদোন—চৎসি।

য়েংবদদি নক্না উবা চীংয়াং অমদা লৈবা থুলনি। অমস্থা লম্বেলদা চপ যুংনা হাইথরগা চপ শুম্না অমুক হাইগৎলকপদা পুং অনী থরা হেন্না চঙই।

চঙখিবদা প্রিতম কাংথক অমদা ছিগু্না লৈবম্মী। মখোঙ অনীমক কাংথক্কী মখোঙগা পান্নবা পুল্লম্মী অমুদোননা পুল্লিবহু থাদোক্লবা হায়। বাবাচাঁদনা মসি অহল ইবুংভো, খবখিং হেন্না শাথী; চেনগে তৌবথা অনীবক শুরে হায়না হায়বকই।

অমুদোন—চেনবা শুস্থা হৌনদে থাদোকউ।

বাবাচাঁদ ফনি।

অমুদোন—ওথাক্লা শাস্থরুগমাল্লে।

বাবাচাঁদ—হোয়, খবদি শাস্থকরে। এমুং য়াম্না।

অমুদোন—ফরে ফবে মতুংদদি শাস্থকবন্নু খুৎ চল্লবা মীবু পঙওৎ ওৎপা ফরে ই।

বাবাচাঁদ মখোয়নদি ওৎলগদ তোক্রি লোইশিল্লি।

অমুদোন—য়েংখিসি মতিক থোকপা মনা-চৈবাক্তি অহুম লৈবান।

শাবিবা রাবীহু প্রিতম মুন্না ভাবি। ভাদবদি মাল্লি। লোয়ন-রকপা অমাদি শঙবগী লৈবপা পাখংশিং থোকহনগ্রগা অমুদোনগা বাবা-চাঁদগদা লৈহৌবে। অমুদোনন থোঙজিন মযাদা লৈবা মুরা অহু চিংশিন্দুনা নক্না ফম্মগা তপ্পা হংলুই—

অমুদোন—মরূপ প্রিতম, রাবৌবা য়াদে খবা রাবমলে।

প্রিতম—মহাশয় নঙ কনানো?

অমুদোন—অমুবা মচুনা খঙনবা নিং অমা খঙবিন্নবরা?

প্রিতম—খঙই অমুদোন। শক ছৌজিক্লা খঙই। অয়েৎ খুৎকী অচঙবা মীওই অমা পাল্লি খনবনি, চুস্মে; নমস্তে।

অমুদোন—ইমানা য়াইফবে। মরূপ থবক্তী পোথারে, মরূপকী মহুত্তা ইচান্নুপা যোগেন্দরন শীলহৌবে, মহাক পঞ্জাব লাম্মীদা

লৈরে ; মণিপুরদা লাক্লগনি থবক তৌরগনি হায়রবু লাক্লবরা ?

প্রিতম—অদুক কুপ্পা খঙলবদি হৌজিক্কী ফীবমসু খঙলম্মগনি ঐঙোন্দা হংবগী কবি অমা লৈরি "

অমুদোন মরূপকী চৌন্দগী তানীংবনি।

প্রিতম থামুক ফাবে মণিপুরদা থবক মফম ওল্লকপা।

অমুদোন—এখোয় মুম্না খঙলর্বনি। ইচা যোগেন্দবদি লৈবাক অসিগী মায়োক্তা থবক তৌবা পামজদবনি মরূপনা নমহনা তৌহনবনি হায়রিবসি চুম্মববা ?

প্রিতম—মবুক থম্নবনি। মাগী মুপী অঙাং ফজনা থাক্লনা মুংঙাইনা লৈবা ঙ.জনবনি। থবক অমদি তৌবা তাবনি। চঙহনা তৌববদি থবক খুদিংমক পুকচেল শেংনা তৌবা তাবনি। মীচেঙ চাববদি মতিক থোকপা থবক শুবা তাই

অমুদোন মরূপ চহীমুক্কী মমাঙদা বর্মাবোমদা চংপদগী মরূপকী পোক-ফম য়েংবা লেঙঙুই হায় সাহেব খবগা লোয়ননা চংপদ্দা।

প্রিতম - পোত্থারবা মতুংদদি নীংতম্মদনা কোয়বা চংলুই।

অমুদোন—মরূপকী জাতিগী লৈবাক ওইবিবা পঞ্জাব য়োরকই সনাগী মন্দিব খুকম্মকই হায়না তাই। মুংঙাইবিবকপবা ?

প্রিতম —ইরৈবাক চংপহ্ন কবিগী মুংঙাইতনি। অদুবু ঐগী যুমদি অসিদা ওইবন্নিনা হল্লনা লৈবিবসিনি।

অমুদোন- যুংসিসু মুংঙাইবনি ?

প্রিতম - যুমনিদনা।

রাবি শাবা তাবিবা বাবাচাদনা খুদাংগী ঘড়ীদা য়েংলগা তপ্পা নীংশিংগে তৌই। অমুদোননা মখ্‌ৎনা থাম্মী। তপ্পা মখা চখ্‌রকই—

অমুদোন—মরূপকী অ.প্যাকপী ইমাচ মশক নীংশিংবিরিবব। ?

প্রিতম —কবিন্নীলো ? লৈখিত্রবী মহাকপু পনবগী কবি দবকার লৈ

নঙনা ছায়নীংবহ্ অহুঃ ছায়যু হুংঙ্। তাকপা য়াবনা তাকনি য়াদবনা সুকতাক তাক্লোই।

অম্‌দোন— যজনিবা লৈনানি, মত্তিক চাহনি। তাক্লোইদলা বা আরম্বদা হুংহনা মতম মাঙহনবা চুমদে চিরবা মতমদা লাকপনি। ঐগী ইমাসু লৈখিদবে। ঐদি তত্তনা নীংশিংলি। মঙদস্থ তত্তনা উই। ইমাগী তম্পাক্তা মোন থাঙহনা তুমখিবহ হেক হেক নীংশিংলি।

প্রিতম —মমা নীংশিংদনা মী লৈগনি থনবা খল্লবদি লানগনি। মমা শুংশিদবা মীদি শানি নত্রগা অঙাওবনি।

অম্‌দোন—অহুগম্বা নমা, নংমক্তদা শেংলি চারিবা ম ফ ম'বাল পূন্নমক শেগাম শেগায না লংশেল্লগা মথোঙ-মথং পুন্দুনা কম্মগা ময়াম চঙহনা শাবাক তম্মবদা—নমীৎ অনীহগী মংাংদা শেং-শেন্তুনা চাবব মতমহদা মীচঙগী মমল

“অম্‌দোন।”—প্রিতম খংলাউ লাউবকপনি। নাকনদা লোপ্লিবা বাবাচাঁদ নাকন্দা য়াল্লিবা থাঙখোক্তা মথুৎ তাপ থম্মুই। ফুক হৌগত্তনা মখোঙ য়াম্বহনা ফম্মিবা মাকোক পাযহনা মক লুকথখিবা প্রিতমদা শংত্রিক য়েংহনা লৈ। অম্‌দান তপ্পা হৌগৎলকই। লাগী থৌবীনা পল্লুবগী মথা-মথা পোমখংলবা প্রিতমগী ১খ জেংদা তপ্পা পাযবগা অম্‌দোন মথা চথরকই—

অমুদোন—ঐ খঙই মক্পনা চৎখিবা মতমহুদা লৌবুক্তা গেহগী চয়োং চবোংনা লুকক-লুকক্তা মনীংলোমদগী হুয়কপা শুংশিংতা নোম-ছাইনহনা শান্নরমগনি। শংমুন্নরবা লৌবুক ময়ক অহুদা অঙাংবা কিজোল শেংপা সংগীম পানশিল্লবা নোংমৈ মাঙ-দয়না পাম্বব। অঙৌবগী সিফাইশিংবা খোঙনেংমমা নৈথারহনা চংলমগনি। মচা নীংশিং নীংশিংনা অপোকপী নমা লৈবাক্তা

তেংথাবমগনি। নও অমনা লম অসিদা খোঙ্গ্‌ায় চন্দুনা ফম্‌গা ফৌরেলগী চাকশাগা ঙাতোন ঙাত্তিনগী ঙারেনগা চাংনা লৈরি; মুংঙাইনা পুকচাক তাল্লি নমা শারাক তম-খিবা মপু অত্তুগী মনাক্তা কুল্লগা মরূপ-ময়াই মশাইগুপ খন্দোক-থাক লৈবাক্তা থাদরকপা ঙাইরি।

প্রিতম —বস করো অমুদোম, তোকও!

অমুদোন—মরূপনা খামদ্রবস্থ শাংথনবা মতম লৈত্তবনি। ঐখোয় চৎলে। খল্লু। য়াম্না থেঙংনা থোক্লবস্থ শেমদোকপা নংনবা মতমদি লৈখিগনি। চৎখরো মরূপ নচাশিং ননাওশিংনা অপোকপী মমা ভুংশিখিবনা মরূপপু মতম থরা নৈখরে। য়ারৌমু। য়ৌশবো। য়ৌনীংবা মফম তাম্না তেক্তনা কায়দনা ইচাশিংনা থিনগনি। অত্তুগা নীংশিংজরমগদবা অমত্তুংবু—মীচেঙগী লমন শিংবগী য়াথনদগী ঐখোয়গী মীচঙদা লৈরক্তবগী লৈরক্তবা মরূপ অমদি লৈরম্ম অত্তুগা ঐখোয়গী মায়োক্তন্দদি লেগম্ম লম অসিগী নরোই ননাওবুস্থ লৈহম্মবা তৌগম্ম। য়া ঙাংবা তৌদনা কুম্মে য়েংহুনা লৈরো। অনীশক্তা মীচঙদা নত্রগা মায়োক্তা লৈতনবা তৌ. লৈহন্দনবা তৌ। ইবুংঙো!

বাবাচাঁদ—তাকপিসি।

অমুদোন- খিলহল্লুরো।

বাবাচাঁদ—য়াম্বা বোলাই হাংখিবগী লমন খুম্নবা ঙাইরিবা নচাশিংনা করি হায়রকনি?

প্রিতম —বোলাই ঐনা হাংপা নত্তে; মথমতা শিজরম্বনি।

অমুদোন-মসি শোয়ত্রবনি। মীখুংতা কুইনা হিংবা হৈনবা ইনাও বোলাই নত্তে। হাংখিবনি হায়না লৌবমক তারবস্থ লম অমগী মীদা তাইনবদি চুমদে। অঙোবা অমত্তন্দস্থ য়াদে; পুল্লপতা ঙাইনবা ঙাই। মৌরসি। মৌরে মরূপ প্রিতম।

প্রিতম - ঙাইবিখো।

অমুদোন—হায়য়ু?

প্রিতম—নঙ চৎপ্রবা মতুংদা নঙগী পাখংশিংনা ঐবু থিনবদি থিনবা য়াই অহুগা হিংনা থিনগনি হায়বা ঐ থাজদে। মতুগীদমক ঐ লুংনাংবা তৌদে। থরাইগীদমক হায়জবস্থু ঐনা তম্মাক্তে। হৌখিনা পুন্সি চুপ্পদা নখোয়বু য়েক্লবনি হায়না লৌরকখি। হৌজিকস্থ মতু হোংবা য়ারোই। অমরোমদস্থ অমুক নখোয়গী মীচঙদা লৈবস্থ ঙম্মোই অহুগা তুমিন্না রা ঙাওঙুদনা লৈবস্থ ঙম্মোই—।

বাবাচাঁদ—মীনাই ওইনা য়োম্হোকপ্রবনা।

প্রিতম—লাম্মী অমা ওইরুবনস্থু। খুৎলাই ওইরুবগীস্থু।

অমুদোন—মথা?

প্রিতম—মসি নঙগী পাখংশিং অথম্নবা ওইনা নঙগী ননাও অসিনা তশেংনা খঙই।

বাবাচাঁদ—শেংঙবা রাফমনি।

অমুদোন—হায়য়ু—।

প্রিতম - অহুগা রাফম অমনীদি তাকলমগে, নঙোন্দদি তাকপা য়াই। অতৈদদি রা মাঙগনিস্থু খল্লি মতাং চাদে ইথরায় নিবা ওইনস্থু খনখিবা য়াই। বোলাইবু ঐনা মতম কুইনগী মমাঙদগী খঙখিবনি। য়ারগদি থাদোক্তুনা চৎখিনবা ঐনা শীনর্বনি। মানা য়াখিদবনি। নখোয়গী মশক ফজবী তমফাইবেম্মা ঐনা মাঙহনবা নংখিদে; ইচনগুম খনহুনা মাবু সাহেবতগী লাপথোবহনবা হোংনখি। মা মশানা য়াদবনি। য়েক্লবগী মীচঙগী রা মাঙোন্দা লৈখিবনি নত্তে ঐ খঙই। মাদি পোকপদগী চুকচা ঈখো-ঈরাংনা হেনবা মীওইনি শাহেপ অমদা পুমঙাও

ওাওখিবনি। অয়াম্বা মতাংদা মান্না সাহেব অহুবু মনাক্তা চঙ চঙ্নুনা ফাবনি। নঙগী ঐগী ঐখোয়গী লাইবক থীবনি। মা চংখিবা কুইরে। সাহেব অহুম্ম থবক লোইফাজ্রিত্তৈনা চংথ্রে।

অমুদোন মথা?

প্রিতম মাগী .রৈদা অচুম্বা তাবা ম্নাবা নিয়মদা য়ুমফম ওইবা অশেংবা য়াওবনিনা নঙগী খুবামচাবু ঐ ইকায়থুম্বা মানি। ঐদি মাবু চিংনবা কুইথ্রবনি। মাবু ঐনা থৈদোক থৈদোক্তুনা থমখিবনি। মাবু চিংনবা সাহেব খো-খোম্পা চংথ্রবনি। লাপ্পা লাপনা লেপথ্রবনি। অহুবু অনৌবা লাকপা অমনদি মাবু হেক লাকপগা কোযশেন শেন্নবা হৌখিবনি। মাগী মবমদা থিজিনবা কন্না হৌখিবনি। সাহেব নহাতু হৌজিক ফাওবা লৈরি। মণিপুরদদি নত্তে। ংনবা লৈবাক অমদা .া য়াম্না তোয়না লাকই। অবোহন্দা ঐ বা অমগা হায়গে?

অমুদোন চিংনগন্নু।

প্রিতম—ঐনা মানাই ওইক্ববনিনা ঐগীদি মপু হায়বহু তারে। হায়রিবা মপু অসি লৈবাক অসিদা মবায চায়থবা হৌখবে। পঙকুই কুইগনি হায়বা থাজদে। লম অসিগী য়াংমদা শোক্লবা অশাবা অমদি অঙৌংবা লানশিংদা মথেয় শোম্থবা হৌখরে। মখোয়গী মায়োক্তা হৌগৎলকপা কাঙলুপশিং নোংম নোংমগী কনখৎলক্লবনি ঐনা য়াওক্লবা খন্ন-নৈনবা অয়াম্বদা লৈবাক থাদোকলম্বগী য়া মশা ওইনা খবা খবা নৈনবা য়াওবে। নখোয়গী তুংগী ফীবম তম্মুম অম্মুম ফরকপগুম তৌরে। লুমীং তান্দ্রবা লৈবাক্তা লুমীং তারবা যানা লৈ।

অমুদোন য়ানা লৈ নত্তে তাবগদবমক্তি। তাদ্রবা ফাওবদা কাপথগ-দৌবিবসি খুৎনি—তারেং খুং।

প্রিতম—নখোয়গী খুংঙি খুংশা মরীদা ভাইয়ে।

অমুদোন—খুংশা অমমমদা য়াওরিবা ঈ মরীক-মরীকশিং মরূপ প্রিতমসু ধরদি মউরম্মনি ?

প্রিতম—উদবদি নত্তে। নখোয়গীনা মরীকতা মশীং থীবনি ঐখোয়-য়োমগীনা ঈপাকতা থীঙমদ্রিবনি।

অমুদোন—মশীংদা লৈতে। মওং ফাভম ছায়রপ মাম্নবগী য়াদদি ককচেঙ নীংথৌগা নোংশাগা চাংদয়গনু।

প্রিতম - মতুনা খোৌনাগী শিংজেনগী য়ানি মতুগীদমক থাদি থাগৎনগনি। অতুগা থবক ওইনা চখনবকপা মতাংদদি খেন্নবা অতুম লৈগনি। ওইরোইদবদা লিংজেলনা হেনমনবসিং অশিংবা য়াখল ওইরোই। শামুদি লৌশিংনা ফাগদবনি

অমুদোন—লৌশিংগী মায়কৈ অমা য়াংলে খনবদনি। শামু পুথকম ওইরিবা কোম মায়কৈ শানবা থুংনা তৌবা লোইরবনি।

প্রিতম—মতু য়েংবা তাবি। অবোইবা য়া অমা খণ্ডগে খল্লি।

অমুদোন—কাম্নরবদি খঙহনগনি।

প্রিতম—লনাইগীনি। নঙনা ঐগী অতুগা ইচাগী মরমদা মুম্না খঙজিবসি কদোমদগীনো ? মসিদি লৈবাক্কী য়াফম নত্তে।

অমুদোন—মরূপনা পনখিবা থুরামচা মায়চৌ খঙইদনা মরূপতুগী মচা অমা য়োগেনদরগা কলকত্তাদা মহৈ তম্মিন্নরম্মী।

প্রিতম - ও!

লম্বেলদা হনগ্রিবকপদা বাবাচাদনা প্রিতমবু লোইশিন্নবা তৌরসি ছায়বগী য়া হৌদোকই। অমুদোননা শেংনা হায়—

- মা লোইশিনবনা ঐখোয়দা য়ায়া তোংজবা লৈয়োই। মাঙ্গদবসু

লৈতে। অচুগীসু মথক্তা রাখল খঙ্গবা মী অমম্ম ওইন্ত্রবনি। মাগী কুচু ঐখোরগীগা মান্নরি। মাগুম্বা অমা লোইশিনবগী মচুৎতা অঙৌবা মঙা কম্বনা ভোংবা হেনগনি। হাৎপদগী কনবনা হেন্না ফবা মতাংস্ম লৈবনি।

বাবাচাঁদ চান্ননা পোন্নখা হান্নখচুদি ওইখিদে

- - - ——

কুনগুবা

ওসিস্থু শজিবুগী মুংশা য়ক লাউনা হাইগৎলকপগী অসিদা ওম্নবা চীংলম্বেলদা তুংথ মাওথা ৮৫মিন্নরি ইবেন্নৈগা অমুদোনগা। চীংয়াংগী অমদি চীংচেপকী অপাকপা খোঙলম্বী লাকপদদি ঙাইনরগা থত্রাংননা চৎমিন্নৈ। রারী ইশামক শ'দবস্থু নত্রে।

-- য়াম্না রাবিরত্রা থোরানী ?

– রাঙ্গদে।

—রারমগনি যৌগদৌরে। মাওগী চীংয়াং অসিমত্তং লাম্বোক্লগা তম উরনি। মথক্তা অপাকপা আচৌবা মুঙ অমা লৈ। মতুদা চাক চাখোকসি।

– ঈশিংদি ?

—খোং অমা লানগনি। মতুদগী খজিক্তং শোকখিগদবনি।

—চাক চারগা মুংখিল চুপ্পা অমস্থু চৎখিগদবা নত্রা ?

--তম মচীনদগী শগোলদা চৎলগদবনি। শগোলস্থু হৈরকপা নত্রা ?

—মথুদি তম্মক্তে।

—অথুদি স্নমদোবস্থু য়াই; যনগাড়ীদা লোক্তাক মপান ফাওবা চৎলগা অহীংদা হিদা লোক্তাক লাননা থাঙ্গদা লান্দমশঙ অমা লৈ মতুদা চঙবা য়াই।

—মথুনা কগদবা মাল্লি।

ঈশিং খোংদা মায় মীৎ তাখোক্তুনা ঙাইহাক পোথারিঙৈদা এরোপ্লেন অচা অমা য়াম্না নেম্না চীংদোন খেৎনা পাইবদৌনা পাইখিবা

উই। য়েংমিন্নবদা ইবেম্মনা হংবনি—

—কদোমলোমগীনো ?

— য়েক্লবগী য়েক্লবরোমগী মাল্লি

- অতুদি ঐগোয়গী মীচঙনি। মরূপনি।

—অশেংবনি হকথেংননা মরোল ফাওদোক্লনবা ঙোংনরি। ওম্মগনি থল্লি। অরাপ্পগা পাউ ফাওনবা য়াবা থুংলাই ঐখোয়গীসু লাক্লগনি। লম্বেল য়াম্না ঙেনশিল্লগনি। অথু-অকায়দা রাদনা নংনরগনি।

প্রেন পাইথিবা মতুং ঙাইহাক কৈরগা নোংমৈ মখোল চঙংননা তারকই। অনী চেকশিল্লি। মখোল মচা মচাগী মরক্তা অচৌবা অংহৌবা য়াওরকই। ইবেম্মনা হংলুই করিনো ?

- য়াম্না নকপদি নত্তে। য়েংশি লাউ

চীংযাং তম্না অনী চেনকা কাথংলি। চীংদোং অমদগী য়েংথিবদা অরাপ্পা নাইতোম তানা লৈবা চীংচুম মচা অমগী চীংচেপতা দম্বুর ময়াম অমা থনবা উরে। অরাপ্প য়েংনবা থুংলাগ পাতুনা য়েংবদা য়ুংলিবা ফীরাল উরে। অমুদোননা তপ্পা হায়রকই —

—যেক্লবগী লাম্বন মচা অমা লৈরে। ঐখোয়না চংকদবা লম্বেলদনি। নৌনা থম্বনি নহানবাই লৈহৌদে।

— অতুদি কমদৌবা ?

—মসোমদা চংলরোই। অমরোমদা হাইরসি। থরাদ লুবা লম্বেলনি।

অমুদোননা থরা লুবনি হায়বসি ফজনা লুরবনি। মানা অচম্বা অকবা লম্বেলনি হায়খিবশিংছু নোংখীনা তমপ্রবদি চংশদা য়াম্না রাবা লম্বেলনি। লম্বেলদা নত্তে শাথী শাথীরবা চীরমশিং মঙোম্দদি য়াম্না মোন-মোন লাউনা থোকপগুম তৌবনি। ইবম্মে মুম্না থঙই। হায়রুই —

- অরুবা থোঙকমদা হৈনরে: মদোমদা চংসি।

—চাক চাথোকখ্রনি ? য়াত্রা ?

—য়াই

'য়াই' —হাইহে অমদি খোলহায় তাবদা অমুদোন মশাদা খায় লাউথি। থংয়েং য়েংথোকলুই। তামনা য়েংলম্লদগী ইবেল্লৈম্ব তাব থংত্তা ত্তারকপদৌনা নক্লা লেপ্লিবা অমুদোনদা থংয়েং য়েংশিল্লকই। নৌহৌননা মীংকা মীংকা মীংয়েং চাম্নখি। য়াত্রা ? য়াই। হাইহে অনী অসি মতম অমদদি, চহী য়াংথৈমুক্কী মমাঙদদি অনীমক্কী মরলদ মরল ওইরম্মী। ভাইহাক্কী মনুংদা লমদাগী ঈশিং তাঙলবা ত্তোরবান, পেংইমু থানিলগী লাইশঙ্ক ময়াগী শনাবৈ মশোঙ, ইত্তেন নোংজুপী গোবিন্দ-মন্দির মথং মনাও হায়বা লৈত্তনা নীংশিংলকই - অমুদোননা।

ভাইহাক য়েংলুবগা ইবেল্লৈনা লৈথরক্কুনা শমদগী চয়োম অহু লৌ-থোক্লগা থম্বা হৌরে। অমুদোননা ঈশিং য়াওবা মাগী উত্তোং অশাংবা অমা লৌরগা ক্রমথগে ত্তোরকপগী অহুদা য়াম্না বেমথনা পাইরকপা এরোপ্লেন ময়ামগী অপুনবা অহৌবা মথোল তারকই। য়েংথোকখিবদা মায়কৈ অনীদগী প্লেন মচা তরুকথক কোক্কোন্দগী নেম্না পাইখিবা উই। ভাইহাক লৈরগা বোম পোকথায়বগী, নোংমৈ কাপ্পগী মথোল তারকই। অমুদোননা তনচেন চেমথত্তুনা য়েংলুবদা ঙসাইগী লাম্বন অতুদা মৈজাও চাকপা উরকই। খুদক্তা হৌর-হৌরবা পোকথায়বগী মথোল থংন থংননা তারকই। হেক নাকনদা পোকথায়বগুম তৌই। চৌং অহু নীকপগুম তৌই। মীপাইজবগুম উরবী ইবেল্লৈদা য়েংলগা তারকই—'কম্নিস্ত ত্তোরোই বোমনা থুগাইরিবা মকমসি য়াম্না তাম্নি।'

হায়বা লোইবদা ভাইহি নোংথক্তা মখোয়না লৈরিবা মকম অদোমদা অচাকপা প্লেন মচা অমা অত্তয়না পাইশিল্লকপা উই। মৈগী থোঙয়াঙদা পাইথরকপনি লাউবা নংলমদে শম অহু কাম্নগা ঈশিং উত্তোং থাদরম-ছুনা তোংশিন্দুনা ইবেল্লৈগী মপাথোম তাপ পাইজুমা লোকলোমদা চোংথবগুম লেপ্পবা হৌই। অচৌবা লৈবুল অমা পাইথকুনা অনীনা

চেহ্নিবা মপা অদোমদা মনা য়াওরেবা উত্তোম্দা তাশিন্নরগা অঙ্গিবা মখোল অমগা লোয়নন। পোকখায়রবে। প্রেম অহুদা য়াওরকপা যোম খরহ্ন পুন্নপ পোকখাযবকপনি। চীংমায়গী পাম্বীশং মৈজাও হৌচনা চাকলক্লে। উজাউগী উরু অমদা খুদি খীজিন্দুনা অমুদোন উপথুনন। তুথখি। মানা থংতু তুবগী মথুং থংহাই হাইবদা কম্না য়াম্নিবী টবেৱৈ মায়কৈ শলাই থওদনা লংখরে। অমুদোন গীৎকুপ থরা লৌশিং মাঙলুরে। লৌশিং লাকপগা চৈনা ফাওরক্কুনা যেংলুবদা ইবেৱৈবু পাযহনা চিংবা মপাম্বোম য়েং অপুম্বহু থবং থবং তংলম্মে; ফুরিং ঈনা পুংলুপ লুপলম্মে। পাম্বোম মরু ওকয়ামদি যোং মচেং চঙহনা লৈবওম অঙকপা চৈনা ফাওরারে লৌশিং হেক লাকপগা ফুক হৌগস্তুনা কোযেং যেংলপা কৌই— 'ইবেৱৈ; ইবেৱৈ !' থুম্নক্তে নাক য়েং তুং-মাঙ খোঙফম অমনী অমনী কাম্বোক কাম্বোক্কুনা কৌরই। খুমলকপা তাদে। নক্লম্মা লৌশেনমুক্কী অয়াম্বদ মৈদা শ চাকলি শন্দোরকপা মৈনা অকংবা পাম্বী উমা য়ামাদা য়াহদুনা মায়কৈ শীনব থুংনা শন্দোরক্লি। মৈশা হুকথেংনবা ফাওরক্লি। মৈজাও চাকপগী মখোলদা য়েশিনখিবনা মশাগী খোঙ্গেল মশানা তাদবওম থোক্লি চাক্লিবা প্রেন অহুদগী অমুকস্থ পোকখায়রকই—ঞ্র। খুদক্তা লেচেংগী চপ ওম্বা মকম অমদা থঙনা থঙনা চোংথে। লৌশিং থজিক মাঙগে তৌই। অহুবু খুদোংথীবগা লোংগোম্নখিবা কুইরবনি অওম্বা লেচেংনা হম্না হম্না চিংথুবনি, চিংথুবা খুদিং মায়কৈ শলাই থওদনা উপথু উপথুনন। তুরবস্ত্র খুদক খুদকতা ফাওগৎ ফাওগৎতুনা লেপ্পনি। মচৌশাগা মায়োক্নবদি ওমদে, তৌস্থ তৌদে থাওবদনি। খোং মপানগী খোঙলম্বেল মনাক্তা লেপ্না তাই। তাবগা য়েংথস্তুনা কৌই—ইবেৱৈ, ইবেৱৈ !

'ঐ সিদা লৈরে।'—খুম্মকপা তারে। মায়কৈ অমম্বোমদা থদা থৈহনো য়েংখৎখিবদা অঙম্বা মকমগী মতাং অমদা মথুং হেৎনা ঐ অমদা চাকপোই

কোনবোই তৌচনা লেপ্পা উরে। ইল্লিবা মখি য়াওদে। মথং ওয়ুথং-বহু য়াওদবা ওইনা অহানবংক্তো উরকই অমুদোন খায় লাউই। তুরোই-ভাম্রোই নাক-য়েং তোলহাইননা লেপ্পা উবদা অমুদোননা উরী-বারীদা পান্থী মচা মচাদা য়ান য়ান্দুনা কাখং কাখংনা লাউরুই —

—ইবেমৈ অহুম নৈয়ু! ফম্মু, ফমথো। ঐ য়োরকএ। ফম্মু।

ফমথখিবা উই। তহা-তহা শিক-শিকুনা য়ান য়ানহুনা কাখংলি। থরা নকশিল্লকপগী অতুদা ইবেম্লে মশাহু ফম্মা যম্মা তোলহাইনরকপা উই। লাউই—'উরীদুদা কম্মা পায়দুনা খাঙজু, ঐ য়োরাক্লু।' হায়-রিবা মতুদা ইবেমৈ উপ্পা হাইথংতুনা ওস্থরক্লে। মপা চানা ওস্থরকপনি। থুবৈ অমা যেংনা লেপ্লগা ইবেম্লেবু ওকপনি। লুম্মা শীংথরকপা ইবে-মৈবু ফানবা লাক্লবদা থুবে নাম্থে কাখহুনা খুংপায়যম ফংহৌদবদগী অনী ওস্থমিন্নরকই। অমুদোন মতুনা থাওল্লদাবে; ইবেম্লেবু চেংনা কোল্লগা পোইরে যেং য়েংহুনা শিথমিন্নরে। ঈশিং খোং ময়াদা লোইরোইনা থাংথহুনা ডিপহল্লে। হকচাং অনীমক ইতনা পুমজাং ভাংলম্মে। তশেং-নমক ইবেম্লেগী পান্থোন য়াওরমদরে; মহামদা ককথিরম্মে। থক্লব ঈথঙ থৌজিক ফাওবা হাথবা লেপত্রি। মফুং-মফুং শেগায়রবা ফুরিং অতু হুক্তোক্তুনা অমুদোননা ইবেম্লেগী পান্থোম মরু অতু কুপশিল্লগা য়াওহৌবা হিদাক-লাথক নীংশিংলকুনা মথাক্লামদা চিংনা য়েংথংলুই। অকোইবা লাম্থক্লোমদা চংলবদি কুইগাদবনিনা চপ য়ংনা ভেস্থা অতুদা কারসিন্না হায়না খল্লকপগী অতুদা ইবেম্লনা রাথল তৌরিবা অমুদোনগী থুকউদা তপ্না পায়রকই; য়াম্না তপ্না হায়রকই—

— য়েংও, কাম্বরোই রাক্লরম্ন। ঈশিং খজিক্তা থক্লে।

অমুদোননা মনাক্তা হৌবা শংমুন্নরবা পান্থীমচা অমগী অপাকপা উনা অমা থংলগা কোল্লশিন্দুনা থোংদগী ঈশিং শোক্লে। ইবেম্লেবু তপ্না কোনথহুনবা মথাদা ভাংক্লে। ইনাগী মচীন তপ্না থাক্লহুনা পীথক্লে।

মতম কয়াদগী ঈরিক অমগী ঈথৌ লাংলক্লবী অমগুম চিংথুনা পেল্লবা থকখি। কনাগুম্বা থল্লায অমত্তনা অতুক থৌরাংনা থকপা অমুক্কা থেংনখিদ্রি। য়াম্না থকপা নত্তে উনাগী ঈশিং য়াম্না লেমহৌই। অমুদোননা ফুরিং মচাদা ঈশিং অহু 'হজিল্লগা হবেল্লেগী ঈগা লৈচেংগনা লৈলেংবগুম লৈত্তরবা মমায মমীং অহু নান্দুনা তপনা তপনা লৈথোকপিল্লগা হাযরকই

- ইবেল্লে, ঐ পোরগা তপনা পূগে। য়াব্রা ?
- য়াদে !

যাদে !'— যাদ অসি হবেল্লগী মচান্দগী হহান হানবা ওইনা ভাবনি। মথাদা চাশিন্দুনা পোথাবগুম লৈরিবা ইবেল্লেগী মমায়দা লৈথহুনা য়েংলূ। হা লৈঙ্গু খজিক লৈখত্তুনা য়েংখত্তুনা লৈরম্মী। সুংফা ওনব চয়া নোকপা পোমান অমা ঈরোযনরম্মী। মতম অমদা ওইরম্মবদি থামায অনৌগী শাংনা কুপনা চিংগদবা অপেনবা য়াথোক অমা ওইরমগদবনি। মংবুপ ফাদবা মোমোননি কুপলিবা য়েংলবা ফি মহু চুপথংলকপা ঈত্তনা পুণ্ডলুপ অমুক লুপ্লে। অমুদোনগী মফি-মরোনদস্ত নত্তুনা ২শা ফাওনা চোংশিল্লক্লে। চৈনা থাত্তবদা মকশিল্লবা মায়থোঙদা বুচু তপন তপনা চনশিল্লকপনা চহী লৈশিঙ্গরবস্থ মঙাল তারম্বা মঙাল মশক পোয়ননা নাত্তথরক্লে। মমাশল্লক্লবা মমীংতা থানিলগী থাবল অমা উরকপগুম খজিক অমুক্কা মোমোন তৌরকই। খোজেল য়াওব্রবগুম্বা স্থর অনদা হাযরকখি—'এ চংথরগেকো !'

- ঈশিং খজিক্তা থকাখগেরা ইবেল্লে ?

—থকঅরোই য়ারে। অ...

—কবি হায়নীংই হাযবু, হাযবু

মমীং পাত্তবা ওমশিল্লক্করে চানবান থকনথা তনিক তনিকপদগী চেনখিদরে ঈংশিল্লক্লবা নথুংনা পাযজরিবা অমুদোনগী মথুংদা খজিক

চিংথগুম তৌই । করিগুম্বা অমা য়াম্না কন্না হল্লনাংবা য়াম্নি । য়ামথগুম তৌই থন্নুনা অমুদোননা মচাঙ্গদা নাকোং নম্না লুকখরগা হায়রকই—'হায়স্নু ঐ নৈ ইবেন্নৈ ।'

ইবেন্নৈ মমাং থজিকং পাঙগে তৌরগা চৈনা মমক মৈশা মক্কা ঈংনা, য়াম্না ঈংনা নাকোং অনৌ গুথিনি মতাঙ্গম খৈনা মিরখা খোনকমদা মচেং মচেং ওইনা হায়রকখি—

'ঐহাক নহা—বপু কুইশ্না,—য়াম্না কুইনা ঙাই—খি ।'

চেংনা পায়শিল্লহা মখুৎকী খূৎপায় তকোম-তকোমলম্মগা হিকখহনা অমুদোনগী কৈগনদা তারক্লে, তনিক-তনিক ঙাজরম্ব মায়থোঙ অমুদোনগী থবাক্তা নপশিন্দুনা লৈরম্বদগী লুকথখরে: মীৎনা কুম্নগী মমুংদা মশা পুম্নমক ঈংথরে । থকপা লৈখিত্রবা শিগ্গরম্বা ঈ থকথরে । চেংনা কোম্লগা তপ্না হায়রকই—'ঐনা লানখিবা নত্তে ইবেন্নৈ, হন্দকস্নু ঙাইরমখো, কুইনা ঙাইরমখো ' হুংহিক্লরবা খোঞ্জেল অহু কনানস্নু তাখিদরে । তাঙনা শিল্লরকপা পিরাং ঈচেল অহুদংদা কংবা লৈত্রবা খোং অহুনা উহৌই ।

ঙাইহাক অশাবা মুঙগী শক্লমগুম হাইদ হমদনা লৈরুই । চেংনা অমুক্তং কোম্লরগা তপ্না শাংনা থম্লে । মৈজাওগী মরম খোক্তবা অমকপা মকমদগী অকংবা উশা মমাম খোম্লগা খোং মমাদা পৈশিন্দুনা শীং শেম্লে । মথক অহুদা ইবেন্নৈবু থাজংলে । উশা থামনা ননগে তৌরম্বপা থংনাং নীংশিংলজুনা মথোয় অনীগী শম তাহৌবা মকম অহুদা চেনথংলকই । ইবেন্নৈগী শমদি উং ওম্লম্মে । মাগীচুদি মরমমক চাক্লগা চয়োম ময়াদা তাহনা লৈরম্মী । চয়োম অহুম্ন তপৎ তপৎ তেক্লা অহুম লৈরম্মি । শম মজুংদগী পোং থন্না মথং মথং লোথেক্লপা মোংহৈ অক্তেনবগা হাপত্রিমরিবা চেকশিন্না থুম্লবা ইম্লকি রুই অহু লোথোক্লপা পুহুনা কুমথরকই । ঙ্কি অসি অচিকপদা শিল্লবা মুমাৎ অহুদা

ইপু কিথুম পুবনা মোমোন তৌরগা হায়খিবচু নীংশিংলকই—"ইবেম্নেগী খুদোপ অসিগা ঐনা পীবা খুৎলাইগা থগিম্মীকো।' কি অচুনা শীংথকী চকচাংদা নীংখিনা শেন-শেমচুনা কুপ্লগা গুণ্ড যানী তক্লচুনা মেশেং লৌরগা মৈ চুরে। মৈজাও অমগা তুংদা মেশেং অমমুক চাউনা চাকলকই। মৈনা রায়বা ভুনদবা মক্ষমদা লৈহৌব মতু ফাওবা লাংশিল্লমদবা চয়োমচু নাংথিনা লৌথংলগা খোং ময়াদা পুথরক্তুনা পোংলোইফমদা থমলম্মগা মুমীং তাশিল্লকপগী অচুদা অশম্বা লম্বেল্লোমদা খোঙশাল্লক্রে চীংয়াঙ অনেম্বা অমা লানবদা মুমীং পুমতা তাথরে। চীংগী মুনীংনা তাখিবসি থেঙলবনি। অমুদোন অথুবপা লৈতনা চেনচং চংলি। ফনমক অশম্বা ওইচু মু, চেনচং চংলবমু, তম ফংবা ওম্বগ রাকম লৈত্রবনা মরক্তা লৈবা খুল নচা অমদ যাবেকথ্রাগে থন্দুনা লম" হাইরকচ। খুল অচুনা অমুদোনরু মশক থঙবান পুম তক্কথ ন, তাবা, মী কুনমুক্ষা লৈবা খুল অচুগী মী মচা শাং যানবা চংপদ মৈনা শাথীনা রায়খিবদগী লায়কম্লবা ভুমদচুনা শিবদগী নয়াম মরাঙ মরাঙ তৌচুনা লৈরম্মে। মাশ-মীনা খোকপদ খুল অসদা উঞ্জা চঙহন্দবনি। অচুবু খুল্লাকপা অচল অচুনা যাবদগী অমুদোন চঙচুনা লেকউই। রারী তাবদা খুল্লাকপা য়াম্না মুংঙাহতনা লৈ

মথংগী অধুক ওস্তা খোঙশাল্লগে হৌগৎলকপদা মপাম্বোম য়েংথংবচু লেঙবা য়াদরে। অচীং নোংশোয়বা চাকপনি। অচুবু রাবনা হেনখিবনা, পোথাবনা হানখিবনা অচাকপচু নমচংখিবনি। অথঙবা মাইবা অমা লৈরমচুনা হিদাক লাংথক থরা তৌরগা মতম থরা চাকপা নাবা নমশিল্লব তৌরকই। চংলমদাইদা হয়রকখি—

- হয়াম্বা, পাখোম মক্লগী মপুংদা য়োং মচেংকুম্বা অমা চঙচুনা লৈবা মাল্লে মসি লোথোক্ত্রবাদ য়াম্না খুদোং থীগনি। হ ওনগনি। ম.মা থুনা লোথোকপিহৌ। এনম্ভ লোথোকপিবা ঙমগনি। অচুবু

কুইনা চঙগনি। ফবসু খরা কুইনা চঙগনি।

—কয়া কুইবা য়াই ?

—মুমীৎ তয়ানীমক।

—এ ! য়াত্রে ! ঐদি হিদাক ভাস্কক অমনীগী রাওইনা খল্লুবনি অদু ফাওবা কুইমল্ল খল্লিবদা।

অদুম খোঙশাল্লক্লে। লমশা' অপুম্বদু অথুবা নতমদা চত্থগদবা লাল্লাংগী পোথি শনবা পোইরৈ যেংদা তোথি। নরক মরক্তা হৌথিবদা ভাহবা ভরাংগী মৈজাও অতুগ খোং ভকয়াগী মৈরীতুগী উরকই লোয়নবদা, তামথুবা হৌখিবা কয়াগী থাগিল অমনা অমসু নাথুই থাগী থাজীনদা অদিং শাংপা কুন্দো হেংগোংশুম মোংলকপংম ভৌই। থমুংদা ভৌবা মোমোননিনা লম্বেলগী কেম্নবা উরী-রারী ফাওবনা উথিদে। থরুংগী মালেমসু মশাগী লেশাং থা লেজে। থংনী' অমুক নীংশিংল-কই—না'ভম্বা। চপুং ফানা নীংতম্বা।

মোইরাংগী হান্নথিবা মফম অদু য়োবদা নুমীৎ তানাং তামাঙ ভৌরে। শগোল লাপ্পা খনম্নগা থুঙ্গোগী থুঙ্গিনদ' লৈবা মুম অদুদা চঙলুত। পাথং অমা লৈরম্মী। চেঙ্গোকলতুনা অমুদোনদা খুরুম্মে। মশক খঙলবদা হংলুই--

—অহল হবু থো কমদৌরে ? কদোমদা লৈ ?

—হৌগিকক ভাইহাক্সী মমাঙদা মযানা পুথোকপিথরে।

—হায়র্বদি ?

- জসাইদ আনৌবা পাউ অমা ফংবদগী থৌরম অমা য়েংদবা য়াদে ভম্মগা হাওসু য়াগেনি হাংন হিনাওদা নযান চংদুনা হাপ্লগা পুম্রে। ঐ মফম তাকচগে।

পাথং অদুনা ভান্নকপা মফমদু তাম্না চেল্লকই লম্বেল লেঙবা চরোং নরক নেংশোঙ নরক্ত হুং হুংতুনা চেল্লকপানি লৈতোং অমগী

মথক্তা শাংনা তাহ্নুনা লেরম্মী। অমুদোনবু উবদা লৈরম্মীবা খরা হন্দোক্লহ্নুনা থুরুম্নে। শম্না ওক্লগা চেনশিল্লকই। লুথুমদা খুরামচা লৈতানা যম্মগা তহুল বিথুমগী চেপখৎলবা কোক অহু মতম্বাক্তা পম-হুন্না লৈরম্মী তথ্না কৌহ্নুনা হোংচিনখিবদা খুবামচানা রা জাংদনবা ইঙ্গিং তৌবকই লুথুমদা নক্লা ফমথরগা তপনা হংলুই—

—কমদৌবি ?

—লেঙখরে। ঙাইবিরম্মী।

—এ!

অহল ইবুংঙো কিথুম পুবদা মপ্না য়েংহ্নুনা লৈ। অহলগী মীৎ কেক তক পাওনা উই। লাপনা তাম্না য়েংবগী মীৎয়েংনি। থাক্তফাত্তব-দগী অমুদেম্না অহলগী ল ইবক পাহন্নুনা মৈশা য়েঙ্গে হায়হ্নুনা থুং নাম্পাক্ত্না লৈবাক শোক্তনা শেংদোক্লগা লামশিল্লুই। খুরামচা মায় চৌনা ঙপক ফারগা অহলন যেংলিবা মাযওনদা খুদোম্বী থিল্লুনা মীৎয়েং শাংথৈন য়ুংথাকউ হাম্নন ইঙ্গিং তৌরকই অমুদোননা লোথোক্তনা য়েংলুই। লাপ্লপনা শঙ্গ অমগী মমাঙদা রাংনা থোনবা পুঙ অমদা মরীন থুনা উংবব রাংংবা চৈথোক অমগী মতোনদা পাক্ল বা কীরাল অমা নোংচুপলোমদগী হুনলকপা অকনবা নুংশিৎতা ফু-ফু চাগহ্নুনা কেবা উরে মচু শহুংগী ফীরালনি ময়াইদা চরাম্নবা পাম্বা অমনা ঈচঙ থোনা চোংবগী শক্তম অমা য়েক্লি অকোয়বদা লেপ্লিবা মীয়াম অহুনা লাইবক মপাদা থুং লাক্তৎতুনা সলাম তৌরি ঙাইহাক লৈরগা ময়াম পুন্না লাউনা খোল্লাউ অমগা তাবকই খোল্লাউগী ময়েক্তি থঙমা তাবা ঙমদে অহুবু খোল্লাউ অহুগী তুক্লুংলনা খোঙ্গ-লদা চীংয়াংদা লমদনহ্নুনা য়েংলম্বা মুগীৎ অহু খংহুনা খংঙা ফাল্লিবগুম তৌই। মাংচৌনা অমুদোনগী মথুং চেৎনা পায়শিল্লগা হায়রকই—

—মরূপ ঐখোয়গী লম্বেল থাইবোক চল্লে।

"য়াংলিবা খাইবোক অসিমদি কুইররোই, মরূপ ।"—অমুদোননা তাপ ওঙ্কুনা খুমখিবনি। অনীগী মীংলুদা পিরাং শিন্থরকই। মায়-চৌনা অহলগী মীংতা খুংনা নাম্থত্না উইশিলহল্লি।

খুরামচা—মরূপকী য়াফম অদুমক অহল ইবুংঙোনন্থ কোঙদোকলম্মী।

অমুদোন—করম্বা কান্দা ?

খুরামচা—তৌজিক ঙাইহাকী মমাঙদা।

অমুদোন- য়াফম অসিমক ?

খুরামচা- য়াইহৈদি থরা থেৎম্মে ম্পুংগী য়াফমদি অতুমক্তি।

অমুদোন- অহক্লগী য়াথংনি, হৈবাক তাহৈদে। খুদক্তা য়ানশিল্লগদবনি।

অরোইবগী পোরম শীনবা লোইরে। লেপনগদবদা ঙাইহে।

খুরামচা- পূম্মক তুং ইনগদবগী ঙাইত্তুনা লৈনরবনি।

মত্তাং অসিদা নীংতমনা অচা অথক থরগা লৈ থরগা পুত্থনা লাকই। ডাক্তর নংা অমম্থ লোয়নরকই। লৈ অতুদি ফিঙাংনা কুপ্তুনা লৈরবা অহলগী মথক্তা থম্মগা সলাম কংখি। চানবত্ুদে য়েন্দ্রে। লৈতে থঙবদা ডাক্তর অতু হুংঙাইখিদে। অতুবু চহী চামা হেল্লবনিনা হুংনাংবদি তৌখিদে ? শকথঙ মায়থঙনরবা মতুংদা অমুদোনগী পান্থো-মদা চঙডুনা কৈখিনা য়োং মচেৎ অতু হুয়েংমক লোক্তাক মপানগী ঙামীগী য়ুম অমদা লৌথোক্লবা লেপনার। ঙামীয়ুম অসি ঙামী লৈকম মানবগী বানি ডাক্তরগী অরোনবা লায়েংফমনি। ফোংবা য়াদবা অশোকপা অয়াম্বা অসিদা লায়েংবনি। ডাক্তর অসি নহানয়াই নীংতমগা লাইরিক তমিল্লকখিবনি। লৈবাকী ঈচৌদা পূম্মক তুংওইনবম্মগা মৈগী লম্বেলদা চোংশিনমিল্লরক্লবনি। লম অসিগী মী নত্তে। অরাংলোমগী হিমালয চীংজাও ময়াগী চীংমী অগনি।

অহল ইবুংঙো কিথুমপুবা পোংলোইক্লরবা মতুংদা খুরামচা মায়চৌগা অমুদোনগা লোক্তাক মপান্দা চীক্ল। কুইমা য়ামী শাত্থনা লৈখি। কুইরবগী

ভুংদা উম্মবা খুদিংদা কুইনা কৃহনা চৌকথনবনি। পাউ জন্নবনি। ইবেম্লেগী পাউ ভাবদা খুরামচা ফনা কুইনা বা ভাংদনা লৈখি। মপি হন্না হন্না ভৈথোকখি অমুদোননা কন্না চৌকলকপা পাম্বোম মঙ্গ কন্না পায়শিন্নগা হায়রকই--

অমুদোন– মঙ্গপ, ইবেম্লে মমদি চৎখিবনা হান্নে। ইমা লৈবাকী লৈহৌ-রিবা ইবেম্লে অতৈসবুদি লেপ্পা নীংভনহনখিনি।

খুরামচা মচুনি ঐখোযনা ভাইরিবসি।

অমুদোন য়িম্বালগী ক লা মনুংগী খ্বায়দগী নৌবা পাউ করি লৈ?

খুরামচা– ইনাও লোপাইগা হচন ভাংবীগা লৈতংদগী কংলা মনুংগী পাউ কাবিগুম্বা অমম্ভা ফংথদরে

অমুদোন—ও! হয়েম্মা ভাংবীসি লোইশিনখ্রবনে হায়রিসিবে?

খুরামচা– মুপামচা নীংভমগী মভাংদগী ইচনতু ফাজিন্দুনা থমথরে। মঙ্গপ কেভববুনা নপাকমগী কৈথেমশঙ অমদা খমথরে। বেঙ্গোলদা থম্নম্বদগী কদাংদদনো অমদা পুখ্রু হাযবম্ভু ভায়। জিলা খরচকী রাফমদা থাজনরি। ঐবুম্ভু কম্না শেম্নরি। রাকম অমনা—

অমুদোন ভাকপিয়ু

খুরামচা—মঙ্গপ ভাবেংনকী শন্তম শাগত্তুনা য়েকথোক্লে হায়বা পাউ অমা ভারে। কোম্নংলোমদা সাঙ্গেপ খনবা খরনা নিনফুং-নিনফুং ভাংনৈ ভায়।

অমুদোন—য়েকচসন্নু কৌদোবগে কারিম্ভু ভৌবা য়াগদবম্ভু লৈভনা। মখোয়ন ফাদ্রিভৈদা মখোয়বু হান্না ভান্নগনি।

খুরামচা—মচুরাইগী মভাংদনি ঐনা মঙ্গপশিংগা রাকম খরা খন্ননীংলম্বসে।

অমুদোন—হায়বিয়ু খম্নব চৌবা য়াই। হয়েং মীকমদম্নু খন্নসি হৌজিকম্নু খন্না মঠৌসি। হায়বিয়ু।

খুরামচা– ঐখোয়গী মী য়াম্না লৈরে। পাখং মশীংভ য়াম্মে। লুশিন্নক্লি-ব চ কুইথহিমথে ঐগোহগী খবক অসি কোমখোক্লরকনি।

ঐখোয়না এখোয়দা পীবিনা শেল থর-থরা অসিদি তলবনি হাংবা য়ায়াক্লোই অদুগীম মথক্তা হৌজিকফাওববুদি পামজবা য়াংখনবী মুদফম অমদা লোম্না কয়া যেংনা কম্না থবক তৌনরি। লুশিল্লক্রিবনা পৈশাগীদমক্ত থবক তৌবা মী য়াওরকার; মশাং অসুম হেনগৎলকপা যাই। ঐখোয়গী হৌজিক অংল হায়বদু ওইশিল্লক্লবনি।

অমুদোন— অদুক ওইবা হায়বসি চহীদ লাক। হকচাংগী পাঙ্গল থজিক হল্লকপনা অতম্বগী শীংদ চনবা যাবরই অনীংব থৌনা অদুগা লৌশিং পুন্না লৈরি মশাংনা চংলদ মতৌদ কৈ। শাউরন, থাঙ্গাশনীদা উবাধীবি মী মতৌং এখোয়দা লৈরি

খুবাসচা—মদু ঐগী লোম্দানি চংল য়াফমদ ওক। অদুমকপু অহুম অতু নতুবা মরীশুবা সমাজ অমম লৈবি,—নতম মরাক, ময়ং অথাব অহুম মসিগী মথক মতম হায়বা শক্লাইদবা কমক্তে অসিবু কুপ্ন শেন্নব তাবান। এখোয় হৌজিক চহী হুমফু লাম্হোকপা কুহরবান মরূপ শংদবু হকচাংগী অকনবা পথাপ তুংতন্না গতুমদা থমদুনা চৎপগী ফবনি। হোরক্লবা হচাখি ইনাশিং অাস লোতনাক নরূপশিংদৌনা তৌগাদ হাযদনা শোয়মজুবা বাকম চাক্লং লৈতে। লৈবাক অসিগী মা মাশংদি নোংমা নোংমগী মতম অমুন হেনগৎলকপনা মী লাথ মতমক্তক্লকমুক শুজল্লক্লাদোরে। মপান্দগী মীম্ন নোংমা কাংদনা চংশিল্লক্লি মী যাম্মদ্দি বা যাম্মী। ঐখোযগী মায়াকা লৈত্রবস্ত মরকা কোউহুনা লোবা মী যাওরকনি মশাং হেনগৎলকনি। লম্না খোংবুদি ফরকনি হায়বদু মীদি পওক ফনরক্লেই। ওসি নোং মীনী মশ্রা-তরানীদং কৌ শঙ্খায়দা লুপা অরামডা কুন যৌক্লবদা হুয়াম চিহ্নি মীজাৎ মীপুন তৌনববসিদি করিস্নু লৈবা রা ওইরোই। শঙ্খায়দ য়াদ্দে হৌরকপা মতাং লাকপদদি মীংতমরোমগী

রাখল্লোমদা পুক্লিং চঙবা ওয়রক্তবা য়াই। কুইথল্লিবমথৈ কং-লক্লোই। মশাং পাঙহেন্দা হেল্লবস্থ মতৌংদি অস্থম অস্থুম হস্থ-রকপা যাই। নীংতম্বদগী চবা হেক্কবনা হেল্লা লুম্না লৌনরকনি। ঐখোযদা পীবিরক্লিবা ঙসিগী লেন্ত শেনথায় অসি কুইশিল্লক্লবদি পীনীংলক্লোই। অপীবা থরস্থ পীনীংবা পীরক্তবা য়াই। ওসি লৈরিবা মীম্নুংশি অসিস্থ হস্থরকপা যাই। ঐখোয়স্থ মীনিন্ন অশোনবা কযা লৈ; অশোয়বা কযা থোকলকপস্থ যাই। ঐখোযগী মম্নুংদগী মংনা শোধক্লরগা ঐখোয পুম্নমক্তা পুন্না তান্নরকপা যাই। থংগী মহৈং তাবা ওহরকনি। লান মম্নুং ভুইবগী হৌজিক লৈপাক অখোয়গী পুক্লিং কম্না চঙদবনি। লান অসিদা মপেং লংপুংবি মামগী খুদোংচাবা লৌহৌবা চুপ্মে নত্রগাদি অংথত্রবাদ যুমখোঙ চহুন্না অউপ্না উনা লোং, অরোংবন উপ চেং তুং নিংহুমন্নকথিনি ডমং-থ্রামং পাক্তক্লনা লোংজুপ তাল্লকাখান। মম নমতুনা ফাদোকখিবা য়াহ। মতম চপা চাবে হৌংচবাংস নসি ঐগী থা নত্তে অহল ইবুংঙোগী রানি। অসি তাবদবগা কুহনা ডাহন্নুন লৈবিদম্বানি। ঐভান্দা মরূপ মরীগী মীফমদা লেংদনা চাযনবা শম্নবিরম্বনি।

অমুদোন—অদুগী লাইথায অদুন খোদনা তারিবস্থ। মীফমগী মুখাং লেং থ্রংগি পাড য়োংনথরে। খুম্বাশিং নীংতম চীংদোন্দা উম্নরগনি হজাম অহুম যৌবিরক্তরে। পাউ কাওনদবরা খুদোং চাদবরা কাবনো অমমনদি লৈরম্মনি। ইতাও মুস্থপতি পাউ নীংদিনা ফাওনবান মাপ্ন য়োক্লক্তরে নীংতম চীং য়োদবা য়াত্রে হিংনরম্বা তারগাদি চীংদা শোরদনা উম্নগনি। লাক্লদবা ইয়ামক য়াদবনি। হয়েংমক য়োতিংলবনি। মতাং অসি যাম্না চিশিল্লক্লে

খুরাঅচা—অহল ইবুংঙোন তুংনাংথিবা অমগা লৈরি।

অমুদোন—তাকশিন্নু।

খুরানচা—মতম শাংলকপনা ওইরম্বস্তু য়াই খুৎকী মরুওইবা পাখং থরদা মোং থরা খেন্নরকপগী পাউ ফংই হায়না তাকপীরম্মী। মহুগীদমক্তা অহল ইবুংঙো চৎখিন্নমদাইদা য়াম্না স্থংনাংবিখি। অরোইবা তানকম ফাওবদা থুয়া তুশিংখিদবগুম তৌই।

অমুদোন—ঐগা উন্নবা ফংজরম্মবদি শেংদোকচন্নমগদবনি. চুম্মী মতাং অমদা খুৎলাই য়াওদনা চথবগী রাকম অমা হৌদোক্লবা য়াওরকপদগী থজিক শঙ্গানবা মতাং অমা থেংনরুরে। অহুবু মহু তেমশিন্নখরে।

খুরামচা—কমদোনা য়াশিন্নখি?

অমুদোন—য়াশিন্নবা নত্রবগী মওংদা লৈরবনি মরূপ। খুৎ থারোইদবা, থারক্লবস্নু হল্লোইদবা কাওবু অহু তোওাননা মখোয়গী লম্বেল অমদা চংনখরে। ঐখোয়গা শন্নদরে। ঐখোয়গী থুত্তা য়াদবনা মশীং হেনবদগী মখোয়গী রাকম য়াখিদরবনি। মখোয়স্নু কন্না চঙশিল্লি হায়বা পাউ ফংই। করিস্ত কায়বা নত্তে; পম্বুংদি অমত্তনি; ঐখোয়গা মূকশিন্নবা করিস্নু লৈত্তে। মখোয়স্নু ঐখোয়দা রাম্নৌবা করিস্নু লৈতে। চুম্মী, তৌবত্তবু ঐখোয়গী মীয়াই, অহল্লোন থরদি মশিং হৈন্দে। নহাগী লেংদি অমকাওবা হন্থখিদে। কুইরবা রানি। মাসাদ মরূপ খুরামচাস্নু খণ্ডবিখিবদাইনে?

খুরামচা—খণ্ডবদা নত্তে ঐখোয়স্নু মহু শোগৎপশিংগী মন্থুংদা য়াওরম্বনি। মতাং অমদদি অহল ইবুংঙোগস্নু থন্নবা য়াওখি। অহলনা খনবিখিবদা লম্বেল অহুস্নু ফত্তবদি নত্তে। অহুবু মী য়াম্না চঙগনি মতম শাংনা ফনগনি। ফোংনা নিঙাই তৌবা কান্নদবদি নত্তে অহুবু মূন্দুনা লৌখিবনিনা শেংহুনা লৌবা তাবনি হায়না থাজবিখি।

অমুদোন থংলাউ শাউগৎলকই। কুক হৌগৎলকই। খুৎতুম ভাশিল্লবা মথুৎ য়েৎনা মনাক্তা হৌরিবা উয়ুঙ পাম্বাদা হাইগৎতুনা কল্লা গুরুই। চাউরবা য়াংলবা উয়ুঙনি। কম্বিস্থু তৌখিদে। অদুগা অমুদোনগী পাম্বোম মক্কদগীদি ঈথেঙ হাধরকখি। য়েৎলিবা কি অত্থু কাওগৎতুনা মপান্দা ভারকখি। খুদক্তা লোংনা হাইথরকখি। অদুম্না হোৎচিন্দুনা ঙাকহৌঃ। লৌশিং মাঙহনা তুথরকপনি। শাং-দোকহল্লগা লায়কয়ে। ধর্মসিংনা হায়রকই -

- ঐদি অহানবা হেক উবদা ইত্তাওগী হকচাংগী ফীবম থংলবনি। পোত্থা-হল্লগা ভপ্পা খন্নবা পাম্বনি ইত্তাওনা য়াদবনি। অহানবা হেক উন্নবদা পাযত্থনা যেংলুবদা হকচাং অসি মে হৌবগুম শাবনি। পাম্বোম অসি লাযজোবা কুহব মাল্লে ফীবম অসিদা থবক পাঙবা য়াম্না লুনা পোক্কনি। অত্থুর্না ঐনা মতম যৈথোক্লবা হৌদোকচাখিবা

অত্থুম্বক য়াথল মাম্নরম্মী। য়াফম অসি অমুদোনদা, লৌশিং লাক্লবা মতাংদা নীংখিনা হাযত্থন তাহল্লি। অমুদোনস্থ ভাব তারক্লবদা থক্তিক থক্তিক ঙাওচৎলক্লবদোন তৌকবগী লাল্লে হায়রকই অত্থুমনস্থ অমুদোননা হৌদোরকপা য়াফম য়ানাংদবা উংথবাী গুংঙাইতবা ফোঙদোকই। ধর্ম-সিংনা মখা চত্থরকই -

- ভশোবদি ইত্তাও ঐথোয়স্থ হত্তাওং হায়রিবত্থমক পানজরবনি। অদুবু ইত্তাওগী হকচাংগী ফীবম অসগী যেংদবা য়াদবনি। ইত্তাও খুৎ অসি ঐথোযগী অচম্বা অয়ায়বা হিদাক লাংথক অসিনা ওইবা য়ারয়োই। অফবা মফম অমদা অহৈবা ডাক্তর অমদা য়েংনবা হাম্না তৌখিসি। মাসনা অথুবা থোরম ওইনা লৌথংসি।

অমুদোন—মচিং মশোন থক্তিক নাইক্লবগী য়াম্না মুংঙাইতে। মতমগী মতাংগী তাঞ্জা য়েংসি হাযবগীদি য়েংসি, চুম্মবা য়াকম্নি। অদুগা ঐগী হকচাংগী য়েংহনা য়েথোকপা নত্রগা পাঙথোক্লবদি তৌবা চুমদে।

যুম্নপ- হকচাংবা মতি লৈনা পাঙ্গদবা পোৎমনি। থোৌনাদা নত্ত্রি পাজল য়াওবা তাবনি। অহল হবুংঙোনা তাকপিরম্বহনি। অহুনা পাঙ্গদবা পাম্বোম অসি লায়েংবা তাবনি। লৈরিবা কীতম অসিদা য়ারোই। থৌনানা হেনমনখিবনা নীংতম চীং য়ৌবিরকপানি।

ধর্মসিং -লায়েংবা তাবনি। মীয়াম খঙহনবাদ য়াদে। মরম অমনা ইত্তাওনা পাম্বিরিবতুমক ঐখোয়গীসু অপাম্বান। ঙসি হয়েং-মক্তি যাখরোই। মঙাল তরানি তান লুমত্তনা লৈবা তারি। অথুবা মতম মতাংদ পাট ফংদোকুনবা খুৎলাইস্মু হাপ্পা আসগী মমুংদা যানবক্লগানি হাজিক তৌজিক লম্বেনদা লৈরে। মরকসিদা হত্তাওগী অশেংবপা যেংথোকহোৌস হায়বনি।

চৈতন্যদেব —খরা শোকচিংখিবদৌনা তৌরে হেনক্তিনম্রবদি খুদোং-থীগনি। অসোনগী ডাক্তর অমগা তান্নদবা য়ারোই খল্লি।

অম্নদোন—তোং ঙ হইগী খুতলা তৌসি হায়বাদ ময়াম তঙ্গা ঐগী করিস্নু লেতবা অশোকপা মচা অমগী দমক থবক য়েখোকপদি চুমদে। থবাক্ত ঐদনা তৌগদবস্নু নত্তনা। এমক্তি ঙসি অসিদা মুখং প্রকন পাম্বৌব পামজে ঐখোয়গী লাম্মী মায়কৈ মরীদা লোরবা মফম নকমদ। মত চানা পৈবদা মতম চংগদবস্নু লৌবি। ফোংনা লাক্লগদবস্নু নত্ত্রি।

ধর্মসিং—মহুগী রানীংঙাত লৈত্রবান যৌনাস হায়বা মতমদা য়োবা য়ারগনি। মহু ঐনা শাল্লগনি।

যুম্নপ—সরকারগী অনৌবা শেম্নম শঙ শাম থুগ হনবা শেল লৌনবা পোরম অমা কম্না য়াংলি। মায় পাক্লগানি মহাং লৈবাকী অমসু শেল্লদুনা লেরি। হত্তাও চত্তন্যগী থৌরাংনি।

মতাং কন্না চৎথরি।

অমুদোন—রায়ীনা নৎখিগনি হাংনসি থাজত্রবনি। তানবদি তারবনি। পাঙ্গল শীঙ্কিন্নহুনা তান্নবদা মতাররবনি। ঙাইথরুবগী কান্নবা লৈররোই। লমথুংবু ঐপোথনা ঙাইরুবা চুমদ্রে ঐখোয়না লমথুং তান্না চোংশিনগনি।

ধর্মসিং —মহু ঐ যাজৈ অহুনা শনা হায়জবাদ অন্নুক কুহবসি লৌ য়েংহুনা ঙাইরক্লবদা মতম থরদংগা য়েংবদা থোইনা হেন্না কায়গনি হায়না থজারে। লমথুং তান্না চৎলিবসি ঐখোয়-দমক নত্তে মায়কৈ কয়াদগী চংশিন্নরি।

অমুদোন—মহু থজনবনা রাফম্নি। অতৈ মখোয়গন্থ মতাং মতাংগী ওইনা পাউ ফাওদোক্লরি। খ্বাইদগী লৌবা পাউদা অতৈ লনদা ফোংনা নিঙ্গাই তৌবা কাঙবুন হন্না হন্না র'রী শারি। পাঙ্গনদা থাজনা কাঙবুনা মঙক লাতুন ঈনবা হৌরি। ফোংনা ফোংনা শাংহুনা মফম মফমদা লান্দরি ঐখোয়ন্থু ঐখোয়গী শরূক লমদম অসিদা লান্দাহৌবাস। মাগী মাগী মফম মফমদা লেবা য়েক্লবশিংদা লান্দা লান্দাহুনা তকথোক্লবাদ মফম মফমগী ওইনা থরা থরা নীংতম্বা হৌবা নক্তবরনে। ঐখোয়গী মোইরাং নীং-তম্বাহৌথরে। ঐখোয়না কংলা নীংতমহন্নবদি নীংতম চীং অসিদগী লৈবাক শীনবা থুংনা নীংতম্বা শম্নোকহনবা তম্মগনি।

চৈতন্যদেব— তৌনরীদ ঐখোয়না কংলা তম্না ফুজিনবা মতমদা ঐখোয়না লম মথং মথং লৌশিন্দুনা চৎকদবনি অহানবদা অকোয়বগী চীং পুন্নমক অসি নীং তমহনগনি। মথংদা তমগী শরূক মচেং মচেং লৌশিল্লকদবনি। কংলা হেক লৌশিনবা মতাংদা লৈবাক মপুম ওইনা নীংতম্মগদবনি।

ধর্মসিং —মহু ঐনা পামজদব অহুগ য়াজদবা নত্তে। ঐখোয়গী থৌরাংন্থ অংহনে। মহুগী লম্বেংদা পায়ন্নক্লিবা থুংলাইনি। পায়থিবা

খূংলাই অসি থাব্রোইদৌবনি। ঐনা হায়জখিবদি মায়কৈ পূন্নমক্তগী ফু'জন্নরকপ্লসিনা অপূনবগী লমথুং অতু তশেংনা য়োৎশক্লা লৈরবদি অয়েম্বদা ঈখেঙ হাখৎলুবগী তোংজনা লৈরোই। পাখংকিংগী, ইনাও ইচাশিংগী থরায় অসি মী য়াম্নজদবা ঐখোয়-গীদি অতৈগীদগী মমল য়াম্বা হেল্লি।

য়ুম্নপ —অত্থুবুদি চুম্মী। অচুমকপু য়েক্লবশিং তশেংনমক সুমীৎ অসিদা চংশ্রগনি হায়বা তংদাংবা গডবা ঙমদ্রি।

অমুদোন – চন্তুকম্নু য়াবি। ঐদি মশানা য়ানা চংখিগনি নীংদে। তানবা তাবনি।

ধর্মসিং —তানবা হায়ববু ঐখোয়দি হান্নদগী গৌনা তান্নুনতা লাক্লিবনি। হৌজিকস্থু তানখিনি। চক্রিবা ফাওবা তানগনি। তান্নগুমসি হায়জবা নত্তে; ময়াই তম্না পূপ্রপ হোৎচিনবাসিদংদি মতম থর়া য়েংখিসি হায়জবনি। হান্নগুম অচা অচাবা তান য়েংহুনা মতাইদ্না মফম মফমদা ঈরাং হৌবত্থুদি মথা অত্থুম্মক চথসি কায়দে। ঐনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না সাহেপকী মকোক থোংবা অমা লাক্লবা য়াই হায়রি। অসিদা লাকপা সাহেপ অয়াম্বা লম য়েংবা শোয়দনা চংনৈ। মাস্থু চৎলবা য়াই। ঙম্মগা লোইশিনহৌসি। মত্থুগী পোথি শেমসি হায়নীংই।

অমুদোন—মত্থুদি ঐখোয়না য়ানথ্রবা রাফমগী মন্থংদা লৈ। লোইশিন্নবা হোংনবা হেক্লা য়াই। য়াগদবা লৈরগদি লাকহন্দনবা তৌবস্থু য়াই। ঐনা হায়জবদি ময়াই পায়নবা তৌরসি—

সুন্নপ —মসি সুনাদোরসি থন্নগদবা রাফমশি য়াম্মি।

অমুদোন—রাফম পূন্নক ঐনা হৌদোকচরিবা থৌরম অসিদা পূরবনি। মসিদং য়াবিরবদি পূন্নমক শাফরে।

চৈতন্যদেব—রাফমসি ঐখোয় য়াদবা নত্তে; মতমগী মতাংদা থজিক থন্নবগী রাখল্লি।

শো লোন্দুনা লৈরম্মে। নিংখোখোংদা চঙলুই লৈদ্রবদে। ফুবাল্লা, পোং-শংবম হায়জিল্লুই মখোয়গী মী অমত্তা থোংনদে। লোম্পচৌং ভাম্না হাই-গংলকই। সিক্বাইনা শৌ শানা লৈবা থেংনৈ। মুমিদাং অথেংবমা শীংগা চক্লগা চিংবা ঘনগাড়ী থরা থেংনজুনা য়াওবকই। কোইনা কোইনা থৈ থৈজুনা চৎপনা মুমীৎ মরীনি শুবগী অয়ুক্কা 'নীংত্তম চৌং' য়ৌই।

ধর্মসিং, যুম্নুপ অমদি চৈতন্যদেবম্ব মীকমগী মুমীৎ ওইরিবা ওরাংগী মুমিদাংদতা মযোরল্লম্মি থেঙলবম্ব থেঙনা মোইরাংদা অহল উম্নবগী পাউ ফংনবনি। কোইনা অমদি শম্না চৎলগা যৌনবম্ব লাক্লবনি। অত্তবু সরকারগী অনৌ অনৌবা থৌরমনা চৌংব-মাম্নং পাং-তুরেল উমং-রাম্নং মোংশোং হাবুঙ পূম্নমক্ক চেৎনা ভাত্তুনা থিংখিদনা য়ৌরকপা ওমথিদবা ওইরম্মে। অহল ইবুংঙে লাইত্তম লেখিদবগী পাউ তাবদা অহুম্মক মক্ক লুকথজুনা ফনা কুক্কনা লৈখি অমুদোনগী পাম্বোম মক্ক শোকপগী যাম্না শম্বা পাউরম অহুম্মক্ক তানীংখিবনি। অমুদোননা কোম্না শংনরকপা মতাংদা তম্মাগে হায়জুনা তমাখত্রে। শোক্লিবা অমদি লাম্নেংবা হৌরুরবা মফম অত্তু যেংবদা অহুমকা পূক্নীংদা চিংনবা পোকই। চাক চারবা মতুংদা থম্নবা চৌহ। অমুদোননা হোদোকপনি —

– গী মশীং যান্দে, থূংলাই মত্তিক চারে হায়বমক যাত্রবম্ব লৈরে; ফনা য়াম্না লৈরে মঙানী তরানীসিদা কর্মারোমদগী থরা অমম্ব য়ৌমল্লগনি ঐনা থঙবদি মাথকৈ থুদিংমক্কদগী কংলা ভম্না ফুজিল্লসি। মত্তম মুমীৎ পুংফম লেপ্পনবা থম্নরসি। অসি থমজনীংই।

ধর্মসিং —মংগীদমক্কা ঐথোয শেম শাবা লোম্নইবে হায়না লৌবা য়ারে। অরাংলোমগীসি মী থরদি রাংকনি। অত্তুম্ব লান্দমশঙ তরা-নীথোই অসিদা অনৌবা ময়াম পুশিল্লক্লবা কয়া লাক্লরি। হন্দক্কী চেঙ চাক ভাঙবসিদা চৌংমী তম্মী য়াম্না ফংলগনি হায়বা পাউ

ৠংলে। থা অমনীগী মন্নুংদদি অনৌবশিংস্থ মওং ভানা শেম-গৎপা ভুম্মগনি।

অমুদোন—ঐগী মোৎতদি থা অমনী ঙাইবক্‌মসি হ্‌'যবসিনি। সনকার অসি মপাঙ্গল ম'যং য়াম্না তারিষৈসিদা হুপথহৌরসি। অহল ইবুংঙোনা পাম্বিরম্বস্থ অসিমক্কি। মতাং মতাংগী ওইনা মচেং মচেং ওইনা লান্দাবা অসি শা'থবা চুমল্লে। শা'থবদা ঐখোযগী ঙো'জবা তৈরবোহ। হল্লাংবা যাংল্লবপ য়া'গী রা লৈ। রাখলদা খেন্নবা লাকপও য়াই

যুম্নপ – অহুগীদি চিংনর্ণ'ঙাই 'কক্তে হনাওশিং চঙলক্লি, নহা কযা অমস্থ য়াওরক্লি। শেঙ্গুনা চঙলকথিগনি। ঐখোযনস্থ মীশক যেং যেংহুনা চাংযেং তৌ তৌহুনা লৌর। শেলথুমগী অবাংপা করিস্থ লেরোহ। লৈবাক অতেদগীস্থ তেংবাং লাকপা যারি।

অমুদোন—অহুবু কুইথহল্লগুমাস। তং ভাবী অমদা কেপ্পবা তৌহৌরসি। সুমীং অমা লেংরগা মায়কৈ মরীদগী ঐখোয়গী লাম্মীনা কংলা তম্নরসি।

ধর্মসিং —ঐনা হায়জবদি অসিনি মতম থরদংগা যেং'খসি। মরক অসিদা যেক্লবশিং অসি মশানা যানা থাদোক্লুনা চৎখিবা য়াবগী মতাং অমা লাকপস্থ যানা লৈরি

অমুদোন--য়েংবা হাযববু হত্তাও চহী নীকু-য়াংথৈ অসি য়েংহুনা লাক্লবনি। চৎহে। ভাল্লবদি চৎলোই, মসিমা শঙনরবা রাকম্নি। ঈংনা ভপ্পা চৎলু হাযবা য়াল্লবনি। অহুনা মখোয থরা অসি লোইনা কাদোকপা ভাবনি।

ধর্মসিং —লুরিবদি মখোয থরা অহু নত্তে মখোযগী পোম্বিনি অহুগা ঐখোযগী মখোযনা খোপচিনগ্রবা মী মরামসিনি। ইভাওশিংনস্থ খঙবিরে হৌজিক হৌজিকমক লানগা লোয়ননা রায়ী শাবগী

অমুদোন   চুম্মবা থৌওংনি   মসিদা ঙুংনাংবিখিবগী করি মরম লৈবগে ?

খুরামচা—মরূপ ধর্ম সং অদু মদোমদা রাখল লৈরকপদোনা তৌখি হায়না অহল হবুংঙোনা চিংনাবাথ মযেক য়াম্না শেংবদি নত্তে। পুন্না অমুক্তং উম্মনীংবগী রা ভোয়না শোনবিরম্মী। মসিগী মত্তাংদা মাল্লি মরূপপু ঙাইবিরম্বা হৌরম অসিদা মরূপকা ঙাংনথিবা লৈবিব্রা ?

অমুদোন—খোইনা লৈতে। নীংত্তমচৌংগী মাকমদা য়েংসি। অদুগা মরূপ অমবু ওংরবসু অমবু ওইরবসু পম্বদনা চওশিনবাদ চুপ্পে।

খুরামচা—মতুম্মক অহল হবুংঙোনা ত্তাকপিরম্মে

খুংলাই পাযদবা কাঙলুপকী রাদি তাব' যাম্মক কুইরে। অদুবু রাকন অসিগা ধর্মসিংগা পক্শিন্নমা তাবদি ঙসিদা ঙাইরি। অমুদোন রাদি ঙাংদে অদুগা রাথলদি মখা তাথনা খনখি। মদোম হংজখি—চুপ্সিব্রনে ?

অমুদোনগী অশোকপা পঙলায় লাযবা ওইরমদরে, য়াম্না লুনা অমদি শাংন লনবা তাখি। নোংমা নীনীদা চত্তবা যাই খন্নংম্বনা হাপ্তংমুক চঙলে। থৌনা মচিংনা হেনখিবনা ডাক্তরনা হায়বা খক্তক মীরাযকবনা অশোকপা মমুংদা লায়ত্তৌখিবনা মতম শাংনা চঙখি। অসোম্নদনা মানা কেপ্পম্বা মীকনগী মুমাং অম্মুম অম্মুম নকশিল্লকই। ডাক্তরদা এ ফরে চংলগে হায়রুহ মৈতৈরোন কজনা খোকপা নত্রবসু মাগী মঙং-মত্তোদগী চৎনীং দা হাযব ডাক্তরন খঙই অশোকপা অদু কত্রি হাযবসু কজনা খঙই। অদুন মানা থাদোক্কে। মরক অসিদা অমুক অমা নীংতম খুঞ্জাগী কিজেত্তা লোংত প অমা পায়দুনা চঙলকই। পাউ পীরে।—

- পাবুঙ, খুরাশচাদু মোরা কেথেলদগী কাদুনা পুব্রে। কারান চিংথৎপদা য়ংকবা মঁ পি থিদুন কাবে খৗনা-খৗনা ফুরে। কৈথেল অহম্মক কায়রে। হৌজিক মায়কৈ মরীদা সিকাইনা থন্না লৈব্রে।

মীওই থম্নদি হেক উবদা নোংমৈম্মা ক'পকনি হাযহুনা শীংতনা লৈহ্রে। মথম অসি থাদোকপা ভারে হৌজিক পুং অনীগী মম্নুংদা ফিজাও অমা লাক্লগনি। ঃহুদা ঐখোয থরা চৎপা তাম্ন। অমুদোননা তপ্না হাধরকই –

—ইবুংঙো নীংতম, পাবুঙ কোম্না লাক্লগে মথম হায়রম্মু ঐ কংফাম্লোমদা লাক্লগে। যিস্ফাল য়ৌদবা য়াদবা মতাং অমা লেরে।

নীংতম— ফমবুদি ময়াংফম্ফালদনি, মথমম্নু তাকচগে। অহুবু ঐগী মরূপ ডাক্তরনা য়ারোই। পাবুঙনদি য'র চৎলগেদা হায় ভায়দনা তম্মী। মানা যাফ্রি। মরী-মতানিগুম্নমুক্তংগা ৈ'খিবা তারি হায়রি। রাফম অমনা য়িস্ফাললোমদা য়াম্না লাঙ'রি লাননা পুমনৈ নৈথেল্লবা য়িস্ফাল ওইনা লৈবে। থুম্তাক লানশিবগী মওংদা ভাঙ্গন হঙ্গিন তাহুনা লৈরে। লান হন্না হন্না কায়নহুনা লেরে।

অমুদোন— মহুগী থুদোংচাবা লোদবা যাদবা মতাং লৈরে; পাবুঙ কোম্না য়ৌরক্লগে। ঐগী থুং অসিদি ফবু ফরেদা।

নীংতম — ফবা য়াখিরে'ত পাবুঙ ডাক্তরন হায়বা লৌবিবা কৈ।

অমুদোন—লৌ'হুনি ঐনা লাকদৌরিবসে।

হন্না হন্না থাম্বদা যাম্রে। ডাক্তর অহুদি চামনা ওকথ। উপাই লৈতে, থাদোকখিবা তাহুনা থাদোকখি শারঙদগী থাদোক্লবা কংলা শাঙম ঈ'না তপ্না চীং লেম্না নোমহো নোমহো লাম্বল লৈতব' চীংযারোমদা চৎখি। কবিস্নু শোক্তবক্তম চৎখি নীংতমগা ডাক্তরগা য়েংহুনা লৈহোই। উখিল্লনা মতাংদা পাথং অনীহু য়ে'নম্নগা স্বর শা'না হোন্দোকহোত।

অমুদোন মো'শোঙ মরক্তা যাও ফাওহুনা চৎলি। হাম্নমা মী খোইনা চত্তবগী মথক্তা লানগী ঈরা'দগী চেক মোক লাউদবা হায়বহু য়ৌরে। লম্বেল সোরোক অচোবদা পিফাৎগী গাড় পরেং পরেং চৎপা উই।। নারা-সৈনদা শগোল অমা লৌগে চত্তবনি। লৈরমদারে ইমুংহু

চৈতন্যদেব—মহুৰ্গীস্ মথক্তা য়ুমলোম্বা লমশিংদা শেন পুরকপা রেলদা নত্রগা জাহাজদা থংলগা মরক্তা মুলহৌনবা পোরম অমস্ু য়াংখি। মী শেম্নহল্লি। লুমহুন লৈরকপা কুইরে। খুং-লাই অনৌবা লাকদৌরিবসিগী শেল থরা রাংকদৌরি। পাথং ময়াম লায়েংবদা মরক্তা শেন থরা চোমলপ চংখ্রে।

অমুদোন—ঐগী লায়েংবগীদি ঐখোয়না ত্রিংলোই। ডাক্তর লৈরে।

চৈতন্যদেব—অংদবস্ু য়ারোই। মহুদবু কয়া য়াম্না চঙগনি হায়বগে মহুগী রাবিগদবা নত্তে। চিংনবা চুমদে। শেনদি অরায়বনি।

অমুদোন—হু। রাদবু হায়বনি।

ধর্মসিং—অহুনাদ ঐনা হায়জনীংবা অমনা ঐখোয়দি অসিদা অস্ুমক লেঙদনা লৈরগা খুদক খুদক্তা থম্নহুনা লাইথায় তার তারগা থবক চথনবা শীনবনা ফরগনি। লুচিংবা মথং মথংনা লাম্মী শেম্নথরে। পুম্নমক মাগী মাগী মথৌ পাঙথোকপা য়ানরে। অথু-অকায় পুম্নমক্কী খুংলাইস্ু পায়নরগনি। লম্বী থোংস্ু ফগংলন্ন-বনিনা হাম্নজুম রাবস্ু তৌরোই।

অমুদোন—মহুনা করগনি। ঐখোয় মরীদি লৈমিম্নবা চুম্মে।

য়ুস্ুপ—কনানো ডাক্তর হায়বহু লৌইন্নুরসিরা।

অমুদোন—হু! মফম অসিদা মীতোপ ক্ামস্তা চঙহনবা য়াত্রি; ঐ চংলুগে। অরাম্না নত্তে ময়াংয়িক্ষালদনি।

ধর্মসিং—ঐখোয়না থিনগনি।

অমুদোন—থিনগস্ু, মতম মাঙনবনি।

য়ুস্ুপ—মতম করিস্ু মাঙগদবা নত্তে। ডাক্তর অহুগা ঐখোয়স্ু থরবা চুম্মী। থিম্নবা চুমদে ঐগা চংলগে।

অমুদোনদি খংম্নতা চংকে হায়, অহুমনা য়াদে। য়ুস্ুপকা লোয়ননা চংলে। অমুদোনগী মশা থংশোক শোকচিন্নকই। তশেংনমক মচিংনা

চৎলম্বা ওইরম্মে। ময়াংয়িস্ফাল য়োৌবা ফাওবদা শগোলদগী কুমথৎনা অহুমলক পোথাই। য়োৌরগম্মু তাংদাংবা চপ চাবা মকম্ খঙদবনিনা থিবা কংম্রে। ইফোং ফোংনা লৈবা ময়াম্না খঙনবম্মু নম্ববনিনা অথঙবা অমত্তা থেংনদে। পঙচাউ চাউবা লম নত্তে থুংকী পাখং মঙানা নৈহনা থিবদা ডাক্তরখোয় মখোয় খরা লৈরম্বা য়ুম অহুদি থেংনরে। মীদি অমত্তা লৈরমদরে। লাঞ্জেনবদা য়াওরুব য়ুমবু পাখং অহুনা অশোকপা অনাবা খরগা ডাক্তরহুগা মনগাড়ী অহুমদা ওরাং অহিং চৎখরে হায়না তম্মে।

— কদোমদা চৎথি ?

— অহুক মুম্নদি খঙজহৌদরে।

— কদায়দা কদোমদা চৎকনি হায়না রাস্টী তৌনবা তাথিনগে ?

— ময়াংলোনদা শান্নবনি মুম্না খঙজদে। মখোয়না পম্নবদা বর্মা, মন্দলে, কাছার খরসিদি য়াওই। মৈত্তৈ নহা অমা য়াওবহুনদি কলকত্তা গুম্বা দিল্লীগুম্বম্মু পনথি। ভাবত্তি তাদে।

তাংদাংবা খঙম্রবদা য়িস্ফাললোমদা হাইগৎলকই। মুমিদাংদা ডাক্তর অমগীদা চঙহুনা য়েংহল্লুই। সরকারগী থবক্তা লৈবা মীয়াম লায়েংবা নহানি। মুম্না কুইনা য়েংলুরগা য়ুম্মুপপু মমুংগী কাদা কৌশিনথি— খুরাবু সোমদা হাইফেত্তা—। চঙলুই। ডাক্তর নহাহুনা তম্না খঙ-হল্লকই—

—খুরাবু, অশোকপসি খরা মরৌ লৈরে; শাথৌরে। শক্ন শোকচিনবা মাল্লে। মসি মত্তা চাত্রবদি ককপা খোৎপগী—

—এ! করিনোনে হায়্রিসিবো ইবুংঙো ?

—করিম্মু মুংশা থীবিগম্মু। চহীনা খরা লৈশিনথিবনিনা কক্তুমসি হায়নরকপম্মু য়াই। অদুগা মুমদৌসি, মসি অসোমদা কলকত্তায়োমদা পুরসি। ঐ চে ইজগে আ-গী লায়েংশঙদা থুংলায় ফর করবা ভায়ীদা লৈ। ঐখোয়গী অসিদাদ করিম্মু লৈত্রি। হয়েংদি নোংমাইজিং ওইরে হংচিং অসি ওফিসত্তা লেঙঙকও। ঐ চে পীজরগে। য়ারবদি হংচিং

মশেম হেক্ত' পুৰিখরো পম্বব' কপদবা মান্নে।

তাসদা য়ুম্নুপ নীংবা কাযখি। অহৌং অচুম্বা লাক্লোনগী লান্দমশঙদা লৈমিন্নৈ। অমুদোনন' চৎলোই হায়দনা কম্না শিখাঙ খাঙই। য়ুম্নুপা মথল কয়াগী, মওং কয়াগী মরৈনা চৎনবা কম্ন' থেম্বনি। লৈরম্বিবা পাখংশিংনস্ত অহল মুম্নপক্তা কোংছনা চৎনবা কম্ন' তকশিল্লি। মমৈথঙদা চৎপদা লেপখি। থিল্লুনবা গাড়ী লৈমিন্নরুনব' মী মথং মথং খন্নহুনা। শীন্নখি।

অয়ুক্কা অমুদোনগা য়ুম্নুপকা চীংমীগী ফীজেন্ত্রা লায়েংশঙগী লোযশঙ- লোমদা লাকই। মুমীং অদু লায়েংশঙ অসিদা মী ইরাং লাঙনৈ। থানাগী মীওই কয়া সিফাই কয়া ইনোম্ন নোম্বা থেংনৈ। চঙলকপা থোকখিবা মী কয়াবু কৌশিন কৌশিনহুনা পুশিনখিনস্ত থেংনৈ। অনীনা চঙখিবদা ডাক্তর নহাদু লৈরমদে। মাগী সপ্রাসীনা ডাক্তর লাকলম্মে সাহেপ অমা লাকপত্তনা কৌহুনা চৎখি হায়না তম্মকই। ঙাইফম কাদা ফমহুনা ঙাইবা তাখি। য়ুম্নুপনা হংলুই—

য়ুম্নুপ—ইবুংঙো' করিনো ঙসি স্বায়সিনা ইরাঙ লাঙনবদৌনা তৌরিসিবো? থানা সিফাই ময়ামসিনা—?

চপ্রাসী ইপন ঙবাং নহান্দগীনি লাঙনবকইবসি। সাহেপ নহা মেজোর অমা নহান্দগী ডাক্তর অচৌবগী কাসিদা য়ারেক্তুনা লৈরি।

য়ুম্নুপ—ডাক্তর?

চপ্রাসী—ডাক্তর নত্তে সিফাই, লানগী সিফাই। হো নিংথৌ শেম্বা য়াওবা লালহৌবা মা খরা থীনা থীনা শোকপা য়াওখরে, মখোয় লায়েংবা লাকপা য়াই হায়দনা সিফাই ময়াম পুহুনা লৈররিবা। মখোয়না চিংনবা মী মথৈ অশোকপশু শোক্তবস্থু নহাস্থু অহলমু কনাগী মুপা ফাওবা কৌশিন্দুনা য়েংই, রা হংই রারী শাই—থি হুম্বগী থবক চথরিবনি হায়।

য়ুম্নুপ -কন' কনানি হাংবগে নিংথৌ শেম্বা য়াওরিবদে, ইবুংঙো?

চপ্রাসী—অদুবু কনানা খঙ্গনগেনে ইপন। সরকারগী নিংথৌগী মথক্তা লান হৌবা কাণ্ডবু অমা লৈ ইপনহোয়সু তাগ্নিনিদনা ? চৌংদকাসু য়ায়া লৈরে তায়বনি।

য়ুমুপ— করিনো লান হৌবা তাযবরো ?

চপ্রাসী— ও--! যায়রোং খঙ ঙ। নাখায় অনী করি চৌংদগীনো ? কদোমদগীনো ?

য়ুমুপ—উথরুলদোমদং। ঐখোয়দি করিসু খঙদে তাদে।

চপ্রাসী—নহানবাইগী কোয়রং য়ুবরাজ—টিকেন্দ্রজীৎ, থাঙ্গাল পাওন কা হায়বদি তাব্রা ?

অমুদোম—হোয়দি মা মখোয়দি সরকারগা লান য়াম্নথিবনিনে। মীংতম্বগী লৈবাকী মংসগী ঐখোয়গী—।

চপ্রাসী—আই ইপনসিমদি খঙইনা। তো অদুঙ্গা, মহোয়গুম্বা। নহানবাইগী টিকেন্দ্রজীৎ হোযনা সাহেপ থিংনবা অসিগী মখায না সাহেপ তাম্নবা ভাব তোরবা ?

য়ুমুপ—সে ইবুংঙো. অাগাব চকপ য়াওরি থাক্করা থকউ।

চপ্রাসী—এ, আঙৌবনিনা কুম্বদা থক্তনা। অমা পায়গে নবানীসু থকউ। কা কসিদদি থকমু লাউ মপান্দা থকলুসি। ডাক্তরনা কাদা থকপা যাদে।

য়ুমুপ—অমসিদি থক্তে। ঐদি থকপা কুইত্রি, মঙ থকই। ঐসু থোইনা থকপা মস্তে নঙ লৌজারো থকচরো।

চপ্রাসী—এ. কৈনে অতুদি ঐ মপান্দা তুম থক্তে মহোয় অতুম কম্ম,। ডাক্তরদা ঐ ফজনা যেংনবা হায়রিবগে।

য়ুমুপ—কনাবুনি হায়বগে মখোয় সাহেপশিংনা অসিদা থিরম্বিবগো ?

চপ্রাসী—হো চৌক্লিকী লান হৌবা কাওবুদো, অহুগী মকোক অমা নোংমৈনা পানবদগী থীনা শোকএ, মা লায়েংবা লাকপা যাই হাযদনা পাউ ফংঙে হায়নে। মহোয়না রাগ্নী শাবদা ভাবনি।

যুম্নপ—মকোক হাযবদি কনানা ?

চপ্রাসী—ইপন নও অমদি পঙলংদা হংদৌরি। ঐনা হায়বগা করি কান্নি। অরোনবাদৌনা ভৌরিবনি।

যুম্নপ—ঐখাযনা তোবর করি মাঙগনি। তাবদি ঐখোয়স্ত আযা যাইন।

চপ্রাসী—হো শোকথিরবা মুপাদা অম্যাদান কৌইায; অমুবা হায়নস্ত থংনৈ হংযাগ মখোযগী মরক্তো য়াঙবা পাঙল অমগা চাংমী অমগস্ত শোকই হায। মপোগ অনীদি শিগ্রমাল্লে হায়নৈ।

অমুদোন—মশক্তি থঙই হাযনব্রা ? কথা নহা অহৈদনি হায ?

চপ্রাসী—অকলংস্তু হাযনৈ মহান্নিস্ত হায, মেন তাদে।

যুম্নপ—চৌক্লিক্কা সাহেপ নহাক্লনদি থঙশনগন্নিনা যানা থিবা লাকইবনিনা।

চপ্রাসী—মাদি কদাযদগী খঙগবনো। লাকপস্তু কুইত্রি হন্নক্কী জাপান লান মন্তুংসিদদা কৌথোকপনি হায। হৈবদি য়াম্না হৈমাল্লেবা। কদায কদাযদনো লম কনা হাযব্রিায় মতুদা লামচৌবশিং মানা চেক্তো কাবা ওম্মি নাযনৈ। মাস্ত বেজোল হাযব্রা পঞ্জাব হাযব্র কৈনা অদদা লানচৌবশিংনো বোম লাংশিন্দুনা হাংলবা লাক্রবসি অনী অহুমক শুবমাল্লে। শিবদি অমুক্তো শিচৌদে। মখাও নাম্মদি মহামদা ককাগু হায়দনা যোংকী লীচে যাম্না কক্কবা থংলাইগা মানবা অমা শৌরগা চংলি। অস হ্রাংবদি ঐগুম্বা অমথায়রোম রাংনি। কা অসিদা চঙওকপদা মক্ত লুকথ য়িবনি। ভৌবস্তু অস, থংঙৌ অহনিং ঘঘম-মবা, মন্নায় ঘমীং ইমায় পুংঙৌ। এ তো ঘোরকল্র ! লাকপু লাক্লে লোক্সদা।

ঙাইহাক্কী মমাঙদগী চংথসিন্না হায়দনা চীঙ্গা খঙবা হৌয়বা অমু-দোনগা য়ুম্নপকা মুক-মুক হৌগংলি। থোঙগী পর্দা হাইগংলগা শং থোকই। য়েংথোকলুই। মখোয় মী অহুম মাঙ থাহনা চংলকই। তুংদা সিকাই অনী ইম্নরকই। চুম্মী ভাশেংনমক সাহেপ অদু য়াম্না রাংই; চাউবম্ন চাউই। অমনা ডাক্তরনি। ডাক্তর অদু লম অসিগী ওইনা' মীঙাও কৌবা য়াম্নিবনি। মা পীশিক পীকশিন্না উরে। অহুম শুবা অদু প্রিন্তমনি। চপ্রাসীনা কাদা চঙহনা পোংচৈ য়েংলিঙৈ শেমজিল্লিঙৈদা য়ুম্নপনা মঙ্গুংদা মশা চেকশিনজরগা ভপ্পা হায়রমই—

য়ুম্নপ—কমদৌবা ?

অমুদোন—ঙাইথো য়ামক্রবদা অনীসিদি লোইমিন্নবা ভাবা। খুংউ শেল্ল নাম্নোকখিনবা ভৌবা তাবা। থুংলাই শেম্নৌ। ঐ ভৌহোগে ইভাও ডাক্তরগী কা ফাওরগা—।

য়ুম্নপ ঙাইথো। লৈকোনগী শম্বল ময়াদা লৈরিবা শম অসিদা অকো-রবগী শঙ অসিগী কা থরসি লোইবা য়াগদবা মচাক য়াওরি।

অমুদোন—অদু য়াদ্রি মীয়াম শোকনি !

অহুম অদু য়ৌশিল্লক্লে। অমুদোন দারী মপানদা তুং ওম্নোক্লগা মরু খজিক লুকথরগা ফমথরে। য়ুম্নপনা ঙাহৌ ঙাহৌ শম্বলগী শম মনাক্তা চঙশিল্লে। তপ্লি তপ্লি রারী শাহনা চংলকপা মখোয় অহুম্নি। খজিক লাপ্লিঙৈদগী ডাক্তরনা অমুদোনবু উবদা শঙখি। সাহেপকী রা মুম্না ভারিবা প্রিন্তমনা লাপ্লঙৈদদি য়েংলমক্রগা নকশিল্লক্লবা মতাংদা শংত্রিক য়েংবদৌনা ভৌরকই। ঙক্লা য়েংলকখি। তপ্পা তপ্পা চঙশিল্লকই। অহুম থব্রাং-ননা চংলম্বদগী প্রিন্তমনা অমুদোনগী মপাদা নক্লা লেপ্লগা আনোক লৌ-থোক্লুনা ভৈথোকই। শম্বল ময়াদা য়ুম্নপনা মাগী শম অদু পায়থং লগা শেগারোমদা য়ানশিল্লগা মমায় খজিক হোংলগা নাকয়েং য়েংই। আনোক ভৈথোক ভৈথোক্লা প্রিন্তমনা মমীং ঙপ্পা খজিক থাঙবদৌনা অমুদোনবদা মুক্লা য়েংহনা ঙাইহাক লৈ। থোঙকম অমনী হেনগংলুরবা

কা চঙগদোরবা সাহেপনা হুৎ লৈথোরক্তনা হংলকই—
সাহেপ—হবাট হেপ্পনস ? (করি তৌরে ?)
প্রিতম—নথিং সর। (কৈস্নু তৌদে)
সাহেপ— দেন, হুরাই আর থু ষ্টেদিং বাই দেট ফাওল প্লেস ?
(অহুদি নমথিবহুগী মনাক্তা করিগী লেপ্লিবা ?)
হু যু নো হিম ? (মাবু মশক খঙব্রো ?)
প্রিতম—নো সর। (খঙজদে)
ডাক্তর ছি ইজ মাই পেসেণ্ট। (মা ঐগী অনাবনি।)

প্রিতম চংখ্রে। মথোয় অহুম চঙখরে। অমুদোনগা যুম্নপকা য়েংনৈ। থুম্নপনা মীংনা থোকথ্রসি চংলসি হায়রকই। অমুদোনম্ন য়াই। চংলগে তৌরকপগী অহুদা চপ্রাসী নহাহু তংহা তংহা থোক্লকুনা অমুদোনদা চে অমা পীরে, হায়রৈ—
—সে অহল অসি পায়খ্রো হায়বিরকই। অহনগী মিংগা লৈফমগদি অহুম হাপচিঞ্জরো হায়বিরকই।
- ফরে-ফবে।
চেহু তাপ পায়রগা অহুম থোকলক্লে। চেকশিল্লুরবা যুম্নপনা শম অহ কোল্লগা লায়েংশঙগী নাকল্লোমদা ফাৎপা থোঙ্গাল মচা অদোমদা থোকপা হৌই। অনীনা থোকচিন্নরগা কৈথেলগী পোৎলকলোমদা থৈহুনা লৈথোরকই। লম্বেলদা অমুদোননা হায়রকই
—মানা ঐখোয়বু শক খঙলবনি। মাগী থৌদৌহু ঐখোয়গী মাগী লাইবক ফবনি।
—ভাব তারকপা করবনি।

মথংগী মুমীংকী অয়ুক্তা চংপা লেপ্লরে। লাঙ্গোনগী লাম্দমশঙদা মুংথিলচুপ্পহুনা অমুদোনগা যুম্নপকা চাকথনহুনা রারী শানৈ। অহাং নোংশোম্নবহুমম্ন পোথা পোরম থনৈ লায়েংবগী রাদি য়াঙদে।

মরক মবক্তা য়ুম্নপন্নদি হৌদাকই। অম্যুদোননা রা ওইনা তাদে। রাগী রা ওইনা লৌখিদে। অযুক ওইরক্রবদা চৎকাদৌর। গাড়ী কাখৎলমদাইদা কাওবা চৎপগী রা নীংশিংদবগুম পোথি-পোরম মথং মথং নীংশিংহনা লৈখি। য়ুম্নপা ইনথৎলবতদা কাখংখি। অহু মক্তদা গাড়ীগী ঘুমতীদগী মগুক লিথোক্ল। হায়রম্মী—

—য়ারগনা ঐবু ঙাইবিরম্মু। মতম লৌৎখিগদৌবা লৈবগনা হেক্তা চথবিরো। ঙাইবা ওক্রে মৈরৌ হেনথ্রগনি। ঐস্মু কুইবক্তবা য়াই। পাউদি পীরকউ। ঐগী থল্লুমু। ঐ করিস্মু তৌরোই। অরোইবগী তানফম অসিদদি ঐস্ম শোয়দনা য়াৎনাংবনি। ইমানা চানবিক্রমাল্লে। ঐবু চৎনীংখিদবেদা, চৎলগুমসিরা ?

কুনমাথোই শুবা

খ্রিস্তানগী জেলদা খুরামচা কুইনা লৈরক্নে। অথঙবা থাক অমদা থম্মী। জেলগী ডাক্তরবা য়াদবা পথাপ খরা ডাকহনবা নত্তনা অতৈ করিস্মু তৌহন্দে। লাইবিক লাইশু ংাগে হায়বা পাহল্লি। ইগে হায়বা ইহল্লি। মিযাদ তাবরা কয়াবু মানা নিয়ম নাইনা লাইবিক নাইশু তম্মী। মাযক চত্নবা কাওবুনা চৎহল্লি। চৎলবা কাওবুনা মখা মথং মথং লৌথক্না তম্বা সরকারগী কোম্পুংস য়াই। য়াবতা নত্তনা মতাং খরদদি পুক্লিং থোগংলি। মখল কয়াগী মরাল লৈববা অহল নহা কয় বু অনৌবা মখলগী লৌশিং তালহনবগী থবক অসি মানা য়াবা য়াদবগী রাফম থোইনা হংলমদনা চথরকপা কুইরে। কনানসু থিংদে। খিংবসু ঙমদে।

হন্দক মরকসি খুরামচানা অনাংবা অমগা লোয়ননা ফম্বাক লৈলা অমা শান্নবা পানথৎপা কন্না লাক্লবি মানা ইবনি। মমিং থোল্লি অথৌবা কোয়রেং যুবরাজ।

শান্নবা য়ারোহ! তম্বা হৌরুবরা মতুংদ সরকারনা থিংলকপনি। কনিগী? — খুরামচা হংখিবনি। পাউথুম পীবক্তে। মতুংতা খুরামচা ভোঙানবা অচৌবা য়াম্না কজনা শেম শাববা কা অমদা থমখরে। ফাদোক অতৈগা শম্নহনখিদারে। থম্বদি য়াম্না মুংডাইনা থম্মী। মী অতৈগদি উন্নহন্দ। ফনা কুইনা অম্না লৈখি।

নোংমা মুংথিল অনা লাইরিক অমা কয়া ইথরিৈডা কোমুংগী অঙম্বা অমা লাক্তুনা কাগী শো হাংদোকহল্লে। হায়রৈ

অঙম্বা—য়াম্বা মায়চৌবু ভক্তি কৎচবি। লেঙঙসি।

খুরামচা—কদাইদনিনা—?

অঙম্বা—সাহেপনা—।

খুরামচা—ঐ চৎলোই।

অংম্বা—উন্নবীংই হায়বিরকই। উন্নদবা য়াদবা ওইরমাল্লে

খুরামচা—উন্নবীংলগা মা সিদা লাকপা তাবা। ঐ শংদে।

অঙম্বা—এ!

খুরামচা—ঐদি উন্নবীংদে হায়বিয়ু।

অঙম্বা—ঐ-পা।

অঙম্বা চৎখ্রে। তম্মুরে সাহেপতা অহল ওইরবা সাহেপতু খজিক নোকখি। শগোল অরাংবচু শৌহুনা লাকই। সাহেপ চঙলকপদা লৈরম্মিবা ময়ামতু ইনাম নোমনৈ। পুমলাঙ লাঙনৈ খুবামচাগী নাক্তা চৌকা অমোনবা অমা থাংজিলহল্লগা ফম্মি -

সাহেপ—হল্লো মায়চাও, খুকমজায় আইনা

খুবামচা—মঙ্গল ওইবু সাহেপ। কবি পাম্মী?

সাহেপ—আইনা নঙবু থাদোকপা পাম্মে।

খুরামচা—ঐবু ফাবা মতমদা ঐঙোন্দা কবিগ্নু খঙহল্লকখিদে। হৌজিকসু নঙনা পাম্বা অতুম মতৌ। নখোয়গী লৈঙাক্কি। ফাবগী থাদোকপগী মথম ঐখোয়না কবিগী হুংঙ্রানি! ঐবু ফাজিনখিবগী মরম ঐ হংঙি। ওাকখিদে। ইশা ডাকথোকচনবা তাঞ্জা নখোয়না পীখিদবানি।

সাহেপ—য়াকখোয়না চিংনবা ওইবগী কাবনি।

খুরামচা—চিংনবগী কারগা করিগী বিচার তৌদে। তৌরোনা হৌনবী। করিগী তাশিন্নদনা লৈরি। মফম অমা খঙদনা থম্বদি চুম্ব্রা?

সাহেপ—মাহুগী রাদো থমখো। য়াম্না থুনা থাদোক্কবা তৌগনি। হৌজিক ঐগী লৈফমদা চৎলগা চে অমা পাবিদবা য়াদ্রে।

খুরামচা—করিগী চেনো নখোয়না পাবদি য়াদ্রা?

সাহেপ—নখোয়গী ময়েক্তা ইরকপনি। অরোনবা ওইনা পীরকপনি। অরোনবা ওইনা পাগদবনি। অতৈদা পাহন্নীংদবগীনি।

খুরামচা—ঐদি নখোয়গী খুত্তমদা লৈ হায়বগীনিনে।

সাহেপ—মাহুগী মপুম ওইবা রা নত্রে। নঙদি মায়চাওনে পণ্ডিত। য়াকখোয়দি স্কোলরবু য়েক্লবনি হায়না লৌদবনি। স্কোলরবু রিগার্ড য়াম্না তৌবনি। নঙগী স্কোলার্শিপ য়াকখোয়না থাগৎপনি। অইবদি পূম্নমক্কী মরলনি খনবনি। পণ্ডিততি মীচঙমীথায় নাইদে মাহুগী নঙোন্দা হায়রজবনি।

খুরামচা—মহু নখোয়গী কান্নরমদাইগী লাংবন খোইহৌনি।

সাহেপ—মাহু ঐ অন্দরস্টেণ্ড তৌবা রাংলে। অহুমকপু নঙনা মোমোন তৌবগী মওংনা তাকপদি ঐনা হায়রিবসি ঐগী কান্নবগীদমক্তা নঙবু চুমদবদা থাগৎলিবনি হায়বা মাল্লি। মাহু নঙগী অপাম্বনি। অহুবু মায়চাও, অফবা অচুম্বগী মমল খঙদবা জাতি নত্তে য়াকখোয়। মীগী মমলগা মফমগা খঙবা মীনি। নঙখোয়গী জাতিগুম ঐখোয়সু লিংজেলবু ইকায়খুম্নবা মীনি। পঙশাউ শাউখিগন্নু। য়াকখোয় হিংচাবা নত্তে।

খুরামচা মিত্তয়াল ওইবগী রানা অমনি হা?

সাহেপ—মাহুসু খঙবা রাংলে। ঐনা হায়বদি অসিনি। নঙনা চে

অসি পারগা তাহল্লো। য়াকম্নু খরদি খণ্ডগনি। মৈত্রেয়োল তম্লিবা মী অমনি। খণ্ডদবা য়াম্না লুবা য়াওরম্মগনা মহ লায়থোকহল্লগা এস্কপ্লেন তৌবিয়ো। অদিগী য়াদি। নওখোয় হোম্লগী ময়েক্তি য়াক্তি খণ্ড্রি। য়াকঙোন্দা চিংনগম্নু।

খুরামচা—ঐবুদি নখোয়না চিংল্লরি। হা?

সাহেপ—মহু মতাং খরগীদনি। পণ্ডিত অমবুদি চিংনদে। কিবদি কি। কিবগীম্নুনি নওবু ঐখোয়গী নাক্তা থম্মিবা। ফরে চৎসি। ঐগা চৎলগা ঐনা অমুক থিল্লকনি।

খুরামচা—চেহু সিদা পুরকপা য়াদ্রা!

সাহেপ—হায়রেদনা অরোনবনি। অরোনবদি অরোনবনিনে মায়চাও। ময়েংলগে খনবা অমম্নু য়াওরকপদগী খুরামচা চৎলে। ওফিসকী গাড়ীমচা অমদা তোংলগা চৎমিন্নখি। লৈঙৌবা কাওবুনা ওক্লা য়েং হৌই। মখল-মখলগী য়ারী শাবা য়াওনহৌই। লৈফোনসী সম্বল শেম্বা মীয়াই অমদি সাহেপনা নোক্লা নোক্লা রা ঙাংদনা চৎমিন্নখিরহু উবদা ওকমনখিবনা য়াম্নগে তৌহৌই।

মাঙোনদা খারিবা য়োংকী চৌকী অহুদা ফম্লগা মায়চৌনা 'ঐ সিদম্নুম ফগে চেহু পায়থোরকউ' হায়রুই। কাদা চঙগে তৌরম্বা সাহেপনা হুৎ লেথোরকুনা য়াখল অমা তৌনা খুরামচারোমদা ঙাইহাক য়েংহুনা লৈ।

খুরামচা—মপান্দনা মুংশিং অশেংবা ফংই। নখোয়গী কাহু খরা শানা থোকই।

সহেপ—ও কে! স্কোলরশিংসি ঙাংনবা য়াম্না য়াম্ন।

খজিক নোকলম্মী। লোয়নরুবা অহুগা নম্নপ শঙ্লিবা সিফাই-শিং অহু লাপ্না চংহনখগা ফি অঙাংবনা য়োম্বা খংনা শাবা চেগী লাতম অমা পুখোরকই। চান-থকুবা উঁহে-য়াহে খরা পুথোকহল্লকই। ঙরা ছেনবা মুমীৎনি হায়হুনা খুরামচা চাদে। সাহেপ ফরিম্নু হায়জে।

মায়চৌনা তপ্পা লৌরগা লাইবক কংলি। হাংদোক্লগা য়েংই। মনা-মশীংদগী শেম্বা অঙাংবা অনঙবা মুক্লা ইবনি। অকুপ্পা খোঙ্জৈনা য়েকপনি। মুক্লা য়েংলুরগা সাহেপতা য়েংথোকলুই। মুক্লা তাগদবগী শেম শাবদি মান্দে। শাংদোক্লপ পোত্থাক্লনা ফম্নগা কাংচুপ চিংক্লনা লৈরম্মী। হুংলুই

খুরামচা—চে অসি কৈদৌঙৈ ফংঙি?

সাহেপ—খরা কুইরে। ...শন শাংবা মুপা অমনা পীরম্মী হায়দনা য়াক্কী ওফিসকী মীনা পুরকপনি। করিনো? করি হায়বনো কনানা পীরকপনো অরিব্বা রাহৈদা ইব্রা? ঐনা খঙবদা ইব্রা তপ্পা পারকউ তাগে।

খুরামচা—য়াম্না লায়বা রাহৈনি লোইনা খঙগনি। ময়েক শঙদবগী তৌবনি। ঙসিদি পূর্নিমানি। নত্রা?

সাহেপ—টেক্স মপূম ওইনা পাবিরকখা।

মায়চৌ খুরামচা খজিক মোমোন তৌরগা তপ্পা খৌদেম্মুই। ময়েক শেংনা মচা খায়না পারকই

"মুংশিরবা সাহেপ,

হন্না হন্না হায়খরপা মতুং অসিতা ঙলি অরাইপা ওইনা হাক্চরি. ঙসিতগী মুমীৎ তরানীকী মনুংতা নখোয়না লৌখিবা লৈঙাক চুপ্লি অসি ঐখোয়গী ইনিংথৌতা খুৎশিন্নরম্মকা চংশিল্লক্লো। ঐখোয় পূম্নক্লা ইকায় খুম্না চাম্নরপা মরূপ অমনুমনা শিন্নোক্লকনি। হৈনা তপ্পা চায় টিংনা হিংশিল্লসি হায়রপতি হায়চল্লিপঙি য়াশিল্লো। নোংমা হেক হননপতা ঐখোয় ভতাময়ক কঙনা খুৎক্লাই থাক্লকনি। খুৎক্লাই শায়খং-নপকী অমাঙ অতোং সাহেপশিংনা হেন্না খঙলগনি অময়কে অমীমকী

য়াইফনপা ভাম্বোকচফু মনুংতকী নংথ'য়কী অপাকপা ঈপাক তম্নাহৌনপা রাখল তৌপিরা। ইমানা য়াইফরে।

তরেৎ খুৎ

শচিফু নোংমা পানপ, য়িমশকৈশ"

পাবা হেক লোইবদা সাহেপ অত্থু য়াম্না হৌনা খংনোক নোকলকই। শেম শাহৌদবা খুবামচা খংপ্রেক খংই নিংদোল চোংলকই সাহেপ লোমদা খজিক য়েংলম্মগা ময়চৌনা সাহেপকী অত্থদগী শক্নক অত্থমগুম্বা হেনবা থোঙেনদা খাক্না খংনোক নোক-নকই। সাহেপ অত্থুস্থু খল্লদবনা খংপ্রেক খংই। খাকপগী মথক্তা ভংবগী খোস্থাং অমা য়াওবনা সগাহৈপনা ভক্না কিরপ য়েংলকই খংহায় হায়রকই—

- কবিগী অত্থয়া নোকপনোনে মিষ্টব মায়চাও?

— নঙদিনা?

—ঐদি আদগী লান তৌবা শান্নরিবা অঙাং খবসি উবদা নোকপনিনে অসিদা লৈবা ঐখোয়গী সিফাইশিংগী মচাশিংনি তু অমদি মানা পায়বম্বা থাঙ ওইবম্বা য়েংথৌ তথায় অসিনা নোংমৈ ওইনা অমুক কাপ্পরক্ল। পাল্লবম্ব অঙাং অমসিনা শিযু ইয়া য়াদবা। অত্থদা অনীসি খুংলায় হুন্দারুরগা ফুনরিবা। গুংঙাইত্রানে অঙাংগী বুধি! নঙনা নোকপদি কবিগী।

—ঐদি মীনা নোকপা-কপ্পা উবা য়াদে, ঐস্থু নোকই কপস্থু কপ্পি। অত্থগীনি।

—ঐদি কপ্পা হৈতে।

ঐস্থু কপ্পা হৈরোই অত্থদি পাগদবসি অসিনা লোইরবরা?

—লোইরে রারী শাগদবদি খরা লৈবনি। নঙনা শংলবদি।

- ঐগীদি শংবা শংদবা খেন্নবা করিস্থু লৈতে শাগদবা রারীবু ঐগীদি খোইনা লৈতে।

- ঐগীদি লৈ।

—নঙগী খুত্থমদা লৈরিখনিনা রারী জৌবদা অপনবা করিস্নু লৈতে হায়না লৌবা য়াইনা। শাসি কৈয়্যোবগে।

সাহেপতা অওনবা করিস্নু লেতবদৌনা তৌই। ঙাইহাকী মমাঙ-দগী চম্মক্লিবা কাংচুপ অত্থু ফনা কুইনা চন্নত্থনা লৈ। মৈথু শাংনা কামথোক্লগা মাগী হৈনবা ফমকমদা ঙাথত্থনা শাংদোক্লা ফম্মগা তপা হায়রকই -

সাহেপ—তরেং খুৎনা তৌরিবসি কদায় ফাওবা চুম্মী খল্লি?

খুরামচা—মখোয়গীদি পুঙচুমনি নখোয়গীনা পুঙলান।

সাহেপ—মরক্তা লৈবদি হৌনদে নওদি কদোমদা য়াওই।

খুরামচা - রাখলগী থাক্তি মবাল লৈবা হৌনদে লমদমসিগী মী অমা ওংনা পুঙচুনদা য়াওবা তাগ। মমা মুংশিবদি মচা খুদিংমকী লীচৎনি।

সাহেপ—গুড।

খুরামচা - ঙাইখো রাংলি। লাইরিক্তা থেংনবা রানি, ব্রিটিশশিংদি মরৈবাক কা মবোনগী লাইবিক্তা যাম্না লুনা তৌজে।

সাহেপ—খঙচে নওনা হাঙনীংবা রা খঙগে। হায়নীংবদি, খুৎলায় পায়দনা রারী শাবগা ঈংনা লোয়শিন্নবদি করি কায়?

খুরামচা মত্থদি য়াম্না ফবা রানি নখোয় নশেল ফাল্লবা চুম্মী। অতৈস্নু অত্থম্না তৌনব ঙাক্তি

সাহেপ ভেরী গুড। অত্থুদি তবেং খুৎনা করিগী হায়রক্তে।

খুরামচা—নখোয়না হায়বস্নু য়াবমগনি। মখোয়নস্নু হৌদোক্লবা য়াই।

সাহেপ -মখোয়দি রারী শাসি হায়বা য়াদে।

খুরামচা —মত্থগী মরম লৈবস্নু য়াই নখোয়না রারী শাবগী শর্ত করি থম্মুই অত্থগা মখোয়গীনা কবী থম্মী। মত্থদা বেরা লৈনরবা য়াই খল্লি।

সাহেপ—মদু থরই ?

খুয়মচা—ময়াম্বা তৌশিনবা য়াদি। নিংসিংবা য়াদি। মুক্রবা খংনবা লান অসিদদি থাইবগীগা হৌজিকগীগা লাইরিকগীগা অশেংবা পুন্সিগীগা অদুম য়ানবা তাবনি। নখোয়না হায়রমগদি নখোয়গী লৈবাক্কী চহুন পাথাপক্কী মক্লংদা উমরগা শাশি। মখোয়না য়ারক্লোই। মখোয়না করিগুম্বা য়ুমফম অমত্তা থমদনা নত্রগা মখোয়সু মনীং তম্মবা লেংমান্নবা লৈবাক্কী মীওইনি হায়না থম্লু অদুগা কনাগুম্বা নীংতম্মবা লৈবাক অমদা য়ারী তৌনসি হায়রিনি। মদুদা নখোয়না য়ারক্লোই। অদুনদি মুক্রবা, খংনবা লান মশানা তাবা ওইরবনি।

সাহেপ—মদুমক ওইবা য়াবনি। অদুগা -

খুরামচা- অমগসু য়ারি। মখোয়না নখোয়গী মী লাকউ হায়বিনি, নখোয়না মখোয় নখোয়গীদা লাকহন্নীংলমগনি। কিনগদখা চিংননগদবা পোত্লন ডাক্তনি। ফবদি নখোয় মায়কে অমা মক্না ময়ক্কী মীওইনি থনবা কোম্নুংবু য়া পুখোক পুশিন তৌহন্নগা য়ারী শাবা য়াবা য়াইনা। মদোমদদি হোৎনদুনা য়েংলবরা !

সাহেপ—কোম্নুং ঐখোয়গীনি ; ময়ক্কী মী ওইবা য়ারোই।

খুরামচা—হোৎনদুনা য়েংবদি য়াইনা, করিসু কায়বা লৈরোই।

সাহেপ—উমরগা মখোয়না হায়রক্কদৌরিবসি ঐখোয় শুলবনি।

খুরামচা—মদু মখোয়না য়ারোই ; য়াদে। অদুনদি লানফমদা উমবা তাবনি। অসি নত্রা !

সাহেপ—লাঙাও অমা লোইশিল্লকপদা ডায়রি। লম অসিগী মী লাখ খরদা লৈজবসি পুম্নাং মাডথিবা য়াই নএরগসু মশীং য়াম্না

য়ান্না হুন্নখ্রগনি, মাসিমসি শোয়ত্রবনি। মাসি মখোয় করিগী খঙদবনো।

খুরামচা – নখোয়গী শৈরাংবা অমগী স্নরদা হায়রবদি -করি কান্নগনি মণিপুরীনা মশা মণিপুরনা লৈত্রবদা ..।

সাহেপ – খঙেঙে! নঙনা নঙগুম্বনা ঈনশিনবনি মসি!

খুরামচা – লাউথংকন্নু সাহেপ! মমা মুংশিবা হায়বসি ঈশ্বরনা পীবিরকপা তম্মুদ্রবা মহৌশাগী লৌচং অমনি: মসিদি নঙস্থ খঙঙিনি। বিলাত ঈথৎ মপৈ অত্তু ঙমখৈ লৈতনা মুংশিজরমগনি নত্রা?

সাহেপ — অহ্লনবু অসিদা এখোয লাক্লিবাসনি লৈরাব্রবাসিনি।

খুরামচা – মহুদনি শোয়নরিনসে। ঐ চংখিবা ফরে। পাগদবা লোইরে হায়বদাই?

সাহেপ মাখোয়বু য়ানবা খেমগোবা নঙবু থাদোক্কে। ঈংনা লৈমিন্নবা।

খুরামচা – মশোয়নস্থু নখোয়বু থেম্মু হায়বক্লবদি কমদৌবা?

সাহেপ – খঙঙেদনা; অঙগীনি ঐখোয়না নঙবু ঐখোয়গী নাক্তগী হেন্দোক-হান্দ্রবা। মরম নঙনা হংখিবদাই?

খুরামচা কারিস্থ নত্তব। ঐ অমথক ফাজিল্লগা করি তৌগনি। ঐগুম্বা অপঙবা মাগী ইরা লৌবিবা লম নত্তে। ঐগুম্ব মীরেম অমদা সরকারগী শেল তিংহনগদবগী শক্লক যন্দং অনা থাকপনা হেন্না য়াখোঙ থুমজগদবনি।

সাহেপ – মহু নখোযগী অঙকপা হৈনবানি। মতম অমদা লাইগী রাগুম ওইবকপা য়াই। রা হায়গে তাউ মিষ্টর খুরামচা, ঐগী থবক্তী মতম লোইশিল্লক্লে। চৎগ্রগনি। ইঙ্গৎ শিনগদবা মীওই লাক্ল-গনি। লম অসি য়াম্না ফজে কুইনা লৈরবা ওইবনা মুংশি। নখোয়গী অচম্বা মীওইশুম্ব মুংশিবনি। ঐনা হায়থ্রবঙ্গনি ঐখোয় হিংচাবা নত্তে ফত্তবা মা-লাই নত্তে। নখোয়বু মশক খঙই। নখোয়গী থমোয় নখোয়গী খোন্না নখোয়গী মচিং ঐখোয়না খঙবনি। অতৈদস্থু খঙহল্লক্কনি। নখোয়বু মুংশিবনি।

খুরামচা· ঐগোয় মীয়ামস্থ নখোয়বু পোকপদগী য়েংথীনরবা ওইনা লৌদে। নগোয়না ঐখোয়গী অফবা কান্নবা য়াম্না তৌবি। নখোয়দগী তমজগদবা রাফম য়াম্না লৈ; লৈরি; লৈখিনি। লমন য়াম্না চাউনা তোল্লবনি। নখোয়গা তিন্নদবা য়াদবা মতাং য়াম্না লৈগনি। নখোয়গা শন্নবমক তাবনি। তৌবতবু মরূপ ওইনা। সাহেপনা চংখিবদা মুংশিরবা মরূপ অমা থিন্দোকপগুম থিন্দোক্লিংবনি।

সাহেপ —নখোয়গী নিংথৌ ঐখোয়গী মরূপপ। নঙস্থ ওইবা য়াই। য়াই নত্তে মরূপ ওইরিবনি। ফমিন্নরি রারী শামিন্নরি। নঙনা চরা হেনবগী চাদবনি চানিন্নরম্বস্থ য়ারি। বট রান থিং, ঐখোয়বু মাংহই হায়না লৌবদি য়ানীংদবনি। ধর্ম তিন্নদ্রগা মাংহই হায়না লৌবগী চংনবী ঐখোয় য়ানীংদে।

খুরামচা— কনানস্থ য়ানীংলোই মহু থায়নগী চংনবী ওইদবনি। মরক্তীনি। লাইবক থীবা মতাং খরা লৈখিবনি। অদুবু অহুস্থ কুইররোই। মুপা অমা নঙ মশক খঙবনি—ইরাবোত।

সাহেপ— য়েশ আই নো হিম। কোন্নুংগী মীনি য়াক্সা খঙই। মাস্থ লালহৌবা মীনি।

খুরামচা—লালহৌবা হায়বহু নখোয়না ফত্তবা অর্থদা পুখরে সাহেপ। ঐনা খঙবস্থ, খঙদবস্থ খরা হায়গে। নখোয়দি য়াম্না শিংবা মীনি। তাকপা নত্তে। নাংশিংজবনি—

সাহেপ—ফজবা রনি; নখোয়গী কলচরনি। হায়য়ু।

খুরামচা মতম পুন্নমক্তা মফম পুন্নমক্তা লান তৌবা হায়বসিমদি খোয় দ্রবনি। নখোয়গী ইতিহ সতা য়েংঙু, ঐখোয়গী নিংথৌরোল পুন্নমক্তস্থ অহু মঙাই। মফম মতমগা চান্নরক্তবা হীরম খুদিং-মক্তা অঙনবা লাকনি। অঙনবা হায়বসি মুমিং-থাদোনা মপন্নতা ওইডরকখিবা নত্তে। মীয়াম মরক অসিদদি মী অদনা

নত্রগা খন্না হৌদোকই। অহৌবগী মতাং খবা অসিদনি লালহৌনি হায়না লৌনরিবা। অরি-অনৌগী পরীং লৈরিবা মালেমনিনা অ৺নবা শোয়দনা লৈগনি। লান অতুম হৌনগনি। হৌদবা য়ারোই।

সাহেপ — লালহৌ খুদিংমক মায় পাক্তনি খনবস্থু য়াদে।

খুরামচা মীগী লীচংকী অচুম্বদা যুমফম ওইবা লালহৌদি খরা থেঙবা ঙনবগী য়াদনি মায়দি শোয়দনা পাকই। নঙগী ঐগী লাই-রিকনা সাথীনি।

সাহেপ — উ-ম। নঙগীসি মহৌশাগী অচুম্বা হায়বনি।

খবামচা — হায়বনি। মীগা মীগা মরূপনি। জাত্তি পুম্নমক মরূপকী থাক্তা লৈমিন্নরকখিনি। ঐগী নঙগী নিংথৌ ঐগী নঙগী মরূপ ওইবখিনি ঐস্ন নিংথৌ ওইবখিনি নিংথৌস্নু ঐ। অতুনা ঙসিগী নংনা পল্লিবা লালহৌ অসে অসিগুম্বা য়াম্না লাকখিগনি।

সাহেপ - কয়া য়াম্না ?

খুরামচা - জাত্তি মশীংগা মান্ননা।

সাহেপ কনাগ মাযোক্তা? ঐখোয়গী ?

খবামচা — নখোয় হায়বা লৈতে ঐখোয় হায়বা নাইদে; লীচংকী চুমদবগী মাযোক্তা। চুমদবসিদি শোয়দনমক লান্নংই। অচুম্বস্নু অহুম শোকপা তাবনি। লানদি মনি। চীলহাও থিদে। অইংবা ঈশিংদনা মুৎথৎপা তাবনি।

সাহেপ — ঈশিং অতু হৌজিক পাম্মবনি মায়চাও; পাম্মবনি।

মতাং অসিদা শগোল থৌজিল্লকপগী মখাল তারকই। য়েংথোক-খিবদা প্রিতম অঙোবা পায়জমাগা পুময়াংকা শেৎতুনা থৌজিল্লকই। কুমথহুর্না চঙলকই খুরামচা লৈরম্বা উবদা ঙকলপ তৌই। লৈরম্মিবা অনীদা প্রিতমনা মথুং লাম্নহুনা খুরুম্মী

সাহেপ --রেলক, মেজর রেলকম

প্রিতম — থেঙ্কয়ু সর খুরামচা কবি থবক্তী ?

সাহেপ —য়াক্কা পুবংনা ফম্মিল্লবগনি ফম্মু। করি থবক লেবে ?

প্রিতম --সব, অসি

খুরামচা- সাহেব মরূপ প্রিতমসি বাবী তৌনীংমাল্লে ঐবু থিলহল্লে।

সাহেপ—নো। ফমাংগা। মেজর কবিনো হায়য়ু। হৌজিক অরোনবা লৈতবা য়াবে। স্কোলাব অসি মরূপ ওইরে; ঐখোয়গী মরূপ। য়েরুবা নত্রে

প্রিতম —মাই সন হেক্ক ক্ষ্ট এবাইভদ-

সাহেপ —ঐ ভ লোনদা হায়গানা পাচ ওন্ম তাসন্ম। হৌজিক পাই-শিবহুন্দরা ?

প্রিতম —য়েশ সব। হৌজিক ভাইহাক্তী মমাঙদা পাইরকপিবা প্লেন অহুদা ঐগী ইচা য়াপ্লেরকপনি।

খুরামচা কদাইদা চৎলুবা ?

প্রিতম - থবক চৎলুবনি মান থবব অনী পুরকপনি ইংলিশকী অমা হিন্দীগী অমা। পাউ চাউন য়াওরে। য়েংবিয়ু তো সে, পাবিয়ু।

সাহেপ — নঙনা শয়া তম্মবন্ম চপ মান্নগনি মেজব।

প্রিতম —বিলাট ত শাবা রাবী লোইরে। মহাত্মা গান্ধী হল্লকপ্রে লৈবাক নীংতম্লবা য়াবে। কুইরগোই। য়েংবিয়ু খুরামচাস্ন

খুরামচা তাবমক্ত খায় দা উই। মকোক্তগী মখোঙ ফাওবা তু চুংথি মমিত্তা ঈরা চেল্লকই। মশা তনিক-তনিল্লকই হুংকাওননা তম্মাং তংশায়-রকই। অনীদা নাগী মথুং অমদি মপানগী মওং অহু উথোকতনবা কল্লা লাক্লবনি। সাহেপতু মগী মওং হায়বপ থওখিত্তম তেই। মৈথু কাম-খৎপগী হাইথরকপা মীংমৈনা থজিক য়েংলম্মগা ভাইহাক মোমোন তৌংনা লৈ। নখন্নতা শোক্তবওন হায়রকই- 'ঐ হান্নবা পাউ ফংলবনি।'

ঙাইহাকী মমাঙদা মুংশা শানা শাবা নোং থংথোং থোংলকখিবনি। থংমম মমশিল্লকই। মুংশিং য়াওশিল্লকই, মাইকৈ অকরুবা নৈতনা থংশিং শিংলকই। য়েংথংলুরগা খুরামচনা হায়রকই -

খুরামচা—সাহেপ,- ঐ চংপা ফরে।

সাহেপ —নঙ করিগী চংকনি নোং তাথোকতনখো অতুগা চংলু। চং-
কদবদি ঐখোয়নি, নঙখোয় করিগী চংকনি।

খুরামচা—নখোয় নশাবুদি কনানস্তু চংলু হায়রম্মাইদা। পুম্নমক মকম
পুম্নমক্তা লৈবা লৈমিন্নবা অহুম য়াবা পৃথিবীনি।

সাহেপ — ঐখোয়গীস্তু লৈবাক, য়ুম কাঙলুপ লৈ।

খুরামচা—হেক্ষ চাউখংপা; হক্ষা কননা হেক্ষা হৈশিংবা।

সাহেপ —মতু নঙখোয়গী অপাকপা রাখলমি। ফজবনি, মপানগী থরা
নত্তনা মনুংদা য়াম্না চাওখংপা লৈ; ঐখোয় খঙই। ময়াম্না
খঙনবনি।

'মথুল চঙলনদাহ লিননা চুম্থক্লবরা?'—খুরামচানা খন্নকপনি। চীন খোকপাদ নত্তে। থরস্তু চাউথোকচরুই। নোং কম্না চুথরকই। হাই-জিল্লকপদা চোত্তনবা ফক্লাংলোমনা থর-থরা চিংশিন্দুনা কয়ে।

সাহেপ —মৈরমলোমদগী হৌরকপা নোংনি কুইরো'ই।

খুরামচা—লৈবাকপোকপদা চুবা হৌবসি কুইগনি।

খুরামচাগা সাহেপকা মোমোননৈ। প্রিতমদি কীবম কায়দনা লৈ। মতাং অসিদা নোং মরক অতুদা অংতাপ্পা সাহেপ নহা অমা শগোল তোংহনা লাকই। চঙলকপদা প্রিতম হৌগত্নুনা নলাম তৌই। খুরা-মচানা কম্না কম্না মোমোন খজিক তৌরুই। সাহেপ নহা অতুনা লৈরবা সাহেপ অতু মনুংদা তহা তহা কৌশিনখি।

কুইদে মপানগী অনীনা রারী অমা শাগে তৌন্নকপগী অতুদা মনুংগী সাহেপ অনীহু তহ-তহা থোকমিন্নরকই। অকোনবগী নহাহু তহা-তহা চংখি।

প্রিতম—করি অথুবা লৈখিরে সর ?

সাহেপ—নো ! নবানী চংথরো। মায়কৈ অহুমদগী কমা তকশিল্লক্লে কনানো করম্বনো থগুদ্রে। কল্লা কাপ্পরে চায়রে। অতুগা লুক মিষ্টর প্রিতম, কাক্লে ওায়বা মুপাহ ফংনবা থিরো, ফংলবদি য়াম্না কাংগনি।

প্রিতম ওকই ; খুরামচা পাথংলি ; অতুগা সাহেপতি করিস্ত তোদে। মোযোন নোকুনা লৈ। কাংচুপতা মচাক হাম্ন হাম্না থক্সিক নোক্লগা মথা চথরকই—

সাহেপ—কাংপোকপী ময়াদা অমা, থোংকোম মনাক্তা অমা অদগী অমনা কৈরাওগী উমং অমদা মকম অহুম অসিদা কম্না কাপ্পরি হায়রে।

নোং থরা পাথরকই। অনকপদগী বেঙ্গুল থোওলকই। প্রিতমদি বেঙ্গুলগী মরোল খগুই। সিফাইগী মকোক থোংবা ফম্নাইবশিং মফম অমদা কৌবনি। প্রিতমনা সাহেপলোমদা থগুনীংনা য়েংলুই। সাহেপ পোখা ফমফমদা শাংদোক্লা ফম্নগা কাংচুপ চম্লি।. চম্না-চম্না প্রিতমদা মমীৎতনা ওনথৎতুনা য়েংথংলকই। মগুক নোমতুনা ফমথো হায়বগী ইঙ্গিৎ ফংবদা প্রিতম ফমংখি। নোং লেপথরে। গৈথক্লবা মুমিৎকী মুংশা তরং তরং থোকলকই।

খুরামচা—ঐ চৌগংলগে।

সাহেপ—চংখিবা য়াম্নে। চোংলরোই।

খুরামচা—ইথস্তা চংলোরা ?

সাহেপ—মনজ্রিনা ক্ষিবরা ?

খুরামচা—ঐনা কিবদি ইশাদনি অতৈদি ঐবু কিগদবনি।

সাহেপ—অমম্বদস্থ ?

খুরামচা—অমম্বদদি ক্লিবা নত্তে ইকাইবনি। ঐথোরগী কাওবুদি মম্লগা ইকাইবা হেল্লি।

সাহেপ মাহু ঐ খঙদে চৎপিখিবা য়ারে কৈশুমশঙলোনদা নত্তে য়ুমলোমদা। থাদোক্লবনি চে লৈহৌরে।

থুরামচা– রায়েন বিচারদি ?

সাহেপ – কাঞ্জিনবা থাদোকপা থুদিংমক রায়েন বিচার অমনী মতুংইন্নি।

থুরামচা মতুগী বিচারতু ঐগীসিনা অরোইবা ওইরবদি যাইকমিন্নরগনি মল্ল ঐনী লাইব্রিক যাম্না কৈশুমশঙগী কাতুনা লৈহৌরি।

সাহেপ – লাইব্রিক্তা নত্তে নঙগী নাপাং নচৈ পূম্নমক অমত্তা চিথদনা নযুমদা লৈরম্মগনি মীগী মখলবু ইকায়খুম্নবা এখাযনি

থুরামচা – লাইব্রিকী লাতমশিং নত্তনা অত্তেদি হবলনি নীংদে।

সাহেপ – লাতম ভাযবদি কারিনো ?

থুরামচা – ঙসত নঙনা পাবা থোক্তদনা এনা পাখিবদো।

সাহেপ – ঙ ম। তৌজিক কাঙপ কিনি কিবা তাক্রি ?

থুরামচা লাইকশিনি নখোয়না মায়োক্লরিবসি

সাহেপ হুরাট হজ ডেট ? করিনো মাহুদে ?

থুরামচানা কৈহেজ মচ। বৈ যেপনা য়েপনা খজিক নোক্লগা হায-রম্মী—'বিনা খুদমক না এখ মন কবা নংতিকরি: মশা মথন্নতা কিজরকপা য থঙক মাহু চাইন কিনি, লাংকাশ ঠ চৎলে। মরূপ প্রেম কুম্থমিন্নগৌখো চবীদ কৈতেোম কুঞা হাইকং কল্লম্মগ কাইদ-কাচদা নোংগৌ-লোম হু। বিলগত। প্রেতম হাইন অতুম ঙকহৌরি।

সাহেপ থদুদ দাযন নোংহুবগুন তোই। থুরামচা থঙই

থুরামচানা যুম যৌবা নতমদ নুংইং তাবে নোং অমুক কম্না চুরকই। তাকনবা মুনিং যাওই। পাঙ্গানদা মে ঙকপা য়াদবনা শঙ্গোয় য়েনখাদা চক থাই। লাম্লেল লমমা চৎলকপদা চিংনরম্বা মুংশা থারম্বা রাখল মরামতু যুমগী নীনা হুরানা মরাম মরাঙ ভোনবদগী ঙাইগাক পুমকাউ কাউকার। ঈরুজনবা ঈশিং লুপ্পিউত্তে কাওবা নীংশিংলুদরে শঙ্গোয মযাগী তুংপাক্তা চাইথলিউদা নায়কৈ অহনদগী লান যানাকাক্ল হাযবগী রাক্ষম

থংনীং নীংশিংলকই। মায়দৈ অহুমলোমদগী মকম অহুমদা লাম তাশিল্লক্রে হায়বা অথুবা পাউ তাবদা খোয়না করেম্মপ মোমোন তৌহৌবা সাহেপ অহল অহুগী মায়খোঙসু নীংশিংলকই। মমীত্তা শঙ-শঙ উরকই। চেম্না খোইশাউনরকই। ঙসি অহীংমক মাংকৈ অহুমদগী কংলাবু চপশিলহন্নীংই। অমুকসু উরকই ঈখেঙগী খোংলম মৈরিতগী চৈংদূম চৌংদূম; মৈথুঙগী লৈচিঙ, লোয়নবদা মুংথিল পোবোপগী মীং খংথক খংথক থকপা মঙালশিংনা শাথৌবা অহৌ অহৌবা মখোলশিংতনা নাকোং মৈশিল্লকই। চাক চাগদবগী ফমথরকপগী অহুদা পাথরক্লবা নোংজুগী মখোল নমহত্তুনা লাকপা পোকথায়বগী অহৌবা মখোল অমা তারকই। চিংননা তয়াং-তয়াং তাউহুনা লৈবা মথমোয় ওইবনা খুংামচা খংপ্রেক খংই—'কদোমদনো!' মচাশিং মশুশিংগী চাক মথং মথং থিরিবী মাগী হুপীনা পাখংনা হায়-রকপনি

—য়াম্না নক্না তায়।

—নক্কেদা। আ কোম্নুংলোমদা মাল্লি।

—কোম্নুংদদি করিগী? লান অমুক তৌগদৌরবা জাংলা!

—লানদি তৌহুনতা লৈবসিবু। হৌজিকসু লান মন্নুংনিনে এখোয়না লৈরিবসে।

—হন্দকমূক বোম তারক্লবদি কদোমদা চেনবা?

—চেল্লরোই অশুম লৈরগনি। কাম্নদে লানগী রাবু রা ওইন—। শিংজুহু থরা থাধরকখো। চাদবা কুহরে।

নোং চেম্না চেম্না কনখংলকই। অখাক অরাও য়াওরকই। চাক চানা চানা রাথল মঙল মঙল থল্লি। মপানগী মহৌশাগুম থুলামচাগী হুংগী নাক-কেংশু মকুম মথা নকাশিল্লক্লবা লোংজুগুম ঈহৌরকই; হন্না হন্না ঈহৌরকই; অমুক-অমুক ঈহৌরকই। অমুকসু ঈহৌরকই। কমুংদা থনখি—কৈদৌইরে কমদৌনা নীংতম চৌং পাংলিগে।

মরীনি লেপ্পুনা চুরম্না লেংং মঙাংনিগী অমম অঙান শিল্লবা মতমদা থংহাং তাংই। নিন্দুং ওঙবগী মমজরবস্ত অতিয়াদা থরানমিচাক তরং তর' থোক্লকই চৌথিবা মুনংঙলিংলা নোং ইঙামক তাথিদবগুম থল্লরম্বা যাবনি -শুমাঙনা পেংলমজ্র ।, খোংবান লুবংলা না ঈমায চোল্লমজ্রবা লোয়নবদা হুমলিবা মুংশিংন ংবোং আচৌবা ইন্দবা য়ানা ঈংলমজ্রবদি। মাঙ্গান উথোকতেনদা ঙ'ঙুন কম্লম্বদগী চঙলগে থন্দুনা থুবাংচানা চৌগং-লকপগী অতুদা চৌংখৈরামদগী অতিয়া পুমলং লংলকই ঙাইহাক্কী মমাঙ কাওবদা নৈনম্বা নোংজ্ঞগী লাশা' শীংলকপা য়াখলগী থঙাচৌদনা মচীনদা শোনাগ তৌবনি যোমি-যৌম। হেংথংথিবদা নোংথাং ওই-রমদান; শঙাংশন লইরম্ম। যাম্না শাংনা অনদি শান্না পাইখি। তোহংং লোংনখ্রনি অত্তর্ হুসিংসিমক ১৫ থকপা মমাঙথক্কো অমুক্তা খোংন থজ্রি থাল্ল বরম্ব পুদম্বু ওঙাংবা লোশিন্দুন তমুংলোমদা চঙ-লগে তৌরকপগ অতুদ খাঙ্গান্দা গাড়ৌমচ অমা থামখিব উহ। থিন্দনা মা শম তহ তহ চঙলকপা উহ। ঙাহঙুনা লেপ্লিঙৈদা মুপাঙনা হংনৈ —

মুপা কবিগুম্ব' অনত্তা —।

থুরামচা—হায়রিবযু।

মুপা — ইপন ইবুংঙো মাযচৌগা শঙ্গাযসিবু—?

থুরামচা কযুম্গা কাব মিং কৌবা মাযাচৌনো ইবুংঙো?

মুপা — কুপানাদ তাকাপরজ্রবে থুরামচ নায়চৌ হাযদনা, লৈকাই অসিগী থোঙ্গাল অম্বায়দা হাংবিরকপ।

থুরামচা—এনি ংবুংঙো, কৈদৌসিগে?

মুপা — এ-এ; নলাই তক্তি কংচারি

থুরামচা — য়াইফজো থাইফজৌ ইবুংঙো। অতুগনে ইচাগী য়াহু তাজ্রি-তৈদ। ইপা য়াংহাংগে 'নলাই' হায়মু; নচানা, নগুনা, ননা-ধন ভক্তি কংংরি, মুক্তনজরি হায়বু।

মুপা—কপনি ননাই নতুংদদি—।

খুরামচা—ই-য়া !

মুপা শোয়দোকচখরে সুম হৈনপ্রবহুদা..

খুরামচা উম, হৈনপ্রশনি। মহু থাদোকসি তোকসি হায়য়ু করি ?

মুপা—ঐহাক মাইবুংঙো দরবার মেম্বর অহনগী চপ্রাসীনি।

খুরামচা ও, তাইবুংঙো মেম্বরগী ইচাশিং। করি হায়গে ?

মুপা—মাইবুংঙোনা ইশনবু তাইহাক্তা লেওবিরক্কবা মাদে হায়দনা-, গাড়ী থাবিরক্লি।

খুরামচা- ঐহাকপো ? ঐহাকপু ওহরনদবা যাই ইবুংঙো ঐনবুদি থও-হৈ, তাইবুংঙোনদি থওবিরমদব যাই, অপাননা হকথেংনবা রারী ভোবগী গাঞ্জা ফংজখিদ্রি।

মুপা খুবামচা ওইবিরগদি মাযচৌ খুরামচ হায়না তাকপিরকক লৈকাচ যুম থোজাল লোইমা চুম্লে। ইপন ইবুংঙোব শোয়দনা ওইরনি।

খুরামচা—তাইবুংঙো ইশাগী ইচাননা তাকপিববা নত্রগা ?

দরবার মেম্বর মশামক্তা তাকলপ দ নংলমদে, সাহেপ অমগা লম তসিন মী নত্তুবা অংল অমগমা হাযবদগী হোজিকমক লোকচো হায়দনা লাবচরিবনি হাযনা চপ্রাসীহুনা তম্মী। সাহেপকা মী অতুপগী মীওই নীত্তো হংবদগী থওলে সাহেপ অহনগা প্রিতমগা শোয়দনা ওইরে। চিংনবা পোকই তাইহাক অতুদা রাখল অনীশরী থোক্লা থল্লুই।

খুরামচা—করি বাফমগী মাল্লি ?

মুপা—মহুমদি ভাব তাজদে।

খুরামচা—কদাইদনো কংলাদরা, কোম্লুংদরা ?

মুপা—অমত্তা নত্তে মাইবুংঙো মেম্বরগী সঙ্গাযদনি।

যেংকী খুবীনা লাইবক্তা কাইদা কাইদা তক্লগ তাইহাক থল্লুই। শঙ্গায়শেল পাইথিনা মাংকৈদা হাইরপ য়েংলুরগা কৈ. চংসি লাকও

হায়দনা থোঙ্গাল্লোমদা চাউকান চাউকান কান্দুনা থোকখি। ইমুংদা ফাওবা হায়রমদে।

চঙখিংদা দরবার মেম্বর, সাহেপ অমদি প্রিতম ফমহুনা লৈরম্মী। কুটনা ফম্মকপগী থুদম ফংই। মেম্বরনা ভরাম ভরাম কৌশিল্লকই। অনীগম্ভু কৌনৈ। মেম্বরনা মুকিদাংদা কৌহল্লবগী য়ারেৌখিল্লব। হায়-রকপদা খুরামচাম্না ৱোল্লুকপা উৎলগা হায়রুই—

খুরামচা—এ করি য়ানো ত্তাইবুংঙো। লৈবাকী, মীয়ামগী খজিক্লং য়াইফগদবা লৈরগদি করি থেঙবা ভনবা!

মেম্বর—ইনাওবুংঙোদি লৈবাকীনি হায়বদি করম্না খঙবি, হায়া পাউগকা ত্তাবিখিবা লৈবিরনে?

খুরামচা—লৈজদে। ত্তাইবুংঙোখোযদি লৈবাক পুখিল্লিবনি, তাইবুং-ঙোনা কৌবিববু লৈবাকী ওইদে করম্না থমবা ভম্নগনি। সাহেপম্ভু, মক্কপ প্রিতমম্ভু লেবাকী মীওই ভাত্তনি। লৈবাকী য়া ওইরম্মোইদৌবগী মরম লৈত্তে।

সাহেপ—মায়চাওদি অশেংবা স্কোলারনি মাগা থম্নবা চুমগনি হায়বহুনি।

খুরামচা—সাহেপখোয়না নুংশিরগী পঙতাক ত্তাকপিবগী য়ানি। করি সেবা তৌজো ত্তাকপিগদবা--?

মেম্বর—ইনাওবুংঙো ম্নমদৌবনি; য়াসি তরাই-তরাই লৌনম্নজগী লৈবাকী চাউরবা য়াংথোক ওইরক্লে।

খুরামচা—করি মতাংদা ওইরবনো?

মেম্বর—'তরেং খুং' হায়বসিনা মায়কৈ অহুমদগী কংলা তম্ন ফুজিল্ল-ক্লিবসি ওসি মতানি পূরা শুরে।

খুরামচা - মখোয়না পাম্মিবসি করি ওইরবনো ত্তাইবুংঙো?

সাহেপ—মঙমম্ভু পাম্রবহুনি মায়চাও। ঐখোয় অঙৌবা লোইনমক চংখিবা; মী লোইনমক চংখিবা।

খুরামচা—ঐনা খঙ্ঙদদি মী কোইনবক ওইরগদবা য়াই।

সাহেপ—হুপ। হুপী অমা কোইনমকপু মখোয়ন তাল্লে।

খুরামচা—মী খল্ল খল্লগা তাল্লি হায়বদি ঐখোয়দ হাজদে।

মেম্বর—মী তানবদ লোংসে হনাওবুংঙা মখোয়না চৎখ্রো হায়রবা হুমীৎ হেল্লে শায়দনা লান্দারক্লিননি। মসিদা ঐখোয়না হায়নীংবদি মাংহক্লোননা অান্নুব্রবন সরকার বহাদুরগী সাহেপমথৈ মখোয়গ কোয়নরকপ। খৈগা লোয়ননা লেঙখিবা যাবগী রাদা লৈবিরে।

খুরামচা—মসিদা কদি অাক পগদবা ?

মেম্বর—চৌকিদ অসি কান্নদবদা মাহৈক অনীমক্তা মশাং যাম্না মীশিমীনা থোক্লে। খুৎলাই অচম-অশুম মওংদা থানবে খুৎলাই থল্লায মাল চাং মাঙনরে ঐখোয়গী মবেবাক হুংশিব মথৌনা ফরবা লাংগী কয শংলাইনা থাহল্লে, কযা অমনা পুকচৎপা য়ামনারে; হক্লম লাইহৌনা কযা অমা মাঙহল্লে। চৌকিকসু লাহেংশদ অসি পিক লনাখ্রে অসোমগী মাসু শোক্লমগনি শিরমগনি। খুনগী মাসু যাম্না শোক্লরে হায়বা পাউ তারে। মথারে মদদি পুকচৎপগী লায়না শনোক্লক্লে হায়বসু ওসি, ডসাই তারে। ডাক্তর খরা খাজিন্নবা হায়খ্রে। শা যনসু য়াম্না শিরে হায়রি।

খুরামচা—কুমগী লাইগা পাবা হায়বতু তারমাল্লে তাইবুংঙো। মসিদা কারি তৌজো হায়বনো। ঐবু মতাংসিদা পুশিনবিরিবরু—?

মেম্বর—মদোমদান ঐনা লাকদৌরিবসি। মাসদা কান্নদবদা ঐখোয় মশেল ঈথেঙ হাথনদনা তোকদৌরে। হায়বদি কো, ইয়াম্বনা নীংশিংজনদি মখোয়নবু হাংলবসু ঐখোয়নবু হাংলবসু শিনরিবসিদি লৈবাক শসিগী মীনি। মাহৈকে অনীমক্তা লাল্লোইশিং অসি কেবাকসিগী মমল য়ম্মবা মশিক লৈখ্রবা মীওই ওাক্তনি।

মসি লেপ্পবা উপাই অমা য়েংদবা ঙাক্ত্রে শ্রীযুৎ লংকৈ লেঙখ্রি। লেঙখ্রিবাসি লৈনাক্কী থবক্কীনি। দিল্লিদা লৈবাক্কী অঙম অশৌ কযাগা মংং মথং উন্নবিরক্কানি। কুইররোই ইনাউবুংঙো লেঙাক খোৗরম অসি শ্রীযুৎতা কংলম্মগা চংশিবা যাবনী রা য়াম্না নক্না লৈরে।

সাহেপ — শিন্নরম্মগা হেন্দ ওভর —।

খুরামচা—পাম-পাম্বা হায়বগী থানি সাহেপ। মী খরনদি মুলহৌবনি হাযবা পাম্লম্বা য়াই।

সাহেপ —তরেং খুৎকী কাওবুনা।

খুরামচা অকক্কব খুৎ অমগী থাদি খঙজে। মনিপুরদা লৈরিবা খুৎ অসি য়ামখ্রবা জাৎনি। কাংগী খুৎ কাঙজৈগী খুৎ চন্দ্রাগী খুৎ পাখংগী খুৎ—

সাহেপ— মতুগী খুৎ শত্তুদি নাক্ত্রে। ওনরেবল মেম্বর; কোহথোকপা নম্ভবদা শম্না তাকপিরে।

মেম্বর —ফগানি সাহেপ। স্নুমদৌবনি হনাওবংগে, মাখোয় খুৎকী কাওবু অত্নুদা খুৎলায থাবসি কেপ্পু নখোয়না নীংজিবগী মতাংতুদা ঈংনা থারী শারসি হাযদনা পাউ অমুক্তা য়ৌহনবিনবা হনাও-বুংঙোনা শঁনবিয়ু। নত্রগদি থরাম যাম্না মাঙনবা তারে। মশিদ সরকার বহাদুরনা মখোয়বু নমথনবা তোরক্কবদি কান্ন-দবদা খোংজেংম অমুক হজিল্লকপা যারি। হজিনহনগুমসি। করি হাযবগে?

সাহেপ — লেমসি অপঙবদি তাহনগুমসি.।

খুরামচা—অহানবদা তাইবুংঙোদা ননাওনা হজংচগদবদি, সাহেপখোয তাইবুংঙোখোয়না পন বিবিবা খুৎ অহু ঐদি মরী লৈনজদে।

সাহেপ - খঙবদি খঙজিদনা?

খুরামচা- সাহেপনা শঙবদৌনদি হওই মমিং তাবদগী। মসিদদি ঐখোয়

চপ মাইরে।

সাহেপ --অহুগুন্না খগুবতু নত্তে ঐনা হায়বদি।

খুরামচা—খগুজরে। ঐগীসি লোইজখিগে।

মেম্বর – তাকপিয়ু।

খুরামচা—অনীগুবদা, অপগুবা তাবা হায়বদো, মত্থ অগুাওবা রানি। খোংজোমগী ইপা ইতোনশিং পগুবা য়ারোই। পাম্বে রাংখিখিবদগী অকুৎপদা লেপখিবনি। অমনা পোম্বা থান্নহুনা জ্বার শান্নবা উরগা অয়েংবা ঐখোয়না য়াওবা য়াদবদগী নক্রগা গুমদবদগী শান্নব্রিবা অনীহুবু অপগুবনি খনবা য়ারোই। মখোয়না ঐখোয়বু পেং চোইরে লৌখিনি।

সাহেপ —মায়থীরে শেন মাগুংে করি কান্নরে!

খুরামচা—মাগুলবদি মাগুংেদনা মীবু মায় পাক্তুনা গুাক লৈগদ্রো! শেল মাগুংে মশানা য়াবা তাই। অমুক শান্ননি পোম্বা থাগনি লৌ ইংখোল কনাগী থন্নায়।

সাহেপ —মাগুগনি খগুনা খগুনা পোম্বা থাবদি পগুদ্রো?

খুরামচা—হেন্না পগুবা কপগুদি তোংগনি হায়হুনতা চাউখোক্রিবহুনি রাখল শেবাৎপনি। ঐনা খগুদবনিনা মখোয়বু থিরুবা উননরুবা গুম্মোই। অনী য়াননরিংে মরক্তা চগুগু্বা ঐ গুমকরোই তাইবুংগো।

মেম্বর --ইনাউবুংঙোনা চগুবগী রা নত্তেদা, পাউ অমা য়োইহনখিনবা শীনবিবগী রানি।

খুরামচা—তাইবুংগো, সাহেপ, মক্লপ প্রিগুমস্থ, রারৌবিবা য়াদে ঐগী পাম্বে লৈজদে। গুম্মোইদৌবা থরক্তা হোৎনবা গুমজরোই। সরকার বহাদুরগুম্না কোম্নুংগুম্না কম অসিদা হৈ-শিংলবা, পোখি পোরমদা মপা লৈত্রবা লৈনা লৈনা ঐখোয়গুম্না খুন্নাইগী তুগুম্বনা করি তৌরুগদ্দগে!

সাহেপ   মাতু মায়চাওগী লোননি   নঙনা পাম্মবদি থবক অসি শোয়দনা ঙমগনি; ঐ খঙই। প্লিজ মায়চাও চানবিয়ুনা হোৎনবিয়োনে ঐখোযগীনি, নঙখোয়গী নি কৈবাক মীয়ামগীনি। থরা হেল্প তৌরোনে। রিকেষ্ট তৌবনি। নঙনা তৌবা ঙমগনি।

মেম্বর   ইনাউবুংঙো ঙমগদবা লৈ থঙহদনা মী অসিনা হায়জরিবনি। তৌবব চুমগনি কোন্নুংলোমদগী অয়াবস্থ পাংগে। লোইনা মাঙনা তারে অমুক্তা যেংসি ইনাউবুংঙো

চিংনরবস্থ চিংননা খুবামচা হেংশির' হায়ন থল্লকঃ। ঙাইহাক রাখল তৌহনা ‘ল অহুম্মুক্ত মঙোন্দা যেংহনা লৈ। খঞ্জানরপ তৌবকপা উবদা লৌশিং ‘তাদ লাক্কবা সাহেপ নাও অথুবা তঙায়ফদবা মীকম অমগী রাফম পল্লম্মগা হৌগংলকহ চংখিয়মদাইদা হায়রম্মী মায়চাও শক্লবিরো, তৌবা'নবা তৌবরো। হায়ংমক উল্লনবা শীনবিয়ু। ওনরেবল মেম্বরদা রা পূম্নমক হাযবিরম্মো ঐখোয যেংপ্রগে। মেম্বরনা খুরামচাদা ঙাইহাক্কুং কমথো হায়রম্মগা অনীবু থিন্দোক্লুই ' ফনা কুইনা লৈরগা চঙলকহ। মায়চৌদা পাউ অমুক্কুং যৌনবা শীনসি হাযনা কন্না পেন্দী। ফনা কুহনা তুমিন্না তাকববা মতুংদা খুরামচানা হাযরকই

তাইবুংঙো ফরে ঐ ‘তরেৎ থূৎ’ কা উল্লনবা হোৎনজবগে।

- তো, অহুনিদনা ইনাউবুংঙো! মহুমক্কি -

— ঙাহবিখো ঐ হাযজরকখিগে

তাকপিয়ু।

সাহেপতুনা পাম্মিবসি থৎকী কাঙবু উল্লরগা লান তোকউ মখোয়দা চঙজো হাযদনা যানবা থেম্মুবা অসিনি।

— হায়নে ইনাউবুংঙো ঐখোয মাঙবা তারেনে সাহেপশিংদি লাম্মী কৌথোক্লগ হাইনা থল্লরবনি। কৌথোক্তুনা লাক্লদি পঙিত, ঐখোয়

লোয়না ভক্তমা শিরনি। করি কারে। অতুগী শরুক্তা য়াশিন্নরগা সে গা মাইপা তান্নতুনা চথবনা করনিনে। থেম্বা কৈনে ইনাওবুংঙো থুংকী কাঙবু উন্নবদি লম জাসি থব থাপা নৈ। অতুগা থংনবগী মায়কৈ অম। ওইরিবা সাহেপশিংদি উন্নবা লায়না থোকই। মখোয়দা ওইনা থেম্নবদি—?

—কনাদা? সাহেপশিংদা?

—হোয়।

—এ! করি হায়না?

—লমদা অসি থাদকুনা চংপিথরো হায়দনা।

—এ! হনাউবুংঙো অতুমক্তি!

—এ ভাব তাক্তে ঙাকবুংঙো ঐস্তু অসামদা হায়রুগদৌরিবসি পুক্রিংদা কিংবি। হায়রুরবস্তু রা মাওদনা তোক্তদবা মাল্লি। থুংকী হন্দকাসি অরোইবা মাল্লি।

—মতুগী অরোইবাতুদনি মখোয় তুনগদৌরবসে লবাকসিগী মাঙজবা হায়বতু ওইগনি।

—তুম্ব-তুমদবগী মতাংদা মন্তিক্রব মান্দে। তাম্নোকখিবা নএগনা মখোয় তুমজখিবা অসি মাল্লি মখোয়গা থৌওংসি

—তুনজখিব য়ারেইষ্ট ইনাউবুংঙো, লম অসিগী মী মশীং অসি লাখা থরদনি। লান তোয়রদগী ত্রুপা শীং রাংশিল্লিব। অমরমসি মমল য়াম্মিবনি। মাস মথায়দি থল্লকোই। থংহংফং থোকই লান তৌনবা চুমজে।

—রাকম অসি মখোয়স্তু মুম্না থওলনদগদবা মাল্লি।

—থওওম্মোই হনাওবুংঙো, থওওম্মোই অতাওবা নহা থরনা থবক শুকম নে মকম লেতবদগী অতুক তেক-তেক তৌবা ওইরিনি

—মতুঙ্গ তাপ হেক হায়রুবা য়াকাত্র তাইবুংঙো, অহল ভাব তাবা থাম্না য়াওয়্র হাপবা পাউ তাথি। থোযনা তাখিবদা কাঙবু অতুনা পাম্মিবাস মীনাই য়োংছিলং খাদংপানি।

- মহাকনি ঐনা খঙবা চুমন্নিবসে। সাহেপশিংনা শাক্লে মখোয়গী মীনাই ওইরে হায়রিবসি কয়িনো? লৈবাক শাবকপা ঐখোয়না ঙাক্লি, ইনিংথৌ পাল্লি; মহারাজ হায়বা মিংথোল কংহনা নীংথা তম্না পাল্লি। লৈবাক চাকহোঙ ঙাহোঙলি খুঙ্গাও লৈচাওরি। লম্বী-থোং অসুম অসুম কগংলক্লি। তৌনীংবতা তৌরি চানীংবতা চারি। মীথা পোল্লি হায়রিবসিবু কদাইদনো। ঐখোয়দি থনব ঙমদে।

—ফাইবুংঙো, মীথা পোনবা পোন্দবদি রাপু-রাপুদা লৈজরসন্থু অত্তপা লৈবাক্তি ঐখোয়গী ইনিংথৌনা ঙাক্তে কম্পনী বহাদুরনা ঙাক্লিদা লোমুংগী য়েতুম অমা লৈব কাওবা কলিকতা য়ৌরি; দিল্লী য়ৌরি।

—পোংত্তি ঐখোয়ন লজরিদনা অপাম্বা থল্লগা চানীংবা য়েংলগা শেলদং মখোয়না পীব্বিবনি।

— মত্তদনি। পীবিরক্লিবা শেলদো ঐখোয়গীনি, ঐখোয়দগী খোমথিবনি লোইপোংনি। মত্তদগী শরুক মচেং অমত্তং পীরকপনি। অত্তুম্ন নিবনি। অসিনি খুৎনী অহঙ্লোননা হায়বা য়ারিবা। ঐনা রানা তানজরগা ইশানা পানজগদবা ইয়ুমবু উঙ্গান ফমেনদা শীল্লিবসে মসি খুৎকী মীয়াইগী লোননা পাম্নবমদবা য়ারি। মপানগী চরীককুম্বা অরং-অরাবা থরনা মীং থকহল্লগা লম অসিগী মনি পুল্লপ পুল্লপ থৈথিবসে মসনি খুৎকী নহাগী কাঙবুনা শিরগে মথৈ পাম্মমদবা য়ারিবা। হৌজিকী ঐখোয়ন মসিবু শেমদোকহৌরবদি লাকদবা মীয়োলনা য়াম্না থীনা থীনা চেরকানি হায়না থল্লম্বা য়ারি। চন্থু-ঈহৌ অমগম্থু লাকপা য়ারি হায়নরকনি।

- কনানা?

--হৌজিকী ভুংগী উপনবা মীচম মীয়ামনা। অহাংবা চাবা ফজবা শেংপা জিংবগী য়ুমদা লেবা ঙাক্তনা ফুংঙাইবা কৌবা য়াদে; মীগী থদাং মথাদা হিংবা পুক্সিদি মীগী পুক্সি নত্তে হুইগঙ থাংলবা হুইগী মহিংনি হায়না থনবা কাঙবুহুনি য়ুনিয়ম জেককী মহুত্তা পাকলগী

ফিরাল চিংথংকনি হায়দনা মাযকৈ অহুমদগী ফুথরক্লিনসে। অম্মা হায়নবা হাঙই।

- মতু তাবা যাবা রা নাত্তু ইনাওবুংঙো তাকিগনু।

—ঐনা তাদীংতুনা চেংগা তম্পনা তবা নাত্তু হেইবুংগো কৈথেন্দা লৌবুক, খুল্লক হরক্তু, লৈরক কো শাংদ অহুমদংবু পুল্লবদি মসিগী বারী হেক্তা মশান্নার। তাব্রাচ হাযবকা যাবা নত্রে তাহবুংঙো।

— করিনোনে হাযরিসিবে অতু য়োরবরনে!

—এ শক্লক চাম্মা হেল্লবনি ঐনা শাযকরিবসিদগী। তাহবুংঙোতোয়না শঙ্গাহদগী দরবার ফাঙবগী লম্বেহদতো দোলাইদা, শাংগান্দা নঙগা হুরা গার্ড ম াদা লেঙবতুদ তাবিত্ররননি। নোং ফাদোকপু মেম্বন ওহনা নত্তনা ঐখোযহুদ্ধা মীচম অন ওইনা কৈদোত্তুন চংপিরগা মতাবিযু যেংবিযু হ। কাংগী মীশিং নাগীদি কাংথোবগুদনা লৈখাক্কী কাম্বাং চা মচা ওইরিব মায়ামগী ফ বমস্ত উবিব মফৈ হ! নীংশিংজবগী বানি

—উম, সাহেপসু করিগুম্বা কাংদ অদুমনন হায়খিব। য়াওহ চুংদি চুম্বা জাংবনি। ফবাদ ফবা। পাঙ.খাকপাদ ঙমদবা

—থঙবিদবদি নত্তবা, খ্বিদবা। মাসনি লৈকাক অসিদা লুরিবসে

—থবক অসিন ঙমদবনি ইনাওবুংঙো। এখোয় অমমমনা পুংরবা থবক আস যাম্মল্লবানি। ঙাইহ ক্ত শংনত্রবানি

- অমদ। নুম্মল্লা গোকপত্নুদি অনীনা নরন। পুবা যাহন। মাসু পীক থল্লা লেগানি।

'—ঐদি হাম্ববনি লোয়শঙ মচা মচা থরা হংস। মাদবানিনে।

—কনানা?

—ইনিংথৌনা।

—ইনিংথৌদি ঐগী; এগনি হায়জরগা হোদোক্করগ মাংরোহদোব লোহে লুংববাদ পাহ যাদ হায়দনা তুকা থগদো বরদি বহাহুরনি

ঐখোয়না খম্নরগা য়াই-য়ন্দ, গুম্মি এমদে লেপজবগা তৌজবদি ইযুমগী ইশাগী শীনজবনি ফবা যাই কত্তবস্নু য়াঙ। চুমদবস্নু শুইরসস্নু। কবিগীস্নু চুমদবা তৌকগনি ঐখোয় ইশাগী অশেংবা ময়েক শৈজবা কাওবনি। লাল্লে ফংত্র অতুম শিমিস্নব তারে। অতুদি মত্তুনা লাইফদিবীগুম্না

খঙঙে ইনাওবুংঙো, ইয়াম্বস্নু ভাব তাবা ফন কুইববনি। ঐনা হায়-জনীংবদি ঐখোয়গী কওবুদা অম্রুং খাম্বা কৈ নত্রগদি ঐখোয়গী অখোবা নগা অহল কয়া খাংঙ্থক্ত মাঙখিবা তারগনি।

— লোইনমক মাঙখিগদবা ডাক্তি। হয়েং অমগীদমক ওসি অমদি কখোকপা তাবনি। পাংজদব অমগীদমক অপাম্বা তৌজবসন্ন হায়জনীংই তাইবুংঙো ঐদি।

উম। ফবে, ইনাউবুংঙোনা স্নুম ফনি হায়বত্থু তৌনিকবো য়ারে। ঐখোয়গী অতুগা লৈবাক্তাদি হামদগী খনবরকপগী খনবিরকপা অতুম খনবিখো

- ঐ খঙজরনি। তাইবুংঙে রাবৌবিবা য়াদে, তাইবুংঙোনা তাকপিবা থৌদা পাঙবা ঙমজদবা তাব, থৌদাং অতে লৈজবা ওইনা তৌরে।

— ইচাশিং ইনাওশিংদি পাম্মুখবেদা ইনাওবুংঙো।

ইনাগীদমক অরেবা অঙম্ব কংচবদি মবাংবক ফবনি। পাঙদবা ঐনা কাঙখদা কুপ্পগা ফদা কোন্দুনা লৈবনি।

— এ! ইনাওবুংঙোগী -

— ঐ য়োজরগে তাইবুংঙো

তপ্না ভহা-ভহা, থোকলকই। ফম ইথঙ খঙদনা তিং পাল্লবা মেম্বর ওক্না লৈহৌই থোয়দা লংখৎলি। হায়যম তৌফদি খঙদে। মানা তত্তনা তাইনবা হিদাকফু অতুদা ঙসিস্নু কাওখায়তুনা তাইনগে তৌগ তাইবমক্তি তানখিদবে। মপান্দা মচা মনাইশিং য়া য়া তৌন-রকপা তাবদগী ভহা ভহা থোকলবই। করিনো করি তৌনরে হংগে

তৌরকপদা শাংনা পাইবা শঙারশেনগী অরোইবা শরুক্তী মমৈ অহু পুমনং লংনা উরকপদগী চপ লেপ্তুনা য়েংই। চৌংখৈরোমদগী কেক্রুলাই জী-রোমদা য়ায়া শাংনা পাইবা শঙাইশেননি।

মুমীৎ মঙানি মতুংগী অহীং মাকমৈ নোংঙাল্লমদাই অমদা নোংনা অমুক ফুদিং ফুধরকখি। কুইনা তাবনি। মীৎ মায় পাওবা য়ানবা হায়বহু য়ৌই মুমিৎ অসিমক্দা মায়কৈ মরিদগী বৃটিশকী লাম্মীনা ফুজিল্লকুনা. মনীং মমাঙ থৎতুনা কোয়শিল্লক্লে। চাউরাক্লা মতম হাইরপ মায়না মায়কৈ অহুমক্কী থূংকী লাম্মীশিং লোংঙ্পনা উপতুনা ফাবগুম ফাখি। মশীং থরদমক নাম্থাক্তুনা লৈৎথোকপা ঙমহৌই। থূংকী য়ুম্বীশিং শোকখি।

মুমীৎ অসিগী অয়ুক থেঙলপনা মুংশা তরং তয়ং থোকলকই। নেং থংহাং হাংখিবনি। নীংতম চাংগী গুরুংদা অহীং নোংশোইবা ফমতুনা লাম্থোঙ শীল্লি অমুদোননা রেয়ারলেস মেচিন শেন্নরিবা পাথং অতুনা নাকনদা লম্বেলগী মেপ কয় য়েংলিবা অমুদোনদা পাউ পীরকপনি—

—পাবুং, মায়কৈ অহুমক্কী পাউ ফংদরে। ফাওনবা ঙমগ্রে।

—করিগীনো যন্ত্র বেরা তৌখ্রবরা?

—বেরা তৌবা মান্দে তৌরবম অমা মঙাই। মায়কৈ অহুমমক্কীদি তৌরোই। কায়খিবা থুগায়খিবা ওইরিব্রা

—করিগী কনানা?

— মলেছনা

—হু! করি য়ানোনে!

মতাং অসিদা লাম্মী পাথঙ অমা চেনশিল্লকুনা পাবুঙ মায়চৌনা থারকই হায়দুনা নীংতম কৌই হায়বা পাথং অমা লাকই পাবুংগা উয়াগে হায় পুশিনজরকদরা হায়রনা হংলে! য়া ঙাংদে অমুদোন চেম্থোকই। মুঙগী থোঙজাও মনাক্তা আঙৌবা ফিজোনদা নীংতম

লেপ্লুনা লৈরম্মে। অমুদোনবু উবমক্তা খুৎকী মখুরমদ লুংকহনা খুকল্মী। অমুদোননা হংশিনা কোনখংলগ মহুংদা পুশিল্লি

অমুদোন—নঙগী ইমাগা বাজগী লমন খুম্বা চঙসল্লেদনা নীংতম।

নীংতম – ইমা লৈবাক্কী খোগল যংবা লাকচরবনি পাবুঙ।

অমুদোন ফাঙংনা হুংডাই. হুংডাইবা ফাওই লোয়নবদা অপেনবা ফাওই। সাল্লোংলা হোংগী রাফম ভাইগাক কাউথাক্লগা রাইহ ঙলী মরীদং মক লাম্বব মচনলাদগী ফাংদোক্কে তৌনকপদা নীংতমনা খজিক ভঙান চেকশিল্লগ হায়রক: -

নীংতম—পাবুঙ, মহুদগী হেল্লা থুজিনগদবা রাফম অনগীনি পাবুঙ মায়চৌনা থাবিরিক্লিবসি। লাল্লোংগী রাফম্নি।

অমুদোন হায়যু।

মায়কৈ অহুমকী মীওই কোহাংলন্দুনা কাখিবগী রা তম্মগা লাম্বনশিং কাপথায়হুনা থুগায়খিবগী পাউ লোইনা শম্না তম্মুরবা মতুংদা নীংতমনা হায়রকই

নীংতম—পাবুঙ অক্লপা অমন নীংতম ময়ায় লাম্বন অসি যেক্লবন মফম থঙগ্রে। হৌজিক হৌজিকমক মায়কৈ অনীদগী লাম্মী মপৈ অনী এখোয়না লৈরিবা শুরুং অসি তম্মকখ্রবনি। অরোনবা লাল্লোংগী মঙদা সান্দাবা লাকনি। হৌজিক হুমীৎ য়ুংবগী স্বায়দ দ য়োরক্লবা য়াহ। মখম হোংহৌদবা য়াক্রে। অরাংলমকোমগী লম্বেলদা, কাংপোকপীগী চৌংয়াং অমদা কেম্প অসি হোংনবা তৌরসি হায়দনা পাবুঙ খুরামচানা তাকপিরকই। পাবুঙগা নক্লা পাখং থরগা হৌজিকমক খোঙশানবিরে। কেম্প অসিবুনা ঐখোয়না শেমহুনা খোমজিনজহৌরগে।

অমুদোন – ইপাগী নীংতম, চেনবগী থবকসিমা ইপা তৌরোই

নীংতম ও! চেনবগী রাফম নত্তে পাবুঙ, য়েক্লবনা থঙগ্রবা মফম অসি থাংদোক্লুনা হেল্লা ফগদোবা মফম অমদা খোঙফম শেম্মুস হায়বগী বানি।

অমুদোন মহু কাম্নদে। মখোংনা মং খিবা লাক্লবা মফে ছগী লাম্নী পূম্নমক লোইশিল্লম্মসি। কাপংাম্নবসি।

নীংতম — মহুমা ওইবা য়াবনি। পাবুঙ, ঐখোয়না হায়জবিবসি লাম্না লৌবিগনু। শিবদি লায় য়েক্লব লাম্বা ওন্নবা ফিংবা অসি লুন। লৈরি। ইমা লৈবাকীদমক হিংদবা য়াদবনি। পাবুঙদি হিংবিখিবা ভাবনি। পাবুং অতৌদি !

নীংতমগী য়া তাবদা অমুদোন ওাইহাক খর্ল্ল। লাংলিবা লৈতৈ লৈমগী মৃত্তি অদোমদা মুম্না য়েংহুনা লৈ। তপ্না হংলকই—কাংপোকপীগী করম্বা মফমদনো ?

নীংতম— লোক অসিগী নরীন্দা অম্নুন হাইগৎপিবো। পুং অমমুক চৎলগা ঐখোয়গী পাখং লৈরম্মনি। মখোয়না লম্বী চিংলনি। উ যানবা চাংমী পাখং শাহুনা লৈরম্মনি চেকশিন্না চৎপিযু য়েক্লবগী মীনা চাংনুং মান্নুং উমং য়ামং পূম্নক থল্লবনি মফম অসিসু চাউনা কোয়শিনবা হৌখ্রবনি। মফম অহু য়োৌবদা পুং তককমুক চঙগনি। অনৌবা মযম অহুদা পাবুঙ ায়চৌগা অওম্বা মীয়ায় অমগা লৈবিবম্মনি

অমুদোন কন্নানিনা অওম্বহুদি

নীংতম - কোনুংগী অওম্বনি হায়। খুৎক না ওইরবনি হায়বকই। মফমদা য়ারা কুপ্না তৌবিরো। তৌজিন্নীদি থাম্বা চুম্মাবাই। ইপন ক্লাক্লে কাংপোকপীদা লৈবিরম্মান।

থীম্বরনদারে পোং পূম্নক তাকুনা নীংতমদা শান্নবম্মগা পায়গদবা খুৎলাই পাম্নবগা পাখং অনীগা খোঙনাল্লে খন্না চৎলগা খুরুমললমগে হায়না য়েংখৎখিবদা মুংলিবা কীবান অহু নোং মুংশিল্লা চংখৈরোমদা ভাগথহুনা লৈবা উরে। চেনখংলি চৈং াক অহু ইনখংহুনা চুম্না যুংখৎলগা শাংনা খুরুমলম্মী। মৈংলু অনীদ॥ পিগী ঈশ্বিক অনীমন্ন দং শিম্বরকখি। নংবদ থৌবগী পিরাংনি।

পুং অমা ফানীংচিং চৎলকপগী মতাংদ্দা য়ায়া হৌবা চাউনা পোকখায়বগী মখোল ভারকই। চৎলিবা অহুম ভক্লা চপ লেপ্পি। মখোয়না থাদোকলকপা মখোয়গী শুরুং অদোমদ অথাবা মৈথুগী চাউরবা মতুম অমা পাইথৎলকপা উই। অমুদোনমা পাখং অনাহুদা চেন্দুনা কবিনো খওলুচো হায়দনা থাখি। অশম্বা অওবা লোক অমা লাল্লগা হাইগর্থিগদবা চীংয়াও অন্দা কাথৎলগা অশেংবা মওং অমা খওদোক্লবা থোৗদা ফংলবা নহা অনীতু লোক কুমতুনা লাল্লগা অগুকপা উকোন্দা লৈপিনখি। অমুদোনা উখোঙ অমদা শেশিন্দুনা ফম্মগ ভাইহাক পোত্থাগে থৌবাংই। ফমংরগা হুকচাংগা মরী লৈনবা গুলী অমা য়েংনবা লৌথোবংদা মঙ ইরি পাখং অনীতুনা চপ মায়না অমুক্তংদা হৌনা লাউরকং ভারকই ইমানা য়াইফবে। খুংনা মায়পাক্লে।

মশা শঙনা নোক্লা নোক্লা থরাব কংলমদাইদা লাউনবা খুংকী খোল্লাউনি। নাকন্দগী খুংলাই শংলগা ফুক হৌগংকে অতুগা লুমতুনা চেনশিনগে ভৌবনি নংহৌদ য়েক্লবা লাম্মীগী ফীজোল শেংপা নহা অমনা নোংমৈ মচা অমা শীংতুনা লেপ্লগা হায়বকই—লেঙগম্মু অহল। নখুং থাংগংলু।

অমুদোন লকক ভৌনা ভাইহাক লেঙদনা লৈ। নাকন য়েংলোন মায়রোম পীংচীনা লৈতুনা য়েংলুই। লাম্মী অতুনা হায়রকই--

- কাম্নরো অহল পুমকোই কোয়শিল্লবনি। নখুং থাঙ্গংলু লেঙদনা ফম্মু অতুম।

অমুদোন লেঙদবম্মু ভৌদে ফংতুনা লৈবম্মু ভৌদে। মোকফেং ভৌরগা ওয়া হৌগংলকই। লাম্মীনা কম্না হায়রকই -

—খোঙফম অমত্তং লেঙবদা কাপ্পগনি। লেঙগম্মু।

- ইরৈবাক অসিগী নত্তবা পাখং। নখোয়া এগী য়েক্লবা নাত্তে নঙগী লম্বেনদা অতম চংচখো ইমাংদা লেপ্পগম্মু। নখোয়গী য়েক্লবম্মু

নত্তে ঐ!

– নথুং থাঙ্গৎলু।

–থুং নাগসিদদনি ঐগী অসি থাঙ্গৎলুদনা করি তৌননি। নঙ চৎখিবা ফগনি অতত্তাই থেংনবদা মবুগা লৈহুন্নীংদে অমুকম্ হায়রিবসিনি। নংথোয়বু য়েক্নবনি হায়না লৌদে। ইপাইচা মক্লপময়পাংনি হায়না লৌই।

—নঙ কনানো অহল?

– নথক্কী অহলদা নঙ-মা হায়বা চংনদে।

—লানফা অমদা করি ব্যবস্থাব তৌবা ঐখোয় মুম্না খঙই।

—হৌভিকপু নহা নংনা ঐবু ফাবে হ য়ন লৌরিববো। কায়দে ঐখোযগী থৌদাংদা অপনবা পীদবা চুম্মী।

—কনানো হায়বদি খঙনীংই. মিং —?

নমাওদা লেবিবা এ ঐনি চিংনা করি কায়গনি।

খদিংমক্তা হংবা নত্তে। হংনবা ভাঙ্গায় লৌদে, ত ক্রুবম্ পীদে। তম্মক্তে।

– ঐঙোন্দদি করিগী হংলি? লৌরি-পীবিবনা করিগী?

চিংনবা লবগী। খঙনীংবগী। অংানবা অমা লেবগী।

কনা মাল্লি?

শেংনা হায়য়ু অহল, নঙ অমুদোন হায়বা অহল অহুরা?

- চঙনা নক্রগা শিনা ফাবদা কংগদবা শেনফম অহুগী ওইবমা য়াই। ঐবু যাবা অহুগা হকচাং অসি ফংবা ওইথোক্লাই পাথং ঐ চংকে।

অহলবু অমুদোন শোয়ক্লেকো?

অমুদোনদি ওইদবা ভাংদে, অওইবা তৌই।

অহলবু অমুদোননি হায়না লৌজরে।

—করি বাখল লৈবগী?

—খঙবা অমদী··· । চৎপিখ্রো ।

লাম্মী নহা অহ্ নখা ভাবকখিদে । শীংলম্বা নোংমৈ তপ্না, লোই-রোই লুকথৱগা নাকন অমাৱামদা লহুনা চৎপা হৌই । অমুদোন খুদক্তা নোংমৈ শংকে তৌবনি । খংলেপ লেপ্পি । শংত্রিক য়েংলগা হায়বকই - ঙাইখো পাখং । লানমী অহ্ লেপ্পী, খজিক লৈশিল্লকই তশেংনা ওনশিল্লকপদি তৌদে । য়াম্ন করিস্নু ঙাংলক্তে । নোংমৈ চেক-শিন্না শেম্রে । অমুদোনম্ন খোঙকম লেঙবা নত্তে । হৎলকখি—

- পাখং নঙ কনানো খঙনীংই ।

— ঐ থবক্তগী পোখাৱবা মেজর প্রিতমগী মচানি । বাবানা হায়বকপা রাফম অমা লৈ ।

— ইচা অমগী মন্নপ ।

—খুৎকী য়েক্লবা, বৃটিশকী লানমী ।

—নমা লৈবাকপু মীখুত্তা -

মথৌ তৌরিবা লানমী অমস্নুনি ।

হায়রম্মগা তহা তহা চৎখি অমুদোননা কল্লপ হায়হৌই- -

"নম লৈবাকী থৌদাং পাঙবা চুম্মী খল্লকপা মতাংদা নখোয়গীদমক থোং লাওনা হাংহুনা লৈবি পাংং ' লানমী পাখং অহ্ অহুম উথি-খিদবে ঙাইহাক লেপ্তুনা য়েংলল্লগা লাপ্পন। নোংমৈ মখোল তারক-পদগী অমুদোন মানা চৎকদবা লম্বেন্দা তহা-তহা চৎলকই । লোক্কী মরান্দা চৎপনি । খবা চৎলকপগী অহুদা ঈচেল ময়াগী পাকল্লপ তৌবা মফম অমদা মী অহুমথক পুক্রে পুক্রে ঙাহুনা লৈবা উরকই । হোৎচিল্লুনা য়েংলুই । খুৎকী পাখং ঙাক্কি । মশাদা নোংমৈগী অয়দি খুংলাই অতৈগী কবিগুম্বা দাককম অমত্তা লৈতে খুদক্তা খঙই মীখুৎ চঙ্গিঙৈদা অদোন চৎচখিবনি । শান্নবা হৈবী মুপামচানা নাংখিনা হিপ-হল্লম্বা লাইখীঙম ঙাহুনা লৈ । লোংনা লোনা হিম্নগা মখুৎ অনী থবাক

মপাদা লোঞ্ছনা লৈ। মমায়দু ইনৌ ইনৌ নৌই। খুদিংমক্কী মচান্দা লাউথিবা ম্যাগ্লি—ইমানা য়াইফরে!

নোং কুইনা তাখিবনা অকংবা উনা-উশা লৈবা উদে। মৈ থা-দোক্লম্বগী রাথল থাদোক্লগা অনকপদা লৈবা কুহুক তৌবা মফম অমদা তপ্পা চিংশিন্দুনা পুল্লপ থম্বিরগা উশা-রাশানা খরগীমথৈ কুপ্লগা থম্লমগে হায়না খন্দুনা চিংশিনবা হৌই। ইকোন কোনবগী হুকচাং অহু থাজংলুবা মতাংদা খঙহৌদনা পঙহৌদি হৌদবা পোকথায়বগী মখোল অমা তারকই। হুকচাং অহুগী মখাদা বোম মগা অমা ফুমলমমাল্লে। মরৌ লৈবা মাঁখুংনি।

কুননীথোইশুবা

থরাম থাগী নিন্দুংশি। চঁংগী যুম অমগী কাংথক মচা অংদা মুংদাম হিপতুনা লে মমায় মমীৎ অমদি মশা অপুম্বা বোম মচেংনা ংনা মফুং-মফুং পানবদগী যুম অসগী নুপা অতুনা উ য়ানবা চংশদা থংনবক্তুন লায়েংলিবনি মচঙ লৈবগী হিংবমি হাযদনা নুপা অতুনা কুম্বা তম্বনি। মৈশাগী চৈনাখোল থবা কোকলকপা মতমনি। চৌগৎ ংথৎপা থরা-থবা শম্মাক্ল। উমংদা তিদাক্কী টক্ক অমা কুকপা চংলুবী পীমচাহু চঙলকপদা অমুংদাননা হংলুই -

ইবেম্মা করনো ময়াম পুং যৈ থোক্তুনা লাঙনবিবসে? করি ত্তোবা য়াওবে?

হপা, ঙসি খুল পুম্মক হরাওনবে। শা হাংলে যু থক্লবে জগোই শানরে। ঐস্থ য়াওবা চংলন ইপা নঙস্থ যু থক্কেবা?

ইপাদি হৈত্তে। শাস্থ চাদে।

তোয়ান ইপা নঙদি মী মান্দনে। থকস্থ থাক্কে চাস্থ চাদে, চঁংমী এখোযনা থোংবগীর চ দবা থক্কনসে?

নত্তে! অহুম্মা থনবা হাযবা হৌনাদ। মৈতৈ ময়াং চীংমী শাঙন হ যবগী থেন্নব শনা হৌনদে। চাদনগী থকতনগী তৌবনি। চৈন-দবা পোৎ চাদবা যাওনরিবসিদি। নঙগী নুপাহু ঙাপ্রম চাবা চৈনদে হাযবহুদি।

-হোয়। মাগী মপাহুদি লাইয়েনদি চাদে শাংমদি চায।

—অছুনি। অভ মথাম হয়াওন্বিবনা করিগী চৌজিকপ্ হুয়াওবা মতম্নে ? নত্তেনে ?

—নত্তে। ঙসিদি ইপা ঐখোয়গী খুল অসিদা নত্তে খুল লোইনবক, চীংগী খুল পুম্মক হয়াওনরিগনি।

—করিগী ?

– ঙরাং-নত্তাদগী মতম কুইনা সরকারগী ওইকুরবা চীং পুম্মক অসি ঐখোয়গী মহারাজগী ওইরে হায়যে। সরকারদি তাম্ফোন্দ্র চংখ্রগনি হায়রে। চীং ঐখোয়গী ওইরে

—হা !

অমুদোন ফক চৌগৎলি ঙকপা নত্তে হয়াওবনি। হবাওবা নত্তে

– থাজদবনি মুপীমচানা পাখংনা হায়রকই –

—চৌগৎকন্নান ইপ, ইপাখান ঐগী মুপানা চৌগৎহনগন্নু হায়রম্বতুদি।

– ঐ ফরে ইবেম্মা। সরকার তাম্মোকথার হায়বসি নঙোন্দা কনানা হায ?

—ঐগী মুপাগী মপানা হায়রম্বনি।

– মাদি করম্ন খঙবনো ? কনানা হায়বনো ?

—মাদি সরকার অমগী মুমদা থবক তৌবনি।

—করি থবক ?

—আইস,। হায়গদবা ইকায়দা !

—থঙে। ঐ চৎলগে। নঙ চৈগ্ন অমত্তা শেম্মকউ ইবেম্মা

—আইস,। নথুং নাম্মু লৈত্তে, নখোঙ নামা অসিমম্নু লৈবাক্তা থাবা য়াদব্রি, করম্না চৎকনি !

—ইপা করিম্নু তৌদরে, ফরে চৎলগে।

—চীংগী লম্বীনি নখোঙনা চৎকদবনি। সেকমাই য়ৌরবদি মনগাডী ফংবম্নু য়াই। অছুগা মুংদাং ওইবদা করম্না চৎকনি ! মীগ্ন অমত্তা লৈত্তে, লোইনা হয়াওবা য়াওনব্রি।

– ঐম্নু হয়াওবা চৎলিবান। য়াম্ন খুঙাইরে মখোয়না ঐবু তাছুনা

লৈরম্বদগী পুশিনজুনা লায়কল্লনিরম্ব।

—চৌজিকম্মু লায়েংবা লোইদরিনে ইপা। নশা অত্তু য়াম্না ফত্তরিনে। চংপা ঙম্মোইনে! মমায়স্তু মফুং-মফুং।

—করে। হেল্লস্তু ঙরগনি। ইপাগীদি য়াওরকপা পোং মুংস্তু লোইনা মৈনা চাকহৌরে হায়রে নখোয়দা পীনবা কল্লিস্তু লৈত্তরে। সে খ্ৰোপ অসি নঙ শিহৌরো।

—আঃস! করি অরাবদা কনববু মমল লৌগদরনে। পীগনো। চংপস্ম চংখিগনে; ঙুমীং থল্লনিগা হিদাক ত্তৌখিসি। ফরগা চংলো। ঐগী মুপাস্তু লাকখিসনো।

—ঐ ঙাহয়ারাঙ ইবেম্মা ইপা চংনীংলে। ইপা চংপা চুম্মে নঙ মুংঙাইতবা তৌরগম্মু ইবেম্মা। ইপা চংকে।

—ইপাগী নয়ুমদি কদায়দনো? তমদ যিমফালদা নত্রা?

—ইপাগীদি য়ুমগী য়ুম ঙাক্তনি চীংস্তু তমস্ম অশেংবা য়ুমদি চীংনা হাল্লা ওইরে চীংনা হাল্লা নীংতম্রে নীংতম্বা চীং ইপাগী য়ুমনি। তমস্মু ইপাগী য়ুম ওইরগান।

—করি হায়বনো এদি খঙদেনে ইপা। হৌগংকন্নু চংখিগম্মুনে। অমম্বা মল্লক অসিদা কল্লম্ম চংকনি।

—চিংনগম্মু ইবেম্ম, ঙানবা হৌরবনি, পূমঙান ঙাল্লগনি ইপা চংলে।

—অমম্বগা অঙানবগা ওল্লরবা মাল্লেনে মৈতৈ ইপা।

ঙসি অসি থল্লানগী কুনমাপননি পানবা ঈয়াইনি। নিঙ্গুংগী অয়োইবা থাজনা মাগী থানল খঙ্কিক অত্তু ঙঙা-ঙঙা ইরেন ঙাশন-জরগা চৈংথৈদা শিল্লরম্মী। চীংথৈ লৈমনা মঙাল পূল্লমক মাগী ফীজুপত্তা ঙাংথক নাইনা শম্মোকচৈ। নোংপোক পূল্লমক পূমলং লাংজকই। ইুাংঙনগী লেমহৌবা নোংহৌ মথাক শমনা ঙক্ক-ঙক্ক শেংলোক্কবা থবাংগী

মৈতোন আসদা মেত্রবাক পূমনং শ'না ঙাম্লকই। লেচিন খাংদবা, খজিক খাংলমম্ল লৈতেং ওইনবা অয়ুক অমনি।

ঙসিগী অয়ুক অসিগী পুং তারেংকা মিনিট নিফু চপ চাবদা পাখংবা য়েকপা মণিপুরগী ফিরাল কাংদ-কাংদ চিংখৎলগনি অদুগা যুনিয়ন জেকনা তপ্না তপ্না চিংখরগনি চেখোক অমত্তদা। অহৌংদগী হোনা ক'লাগী পাক্লবা মফমদা মীযাম তিনবা হৌখ্রবনি। হৌখিবা অহৌং নোংম্লাই চপ চাবা পুং তরানীথোই ভাবদ বোর সাহেপন সলাম অমগা লোয়না লৈবাক অসি শ্রীযুৎ মহারাজদ শন্নখ্রবনি। অমম্বা অচৌং অসিদা কংলা, কোন্থং অমদি লোয়শঙ পুম্নমক মৈঙাল চরেং পরেংন পুমনং লংখ্রবনি। নুপী কেথেলগী উচান এবাগী মহুৎ পেন্টামেরকী মৈজাওন শিনখ্রবনি। লৈকাই ক্লযাদা মেজাও থ নত্তনা থাবল চোংনাশননি। অয়ুক চীংখ মঙালদা তু খরা খরা ইরকপগী অদদা লেপ্লখিবদা ঙাইরি। খরা খরা লাপথোকাখবদা লেকই গী চৌদারশিংগী যুম যুমদা মৈজাও থাদুনা অচৌং নোংশোইবা লিকোল শাম্নবম্ল যাওখ্রবনি। চাকচা-হৈজানবগী থৌরম মযাম তামম্ন চাংথোক্লগদৌরি ঙসি অসিগী নুংথিনদা মুক্লা কাংজৈ মফম মফম খুদিংদা শানগদৌরি।

অনকপা অমদি অরাপ্পদা লৈবা কৈশুমশঙশিংদগী মীয়াং মীপুনগা অপাননা মরী লৈনবা অনদি পেং চোইবগী থম্বা খরা নত্তনা কাদাক পুম্নমক থাদাক্লে থাদাকতব' কাঙবুদা শাথীবা পুন্সিচল্লা মিযাদ ভারবা কাঙবু ফাওবদ মিন্নাদকী মতম ফনা শাংন শাংন ককথখি। বৃটিশকী মায়কৈদগী মতম খর মহারাজগী মাগকৈদগী খর অমা ফাদোক খুদিং-মক্কী ককথবনি। লালহৌবনি হায়বম্বা কাঙবুদি মওং কযামুক্তা ইকায খুম্না খুম্ননা থাদোরকই। মখোয় থোরকপদা য়েংলোম মায়রোমদা লেপ্লম্বা মীহমনা খুদিংকক্লা লৈ পরেং ম্লকখি। খুরামচা মায়চৌনা

হায়থদগী কীরান ঁতিংখৎপা কুইরোগী লম্পাক্তা অত্তাংবা কপাংজীমা কিলা থাবা মাংকৈ জম: কেম্মী। মসিদা খংকা মরী লৈমবা মহাশিং, পাখংশিং মীয়াই অমদি অহলশিং কমংহল্লি। পুং তরেৎ তারকপগা লোয়নমা পূন্নমক কমথ্রে। কমকম অসিগী য়েংলোম থংবা মকোক লোমদা মী তারেংকী কমকম থাকুবা থম্মী। মী চিনবসিদা হাংবা থম্বা চুমদে কম্ব কজদে হায়না অনৌবা সোতো সাহেপনা হায়কবদা খুরামচা মায়চৌনা খুমলকই—

—সমথা ইবুংঙো, মকম অসি হাংবা নত্তে। মকম অসিদা ঙসি ইথন থল্লিবদি অসিনি।

—ইপল মায়চৌখোয়গী রাখল্লোন অসি নচা খোয়দি য়ৌবা ঙম্বাত্তে। কনি ইপল লেঙশিনবিরো শ্রীযুৎকা বোর সাহেপকা লেঙথোরক্লে।

থৌনি থোরম লোইরবা মতুংদা মহারাজগা মহারানীগা লেঙথোরকই। মতাং অসিদা মায়কৈ মচা অমদগী লাউরকখি—

ইমা লৈবাক্লা—য়াইফরে।

ইমা লৈবাক্লা—মায়পাক্লে।

ইমা লৈবাক—নীংতম্লে।

মুংশিং ফাওবা লৌৎশিনবা রারগদবা মাল্লবা তিল্লিবা মীয়াম্না মায়কৈ অদোমদা পূন্না য়েংশিল্লি। বোর সাহেপন্ন য়েংশিল্লি অহুগা মুংকাওমমা মোমোম তৌই। মাওগী পবেংদা য়েংলোমদগী হৌরগা হাঙনা থল্লিবা মকশিং অহুনা ওইহাক য়েংলুহগা নাকনগী মত্তাই অমদা কল্লিবা খুরালচা মায়চৌদা য়েংলকই। মীংলুগী ঈরীক থজিক নপথোক্লগা মাঙচৌমা লাপ্লপদগী মোমোম তৌরুই। সাহেপন্ন তৌরকই।

অযুকী পুং তরেৎকা মিনিট নীকু চপ চানা তারকপদা রাংলবা চৈথোক্কী পাক্লবা কীরাল অনী কাইদ কাইদ লেংলকই। অমনা লোইরোই হাইগৎলকই অমনা লোইরোইনা কুমথরকই। অকপ্বা অমত্তা য়াওক্রবা মীয়াম্না

অতংপা লৈত্তনা থুবাক থুবক্কই। শ্রীগোবিন্দগী মন্দিরদা রাংবা লৈরিবা শগীকনা কান্ন-কান্ননা থাংলকই—কাং—কাং—কাং হাইগৎলকপা ফীরা-লগা চিংথরকপগা অ... চা.. ..রহোন্নরকপগী মতমদা তোপ কাপকলই — দ্রং - দ্রং -দ্রং তরাগানীপাল্লক বাপ্পান। মরক্তা লাউরকই—

হমা লৈবাক্ত যাইফরে

হন্দাক্তি থরদগী ওইরম্বা খোঞ্জেল, শাফা ওইববা ময়ামগী ওইথরে, লৈবাক হপা থুমলকপা তাই — যাইফরে! কংলা অপুম্বা নীকপা যাবা খোল্লাউ মাল্লি। কংলা পুংযাই শং নীক্লমংদব মাল্লি। নোংদো-নথক্তা লৈবাক নিংথৌগী ফারাল পাইনীংবা মওংদা পাইবি। থরানগী লেচীন নোংকাই থাংদবা অগুক্কি।

ফীরালনা চৈথোকী তোলেনদা কক হেক লেপ্পকপগী অহুদা মৈতৈরংগী অঙোবা ফীজোলতনা লৈতংবা লৈভাং শংবা কোকয়েৎ অমা নাকোং অনী থুম্না য়েৎপা চহী হুমফুতরা কল্লপ লেরবা অহল অসিগী অহলগী মতম ওইরবা মীৎলু অনীদগী পিরাংতগী ঈচেল মচা অনীথক শিংরকখি। চৈগুগী মখোও অমগা মখোও অহুমগী অহল অসিনা লোপ্লবা মকম অসি চহী যাংথৈমঙা-তরুকী মমাঙদা কাপথায়খ্রবা কংলা হোজঙগী নোংশা অনীগী মখুংদা য়েৎথংবদা লেরম্বা মকম অহুমক্তগনি। মকম অহুগী লেমায়দগী উফুল লাইবক্পা নম্মী অহুগা শাংনা ভিংথোক্তনা লাপ্প থুরম্মী। মথুং নাম্মথক্তনা শৌহুনা রানা হৌগৎলকপগী অহুদা সনাথাঙ পুরথ অভম্ব নহ অমনা চেনশিন্নক্তনা তেংবাংলে। নহা অহুনা মফি খজিক কহোকপরগা হায়রকই—

নহ। ইপম, অসিদি লাইশঙ মপা নত্তেনে। লাইদি অসোয়বা লেবনি ওয়রে। মীং না।

অহলনা লামহুনা চৈগু লৌখংল। শৌহুন লেপখৎলগা যোমোন তৌহুনা হায়রকই—

- ইপু করিস্সু তৌদে। মপা চপ চানা খুৎমজবনি। লৈ খজিক্কুং পুক্তরক্লি ফাবাল মখোঙ অসিদা অমুক্তা কৎচগে, চওবা য়াগনিনা?

নহা অতুনা মমুংলোঙদা হাইবপ য়েংলুবগা হায়বকই

— হৌজিমকতি শ্রীযুৎ লৈবিবি সাহেপ অচৌ অশাং য়াওরি, য়াম্না চিল্লি য়াগদবা মান্দে। চঙবদি কবিগী য়াদনি। লেঙশিন্নুনা মমাম লেংব্রিবা নকমসিদা লৈবিকখো হোরেল মী কোমলক্সবা মতাংদা লেঙশিল্লগা কৎপিনাংবা পুন্নমক ক পিয়ু। ফাব নদবু লাইরেম্বা লাইরেম্বাস্সু নত্তুনা হৈ-লৈ কৎনববনে ইপু?

অহল্না খুদক্তা হায়বকই

- ইপুগীদি অসিনা লাইনীংনি। ইপুগী লাইরেম্মানি ইপুদি চত্তবা য়ঁদবা মফম অমদা অমুক হৈকং-লৈফৎ তম্বা চংলনি। য়ারবদি অমুক্তুং কৎলমনীংইদা

অঙদি হাইবিখো ইপু ঐ খোবম আসি শানবা য়াওবিরিবা অহল ইয়ুংগী মায়চৌদা অমুক্ত হজকখগে ঙাইহাকং ঙাইবিরম্মো। ইবু কনানি, কবি মি কোইযুন্নাকনা করিনি হায়জোগে?

—এ, ইপুদি কবি-কনা লৈতে। নীংতম চৌংগী অহল অমনি হায়দনা হায়রিবিয়ু

— নীংতম চৌং, ফনি ঙাইবিবস্সু ঐ হংজকখিগে।

অঙম্বা নহা শত্রু তপ্পা তপ্পা মওং মতা য়েং য়েংহুনা চঙখি থৌরমনা মথং নাংং লৈবনা মায়চৌগা থেংনহুনা হংলুবা ঙমদে। অমুক অনীবক চঙহুনা হোশনরুবনি। হায়নন তাঙ্গা ফংদে। ফনা কুইনা অমুক নীংশিংলুদবে। অনৌ অনৌবা কুংম্ম নচা মগীদা খজিক ঙকচা-নরুরিদৈদা ইনিংথৌগা লোয়ননা মায়চৌদ কোম্নুংগী দরবাববোমদা চংথিবস্মে হায়বা ঙমদবে। কাইনথংদা চাক চাবা হন্নখিরমদাইদা মায়চৌদা পাউ তম্বা ঙইনা হায়কই অহানবদা তাবগী ঙইনা তারম্বনা

নীংঙ্গমচৌংগী য়াকম তাবদা খুবামচা খায় লাউবগুম তৌরকই। করিগুম্বা খরা হায়গে হংগে তৌরম্বদগী দরবার মেম্বর অমগী শগোল তোংলগা কংলাগী হোংজঙ তাম্না থৌরকই। ওয়ুরা অঙম্বা নত্তা অহম্মু তহা-তহা ইন্নরকই।

অহল অচু লৈরম্দরে নোংশা লৈমফমদা ঙাংশং ঙাংবা লৈ থবা তাহুনা লৈরম্মে। ফীবান মখোঙদা চঙশিন্দুনা য়েংলুই। অনৌবা কবিম্মু থেংনদে। হান্নগী হৈরক তাঙ্গ, পানা তাঙ্গ, ঘোং চফু লফু-চু অতুদমক উই। মেক্রুককী মৈখু লোইখিবা কুইবম্মে য়েংলোমদ থম্মিবা মৈ অহুদি চাকলম্লি লৈখবম্বা য়াওবম্বনা খজিক পাকথবম্মবা মৈবাহু লৈখতুনা চাউইহল্লম্মগা কনাদগ্র করিম্মু হায়বম্বা তৌদনা শগোল কন্না থৌরকই। ময়াম শরপ য়েংহৌই খুহুংনা নাকুম লাম্বা শগোলগী মখোঙ মবীদগী থাগংলকপা উফুল-লেচালনা লমখৈ লৈতবা অহাংবা মফমদু পন্দোন অমীগী মরক্তা পবেং শানা লোইয়োইনা থমহৌই। থরানগী হুমিং চপ যুংলকপা হুংশিং-হুংজা চপ লেপখিবা মতাংদ। নোংথক্কগী য়েংঙ্গকপদদি শঙায়শেন পাইবা মান্নমগনি নক্রগনা থরান-শিংচাক লৈপানবা থোকপা মান্নমগনি।

লম্বেলম্ম, লাথুংম্মু, লোয়নবদা, চংলিবা মাওইম্মু অহুমরু পুন্না মশক খঙবা মায়চৌনি। খ্বায়দগী শম্বা অচুগা খ্বায়দগী লুবা লম্বেল অমগী মায়কৈদা অপাননা পাইশিল্লকই। চপ যুংনা ঙম্মবা চৌংগী চাংখোঙদা মশক খঙবা শগোল অঙৌবহু লৈবা উই। শোয়দ্রে লেপ্লহুনা চোংথহুনা শগোল পুনশিল্লম্বা য়ৌনা নীংশিংলমদনা উরিদা য়ান্দুনা কাখৎলি। হৌনা কৌরুই—মরুপ অমুদোন।

খোঙ্গেল অসিদা চিল্লবা তানকমগী লুরবা মঙাংদা শেমহুনা থমখিবা অচৌবা উবি মতোন অমা কন্না লাম্মিবা অমুদোননা হৈমাং দাম্বী মচা অমগী মরাদা তাপ য়াল্লগ থুমখি—

—থুরামচা ঈমানা য়াইফরে।

মুংশা খুর চনীং ত্থানবা বন্না লাকুম্বিঙৈদা মাযচৌনা উন্নরাঙ উরি-ৱারীদা তাপ-তাপ য়ানথুনা শীংকংলকই। যাম্না শাংনা কাখং-লম্মে। কৈরিবা মফমদা লেঙদনা পোত্থানবা লাউরুবগা মায়চৌ তহা-তহা হাইগংনবা লাক্লে। অমুদোন ঙাইহাক ফমথুনা ঙাই। ঙাইহা-ক্কী মমুংদা মাযচৌ চংখংলকই। তেক উম্নবদা অনী শম্না খুরুম্লে। মায়চৌনা তেংবাংথুনা অনী কাখংমিন্নরকই। চিম্না লৈবা লম্বেলনি। লম্বী লৈঙবা লাম্বেলনি। পুং থরগী মতুংদা ফীরান যুংথুনা থম্মিবা মফম অতুগী মপা চপ চানা ফাওগংলকই। চৈথোককা লোযননা ফীরাল মপুম ওইনা পুল্লপ উরকপা মতাংদা অমুদোন তপ্ন লেপথংলকই। নাম্মগী ওইবা মথুংনা শৌরগা তিংখংলকপনি। কৈগু য়াওরক্রে। মুম্না ঙাইহাক য়েংথুনা লে লেঙদবা, হাইদ-হুমদবা মাল্লি। অশাব-হংম্মী। মীংলু অনীদগী শিন্নরকপা ঈচেলগী পোম্থোক্লবা খোঙ্জেল তৌনা তাবা যানা ঙাংহাক্নি পুমচীক চৌকখি। মকা লাম্নবা মাযথোঙ-দা মংক্কাওনবা মোমোন অমা ঙাম্ষোরকখি। কুইনা লৈখি। তপ্না পেম্না কৌবকখি- ই — মা।

পুম্নমক কাউথোক্লুনা ফীরালদা মুম্না য়েংথুনা লেপ্লিবা অমুদোনগী লেংবানদা তপা কোল্লগা চাউথোকপগী মোমোন অমগা লোয়ননা মাযচৌনা তপ্না কৌকই—

– মল্লপ।

—খুরামচা, ইমাগী পিরাং তৈথোক্লে।

—মচা পোকচবগী ম.চ চাক্লবে।

—লমন মরীক অমদি শিংনবা লাক্লে। অঙম্বা থবকতু লোইরে অদুগা-

অমুদোন তপ্না ফমথরকই কৈতোংদা শাংদোক্লপ ফমথৈ। মায-চৌম্নু চঙশিল্লক্লুনা ফম্মৈ। খুর শাংনা হোন্দোকপা মুম্না তাকরগা হায়রকই-

—শদো থোংঙরিনি মল্লপ?

—খুম্নামচা, থজিক মাবঙম তৌই।

—রাবনা চেপ তারক আসি যাংকলা রায় শাংত্রি মরূপ উক্রিডাই-
নি। চংকসি। চৌজিদি লেমাশাদিংনা চদি থরদি মুংঙাইনা গাইবী মরূপ কায়না পাথাকনসি। চৌজিদি যারে।

—কদাইদা?

- মরূপ শাম্বিবা মফম অমুক কোক্সংদস্থু যাও যুমদস্থু যাই। মহারাজদা লঙ্কলৈফম অঙচফি থঙলগনি। সাংগপশিংনা চংকম-
দাইদা মরূপপু অমুকা টে। ইই শাংবনি পৃম্বংকু খৌবাংনা চাই-
রমগনি। মন চাউনা পীনবী রাফম খম্বা চৌরবনা মক্তনি থঙত্রিবা।

—মনাদি মাযাৌ থু ইচংই ডৈন যংহাবে মংসংগী হেনবা অতৈ কৈরোই থংযদগী বাংলবা মনানি।

— করি। কনানা পীনা?

— তু কীরানসে। ইমানা পীনা।

—উম্।

— থূরামচা, ঐ বং অমা হায়জনগা খন্নদ, সিমদি ঐগী যেংহনা হাবিবা তাই। হায়জবা অমনি

—ত্তাস। হাংজবা যাথং চপ মারবনা শাক্তা থম্মবনি।

—তাবা নত্তে থাবস্থ শোংদন যাবিগদবনি

— তাকপিয়ু

— ঐ তৌজিক হী হুংফুকবা কোল্ল লেংহৌসদবা মতম যামদ্রে; অকলেম লেমদনস্থ কনানা থঙবা। ইমাগী অতৈগা মপু মাগী থৌরমবু কনানা থঙঙবা উম্বা। লেম্মস্থ তাবগদি ঐন পামজবা নীংজবা অমা লৈরে মসিমত্তংগা যংলবদি পূমাংলাই লোইরে। লেমহৌরিবা পুজি মতেক জাসিগী লমথুংদি

—মতু কংনবা লারবদ ঐগী অকস্বা নত্তে পাংলে মরূপ রাশক্রিবসিনি।

— মায়চৌগী হোয়দি মাত বংগী রাশক্লা চংব উমদবনি অমুকস্থু

য়াশক্লবদি লোইরে। হায়রবস্থু যারবনি। ঐবু মকম অসিদা ইদোম থম্বিরম্নগা খুরাম্চা লেপ্তবিখারা। ঐ ফিংলি, লৈচৌরি হায়বা কনা-দম্মু ভম্বিক্লরন্নু কায়দে। ঐগী মরমদা হংলকপা যাওরবস্থু তাক-পিরম্নু। লৈরম্মী মাথোদাং লোইরে হায়তুনা হংখরে হায়রবদমক্ষ ভম্বিয়ু ঐনা নীংজবিবসি হায়জরগে।

-ভানীংই তাবদি চুম্ম খল্লি। ঐন তেংবাংবগী য়াদি লৈত্রে খল্লি।
-মায়চৌগী মতোংদ খাদংমক্লা লৌদবা লেতে। লৌদবা য়াদবনি।
-তারসি পাম্মবচু। ঐস্থু অওম্বা পাংলগে লেপ্পবনি।
-ঐস্থু থাজরবান। মরূপকী মতেং ফংজগনি। ঐনা হৌজিক চপ খংনা পামজরিবসি মরূপ মতম খবগী মমাঙদা ঐনা কনাস্থু কনাস্থু লৈজখিদ্রবী অমখক ইৎম্নতনা পোৎলোইথি; চীং অমদা।
-খওলে মরূপ খজিক ওয়রিবা তংনা হচল অদুদি লাইংক ফবা ওইখ্রবীনি; পুম্নমক লৈখ্রবী অমা ওইখ্রবীনি। ইচনদি ইমাগী মমোমনি। লিংজেল পানবীনি।

-মকম অদুদা ঐ চৎলগে খুরামচা অহুরাইদা পোথারগা চিং-নবিগম্নু মরূপ অহুরাইদ খুল লে, এখোয়গী মী ভাকি। ঈংনা তপ্পা খুয়া তুম্বিংনা পোথাবা যাগানি। কুইগদংস্থু মাঙ্গ্রে; অয়োইবা য়াহিপ মকমদুদা তাম্লীংই। মরম থোইনা লৈবা নত্তে; নীংবা কায়বা নত্রগা থুংবগী য়াকমগা করিস্থু মরী লৈনবা নত্তে। চুম্না পাম্মকপগী য়াদনি। পামজবা হায়বচুনি পামজবদি পামজবনিদনা।
-য়াজরে অদুগা তৌবদি ঐখোয থিনগে। য়াম্না চাউনা, চাউ-খোকচনা, ময়াম মমাঙদা লেম্নতুনা দোলাইদা, শামুদা বকাই-বেঙ্গলগা লোয়ননা চৎনমবা ঐনা শীনগনি।

অসিয়াই মতাংদনি মরূপকী য়াশক নীংশিংজরগা মায়চৌগী মতেং লৌজগদৌরিবসে হাকম ওনীখজনি, নুপগী অমীখজা। অহানবা,

ঙসি অসিদগী হৌঠুনা ঐগী ময়মদা কার অমত্তা শন্দোকপিজবা; অনীগুবনা হৌজিক অসিদগী ইথম্মত্তা চৎচখিবদা থিংবজ্রবা। য়াম্না শম্বা লম্বেল লৈ।

— ঐস্নু থঙই অকনব পাখং অমন। চৎপদা হুমীৎ নঙানীগা চাকচমাঙ্ক অমা চঙ্গনি। মরূপনা ফীবম অসেদা চৎলবদি ভয়ানী কুননী চঙ্বগী য়া লৈ।

—থা অমম্ম চঙলসনু। মরূপ, ইশাগী চহী ভয়াহুমদোই ময়ীজগী চৎলক্লবা লম্বেল অমনি। চহী যাংখৈ হুম্না চৎচক্লবা লম্বেনবু ভয়ানী খা অমনা খোঙকম শোয়হনবা ঙমগনি খাজদে। ইশাবুম্ম কম্না থাজজরি। খুরামচা মায়চৌগী য়াশককুম ফেং হাইদনা লেপ্রি।

মক্ক থজিক লুকথহুনা মুম্না তাহুনা লৈরিবা খুরামচা মায়চৌনা তপ্না হাঙ্গিৎলক্কুন জহানবদা অমুদোনগী মমায়দ ঙাইহাক য়েংহুনা লৈ; মতুংদা চাংদোংগী চাংদোনদা, মচুগীস্ম অহুক্কা লুত্তোনদা অহাংবা নোংলমদা লেপ্না লৈতনা হুম্বিবা হুংশিৎকী শাফুহুদা নীংতম্না চৌংলাই মরৈ ভম্বগুম পাইরিবা ফীরানদা লোইবে ইনা য়েংখৎলবই। হুংশ শ্বর অমা শাংনা চনীং তানা হোন্দোকই। লৈথরক্লুনা অমুদোনদা অম্মক মুম্না য়েংলগা তপ্না মোমোন তৌরগা হায়বকই—

—হৌজিকম্ভ মরূপন মায় পাক্লে।

—হন্দকম্নকীসিদি লনাইগীনি; ইমানা য়োংহলং ফলাং য়াঙত্রবা মথুৎ অনী থাঙ্গংতুনা খুংলাম তোয়না কৌরবনি খুরামচা। ইমাগী ভম্বাক্তা পোথানীংলে মরূপ। রাবগুম তৌবে খুরামচা। ইমা নীংশিংলক্লে। অপোকপী ইমা উরক্লে।

বাইৈশিংসি চুম্বগী চীনবানদগী হায়রকপা নম্বে খুমাদগী ফুক্কুনা হায়রকপা ওইনা থ্বোই। মীৎলু অনীদা পিরাংশ্রী ঈচেল ইতৌরকই। মরুপমক্ক হাংবনা পাংবোম্ম চোংলহই য়েৎথংবা মমীৎ জনীঅক্কমলক্কং

ক্ষবঙ ক্ষয়ঙ কাপতুনা চোংলকখি। য়াকম অসি পুক্লিং চঙনা হয়াওনা থুরামচাদা তংলকখি। পিরোইননা তমলকখি মাযচৌগী মীৎলুস্থ পিরোইনখি। শিঙ্খয়বা পিরাগী ঈাচলদি নত্তে। কৈেংদবা কুইরবী অপোকপী মমাবু নৌচৌননা ফম্না হম্না নীংশিংকপ, লাপ্লপ্না থৌশাহুনা শাল্লজরিবা থোমজীংকিবা যম্লাউব মপীনা মঙক থাঙৎতুনা, মচাগী মায-কৈদা কেথক্লা যেংলগা হম্না ফম্না খোংতুনা কৌশিনজরকপগুম যমানা থৃংলাম তোঙ্গরকলে হায়না শংশং উরকপগুম হরাওজরকপা উরকপদা ইথঙ থঙচৌদনা মাযচৌগী থমাযদা তিং পাল্লকই। মসিনা মায়চৌগী মীৎলু নাপোম থুম্লবগী মরম ওইরম্বা যাই। মাযচৌদি অনকপা ভুংগীস্থ উগন থম্মগল্লি।

হুংৎ (ংথবক্তে ংক্লাপ ভং যংাকুংন ঘাংী য়াতাই তৌনরে। অমুদোনন পাযরকপ থাউদগী অগা অথক থরা লে থোঙ্গনা চামিম্লরে। চৎনবদা লেপ্লবে চৌংদোন আসদগী অমুদোননা মথা পাংনা হাইথখি-গদবনি থুরাম্লচানা মনীং পাংনা। ফাদ্দান মখোঙদ লেপতুনা মক্লাপ অনী চেৎনা কোম্লারে। মাগী নাগী লম্বেনদা মায় ওন্দুনা খোঙশাম্লরমদাইদা চেখোকতা পায়ম্লগা ংহাংরন ফাবানদা যেংখৎনিম্নৈ। ফারাল চেখোক মতোনগী মপা চপা চানা শঙায়শেল অরংবা অমা নোংলাওগুম পাইখিরম্বা যাই। মুংথিল পোবোপুদি শঙায়শেল উবা ফংনদে

এলাংবম দীনমনিগী লাইরিকশিং

রারীমচা — ১ | থক্লবী (১৯৭০) ২ | মোরাম্বী অঙাওবী (১৯৭৪)
৩ | তিংখংলৈ ('৭৭) ৪ | পিস্তোল অমা কুন্দাল্লৈ অমা ('৮১)
৫ | ইগৈস্নুনি তৌরাস্নুনি হুণ্ড হুণ্ড ('৮৩) ৬ | মন্ত্র জন্ত্র তন্ত্র ('৮৬)
৭ | লাইরেল মরীথোং ('৯১) ৮ | কেগে মখোঙদা সার্টিফিকেট ('৯৫)

নৈনবা — ১ | মণিপুরী সাহিত্য অমসুং সাহিত্যকার ('৬৬)
২ | খ্বাইরাকপম চাউবা ('৭২) ৩ | ডাঃ কমল ('৭৬)
৪ | ডাঃ কমল : পুন্সি অমসুং সাহিত্য ('৮২) ৫ | অঙাংহল : সাহিত্য, সমাজ অমসুং সংস্কৃতি ('৯২)

শৈরেং — ১ | চোইজাইনরবা ('৭২), ২ | লুপ্রিবদি ('৮৭) ৩ | কুম্বং শারবা পরেং ('৯৫)

লীলা — ১ | তরুং খোংনাং চাউথোইবা (খোঞ্জেল-'৯৩) ২ | খোঙসনা (ফম্মাক—৯৪) ৩ | কাপখায়রমদাই (শৈরেং লীলা-৯৪)
৪ | বন্দ কৈথেল (খোঞ্জেল-'৯৫)

হন্দোকপা — ১ | ত্যাগপত্র ('৭০) ২ | অমম্বা যুগ ('৮৫) ৩ | হয়রদন ('৯২) ৪ | ঈঙাগী নোংমা ('৯৩) ৫ | নাগমণ্ডল ('৯৪)

রারেং — মণিপুরী অমদি মণিপুরী : রাখল মতেক মতেক (১৯৯৬)

উপন্যাস — শঙায়শেল (১৯৯৭) — অদোমগী খুত্তা লৈরে

বোধি পব্লিকেসন্স
শীংজমৈ লৈশাংখেম লৈকাই
ইম্ফাল — ৭৯৫০০৮